ꯆꯤꯡꯊꯨ ꯃꯌꯆꯧ
ꯂꯧꯔꯦꯝꯕ ꯈꯣꯡꯅꯥꯡꯊꯥꯕ

(ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯋꯥꯈꯜ ꯐꯤꯗꯝ ꯐꯤꯔꯣꯜ)



চীংথু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাব

(মহাক্কী পুন্সি অমসুং ৱাখল ফিদম ফিরোল)

সাইরেম নী

ꯆꯤꯡꯉꯨ ꯃꯥꯌꯆꯧ ꯂꯧꯔꯦꯝꯕ ꯈꯣꯡꯅꯥꯡꯊꯥꯕ

(ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯋꯥꯈꯜ ꯐꯤꯗꯝ ꯐꯤꯔꯦꯞ)

চীংঙু মায়চৌ
লৌরেম্ব খোংনাংথাব

(মহাক্কী পুন্সি অমসুং ৱাখল যিদম ফিরেপ)

সাইরেম নীলবীর

জি.এম. পব্লিকেসনস
কৈশামথোং, ইম্ফাল

CHING-NGU MAICHOU LOUREMBA KHONGNANGTHABA

(Mahakki Punshi Amasung Wakhal Phidam Phirep)


- A book on the Life, Religious Principles, Predictions and Ideological Stand of Ching-ngu Maichou Louremba Khongnangthaba, a Priest Scholar with divine disposition.

ꯆꯤꯡꯉꯨ ꯃꯥꯏꯆꯧ ꯂꯧꯔꯦꯝꯕ ꯈꯣꯡꯅꯥꯡꯊꯥꯕ

(ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯋꯥꯈꯜ ꯐꯤꯗꯝ ꯐꯤꯔꯦꯞ)

চিংঙু মাইচৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাব

(মহাক্কী পুন্সি অমসুং ৱাখল ফিদম ফিরেপ)



অহানবা নম্বু : খৃস্তকুম ২০১০ সেপ্তেম্বর
অকোঙবা : লোংজম অরুন (সোমোরেন্দ্রো) না জি.এম. পব্লিকেসনগীদমক ফোঙদোকচবা
লাইরিক মশীং : ১০০০ (লীশীং অম)
লমায় মশীং : ১৪৪
মমল : লুপা : ১২০
নম্ফম : বত প্রিন্টরশ, কংলা পার্ক, ইম্ফাল

[illegible]

[illegible]

[illegible]/[illegible]/[illegible]

[illegible] [illegible]

হায়জনীংব ৱাহৈ খরদং

পুৱারী মমাঙগী মতমদগী কংলৈপাক মনিপুর অসীদ য়েলহৌমী ওইন খুন্দা লৈতাদুন লৈরকখিব, য়েক শলাই তরেৎন মপুঙ ওইব কায়াৎশিং ওইন লৈরিব ফূরূপ অসীগী মমিং মীতৈ (মৈতৈ) হায়বসী য়েক শলাই তরেৎকী অপূনব মমিংনি।। অঙনব মতমদগী লীশাং শীৎন লৈরকখিব লাইনীং, নাৎ অমসুং ফূরূপ অসীগী মশাগী শক্তম কন্দুন থম্লবগীদমক ঙমজব মতীক মথৌনা অমসুং ৱাখল লৌশিং পুম্নমক পুথোক্লুন হোৎনখিব অমসুং অচেৎপ ফিরেপ লৌখিব মরৈপাক নীংব মায়চৌশিংগী মনুংদগী শক্লাইরব মায়চৌ অমখক্কী মমিং পনব তারবদি মহাক অদু চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবনি।। চীংঙু মায়চৌ অসীগী য়ুম্লাক শাগৈ, য়েক শলাই, পারী পুরী, মহাক্কী ৱাখল ফিদম ফিরেপ অমসুং মহাক্কী ৱাখল ফিদম ফিরেপ্ল হৌজিক্কী অনৌব মীরোল ঐখোয়দ পীরিব ঈথিল পুম্নমক অসী পুল্লপ পূনশীনব অপূনব লাইরিক অম ওইন লৈহনজনীংবদগী অফংব অরিব লাইরিকশিং, অনৌব লাইরিকশিং, অখঙ অহৈ, অহল লমনশিংন চীনথাঙ য়ৈন হায়নরকপশিং অমসুং ঙসী ফাওবগী ওইব অফংব পাউদমশিং পুম্নমক অসী খোমজীনজরগ, পুম্নমক অসীগী ওইব য়াব য়াদব, নাক য়েৎ য়েংজরগ অচুম্ব থিবগী ৱাখল মীৎয়েংদ য়ুমফম ওইজরগ *‘চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাব (মহাক্কী পুন্সি অমসুং ৱাখল ফিদম ফিরেপ)’* হায়ন মিংথোনব লাইরিক মচা অসী পুথোকচবনি।। লাইরিক অসী ইজবদ খন্থব অমসুং থিজিনব ৱাৎহৌবদগী অশোয়-অঙাম, অৱাৎ-অপা য়াওরম্বসু য়াই।। অদুগুম্বশিং অদু লৈপাক্কী অখঙ অহৈশিংন তাকপীরক্লবদি মদু হরাউ হরাউ লৌশিনজবগ লোয়নন মথংগী খুৎনমদ চুমথোক-চুমশিন, শেমদোক-শেমজীন, হাপতোক-হাপচীন তৌজগনি।। অরোইবদ, ইনাউ ইবুংঙো লোংজম অরুন্ন লাইরিক অসীবু ফোঙদোকপিবগীদমক ইনাউ ইবুংঙোগী মফমদ থাগৎপ ফোঙদোকচবগ লোয়নন লাইরিক অসীগী অহানব খুৎনম ফোঙবগী ফংফম থোকপ পুম্নমক ইনাউগী মফমদ খুৎশিন্নজরে।।০।।

[illegible]

[illegible] [illegible]

ꯑꯍꯣꯡꯕꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯜ

ꯑꯍꯥꯅꯕ ꯁꯝꯄꯥꯝꯒꯤ ꯇꯧꯔꯛꯇꯨꯅ ꯇꯁꯦꯡꯕ, ꯃꯁꯤ ꯑꯁꯛꯂꯤ ꯍꯣꯅꯥ ꯑꯂꯣꯏꯒꯤ ꯁꯂꯣꯏꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯆꯠꯅꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯕ ꯇꯁꯦꯡꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯈꯨꯟꯅꯥ ꯈꯪꯗ ꯑꯣꯏꯔꯦ, ꯃꯁꯤ ꯑꯁꯛꯇ ꯑꯃꯥ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯄꯨꯋꯥ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯁꯝꯕꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯇꯧꯔꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯅ ꯑꯁꯛꯒꯤ ꯌꯥꯎꯔꯕ ꯇꯧꯕ ꯈꯪꯗꯦ, ꯗꯣ.ꯑꯦꯝ. ꯑꯍꯣꯡꯕꯝꯂꯣꯟ, ꯏꯝꯐꯥꯂꯗ ꯁꯂꯦꯡꯕꯒꯤ ꯌꯣꯏꯕ ꯌꯣꯏꯔꯕ ꯇꯁꯦꯡꯕꯅꯤ ꯄꯨꯋꯥ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯕ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯊꯝꯈꯤ꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯁꯛꯇ ꯑꯁꯛꯇ ꯃꯁꯤꯗ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯌꯥꯎꯕ ꯆꯠꯄ ꯁꯝꯅꯒꯤ ꯇꯁꯦꯡꯕꯅꯤ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯦ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯁꯤꯗ ꯗꯤꯕꯂꯣꯏꯔꯤꯕ ꯁꯤꯡꯊꯝꯕ ꯈꯨꯟꯂꯣꯏꯗꯔꯕ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯤ ꯑꯍꯣꯡꯕꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛꯇ ꯑꯍꯣꯡꯕꯅꯤ, ꯃꯁꯤꯁꯨꯛꯇꯨꯅꯕꯅꯤ꯫ ꯁꯔꯥꯏꯗ ꯑꯔꯤꯕꯔꯤꯕꯂꯣꯏꯕꯝ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ—ꯃꯇꯝ ꯇꯂꯣꯏ ꯑꯈꯥꯝꯕ ꯇꯁꯦꯡꯕꯅꯤ ꯁꯔꯤ ꯄꯨꯝꯕꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯡꯕꯥ ꯑꯩꯇ ꯂꯈꯦꯡꯝ ꯗꯤꯕꯔꯤꯗ ꯇꯝꯕꯝ ꯑꯂꯣꯏꯒꯤ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯑꯁꯛꯂꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯄꯨꯝꯕ ꯑꯣꯏꯝ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯁꯈꯨꯝ ꯇꯧꯔꯝ ꯈꯨꯟꯗꯦꯡꯕꯒꯤ ꯁꯔꯥꯝ ꯁꯕ "*ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯁꯈꯨꯝ ꯇꯧꯔꯝ ꯈꯨꯟꯗꯦꯡꯕ (ꯁꯔꯨꯛꯄꯤ ꯑꯗꯣꯝ ꯑꯁꯛꯂꯤ ꯃꯇꯝ ꯍꯤꯡꯝ ꯍꯤꯔꯥꯝ)*" ꯑꯣꯏꯅ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯑꯁꯛ ꯑꯗꯣ ꯑꯍꯣꯡꯕꯗ ꯌꯥꯎꯕ ꯇꯧꯈꯤ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯑꯂꯣꯏ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯑꯁꯛꯇ ꯃꯁꯤꯗ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯔꯨꯛꯈꯥꯏꯗ ꯁꯝꯅꯒꯤꯁꯨ ꯄꯥꯎꯇꯥꯛ꯫ ꯑꯔꯣꯏꯕ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯑꯂꯣꯏꯒꯤ ꯁꯩꯔꯦ ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯩꯔꯦꯔꯤ ꯑꯃꯇꯥꯝ ꯂꯩꯇꯦꯡꯕ ꯑꯁꯛꯇ ꯇꯁꯦꯡꯕ ꯑꯂꯣꯏꯗ ꯆꯝꯒꯤ ꯌꯥꯎꯕ ꯇꯧꯔꯤꯕꯤ ꯃꯁꯤ ꯑꯍꯣꯡꯕꯒꯤ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕꯤ ꯁꯔꯤ—ꯁꯗꯨꯝꯂꯣꯏꯗ ꯁꯈꯨꯗꯔꯤꯕ ꯁꯝꯕ ꯃꯗ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯕ ꯄꯥꯝꯗꯔꯤꯂꯣꯏꯗ ꯌꯥꯎꯕꯗ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯦ꯫

꯲꯹/꯶/꯲꯰꯱꯰

ꯗꯣꯂꯦꯃꯌꯥꯏ ꯇꯣꯡꯇꯝ ꯇꯣꯔꯕ, ꯏꯝꯐꯥꯜ　　　　ꯇꯣꯡꯇꯝ ꯑꯔꯨꯛ (ꯂꯣꯀꯣꯔꯥꯟꯗꯔꯨ)

অফোঙবগী ৱারোল

অঙনবা মতমদগী লৈবক্লবা লাইনীং, নাৎ অমসুং ফুরুপ অসিগী মশাগী শক্তম কন্দুন থর্মানিংবগী পান্দমদা ফোঙদোকচবা লাইবিকনি।। ঐখোযগী ইবোলদা ইজবা পুবাবী. নাৎ অমদি অতৈ লাইবিক কযা পাদুন মদুগী কান্নব লৌনাবি।। খুনাই অমগী চৎনবী লাইনীং, নাৎ অর্মদি পুবাবী লৈতবা যাদবনা, জিঃ এমঃ পব্লিকেসনস, ইম্ফালসু মনিপুবগী তোঙান তোঙানবা লাইবিকশিং কযা ফোঙদোক্লুনা পুথোকচবা ঙমখ্রে।। ঐখোযগী পুবাবী অর্মদি নাৎকী পুক্লেদ তাংন থোকপা মখলগী লাইবিকশিং ফোঙদোক্লুনা ঐখোযগী নাৎপু নুংশিবীবিবা মীযামদ খুৎশিন্নজবা হাযবসিনা অফোঙবগী মব ওইবা পান্দর্মান, চাওখৎহন্নবনি।। মবমসিনা পাবিনিবাশংদা পুক্লিং-ৱাখল লৌশিং ওইগদবা লাইবিকশিং মবাং কাযদবগী অবাৎপদু উকবগা ওন্মা সাইবেম নীলবীবনা লমদম অসিগী লাইনীং অমসুং নাৎপু কনজবা পাম্বা চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবগী মবমদা ইবা *"চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনা থাব। মহাক্কী পুক্সি অমসুং ৱাখল ফিদম ফিবেপ)"* হাযবা লাইবিক অম ওইনা পুথোকনবা থৌদাং লৌবিখি।। লাইবিক অসিন ঐখোযগী লাইনী অর্মদি নাৎকী পুক্লেদ অবাৎপা খবমখৈদি মেনখৎপা ঙমজবে ।। অবোইবদ লাইবিক অসিগী টাইপ সেটিং তৌবিখিবা এলাংবম সর্বজিৎ অর্মদি লাইবিক অসিবু নম্বগী থৌদাং লৌবিবিবা বত প্রিন্টবশকী ইচিল-ইনাওশিংনা হোৎনবিদনা মতম চানা ফোঙদোকচবা ঙমলিবসিমক থাগৎচবা ফোঙদোকর্চবি।

[illegible]

[illegible]   [illegible]

ꯑꯍꯟꯕ

ꯁꯅꯤꯄꯨꯡ ꯁꯦꯡꯖꯔꯒꯤ
ꯇꯄꯥꯄꯨꯗ ꯀꯥꯡꯒꯤꯄ ꯄꯨꯁꯤꯟꯕ,
ꯂꯩꯀꯣꯢ ꯇꯁꯅꯤꯄ ꯂꯤꯄꯥꯡꯍ ꯁꯂꯒꯤ
ꯄꯨꯅꯕ ꯁꯅꯍ ꯁꯄꯃꯍ ꯇꯃꯇꯕꯤꯁꯤꯕ ||꯱||
ꯅꯄꯃꯟ ꯇꯁꯈꯥꯡꯄꯥ ꯇꯁꯈꯕ,
ꯁꯅꯤꯄꯇ ꯁꯔꯨꯄꯗ ꯄꯑꯥꯡꯗꯃꯈꯇꯤꯍ
ꯇꯄꯥꯄꯟ ꯅꯤꯄꯇ ꯄꯥꯡꯗꯔ-ꯄ ||꯲||
'ꯃꯤꯄꯨ ꯀꯁꯃ ꯇꯈꯥꯃꯔ ꯁꯄꯅꯄꯇꯔ
(ꯀꯂꯄꯑꯤ ꯒꯨꯗꯂꯤ ꯄꯀꯂꯨꯄ ꯃꯁꯟ ꯏꯤꯃꯃ ꯏꯤꯈꯥꯡ)'
ꯂꯁꯅ ꯀꯤꯄꯇꯗꯔ ꯇꯁꯈꯤꯄ ꯀꯃꯂꯤ
ꯁꯅꯤꯄꯇꯒꯤ ꯁꯄꯒ ꯇꯃꯔꯟ ꯄꯅꯤꯀꯄꯥ
ꯅꯟꯗꯨꯄꯅ ꯑꯍꯃꯈꯤ ꯊꯟꯇꯔ ꯄꯒꯤꯔ ꯄꯂꯄꯅ,
ꯇꯍꯅꯃꯅ ꯇꯔꯤꯒꯑ ꯊꯟꯇꯔꯒꯤ ꯁꯃꯟꯂꯤ ||꯳||

꯳/꯹/꯲꯰꯱꯰
ꯁꯨꯈꯁ ꯅꯗꯃꯔꯃ ꯇꯑꯁ, ꯁꯃꯏꯟ

ꯊꯟꯇꯔ ꯄꯒꯤꯔ
ꯂꯁꯈꯃ ꯅꯤꯇꯔꯤꯈ

কংচব

ইনিংথৌ খাগেন্দ্রগী
লাংওল মপোক ওইখিব,
সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌগী
অনৌব ঈনোং খোঙচৎ লমথাবীখিব ॥১॥

নোংদোল লাইরৈপাক্ত লৈখ্রব,
ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ
লাংওল নিংথৌ অপানব - ও ॥২॥

'চিংঙু মায়চৌ লৌবেশ্ব খোংনাংথাব
(মহাক্কী পুন্সি অমসুং রাখল ফিদম ফিরেপ)'
হায়ন মিংথোনব লাইবিক মচা'সী
ইনিংথৌগী খোঙয়া থম্বাল অনীমক্ত
নোল্লুক্ত কংচরি তোল্লব অয়ীব ঐহাক্ত,
লৎনদন লৌবীয়ুকো তোল্লবগী খূদোল'সী ॥৩॥

[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]

য়াওফম তাকপ

১

মায়চৌশিংগী থৌদাং

মাযচৌ হাযব ব্রাহৈ অসীগী খোম্থোক্কী ওইব ইচম চম্ব ব্রাহম্থোক্তি মাইব অচৌব হাযবনি ।। অদুগ মাযনৌ হাযবন মাযচৌ অমগী মখাদ লৈবিব নৌবিব মাইব নত্রগ মাইব অনৌব হাযবনি ।। মাযনৌশিং অসীদি মাযচৌ অমন লমজীং লমতাকপিদুন তমশিন- খোৎচিনব অমসুং থিজিল- হূমজিনবগী থাক্ত লৈবিব অনৌব হাযবদি নহা ওইবিব মাইবশিংনি ।। মতাং অসীদ ঐখোযন খঙজীনফম থোকপ ব্রাফম অম লৈ মদুদি মাইব হাযবসী চাউবাক্ল কাঙলুপ অনী থোক্ল খাযদোকপ যাই, মদুদি (১) লৈঙাক নিংথৌগী ওইব সনা কোনুংগী লোযশঙ কাব মাইব অমসুং (২) সনা কোনুং কাদন, খুঙ্গং লৈকাইগী ওইব মাইব।। মাইববু অমাইব হাযনসু কৌনববখি ।। মাইব মখল অনী অসীগী লেপ্লব অসী মমাঙথৈদগী হৌন অসুম্ন খঙনবকখি মদুদি- লৈপাক মাইব খূবাই তাঙব, নিংথৌ মাইব চিবাই তাঙব ।। লৈপাক মাইব খূবাই তাঙব হাযবগী ব্রাহম্থোক্তি খুঙ্গং লৈকাইদ লৈবিব খুনজা মীযামশিংগী মবক্ত অবা অনা, অনা অযেক, অশি অনা থোক্লক্লব মতমদ অব্রা অনা লৈবিবা ইমুং অদুগী মীওইশিংন লাক্লুন হাযজবব মতম অদুদ চত্থুন অনা অযেক, লাইনা তীন্না অদু ফহন্নবগীদমক হকচাংগী মবী মতাং মেৎপী সুবীবা, লাইথৌ- তীনথৌ ঈবাং থৌনি পাঙথোক্লবগীদমক তোযন অমসুং কোযন মফম খদীং চৎমনখিবন খোঙ্গী খূবাইগী শকক্ত হৌব খোঙগী তুহাউ ফাওব কেনখিদুন তৌব ঙমদ্রব মাইব হাযবনি ।। অদুগ নিংথৌ মাইব চিবাই তাঙব হাযবগী ব্রাহম্থোক্ত সনা কোনুংগী লোযশঙ কাদুন লৈঙাক নিংথৌ অমসুং লৈপাক খুন্নাই অসী নুংঙাই মাইকন ওইনবগীদমক কুম অমগী থা থাগী ওইব ঈবাং থৌনি, লাইশোন তানশোনগী থৌবমশিং পাঙথোক্লিব মাইবশিং অসীদি নুংঙাই যাইফন, অবা অনা লৈতব

লৈপাক খুন্নাই অম কনম্ম ওইগদগে হায়নসীগা মবমদ নাইল হনমনবদগী কোক্নী মশম থাওব নাংথিনা হৌজব চমদ্রে, কোক্নী শম ফাওব কেনশিল্লক্লুনা চিবাইগা। শম হৌজিল্লত্তুব, চিনাই তাঙলব মাইন হায়বনি ।। খুঙ্গং লৈকাইদ লৈবিব, সনাকোনুংগী মাইব লোয়শঙ কাদব লৈপাক মাইব খুনাই তাংবশিংগী মবক্ত ফনা যাম্ন থও হৈব মাইব যাওববসু মাযচৌ মিংথোন পীবগী চৎনবীদি লৈবক্তে ।। মাযচৌ হায়ব মিংথোল অসীদি সনা কোনুংগী মাইব লোয়শঙগী মাইন পুলেল মাইন অচৌব (পন্দিত অচৌব) ওইরিন মীশক অদুদ পীব মিংথোলনি ।।

সনা কোনুংগী মাইন লোয়শঙদ লৈবিব মাইবশিং অসীবুসু মখল অনী থোক্ল খায়দোকপ যাই মদুদি – (১) লৈপাক নিংথৌগী যাইফনবগীদমক তঙাইফদব অকক্লব মথৌ অম ওইন ঈবাৎ লাইশোল অমসুং থৌনি থৌবমশিং পাঙথোকপগী থৌপুব মাইবশিং ।। কুম অমগী মনুংদ লৌবব থা ১২ (তবানিথোই) অসীগী থা থাগী ওইন লাইনীং নাৎকী ওইব থৌবমশিং অমসুং খুঙ্গং লৈকাইশিংদ পাঙথোক্লব উমংলাই হবাউবগী থৌবমশিং পুম্নমক অসী মখোযন পাঙথোক্লম্মী ।। (২) লৈম নিংথৌ যাওনঁ নিংথেমকোনগী মী ওইশিংদ হকচাংগী ওইব অনা অযেক যাওবক্লব মতমদ পুক সূব, মবী সুব অমসুং তীনকোক লাইকোক্লবগী অমসুং অশি অনা যাওবক্লব মতমদ শিবগ মবী লৈনব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবমশিং পাঙথোকপ মাইবশিং ।। অহানব মখলগী মাইবশিং অসীসু অনীসুব মখলগী মাইবশিংন খঙলিবশিং অদু খঙদবদি যাদে অদুবু থবক থৌবমশিং অদু মখোযগী অকক্লব থৌবমশিং ওইদবগী বাফম্মি ।। অসুম্ন, অনীসুব মখলগী মাইবশিং অদুনসু অহানব মখলগী মাইবশিং অদুন খঙলিবশিং অদুগী মনুংদ তঙাইফদন খঙদব যাদব ঈবাৎ লাইশোন থৌনি থৌবম খবদি খঙদব যাদে ।। মবমদি মাইব মখল অনীমক অসী লাইনীং লাইশোল ঈবাৎ থৌনিগ মবী লৈনৈ ।। মবী অসী ককথৎনব যাদে ।।

সনাকোনুংগী মাইব লোয়শঙদ লৈব মাইবশিংবু মখল অনী থোক্ল খায়দোকপগুম মাইবী লোয়শঙদ লৈবী মাইবীশিং অসীসু মখল অনী থোক্ল খায়দোকপ যাই, মদুদি – (১) লৈপাক নিংথৌগী ওইব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবমশিং পাঙথোকপী মাইবী ।। অহানব মখলগী মাইবীশিং অসীদি লাই-পাউ চেনব ঙম্বী, শবীক পাযবী মাইবী ওইগদবনি ।। (২) নিংথেম কোনগী লৈমশিং অঙাং উনবদ হায়বদি মচা পোকপগী মতাংদ মকওইব থৌদাং লৌবিবী মাইবীশিং ।। মখোযবু নাউসূবী মাইবী হায়বদি চাবোকপী মাইবী হায়ন খঙনবম্মী।। মখোযসু ঈবাৎ লাইশোনগী মবমদ খঙজীন্দব যাদব খব খঙলবসু

মখোযগী মকওইব মশিন্দি 'নংথেমকোনগী লৈমশিংন অঙাং পোকপগী থৌবম অসী পাঙথোকপন ওইবন্মী ।। মাইব লাইশঙ অমসুং মাইবী লোযশঙ হাযবিব লোযশঙ অনী অসীদ নত্তন লাইনীং লাইশোল ঈবাৎ থৌবমগ মরী লৈনব অশৈব লোযশঙ কৌব লোযশঙ অমসুং লৈবন্মী ।। লোযশঙ অসীদ পেনা অশৈবশিংসু লৈবন্মী ।। (কোন্ন ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত অশৈব লোযশঙদগী পেনা লোযশঙ থাইদোকখিবনি।।) লাইনীং নাৎক মরী লৈনব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবমশিং অদু মাইব লোযশঙদ লৈবিব মাযচৌশিংগী মীৎযেং মখাদ মাযচৌশিংন লমজাং লমতাক্কুন পাঙথোক্লবকখি ।। লোযশঙ অহুম অসীদি লোযশঙ অমখক্কী মশা- মবেংশিংনি হাযন লৌব যাই ।। ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবম অযাম্বদ মাইব, মাইবী অমসুং পেনা শৈশকপ অহুম অসীদি থাদোক্লব যাদ্রবনি ।।

মাইব লোযশঙদ লৈনিব মাইবশিং অসী কোন্নদি মবোংক্তগী মমৈ ফাওবদ মথং মনাউ ওইনা ফমথোল ৬ (তরুক) লৈবকখি মদুদি (১) মাযচৌ পুরেল (পন্দিত অচৌব) (২) মাযচৌ যাযম (পন্দিত যাযম) (৩) মাযচৌ নহা (পন্দিত নহা) (৪) পানা মাযচৌ (৫) মাইব হনজব অমসুং (৬) মাইব হিদং তরুক অসীনি ।। মাইব লোযশঙদ লৈবিব ফমথোন ৬ (তরুক) অসীগী মনুংদ অহানবগী অহুম অসীদি লৈপাক নিংথৌগী যাইফনবগীদমক পম্ন ফম্মিন্নদুন পাংথোক- তাশিনবা তৌনবগী চৎনবী লৈবকখি । মাযচৌশিংগী মবক্ত 'টাংভু' হান মিংথোল অসী পাদন লৈপাক নিংথৌনা ইবাইখুম্নবকানবশিংদি মাযচৌ পুরেল (পন্দিত অচৌব) গী থাক্ত লৈব । মাযচৌশিংগী মবক্তগী ওইবকখি।। মাযচৌ যাযম, মাযচৌ নহা অমসুং পানা মাযচৌশিংদদি মিংথোল অসী পানবক খরে। মতম অসীদ এখোযনা খঙজিন্নদবা যাদবা বাযম অম লৈ মদুদি অহানবগী ফমথোল অহুম হাযবদি (১) মাযচৌ পুরেল (২) মাযচৌ যাযম (৩) মাযচৌ নহা ফমথোল অহুম অসীমু পাযাবব মাযচৌশিং অদুদি লাইবিক ইব পাম্নবা, মহৈক চৎপ মীশক্ত ওইগদবনি ।। ওইদবা যাদে ।। ফমথোল অহুম অসীমু পাযাবব মাযচৌশিং অদুনা, মাযচৌ পুরেন্ন লচিংদুনা 'লবাং নোংমশঙ' কৌবা লোযশঙ অমদ তোপ্ন ফম্মিন্নদুনা লৈপাক নিংথৌগী যাইফনবগীদমক হাবম কযাদ খন্ন লৈনবগী চৎনবসু লৈবন্মী ।। মাযচৌশিংগী মকোক ওইরিব মাযচৌ পুরেল অদুদি লৈপাক নিংথৌগী যাইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা হীরম কযাগী মনমদ খঙদব যাবমদে ।। হীরমশিং অদুদি (১) লৈশেমলোন (কোরৈ নোংলিংলোন, মালেম লৈশেমলোন, নমু পোংশেমলোন), (২) নিংথৌবোল (লৈপাক অসীগী নিংথৌশিংগী হাক্তক্ত মথং মথং থোকখিব থৌদোক পুরাবী) (৩) লৈঙাক লোইশঙ মগীনা (নুংঙাই যাইফব লৈপাক অম

ওইনবগীদমক নিংথৌ, অঙম অথৌশিং, লোযশঙশিং অমসুং যুম্নাক শাগৈশিংন পাঙথোকফম থোকপ থৌদাংশিং) (৪) শাগৈ শলাইবোল (মীতৈ ফূব্দপকী মনুংদ লৈবিব যেক শলাই, যুম্নাক শাগৈশিংগী পাবোল পুবোল) (৫) লম্মিৎলোন (লৈপাক অসীদ লৈবিব মফমশিংগী মমিং থোনখিবগী থৌদোক ৱাবীশিং) (৬) চীংগোইবোল (লৈপাক অসীদ লৈবিব চীংশাং চীংদোলশিংদ লৈবিব মকওইব মফম, লাইফম্নচিংবগী বাবী বাখোঙ) (৭) যুম্বাল্লোন (যাইফ- নুংঙাইব ইমুং অম ওইনবগীদমক থকশী- খাশী যাওবব চৎন- কাঙলোন) (৮) ঈবাৎ থৌবমলোন (লাইনিংথৌ লাইবেম্মশিংগী ঈবাৎ থৌবম, মী অম পোকপদগী শিব ফাওবগী ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবম, চহী অমগী মনুংদ পাঙথোকপ থা থাগী ওইব লাইনীং নাৎকী ওইব ঈবাৎ থৌনি থৌবমশিং) (৯) খেনচংলোন (নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক অমসুং মতম অফ- ফত্ত যেংবগী কাঙলোন) (১০) লৈচিল্লোন (শা- লান্নচিংবা মকওইব খোঙচৎ অম চৎলমদাইদ নোংদোল লৈচিনগী মবোঙ মতৌ যেংলগ মাঙজৌনন খোঙচৎকী অফ- ফত্ত খঙজীনব) (১১) হকশেল কাঙলোন অমসুং হিদাকলোন (নাদ- যেক্তন হকচাং ফন লৈনাব শাজেল অমসুং অনা অযেক কোক্লব চান- থক্লব হীদাক লাংথক্কী মবম) (১২) থেংগৌবোল (ফংনিংব মহৈ অম ফংনবগীদমক পাঙথোকপ লাইনীং লাইশোনগী ওইব থাঙলোন তাবোলগী খৌশাবোল) (১৩) কাইববোল (লৈপাক মীযাম অমসুং লৈঙাক নিংথৌগী ওইন মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন তুংদ থোক্লগদব থৌদোক ৱাথোকশিংবু হান্ন মাঙজৌনন কাইথোক্তন হাযবদি পুথোক্তন খঙহন উহনবীব পাউতাক পাউজেল) অসীনচিংবশিংনি ।। মাযচৌ পুবেলন লমজীংদুনা মাযচৌশিং অসীন লূবাং নোংহুমশঙদ পূন্ন ফম্মিন্নদুন হীবমশিং প্রসাদ লাইবিক কয়া ইশিন্দুন থম্বগী চৎনবী লৈবকখি ।। হৌজিক্কী মতমদ ঐখোয অযাম্বন পুযা হাযবগ খঙনবিব অবিব লাইবিকশিং অসী মাযচৌশিং অসীন লাচন্দুন থম্বীবম্ব লাইবিকশিং অদুনি ।। লুবাং নোংহুমশাঙদ মাযচৌশিংন লাইবিক ইদুন থম্বীবম্বগী খুদম অম অনীদং পনজগে 'সীংখন লাংখন' হাযন মিংথোনব লানফমগী শিদযাই নাদযাইগী মবমদ ইব পুযা লাইবিক অদ্ লুবাং নোংহুমশঙদ ইনিংথৌ খাগেম্বগী (১৫৯৭- ১৬৫২) মফমদ চীংঙু মাযচৌ অপোইমচা (অপোইননা) অমসুং অতোপ্প মাযচৌ ৪ (মবি) হাযবদি (১) কোনোক থেংগ্রা, (২) সলাম সনা (৩) যুম্নাম তোম্ব অমসুং (৪) খাইদেম তেম্বা- মাযচৌ মঙা অসীন তম্বীখিবনি ।। (খেলচন্দ্র, অবি: মনি.সাহি: ইতিহাস) 'সদিং' কৌব পুযা অসীসু নিংথৌ অসীগী হাক্তক্ত মাযচৌ মঙান নোংহুমশঙ অসীদ পূন্ন ফমিন্নদুন ইখিবনি ।। (ঙাবিযানবম কুঞ্জচন্দ্র, সদিং পুযা) ঐখোযন হনকৎন চঙশিনব পুবাবীগী মন্নব লম্না লমশাংদ,

নিংথৌবোল কযাগী হাক্তক্ত মাযচৌশিংন ইশিন্দুন থম্বীবম্ব লাইবিকশিং অসীন লমজাং মৈবা ওইবিদুন লাক্লি ।। ঐখোয ইশান ইশাবু শকখঙজনব হোৎনবদ লাইবিকশিং অসী মাঙদ খিন্দুন লৈব শকযেং মিযেংশেল (মিংশোল) গী মশক ওইবি ।। শান্তদাস গোসাইগী থৌইনশিন্দগী ইনিংথৌ পামহৈবন মৈ থাদোক্লুন মাঙহনখিব পুযাশিং অদু মাযচৌশিংন নিংথৌবোল কযাদ ইশিন্দুন থম্বীবম্ব হীবম কযাগী লাইবিকশিংনি।।

কংলৈপাক মনিপুব অসীদ পানখিব নিংথৌশিংন মহাক মহাক্কী মতমগী ওইব মাযচৌশিংগ খন্ন- নৈনবগ লৈঙাক লৈশেমগী থবক পাঙথোক্লম্মী। মীতৈ ফূব্দপ অসীন মনীং তম্ব লৈপাক অম ওইন খা- নোংপোক এসিযাদ খৃস্তগী অহানব চহীচা হৌবকপদগী খৃস্তগী ১৮ শুব চহীচা হৌবকপ ফাওব ফূব্দপ অসীগী মশাগী ওইব লাইনীং নাত্ত যুমফম ওইব মশাগী শক্তম কন্দুন লৈব ঙম্লকখিব অসীদ মাযচৌশিংসু যাম্ন চাউব থৌদাং লৌবকখি ।।০।।

২

চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবগী শাগৈ, শলাই অমসুং শাগৈ যুমদাফম

চা[illegible] [illegible] বগী মবমদ [illegible] মায়চৌ [illegible] মনা [illegible] [illegible] মায়চৌ অসা[illegible] যেব শলাই [illegible] মায়চৌ অ[illegible] মবমদ থাজনাব মীওই [illegible] লাইবক [illegible] মায়চৌ অসাগা [illegible] অম [illegible] পুবেনগী [illegible] বাবী বাখোং[illegible] [illegible] ।

মাইতৈ [illegible] পন্দিত শ্রী[illegible] [illegible] শলাই [illegible] যুমনা[illegible] মতাংদ অসু[illegible] [illegible] খোংবানদো [illegible] [illegible] [illegible] ইন্দ্র [illegible] [illegible] খোন্দো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পোকই। আতং [illegible] বগী মীদি (৭) [illegible] (৮) [illegible] বগী মীদি (৯) [illegible] [illegible] মীদি (১০) লৌরেম্বমে" ([illegible] ইতিহাস, [illegible] খন্দ, ১ [illegible] ৮) লৌ[illegible] বাবী বাখোং অসিদ মথং / [illegible] যেক শলাই [illegible] [illegible] লৌরেম্বম অসীসু

অমনি।। লৌবেম্বম শাগৈ অসী নিংথৌ উরা কোম্বৌব (খৃস্ত কুম ৫৬৮ - ৬৫৮) গী ঈনি হায়ব অদুদি য়াম্ন মযেক শেংনা উৎলে অদুবু লৌরেম্বম শাগৈশিংগী মনুংদ কংলৈপাক মনিপুর অসীগী কবম্ব মফমদ খুন্দারিব লৌরেম্বম্বু চীংঙু খোংনাং থাবগী নকশিন্নব পারী পুরী অমসুং চাদা নাউদানো হায়ব অদুদি পল্লমদ্রে ।।

শাগৈ শলাইরোলগী মীহৌবোল ব্রারী ব্রাখোঙ ইব অবিব লাইরিক *'চেকখোং'দ* মঙাং/নিংথৌজা যেক্কী য়ুম্নাক শাগৈগী মতাংদ অসুম্ন ইরি - *"মৈদিংঙু উরা কোম্বৌবন খাবরোল নোংজেংসুনে, নোংবানলোন হোইযাম্বীনে অনীমা পান্নদুন খাবরোন্না নাউহন্নে, য়োইচারোন্নে, নাউথিংখোংনে, নিংথৌ রাংঙানে মবিমা পোকএ ।। নোংবানলোন হোইয়াম্বীন ফৌবায়াং লাইকোকসু পোকএ ।। নাউথিংখোংন নিংথৌ ওই ।। - - - ফৌরাযাং লাইকোকসুন অঙোমচনু তাশোনঙম্বী পান্নদুন লাংশাহনব পোকএ ।। মাগী ঈদি লৌরেম্বম অরালৈম মপামনে, লৌরেম্বম খোংনাংথাবম মইমনে, লৌবেম্বম য়েন্দ্রেনহনব মইমনে।।"* *'চেকখোং'দ* পীরিব লৌরেমবম শাগৈগী মীহৌরোল ব্রারী ব্রাখোঙ অসীদ লৌবেম্বম খোংনাংথাবম ময়ুমগী ব্রাফম য়াওরে।। অদুবু য়ুম্নাক অসী লৈপাক অসীগী করম করম্ব মফমদ লৈবনো হায়ব অর্দুদি য়াওদ্রি ।।

শ্রীকালাচান্দ সিংহন খোমজীনব অমসুং ইথোকপ *'শাগৈ শলাইবোন'* কৌব লাইরিক অদুদ অসুম্ন ইরি - *"ফৌরায়াং লাইকোকসুন অঙোম চনু পান্নদুন মাগী ঈদি লৌরেম্বম খুনখোম্বগী ঈদি ব্রাংখৈ লৈকাই তাব অরা লৈম মপাম দুর্লভসিং ময়ুমনে।। লৌরেম্বম খোংনাংথাবম খোংমন তাব রূপসিং ময়ুমনে লৌরেম্বম য়েন্দ্রেনহনব ভবানসিং ময়ুমনে।। জন্মসিংদগী খাইব লৌরেম্বম পেত সিং হাজারী ময়ুমনে।। জন্মসিংদগী খাইব ফুবান তাব চুরচান্দ ময়ুমনে।। থিনুংগৈদগী লৌরেম্বম অতোনব লাক্তে ।। চিংবান লৈমদগী অরোই লাক্তে ।। মোইরাংদগী নরাং লাক্তে ।। লমশাংদগী লৌরেম্বম শ্রুপ ময়ুমনে ।। রাইখোংদগী লৌরেম্বম চেকয়াম্ব লাক্তে।।"* (লা:৯২ / ৯৩) পীরিব শাগৈ শলাইরোল অসীদ লমদম অসীগী মফম কয়াদ লৌরেম্বম য়ুম্নাক শাগৈ কয়া খুন্দা লৈতাদুন লৈরবসু খোংমন তাব লৌরেম্বম অসীন চীংঙু মাযচৌ খোংনাং থাবগ হেন্ন নকশিন্নবগী লীক্লম অদু ফন ফজন উৎলি ।।

খোংমন তাবা লৌরেম্বম শাগৈগ চীংঙু খোংনাংথাবগ হেন্ন নকশিন্নব মরী লৈনবগী ব্রারী ব্রাখোঙ অসী *'সঙ্গাই ফম্মাঙ'* কৌব শাগৈ শলাইরোলগী অরিব লাইরিক অদুদ য়াম্ন ফজন উৎলি।। লাইরিক অদুন অসুম্ন হায় - *"মৈদিংঙু উরা কোম্বৌবন খাবরোল নোংজেংসুনে, নোংবান হোইযাম্বীনে ২ মা পান্নদুনা খাবরোন্না নাওহন্নে, য়োইচারোন্নে, নাউথিংখোংনে, নিংথৌ বাংঙানে ৪ মা*

পোকএ ।। নোংবান হোইযাম্বীনা ফৌবাযাং লাইকোকসু পোকএ।।- - - ফৌবাযাং লাইকোকসুনা অঙোম চনু পান্নদুন মাগী ঈদি লৌবেম্বম খুমোম্বমগী ঈ ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা ঔব্রা লৈমা মপাম দুলার্ভসিং মযুমনে।। লৌবে[illegible] খোংনাংথাবম খোংমন তাবা রূপসিং মযুমনে ।।" (লা:২২৯-২৩০) *'শঙ্গাই ফম্মাঙ'*দ পীব ব্রাবী ব্রাখোঙ অসীগী মতুং ইন্ন খোংমন তাব লৌবেম্বম অসী চীংঙু খোংনাংথাবগ খ্বাইদগী হেন্ন নকশিন্নব ঈগী মবী লৈনৈ হাযবদু যাম্ন মযেক শেংন ফোঙদোকই ।। (লৌবেম্বম শাগৈদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাব নত্তব অতোপ্প খোংনাংথাব কৌব মশক্লাইব মীশক অম চীংঙু মাযচৌ অসীগী মমাঙ অমসুং মতুংগী মতমদ নত্রগ মহাক্কী মতমদ লৈবম্বগী ব্রাবী ব্রাখোঙ অমসুং পাউদম ঙসী ফাওব লৈতে)।।

মথক্ত হাযখ্রিব মঙাং/নিংথৌজা যেক শলাইগী মনুং চনব লৌবেম্বম যুম্নাক শাগৈগী মবমদ ইবম হাযবমশিং অসী কুপ্প যেংশিল্লব মতুংদ চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্বম খোংনাংথাবগী যেক শলাই, শাগৈ যুমদাবগী মতাংদ ঐখোযনা অসুম্ন হাযব যাবে মদুদি - নিংথৌ উবা কোন্থৌব (খৃস্ত ৫৬৮- ৬৫৮)গী অনীসুব তালোয লৈম নোংবানলোন হোইযাম্বীন ফৌবাযাং লাইকোকসু কৌব মপাবী অদু পোকই। ফৌবাযাং লাইকোকসুন অ[illegible] যেক শলাইগী চনু অম পান্নদুনা চাদা নাউদা শন্দোক্লক্তুন চী[illegible] খো[illegible]না[illegible]থাব পোকখি ।। চীংঙু মাযচৌ অসীগী লৌবেম্বম অসী ক[illegible]লা কো[illegible]গী [illegible] মাযকৈদ লৈব খো[illegible]মন কৌব খুঙ্গং অদুদ খুন্দা লৈ[illegible]দুন লৈবর্দ [illegible] খোংমন তাবা লৌবেম্ব[illegible] [illegible] কোন্নদি লৈপাক নিংথৌ[illegible] [illegible] [illegible] লৌ[illegible] 'লৌবেম্বম খো[illegible] [illegible] মযুম' হাযনা [illegible] শলাই বোলদ লাচন্নুনা খঙনকখি

'লৌবেম্বম খোংনাংথাবম খোংমন তাব' হাযব যুম্নাক অসী অখঙ- অহৈ খবন ইব লাইবকশিংদ পল্লম্বত নত্তন শাগৈ শলাইবোলগী ওইব অবিব লাইবিক *'শঙ্গাই ফম্মাঙ'দ* ইবম্ব থেংনবদগী চীংঙু খোংনাংথাবগী লৈফমগী মতাংদ খবদং ওইববসু খঙনীংলুবদগী খোংমন্দ লৈব লৌবেম্বম ইবোহল কৌব মশাগী চহী ৭০ (হুমফুতবা) বোম সুবব অহল অদু অযিব ইশান খৃস্ত কুম ২০০৪ গী ফেব্রুব্রাবী ১৯ দ মযুমদ চত্তুন ব্রাবী শানজকই।। খোংমন তাব লৌবেম্বম অসী চীংঙু খোংনাংথাবগী চাদা নাউদানি, মাযচৌ অসী মখোযগী মবুথৌ পুর্নোম্ন হাযববখি । ব্রাফম অসীমক মখোযগী লৈখিদ্রব মপা মপুশিং, [illegible] হাযন পাউদম্বীবকখি ।। লৌবেম্বম ইবোহলগী যুমগী মৈবম পাংব ইংখে [illegible] নযম অমদ চীংঙু খোংনাংথাবগী লাইশঙ তমসু

লৈহৌই।। লাইশঙ অসীদ মায়চৌ অসীবু শাগৈগী লাই ওইখ্রদ মবুধৌ অম ওইন খুকম খাজঙনবকথি ।। কুম খুদীংগী লমতাগী থানিল নুমিত্ত মবুধৌ মায়চৌ অসীগী ফীজোল হোংদুনা খব চাউব মবোঙদ ঈবাৎ থৌনি থৌবম পাঙথোক্লুন লাকখি হায়নসু পাউদম্বীবকখি ।। ইবোহল হায়বিব অহল অসী মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং হৌজিক্তি মীকোক থীবদ *'সনামহী লাইনীং'* হায়না খঙনলিব লাইনীং অসী চৎপ মীশক নত্তে ।। মহাক্তি হিন্দু গৌবিয়া বৈষ্ণব লাইনীং চৎপ, লাইনীং অসীগী পালাগী শৈশকপ মীশক অমনি ।। মহাক্ক কবিগুম্বা সনামহী লাইনীং চৎপ মীতৈ অম ওইবসুনাদ মহাক মশামক লৌরেম্বম শাইগা ওইরবানা মদুগী খুদোংচাব লৌবগা চাংঙ্গু মায়চৌ খোংনাংথাবগী বাখল [illegible]দমাশিং অদু পামজরুবন মবম ওইবদনা অমসুং চাংঙ্গু মায়চৌ অসীগী চাদা নাঙদনি [illegible] মশাদ চাউথোকচান [illegible] মখোয়গী ঈশা মবুধৌ নাং [illegible] শেমজানা শাজিন্দুনা মবুধৌনা হায়বদু য়াবগী ওইথোকপদু [illegible] নত্তে ।। [illegible] মহাক মশামক [illegible] গৌবিয়া বৈষ্ণব অম ওইবদ [illegible] লাইনীং অসীগী পালা [illegible] শৈশকপ মীশক [illegible] ওইরবানা [illegible] অসী চাংঙ্গু [illegible]নাংথাবগী [illegible] খাজঙ্গালগ [illegible] মায়চৌ অসী মখোয়গী [illegible] মবুধৌ পুরেলশিংগী মনক্ত অম ওইবদগী পাঙ[illegible] লাকখিদ ওইরম [illegible] হায়বসিদ অয়িবগী অচেৎপ থাজব লৈতে ।।[illegible]।।

৩

চীংঙু মায়চৌ অসীগী মিং, মিংথোল অমসুং য়ুম্নাক্কী ৱাহন্থোক

মায়চৌ খোংনাংথাবগী মিংগী মমাঙদ *'চীংঙু'* হায়ব ৱাহৈ অসী শীজিন্নদুন চীংঙু মায়চৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাব হায়বগ মায়চৌ অসীগী হেন্ন মপুঙ ফাব মিং ওইন মীয়ামনা খঙনবল্লি ।। *'চীংঙু'* হায়ব মীতৈলোনগী ৱাহৈ অসীগী হৌবকফম থিব তাববদি ৱাহৈ অসীমক্কি মতীক ময়াই লৈব লাই নুপা খোইয়ুম লাইয়িংথৌ (লাই নিংথৌ) শিংগী মমাঙদ থমদুনা *'চীংঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌ'* হায়না শীজিন্নবকই ।। মতীক ময়াই লৈব লাই অদুন নুপী লাইবেম্মা (লাই লৈমা) ওইববদি য়োইবু খোইমোম লাইবেম্মা হায়বগ খঙনবরক্খি ।। চীন্থাঙ লাম্না লাকপ লাইশোল খবদ অমসুং কনাগুম্ম অমাইব অমসুং কনাগুম্বী অমাইবী থবনাদ *'চীংঙু খোইয়ুম'* হায়ব ৱাহৈ অনী অসী লাই নুপা লাইবেম্মশিংগী মতীক ময়াই ফোংদোকপ ওইনা শীজিন্নবসু য়াওদববদি নত্তে ।। অদুবু অসুম্ন শীজিন্নব অসামাক্ত কুপ্ন থিজিনব অমসুং য়েংশিনব ৱাৎপদগী ওইগদ্রা খনজে।। *'চীংঙু'* হায়ব ৱাহৈ অসামাক্ত *'চীং'* অমসুং *'ঙু'* হায়ব ৱাহৈ অনী অসীন তিনশিন্নদুন ওইখিব ৱাহৈনি।। *'চীং'* অমসুং *'ঙু'* হায়ব ৱাহৈ অনী অসীগী মযেক্কী ওইব খোন্থোক্কা ৱাহন্থোক্কি *'লোইবী চীং'* অমসুং *'ইবুংঙো'* হায়বনি।। *'ঙু'* হায়ব ৱাহৈ অসীগী মযেক্কী মতাবী খোন্থোক্কী ৱাহন্থোক্কি *'ইবুংঙো'* হায়বনি, খুদমদি, মীতৈঙু/মৈতংঙু/মৈদিংঙু হায়ব ৱাহৈ অসীদ য়াওবিব *'ঙু'* অসীগী মযেক্কী ওইব ৱাহন্থোক অসী *'ইবুংঙো'* হায়বনি, শমজীল্লগ *'ঙু'* হায়বনি।। মীতৈঙু/মৈতংঙু/মৈদিংঙু হায়ব ৱাহৈ অসীদ য়াওবিব *'ঙু'* হায়ব অসী *'ইবুংঙো'* হায়ব ৱাহৈগী অশম্বী ৱাহৈনি।। মবম অসীন *'চীংঙু'* হায়ব ৱাহৈ

অসীগী নুংগী ওইব ৱাহম্বোক্তি লোইবী চীংগুম মতীক মযাই লৈব, ৱাংথোই চাউথোইবব, অকনব নোংলৈ নুংশিৎন হুম্বদ মচি লেংঙমদ্রব, নাপী-শীংবী, উ-ৱা, হৈপাল-লৈপাল কযাগী হৌফম অমসুং শা-উচেক অমসুং মীওইব কযাগী চঙজফম হিংফম ওইবিব মৈ-ঈশিং-নুংশিৎন মাঙহল তাকহনব ঙমদ্রব মতম পুন্নমক্কী ওইন লেঙদন লেপ্তুন লৈবিব লোইবী চীংগুম্লব ইবুংঙো হাযবনি॥ অসুম্ন *'চীং'* অমসুং *'ঙু'* হাযব ৱাহৈ অনী অসী পুনশীন্দুন ওইখ্রব *'চীংঙু'* হাযব ৱাহৈ অসী খোইযুম লাইগী মতীক মযাই ফোঙদোকপ ওইনা শীজিন্নবগী চৎনবী লৈবকখি॥ অদুগা ৱাহৈ অসী খোইযুম লাইগুম্লব মতীক মযাই লৈব মীশকশিংবু খঙনবদসু শীজিন্নবকই' মসীগী খূদমদি — মঙাং পুন্সিব, লুবাং পুন্সিব অমসুং খুমন পুন্সিব কৌবা লাইপোক ওইখ্রব পুন্সিব মীশক অহুম অসীবু মঙাং গুরু পুন্সিব, লুৱাং গুরু পুন্সিব অমসুং খুমন গুরু পুন্সিব হাযন হাযনব যাওববসু অবিব লাইবিক *'কৎলৈ নিংথৌ চহী'* দদি *'গুরু'* হাযদে *'চীংঙু'* হায ॥ শজীবু চৈবাউবগ মবী লৈনব লৈপাক্কী ওইন সনা কোনুংদ পুন্সিব অহুম অসীবু ঈবাং থৌবম পাঙথোকপগী মতাংদ লাইবিক অসীদ অসুম্ন ইবি " *চৈবাউব নুমিৎও মঙাং, লুবাং, খুমন চীংঙু অহুম্মক্ত হৈ লৈ. ফিবোই ফিঙাম কৎতুনা মাযচৌশিংন চহী অদুগী লৈবাক নিংথৌগী লাইচং লাইনা অহং ফঙগা ৱাবম্বু লাইবিক পুযাদ লৈবিব মবোলশি, অদব পাংথোক্লনা লৈবাক্কী পুক্লাং লৌশি, ওইনৈ ॥*" (লা.৪) মাযচৌ খোংনাংথাবগী মিংগী মমাঙদ থম্লিব *'চীংঙু'* হাযব মিংথোল অসামক মঙাং, লুবাং অমসুং খুমন ইবু পুন্সিব অহুম অসীগী মতীক মযাই ফোঙদোকপ ওইনা মালব *'চীংঙু'* হাযব মিংথোল অসীগুম্লনা॥ চীংঙু মঙাং পুন্সিবনা হৌ... নাউথিংখোংদ লৈঙাকলোন, খুন্নাই লোন, লৈশেমলোন, লাইনীংলোন কযা ভাকোপ ভাম্বাখবগী বাবাশিং অদু নিংথৌ নাউথিংখোংগী পুন্সি বাবী খঙবাব মী অযাম্বনা খঙনবব বাযম্ন ॥ *'মাযচৌ'* হাযবগী ৱাহম্বোক্তি মাইব/অমাইব অচৌব হাযবনা। মতাং অমাদ ঐখোযন খঙজিনব যাবদি মাইব, অমাইব হাযবসি মখল অনী সুই ॥ (১) অমন পনাপন্ব মীশক অম হকচাং নংভাইরম্লব, চম্লম্লব, নাবক্লব মতমদ হকচাংগী মবী মতাং সুব, মিহুন থাহুন যেংব, পুক সুব অমসুং লাইনা তাম্না কযা তানকোক লাইকোকনবগীদমক ঈবাং চবান ভাব অমসুং লাই খুকম্বীব অদুগ মীশ মীনা থোক্লকপ মতমদ থৌবম অদুগা নবা লৈনব ঈবাং থৌনি থৌবম পাঙথোকপ অদুগ (২) অতোপ্প অমনা হায়খিব পুন্নমক অসী খঙব হৈবগী মথক্ত লৈশেম নোংশেমলোন, খুন্নাইলোল, চৎনা লোনচৎ, লৈপাক খুন্নাইগী পুবাবী, মীহৌবোল, শাগৈ শলাইবোল, লাইবোল লাইশোল, ৱাযেল থৌদাবোল, ঈবাং থৌনিবোল খঙবগ লোযনন লৈপাক নিংথৌগী

যাইফনবগীদমক ব্রা তানফম ওইব, লৈপাক নিংথৌগী পুযা সুব ওইব, লাইবিক হৈবত নত্তন লাইসুসু খঙব ময়শকশিংনি ।। অসীগুম্ব অনীসুব মখলগী মাইব/অমাইবশিংগী মবক্ত লুচিংপুবেল ওইবশিংবু মাইব অমাইব অচৌব মাযচৌ কৌনবকখি।। অসীগুম্নব মাযচৌশিং অসীদি চীংঙ্ক খোইযুম লাইগুম্ন তুংদ খোক্লগদ থৌদোক বাথোক কযা ফাওব উশিনব অমসুং খঙজিনব ওম্নগী মতৌক মযাই লৈবদগী চীংঙ্ক হাযব মিংথোল অসী পীদুনা লৈপাক নিংথৌন ইকাই খুম্নবকখি ।। যাম্ন শমজীন্ন হাযবনদ মাযচৌশিং অসীদি লৈশেম- নোংশেমলোন. লাইনীংলোন, লৈঙাকলোন, নিংথৌবোল, শাগে শলাইবোন, বাযেল কাঙ্গলোন, সাম্মৎলোন, থেঙ্গৌবোল, ঈবাং থৌনিবোল, খেনচঙলোন, কাইবরোল, হকশেন কাওলোননাচিংব লোন কযাবু যাম্ন কৃপ্ন খঙব মীওইশিংনি ।। চীংঙ্ক খোংনাংথাব অসী ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্কী মাইব/ অমাইব অচৌব মাযচৌ পুকোক পুবেলনি।। শান্তদাস গোসাইন কংলৈপাক অসীদ থোক্লক্তুনা নিংথৌ পামহৈববু হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহন্দুনা নিংথৌগী লাইনীং উজা ওইখিবগ লোযনন চীংঙ্ক মাযচৌ খোংনাংথাববু মহারুত্তাম্ন ওইবম্ন ফমদর্গা থৈদোকহনখি ।। অদুগ মহাক্কী ফম অদুনা শান্তদাসন চৎশিনখি ।। মত্তাং অসীবু *'ফমলোন'* কৌব অবিব লাইবিক্ত অসুম্ন ইবি *"শান্তিদাস গুরুনা থোক্লকপ অদুগী মখৈদি লৈপাক্কী গুরু পন্দিত খোংনাং থাবনচিংনা পন্দিত অহুমদি মাইব লোইশঙ অহুমত্তা থোচিনাখযে ।। শান্তিদাস গুরুমনা ফমহৌএ"*।। লৌবেম্ন হাযবগী বাহল্লোক্তি লৌবেম্মম যুম্নাক শাগেদ পোকপা নুপা হাযবনি ।। লৌবেম্মম হাযব যুম্নাক অসীমক্তি মঙাং/নিংথৌজা যেক শলাইগী মনুং চনব যুম্নাক শাগে অমনি।। যুম্নাক অসীগী মমিং কবম্ন থোনখিবগে হাযবগী মতাংদ অবিব লাইবিক 'খাগেম্ব যম্বী'দ অসুম্ন ইবি - *"মপুন লৌউপতা অহিংতা লাইনা লৌ যৈখ্রে । খব লেমতৌই হাযবগী লৌবেমপম কৌএ।।"* (শাগে শলাইবোল, ১৯৯২ লা:৩২) যুম্নাক অসী নিংথৌ উবা কোম্লৌবগী চাদা নাউদা ওইব নিংথৌ ঈনি।। *'খোংনাংথাব'* হাযব অসীদি মাযচৌ অসীগী মিং নত্রগ মহাক্ত তৌখিব থবক নত্রগ থৌদোক অমগ মবী লৈনব মিংথোন্দগী মিং ওইন লৈপাক মীযাম্ন খঙনবকখিব ওইবসু যাই।। অমবু ওইববসু, মতোম্ন অমবু ওইববসু ব্রাহৈ অসীমক মাযচৌ অসীগী মমিংনি নত্রগ মমিং ওইবে হাযন লৌবদ থোইদোক্ল অকাযব লৈববোই ।। খোংমন তাব লৌবেম্নম যুম্নাক ফাওবদ *'লৌবেম্নম খোংনাংথাবম মযুম'* হাযন *'শঙ্গাই ফম্নাং'* কৌব অবিব লাইবিক অদুদ ফাওব ইবল্লে ।। কনাগুম্বন *'খোংনাংথাব'* হাযবিব অসী *'খোঙলৈ থাব'* হাযবদগী শমজীল্লক্তুনা থৈথবক্তুন ওইবকপনি হাযনবসু যাওই।। অদুবু বাকম অসীদি লৌশিনাবদ খব ব্রাবপ থোকই।। মবমদি

'খোঙলৈ থাব' হায়বা ব্রাহ্মেগী খোন্থোক অসীন শমজীল্লকপ নত্রগ থৈথবকপদ ওইথোকপ যাবাদ *'খোলৈথাব'* নত্রগ *'খোবৈথাব'* হায়বসী ওইগনি, যাম্ন ময়েক শেংনা কাচিনা কোযা যৌশিন্ন *'খোংনাংথাব'* হায়না শমজীল্লককম নত্রগ থৈথবককম থোক্কে ।। নিংথৌ খাগেম্ব অমসুং নিংথৌ পামহৈব (গরিব-নিৱাজ) হাক্কী মায়চৌশিং অসীগা পাবী পুবীগী বাবী বাখোঙ অসা ইফং ফংদনগুম তৌই ।। অদুবু অতোপ্প মায়চৌশিংগা নাংদম্নবাদি চীংডু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবগী ওইনাদি ফনা ফজনদুম ফংই খনই ।। চীংডু মায়চৌ অসীন মীতৈশিংগী লাইনীংগী ওইব ঈনাৎ থৌরম অম পাঙথোকপদ তুংঙাই ফদনা যাওদব যাদ্রন লাইশোলাশিং হায়বাদ লাইহেরোল, হনাম অথৌ, ঈনাৎ লাইশোল, অতাই লাইশোল অমসুং লৈশেমলোন পুন্নমক অসী হাশন্দনা লাচন্দনা থম্মীবর্মখি ।।৩।।

৪

চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী অপোকলোন

নিংথৌরোল কয়াগী তুংদ থোক্লগদব লৈবাক্কী থৌদোক বাথোক ফাওব মাঙজৌনান লাইপাউগুম হায়ডুম্ন লৈবাক্কী শক্লাইবব মায়চৌ কয়া লৈনম্বগী বাফম অসী আবব লাইনিকশিংদ ইবম হায়বম্বগী মতুং ইন্না লৈপাক অসাদ পানাখব নিংথৌ অনা হায়বদি খাগেম্ব (খৃস্ত কুম ১৫৯৭-১৬৫২) অমসুং পামহৈব (খৃস্ত কুম ১৭০৯ ১৭৪৮) হাক্তক্কী মায়চৌশিংন অয়াম্ব ওইনা ফংই। অদুগী নিংথৌ খবগী মতমদসু লৈবাক্কী শক্লাইবব মায়চৌ খব খব লৈনম্বগী বানা বাখোউ, খুদম চাংদম লৈতবনুদ নত্তে ।। অদুম ওইনমক 'মায়চৌ মচা 'তবেং' হায়ব রাফম অসী লাক্লবদি নিংথৌ ·· অসীগী হাক্তক্কী রাফম ওইনা ঙসী ফাওবদ মীয়াম্না হায়নবি ।। এখোয় পুম্নমক্ক খঙজিনফম থোকপ নাফম অম লৈ মদুদি লৈবাক নিংথৌগ মবী লৈনব থৌদোক নত্রগ বাফম নএবদি মায়চৌশ অদুগী পুন্সি বাবীশিং অদু মপুঙ ফানা ইশিন্দুনা থম্লবক্কনগুম তৌই ।। মসীগীসু মথক্ত মায়চৌ লাং ওনা হায়বদি মায়চৌ অপোকলোনগী থাজনবী লৈবকপ অসান মবম ওইবদুনা মায়চৌ অমগী মশক তাকপদ অমসুং মহাক্ল পাঙথোক্লম্ব থবকশিংগী মবম ইনম হায়নম্ব মতাংদ মায়চৌ অদুগী মমাঙগী মপোক্ত মহাক্ল ওইবম্বনি হায়না থাজনব মায়চৌ অদুগী মশক মমিং ওইনা ইবম হায়নম্বগী চৎনবীসু কবিগুম্ন মতমদ লৈবম্ব্র হায়না চিংনদবসু ঙমদে।। অসীগুম্বা থাজনবা অসী লৈবম্ব মবম্ন নিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবনা তুংদ থোক্লগদন মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেলশিং অদু মচীন্ন হায়বগ পুয়াগী লাতম লামায়দ ইশিনব ওইবিব মায়চৌ অসী কোনোক থেঙ্গ্রানি হায়নব যাওদ্রিব অসী মায়চৌ অসীমক্কী মপোক লাংওল ওইনিব চীংঙু মায়চৌ মোইবাং ললহানব ওইফম থোকই ।। মবম্দি চীংঙু মায়চৌ কোনোক থেঙ্গ্রাদ নিংথৌ খাগেম্ব

হাক্তক্কী শক্লাইবব মাযচৌ অমনি।। চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন পাঙথোকখিব নত্রগ পাঙথোক্কে হোৎনবম্ব থবকশিং অদু লৈপাক নিংথৌগ হকচীন্ন মবী লৈনব থবক থৌরোঙশিং ওইব মবম্ন থৌদোক বাবীশিং অদু চযেৎনব যাওদন ফন ফজন মপুঙ ফান ফংব ঙমই ।। চীংঙু মাযচৌ অসীগী যেক শলাই, যুম্নাক শাগে অমসুং খুন্দা লৈতাদুন লৈবমফমগী মতাংদি মথক্কী পান্দুপ্ত পনজখ্রে।। চীংঙু মাযচৌ অসী মীতৈ ফুৰূপকী লাইনীং লীচত্ত লৈবিব খোইযুম লাইশিংগী মনুং চনব কবম্ব লাইগী লাইওন, লাইবি, লাইচৎ, লাইযাৎনো, কবম্ব চীংঙু মাযচৌগী লাংওন্নো অমসুং মাযচৌ অসীন অমুক কবম্ব মাযচৌ ওইন লাংওনবীবক্কদগে হাযবনচিংবগী বাফম অসী মখাদ লৌখৎচবি ।।

চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন পোকখিব চপ চাব কুমশীং অদু পুথোকপ হাযব অসীমক্তি অবাব অমা ওইবি।। অদুম ওইনমক চীংঙু মাযচৌ অসী নিংথৌ পামহৈব (খৃস্ত কুম ১৭০৯ ১৭৪৮) হাক্তক্কী মাযচৌ পুবেল অমনি হাযব বাফম অসীদি যেৎননিঙাই লৈত্রব পুমচুম চুল্লব বাফম অমনি।। মাযচৌ কোনোক থেঙ্গা, লৈশাংখোমা অমসুং লাঙ্গোল লুখোইগুম্ন চযেৎনব কবিসু লৈবক্তে। মাযচৌ অসীন পোকখিব থাগী থাবাল অমসুং নুমিৎকী মতাংদদি *'মাযচৌ অপোকলোন'* কৌব অবিব লাইবিক অদুদ ইবম্বগী মতুং ইন্ন লমতা থাগী থানিল কোবৌ শগোলশেল নুমিৎনা।। মাযচৌ অসীন পোকখিব চহী কুমশীং চপ চান খঙব ৬মদ্রগ পোকপগী থাগী থাবান অমসুং নুমিত্তি কবম্ন খঙলিবনো হাযবগী বাফম অমা লাওবদি নওে ।। মতাং অসীদ ঐখোযন খঙজীনফম থোকপ বাফম অম লৈ মদুদি মীতৈশিংগী পাথাং পুথাং লাম চাদা নাউদা শন্ন চৎথবকপ লাইনীং লীচৎকী চৎনবী মতুং ইন্ন নুপা নত্রগ নুপা অমগী পোকপগী থা, থাবান অমসুং নুমিৎ অসী যাম্ন মক ওই।। মচা নশু মযুম মকৈ পানব লুহোঙ খোঙদোচবদ, মী অম অনা অযেক নত্রগ অবা অনা তাবক্লব মতমদ লাইযিংথৌ লাইবেম্মাশিং ঈবাৎ থৌনি পাঙথোকপ মতমদ মী অদুনা পোকপ থাগী থাবান অমসুং নুমিৎ খঙদন যাদবগা চৎনবী লৈবকই। মবম অসীন চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী মপোকথা, থাবান অমসুং নুমিৎ অসী ইশিন্দুন লাকখিব নত্রগ চান্থঙ লাম্ন লাকখিব ওইগনি।। ঙসী ফাওবদ মযুম মকৈ পানব যাবকপগী চহী মতাং যৌবক্লব পাখং লৈশাবীশিংদগী হৌবগ অহল ওইবব মীতৈ খুদাংমক পোকপগী কমশীং খঙদ্রবসু মহাক মহাক্কী মপোক থা, থাবাল অমসুং মপোক নুমিত্তি খঙনৈ।। মথক্কী পন্দুপতসু পানখ্রে মদুদি খোংমন তাবা লৌবেম্বম ইরোহলগী ইংখোন্দ লৈবিব চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী লাইযিম লাইশঙ

ফবা অদুদসু কুম অমগী লমতা থাগী থানিল নুমিত্ত, মাযচৌ অসীগী মপোক থানি হাযদুন চীংডু মাযচৌ মহাক্কী ফিজোল হোংদুন ঈবাৎ [illegible] পাঙথোক্লনব্রি ।।

সনামহী লাইন [illegible] চৎপ মীতৈশিংগা লাইনীংগী ওইব যাম্ন মকওইব [illegible] ওহাবব উমংলাইগী লাইযিংথৌ লাইবেন্মাশিং অসীগী মবক্ত তাইবং মাওইপোক্ত পোক্লবসু লাইগী মতীক মথাই চেনবদগী লাইযিংথৌ লাইবেন্মা ওই। ঈবাৎ থৌনিবকা[illegible] কযা যাওবি ।। মখোযশিং অদু সনামহী লাইন [illegible] মংং ইন্না, লৈশেমলোন্দ অচৌব থোদা [illegible] মকওইব লাই[illegible] [illegible] লাইচং [illegible] লৌনবব[illegible] । [illegible] লাইওল [illegible] লাইযাংবী [illegible] শাকু ইনব [illegible] মাযচৌশিং [illegible] মদস থাম্নবকাঁখ [illegible] [illegible] লাইযাংথৌশিংগী লইওল লাইব/লাইচং [illegible] লৈবকাখ।। খুদম ওইনা, [illegible] মাযচৌখ [illegible] (অপোইনা), [illegible] খেঙ্গা [illegible] [illegible] লাইযংথৌ সনামহী অমসু, ইনুথৌ কানাই [illegible] লংডাম হাযবগা অচৌব গাজনবা [illegible] লাইওল/লাইচং, লাইব, লাইযাং ওই [illegible] [illegible] নিংথৌ পামহৈবা হাক্ত [illegible] পোক্ত [illegible] চাংডু খোইযুম অশাব লাইযিংথৌ [illegible] (কোনো [illegible] খেঙ্গান নিংথৌ পামহৈবা হাওক্ত মাযচৌ [illegible] খোইযুম ভেংবানব মপু যাইবীবেল [illegible] অপোইমচা (অপোই[illegible]) না মাযচৌ [illegible] মীতৈশিংগী অনিব লাইনা অসীনা [illegible] মতমদ নিংথৌ পামহৈব মতমগী মাযচৌখ অদু [illegible] লাংওল্লকখিগনি হাযবগী বাফমসু [illegible] ইদনা [illegible]।। মতম অসীদদি মাযচৌ অপোইমচাগী লা ওল চা[illegible] মাযচৌ লৌবেন্দ্র খাংনাংথাব 'কা' হাযব খোন্দোক অসীন মিংগী মকোক থৌব মাযচৌ [illegible] ওই। অদুগ মাযচৌ কোনোক খেঙ্গাগা লাংওল মাযচৌ মোইবাং [illegible] খোন্দোক অসীন মিংগী মকোক থৌব মাযচৌ। অম [illegible] হাজনবা লৈবাক্লি ।।০

৫

ফূবালাদ উতোংচাক চাব অমসুং কংলা মৈ চাকপগী অঙকপ থৌদোক ৱারী

ইর্জনিব থৌদোক ৱাবী অসীমক্তি লমদম অসীদ লৈব অখঙ- অহৈ মীতৈ অযাম্বন ইখঙ খঙনবব থৌদোক ৱাবী অমনি।। নোংমগী নুমিৎ অমদ ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈবন চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাব অমসুং গুরু শান্তদাস গোসাই অনীগ লোযনন লমলেন ফূবালা কৌব মফম অদুদ উতোং চাক চাবগী খোঙচৎ অম চৎলম্মী।। নিংথৌ অমন চৎপগী চৎনবী হৌনশা ওইন লৈবাক্কী অঙম অথৌ অমসুং মনাই থৌগল্লোয কযাসু লোযনবম্মী।। নম্বোল খোঙানিযা হিমাইব যাওনা হি ঈশমচাইব তোংদুন লমলেন ফূবালা যৌশিনগদন খোঙচৎনি।। হি ঈশম চাইনদু লোক্তাক পাৎ যৌশিল্লকপদ অঙকপ শকওঙ অম ওইবকখি।। হিগী হিবান অনী অদু অসুম অসুম খব খব ৱাংখৎলকখি।। হিকোক অদু মহৈ হা হা তম্লকখি।। হিকোব অদু ঈশিংলোমদ লকথদুন চবাং পাম্বা মতোন চাব হৌবকখি।। হিগী হিকোক্তগী হিনাউ ফাওব মশা পুম্নমক অদু থক থক নাল্লকখি।। ইনিংথৌ পামহৈবন হি অদু লূপকদৌবে, নীঙ্কিন অদু খাম ও হাযন চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবদ হাযবম্মী।। চীংঙু খোংনাংথাবন শান্তদাস লম্বোইবদ হি নীঙ্কিব অদু নীকহন্দনব হাযবম্মী।। শান্তদাসনা খাম্নব হোৎনবদ হি অদু হাইক্তম্ব অসুম অসুম তেনোঙ্লকখি।। গুরু শান্তদাসন হিগী লুখমদ থাঙন যানখি।। হি অদু ঈ যান্ন থোকখি।। ঈন হি অদু থিনগায হোগাযগদৌবনবদ চীংঙু খোংনাংথাবনা মচা মনাউ ওইবিব নম্বোল থোঙবিযা হিমাইবদ হি অদু নীকপ ফনব লাইশোল শোন্নব হাযবম্মী।। থোঙবিযা হিমাইবন লাইশোল শোনবদ হি অদু নীকপাদ

ফখি অদুবু থোক্লিব ঈ অদুদি খর্কাখদে।। ইনিংথৌন লম্বোইব গোসাইদ ঈ খকহন্নব হাযববদ গুরু লম্বোইবন মচীন্দ মন্ত্র শোল্লগ মখত্ত চৎলিব মালান তিগী হিবান্দ যৈবদ ঈ হেন্ন হেন্ন থোক্লককখি।। মদু উববদ ইনিংথৌন চীংঙু খোংনাংথাবদ চাংঙু মাযচৌ নহাক্তি ইপা ইমা শক্লবনি চীংঙুন খামদ্রবদি শিব তাবে হাযখি।। চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন - হে হি ! নঙ ঈ খক্লো হাযদুনা মখূৎনা হিবান্দ নানবদ ঈ থোক্লম্ব অদু সৃংকৎখি।। ঈ থোকপ লেপখি।। অসুম্ন হিদু লমলেন ফদালা যৌখি।।

উতোংচাক হৌব লোইবদুন চাবমদাই মতম যৌশিল্লক্লবদ ইনিংথৌগী যেৎলোমদ গুরু শান্তদাস অদুগ ওযবোমদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথব - অহুম্ন ফুংগা নুঙদুম শান ফম্লম্মী।। মতমদুদ, শান্তদাসকী মতুং ইল্লকপ, লৈপাক অসীবু অব্রাব তাহনগে হাযদুনা নোংচুপ লমদগী পাইশিল্লকাখব থাঙজ তবেৎ খক খ্বাইবম্বন কৈথেল যৌশিল্লকখি।। নোংথক্ত পাইদুন কৈথেল মপা যৌশিল্লকপদ পোৎ যোনবী পুম্নমক মপোৎ মচৈ লোইশিনব ফাওব চমদনা মহাক মহাক্কী মথবায হিংনব কোযচেন চেন্নখি।। মদু উববদ চাংঙু খোংনাংথাবন 'ইমা' হাযদুন খোনজেল হৌন খংদুনা লাউবকখি ।। থাংজ তবেৎ মদুন কৈথেল হেন্দোকখিদুনা কংলা মনুংদ পাইশিনাখ।। কংলা ফম্বাল তাংফমশঙ মৈ হৌবকখি।। কংলাগী নোংপোক নোংচুপ অমসুং অবাংথংব মাযকৈ অহুমদ লৈব কোনুংগী ই-ন কৃপ্ল যুম পুম্নমক তুম্ন চাক্লবাখ।। চাংঙু খোংনাংথাবন ফম্লম্বদগী মকোক লৈমাযদ যুংনা 'তা' হাযনা খোনজেল হৌন লাখ।। লৈমাযদ লৈবম্ব চেগাই মচেৎ অমন খিনগাযবদগী চাংঙু মাযচৌগী লাইবক্লগী ঈ যাম্ন থোকাখ।। চীংঙু মাযচৌগী ঈদি লৈনাও তাহৈদে হাযদুনা সনাগী শেনপাক্ত ঈ অদু তাহনখি।। ঈ খক্লবদ গুরু শান্তদাসনা চীংঙু খোংনাংথাবদ ইনিংথৌনে, ঐহাক্লে ফম্লিক্লগা খোনজেল হৌন লাউদুনা কনিগী খর্কানবনো হাযনা হংখি।। মদুগী পাউখুম চাংঙু মাযচৌন অসুম্ন হাযখি হে নিংথৌ নংগী কংলা মৈ চাক্লে।। কোনুংদ লৈলিব ই না কপ্ল যম পুম্নমব মৈনা তুক্লে, চং ওল্লে।। ঐসু মৈ কনব যাওকইদ্রে।। মদুদ ঐসু মৈনা শব ফংদ্রে।' মদুদ ঐন খংদুনা লাউবনে ।। মদু তাববদ গুরু শান্তদাসন ঐ লৈলিবৈঙেদ নঙগুম্বনব কান খঙলদুনা - হাযরুবদগী চাংঙু মাযচৌগ গুরু লম্বোইবগ মখোয অনী নহালমক্কী মপোক্ত কনানা অহল ওইবগে হাযবগী মতাংদ অবায অখুম হৌনদুন মনৈ যেৎনবকখি।। চীংঙু অমসুং গুরু অনামক্কী যেৎনব মদু তাবনদ ইনিংথৌ পামহৈবন-কৈথেল কাযবম্লবাদ কংলা মৈ চাক্লম্লবদি চীংঙু মাযচৌন চুপ্লে, মদুগ কৈথেল কাযবমদ্রবাদ, কংলা মৈ চাক্লমদ্রবদি গুরু লম্বোইবনা চপ্লে হাযখি।। নিংথৌ, গুরু লম্বোইব, চাংঙু মাযচৌ অমসুং লৈপাক্কী অঙম অথৌশং পুম্নমক উতোংচাক চাব লোইবদ মতম, অদুনু নিংথৌগী থৌগল লাংগল মনাই মশনাশিংদি

চাব লোইদ্রিঙৈ মতমদুদ সনা কোনুংদগী শগোল তোংব পাউপুব চেন্থবকখি।। মখোয়ন ইনিংথৌদ অসুম্ন পাউদমখি --হে লৈপাক্কী মপী মপা ওইরিব নিংথৌ- ও! তাবীয়ো, অহানবদ কৈথেল কায়রে, চুম্ন কায়ব নত্তে মান মান পুরকপ পোৎ অদু ফাওব লৌশিনব ঙমহৌদন চেন্নখি।। অদুদগী কংলা মৈ হৌরে।। ই- ন কৃষ্ণ যুম পুম্নমক তুম্ন চাক্লে ।। সনা কোনুংগী লৈমশিং কায়দুন চেন্নরে।। পাউ অদু তারবদ চাংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবন হায়খি - ঐখোয়গী লৈপাক অসীদ গোসাই লম্বোইব অসীগী মতুং ইন্দুন থাঙজ ৭ (তরেৎ) লাক্লে ।। অসীন থোকপনে।। নিংথৌ, গুরু লম্বোইব, চাংঙু মায়চৌ অমসুং অঙম অথৌ থৌগল লাংগন পুম্নমক কংলা তম্ন থুন যাঙন কানরকখি।। কংলাগী যুম অয়াম্ব মৈ চাক্লম্লে।। মৈচাকপগী মৈনিল অদুন কনাসু কংলা মনুংদ চঙব ঙম্মখিদে।। নিংথৌন গুরু শান্তদাসদ - হে গুরু লম্বোইব নঙন মৈ অসী মুৎপিযু -- হায়ববদ শান্তদাসন-- ঐন মৈ মুৎহনগনি, লৈপাক মীয়াম নখোয় ৱাগনু হায়দুন জল শঙ্খদ ঈশিং হাপ্লগ মৈদ চাইরুবদ মৈ অদু মুৎপগী মহুত্ত হায় চাক্লম্লিব অদুদগী হেন্না মৈবি চাউনা চাকখৎলকখি।। শান্তদাস লম্বোইবসু নিংথৌগী মনাক য়ৌন চেল্লকখি ।। মদু উরবদ নিংথৌ, অঙম অথৌ লৈপাক পুম্নমক্ক শান্তদাসদ অসুম্ন হায়খি -- হে গুরু অথোইব, নঙবু হেনব কনা লৈবনো ? মীতৈ লৈপাক অসী মুৎলগনিদে ।। মৈ অসী মুৎথৎপিয়ু ।। মদু তারদ - ঐদি ঙমদ্রুয়ে - হায়রদুন শান্তদাসন চাংঙু খোংনাংথাবদ - গুরু নঙন মুৎপিয়ো - হায়খি ।। মদুদ খোংনাংথাবন ঐনাদি মুৎখিবোইয়ে, লম্বোইবন ঙমদব শেংলগ ঐন মুৎহনগনিয়ে -- হায়না খুমখি ।। নিংথৌন শান্তদাসদ মৈ অসী মুৎপিযু - হায়লবদ, শান্তদাস গুরুন -- লৈপাক মীয়াম চঙদুনা ঈশিং হোল্লগ মৈয়ু হায়বদগী লৈপাক মীয়াম চঙদুনা ঈশিং হৈবদ ঈশিং অদুনা মৈদ চেনশিনখিদুনা থাউ চাকপগুম চাকখি।। লৈপাক নিংথৌ পুম্নমক কোয়চেনা চেন্নখি ।। নিংথৌনা চাংঙু খোংনাংথাবদ হায়খি -- চাংঙুন মুৎপিদ্রবদি লৈপাক অসী মাঙব তারে ।। চাংঙু মায়চৌন নিংথৌদ অসুম্ন হায়খি - হে নিংথৌ- ও, মীৎন উব মৈ মুৎথৎপাদি অরায়বনি।। মীৎন উঙমদব মৈগী মে ... অসীবু করম্ন খাঙসীবনো হে নিংথৌ য়েংউ, লৈপাক পুম্নমক নখোয়সু ... উ, চাক্কলিব মৈ অসীদি অরায়বনে।। মীৎন উবনে - হায়দুন খোংনাংথাবন মৈ ... লোমদ চিংদুন ওয়না কোল্লগ য়েৎন পায়দুন লমপাক মনুংদ নমশিনখি।। মীৎন উব মৈ নঙদি চাকপ তৌফরোই, নখোয় থাঙজ ৭ (তরেৎ) মক্তি মফম অসীদ লৈগ্রো - হায়না লৈখ্রে ।। মৈ নঙদি লৈপাক্কী অরাব ফংলমদাইদ খুদম তৌরক - ও হায়দুন থুপচিনখি ।। *(ৱারী অসী অখঙ- অহৈ অযাম্বনদি তশেংন থোকখিবি হৌদোক ৱারী ওইন লৌনৈ অদুবু অতোপ্প অখঙ অহৈ খরনদি মতমদুদ ওইবিব অমসুং তুংদ ওইরক্কদব লৈপাক নিংথৌগী ওইব ফীভমগী নুংগী ওইব ৱাখল্লোন ফোঙদোকপ ৱারীনি হায়ন হায়নবসু লৈ)*।।০।।

৬

কোনোক থেংগ্রা, লৈশাং খোমা অমসুং লাঙ্গোল লুখোই করম্ব নিংথৌ হাক্তক্কী মায়চৌশিংনো

ইনিংথৌ খাগেম্ব (খৃস্ত কুম ১৫৯৭- ১৬৫২) অমসুং ইনিংথৌ পামহৈব (খৃস্ত কুম ১৭০৯- ১৭৪৮) ইনিংথৌ অনী অসীগী মতমদ লৈরম্ব মায়চৌশিংগী মতাংদ নাখে শেংদব চযেৎনব খর হৌজিক হৌজিক ফোঙদোক্কুন লৈরব লাইরিক খরদ থেংনৈ।। হায়বদি নিংথৌ অনী অসীগী মনুংদ করম করম্ব নিংথৌগী হাক্তক্ত শক্লাইরব মায়চৌ কনা কনা লৈবম্বগে হাযব ব্রাফম অসী খর শেংফাত্তন লৈবগুম থেংনৈ ।। ময়েক শেংফমদি থোকপনি।। কোনোক থেংগ্রা (থেংকুলা), লৈশাং খোমা অমসুং লাঙ্গোল লুখোই হায়বিব মায়চৌ অহুম অসী লমদম অসীগী অরিব লাইনীং অমসুং নাৎকী মরমদ খরদং ওইববসু থিজিনব মীওই খুদীংমক্ক মমিং তানবব অমসুং খঙনরব মায়চৌশিংনি ।।

মায়চৌ কোনোক থেংগ্রা

নিংথৌ খাগেম্ব অসী খৃস্ত কুম ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওব চহী ৫৫ চুপ্প নিংথৌ ওইখি ।। নিংথৌ অসীগী হাক্তক্ত শক্লাইরব মায়চৌ কযা লৈরম্বগী ব্রাফম কযা ঐখোযন অরিব লাইবিকশিংদ ইরম্ব অমসুং লমদম অসীগী ঙসীগী মায়চৌ পন্দিত কয়ান হায়নব থেংনৈ।। নিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী শক্লাইরব মায়চৌশিংগী মনুংদ কোনোক থেংগ্রা (থেংকুলা) অসীসু অমনি।। কোনোক

থেংগ্রা অসী নিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী শক্লাইবব মাযচৌ অমনি হাযবগী লেঙব যাববোইদব ঙসীগী মাযচৌ পন্দিত পুম্নমক্নসু ইখঙ খঙনবব থৌদোক ৱাবী অম লৈবিব অসীনি, মদুদি - নিংথৌ খাগেম্বগী কংলা শানবগী উহৌ উবেপ তম্বগী অফব চপ চাব মতম অদু মাযচৌ কোনোক থেংগ্রান পীখি ।। মহাক্ন পীবিব মতম অদু মীৎকুপ অম ফাওব শোযনহন্দন চপ চান উহৌ উবেপ অদু যুংলবদি উবেপ অদুগী মতোন্দ চোইনৌ সনাগী থম্বাল শাৎকনি হার্যখি ।। অদুবু যুংখৎকদৌবিব উবেপ অদু চাউমনখিবদগী ইনখৎপদ মতম খজিক্তং শোযনন উহৌ উবেপ তমখিবন চোইনৌ সনাগী থম্বাল শাৎখিদ্রে।। মাযচৌ অসীন হাযব ৱাফম অদু চুমদে, মচীন থী, খঙদি খঙদন অখঙব শাই হাযদুন মাযচৌ অসীবু মখ্বাঙদ নুঙদুম যাল্লগ তুবেলগী ঈচেন্দ থাদদুন হাৎনবগী চৈবাক পীখি ।। মহাকপু হিদ হাপ্তুন তুবেলগী ঈচেন্দ হোন্থখি।। মাযচৌ অসীন হাযখিব মতম অদু চপ চানা মীতৈ পাংঙল অমন লফূ পাম্বী অম থাখিবম্মী।। নোংঙাল্লগ লফূ পাম্বী অদুগী মতোন্দ সনাগী থম্বাল অমা শাৎলে হাযদুন নিংথৌ খাগেম্বদ কৎলখি।। মাযচৌ থেংগ্রান হাযখব বাফম অদু চুম্লে , মাযচৌ অসী মচীন থীব, খঙদন অখঙব শাব মীশক নত্তে - হাযব খঙলদুন নিংথৌ খাগেম্বন মাযচৌ অসাগী মথৱায কল্লুনবগীদমক মনাইশিং থাখিবম্মী।। মনাইশিং অদুন থুন যাঙন তান্নদুন মাযচৌ থেংগ্রাগী মফমদ নিংথৌন পীবকপ মহাকপু কন্নবগী যাথং অদু তমখি ।। অদুবু মাযচৌ অসীনদি অমুক হাযনখ্রবদি লোইবে, হাযনখ্রব ৱাদি হোংফম থোক্তে হাযদুন তুবেলগী লাইজ ঈবোম্নুংদা চোংথখি।। থৌদোক ৱাবী অসী লমদম অসীগী চীংঙু মাযচৌশিংদি লাইগুন্নব অখঙ অহৈনি, অচুম্ব ৱা ঙাঙগদবনি, হাযদোকখিব ৱা ঙাক্ন চৎকদবনি, লৈবাক্কী অখঙ- অহৈ, অঙম অথৌদি ৱা অনী ঙাঙফদে হাযব চৎনবী অসী খঙহন্নবগী থাজৱাবী ওইবম্বসু যাই। অদুবু থৌদোক বাবী অসীমক্তি নিংথৌ খাগেম্বগদি থাদোক্নব যাদ্রব বাবী অমনি।। বাবী অসীন যাম্ন মযেক শেংনা মীযামদ খঙহল্লে মদুদি মাযচৌ থেংগ্রা অসী নিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী শক্লাইবব মাযচৌ অমনি ।। ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্কী মাযচৌ নত্তে ।. মতাং অসীদ পলহৌদব যাদব ৱাফম অমসুং লৈবিব মদুদি - *'শীংখন লাংখন'* কৌবা লানফমগী শিদযাই নাদযাইগী মবমদ ইব লাইবিক অদু অপোইমচা, কোনোক থেংগ্রা, সলাম সনা, যুম্নাম তোম্বা, খাইদেম তেনবা - মাযচৌ মঙা অসীন লুৱাং নোহুমশঙদ ফল্লগ নিংথৌ খাগেম্বদ তাকপি তম্বিখিবনি ।। (নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, অরিবা মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস, লা:১১০) অদুগ অতোপ্পা মক ওইব বাফম অমসু লৈবি মদুদি - *'কাইববোল'* (কাইপালোন) কৌব মতমগী খোঙলৈ তাকপ অরিবা লাইবিক অসীসু নিংথৌ খাগেম্বগী মতমদ কোনোক থেংগ্রা যাওন মাযচৌ কযান ইবম্ব

লাইর্নাক্লি ।। পুম্নমক অসীগী মথক্ত ঐখোযন খওজিনফম থোকপ বাফম অমসু লৈবি মদুদি ইনিংথৌ পামহৈবন পানব অওনব মতমগী তাংকক্তগী হৌন নিংথৌ অসীগী মাযচৌ অম ওইদুনা লৈবকিখিব মাযচৌ মোইবাং ললহানব অসী, মাযচৌ লাংওলগী থাজনবী মতুং ইন্না, মাযচৌ কোনোক থেংগ্রাগী লাংওন মপোক অম ওই- লৌনর্বক্লি ।। কাবিগুম্ন কোনোক থেংগ্রা অসীসু পামহৈব মংমগী অওনব তাংকক্ত মাযচৌ অমা ওইনা লৈবন্নবদি মাযচৌ মোইবাং ললহানব অসী মাযচৌ কোনোক থেংগ্রাগী মপোক লাংওল অম ওইনা লৌনবগী থাজনবী অসী লৈবক্রল্লেই ।।

মাযচৌ লৈশাংখোমা

মাযচৌ লৈশাং খোমা অসীনু কনাংজম্নগী লাইবিক [illegible] চাংডু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাব মতমগী মাযচৌ অম ওইনা পন্নবসু থংনাদন [illegible] ।। অদবু মাযচৌ অসীমক্তি নিংথৌ [illegible] লাইনিংগী ওইনা থৌদোক ব্রাবী অমগা থাদোক্লবা যানবোইদব [illegible] ।। [illegible] লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ শকপ [illegible] শেলহিং [illegible] থৌদোক বাবীগ মাযচৌ লৈশাংখোমাগ থাদ্দ [illegible] থাগেম্নগী হাক্তক্ত (খুম্ব কুল ১২ [illegible]) থেনাপা [illegible]

নিংথৌ থাগেম্ব তামবসী [illegible] যান্ন থাজন, কিনা অমসু [illegible] হাযবগসু খওনব চাঁ [illegible] মবো- লৈতে [illegible] মবোং লৈতববা, লৈববান কবম [illegible] লাইনিংথৌ মাগী মফমদ নিংথৌনা থৌজাল নিংখি ।। [illegible] নিংথৌ মাগী নীংডমনগী মহৈ ওইনা [illegible] মবোংওশংগী মনুংদ তাইবং মওইবর্ত [illegible] খওইনাশাবগে হাযন শনাবাবদুন লাইনিংথৌ [illegible] লৈন অওভোম চনগী খোযবুওদ চওখিদুন [illegible] বাপীহল ওইনা তাইনংদ লাংওনবীখি ।। চহী তগংক [illegible] লাইনিংথৌ সনামহীগী লাংওল ওইবন সনা বাপীহলনা চাকমাওনথুদ [illegible] মথম্মোই কাযনা তেংথাজখি ।। লাইনিংথৌ সনামহীনা ব্রাক্লাইদ লৈবী লুগা [illegible] চল্লবী খাবী তমাইবী খোইসনাম নিংডোনবী থোইনা অহেংবনীগী [illegible] - লাইযিংথৌ সনামহী মাগী চেংলৌ শকপন্নোংবু তনেং শেলহিং [illegible] লমলেন বাক্লোই লম্নুংশিদ লাইযিম লাইশঙ শদা হীবাং থৌনি লৌবম থৌজদুনা

খুকম খাজঙজৌও হাযন নিংথৌ খাগেন্দ্রদ লাইপাউ ওইন পাউতাকহনখি ।। নিংথৌ খাগেন্দ্রন নিংথৌ ঐদি লাইযিংথৌ মহাক্কী চেংলৌ মশকসু উদ্রি, কবম্ম লাইযিংথৌ মাগী চেংলৌ শকপাম্বোংবু তবেৎ শেলহিংন হৈগদবনো হাযখি ।। মসীগী মতুং তাবদ লাইযিংথৌ সনামহীন থোইনু অহোঙবীদ পীখিব লাইপাউ অদুমক লমলেন বাঙ্গোই লৈশাংখোংদ লৈব লৈশাং খোমাদসু পীখি ।। মাযচৌ লৈশাংখোমান নিংথৌগী মফমদ চত্তুন লাইপাউ অদু পাউদম্লিঙৈদ নিংথৌ মাগী কংলৈ মসমাওদ চীংড্ডু তাইবং খাযব লাইযিংথৌ সনামহীন –নতাল নোং কংলৈ নিংথৌ নহাক্ক লাইযিংথৌ ঐহাক্কী ইশক ইবোঙ খঙনীংবগী চীংড্ডু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহী যোইবেনব ঐগী ইশক ইবোঙশিংগী মনুংদ অমর্থাক্তি নমু তাইবং মীগী মশক মৱোঙনি হাযববু খঙহনগে হাযবগীদমকপু নপাবী সনা ৱাপীহলগী মশক ওইন নমু তাইবং শং শং মিতম্মনি।। লাইযিংথৌ ফালৌখোম্ব চীংড্ডু তাইবং লোন্দিম্মব ঐবু ইশক উজগে হাযন মীকপ্পবু তোক্লো ।। কোংবী নুমিৎ মঙানিসুবদ হৈবাং লৈবাং, পোৎচঙ চৈজঙ্, ফিবোয ফিঙাম যাওন শকযেং মিযেংশেল নমাঙদ থম্ম ঙাইবম- ও।। মিযেংশেল পীবুক্কুংদ লাইযিংথৌ ঐগী চেংলৌ ইশক উহনবীগে – হাযখি।। অসুম্ম নুমিৎ মঙানি সুবদ লৈম নিংথৌ অনীমক্ক চীংড্ডু তাইবং খাযব লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ মশকপ উব ফংজখি।।

চীংড্ডু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ মশক উব ফংজবদ নিংথৌ খাগেন্দ্রন মনাই শেনজব অমুদোল কৌদুনা তবেৎ শেলহিংনা লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ শকপাম্বোং হৈদুনা লমলেন বাঙ্গোইদ লাইযিম লাইশঙ শাদুনা পাম্লগ ঈবাং থৌনম তৌজখি ।। থোইনা অহোঙবীনা অমাইবী ওই, লৈশাংখোমান লৈপাক নিংথৌগী অমাইব ওইদুনা লাইযিংথৌ মহাকপু লৈপাক নিংথৌগী লাই ওইনা ঈবাং থৌনম তৌদুনা খুকম খাজঙনাখি।। বীবী অসীমক্তি লমদম অসীগী লাইনা নাংবী পলবী খঙন মীওই পুন্নমক্ক যানবন বাকমাম্ম।। থৌদোক অসী অসীনা থেংনাংলাই লৈগ্রন বাফম অম ওইহল্লে মদুদি মাযচৌ লৈশাংখোমা অসী নিংথৌ খাগেন্দ্র হাক্কী মাযচৌ অমনি।। (নামৈনাকপম দিনচন্দ্র, খাগেন্দ্র লাঙ্গৈজ পযাগী শম্লপ্পা যেংবীযু)।

মাযচৌ লাঙ্গোল লুখোই

মাযচৌ লাঙ্গোল লুখোই অসী বনা পুম্বীশিংনা পামহৈব নিংথৌ হাক্কী মাযচৌ অম ওইনা হাযনবসু যাওই।। মদুনু বাফম অসীমক্তি নুংগী ওইব লাইখোক্কুম্ব অম লৈবদগী হাযনব ওইরমগদ্রু হাযবগী বাফম লাকই।। মাযচৌ অসী খাগেন্দ্র নিংথৌ হাক্কী শক্লাইবব মাযচৌ অম ওইগনি হাযবগী থক্তব যাব বাফম থব মখাদ লৌখৎচবি ।।

(ক) লমদম অসীগী শক্লাইবব সনামহী লাইনীং মাযচৌ প্রো: এন জি: কাংজীযা মঙাংন খোমজিন্দুন পুথোকপ *'লংদাই পুযা মঙা'* কৌবা লাইবিক্কী *'কাইপালোন'* পুযাগী মতাংদ অসুম্ন ইবি *"লাইলিক অসিতা হাযলমপতি খাকেমপকী হাকতক্তা লৈপা মাইপী থাকী, লাংকোন লুখোই, লাইসাং খোমা, ব্রাহিংপা খলো, লুবাংচম থেংকুলা, সোইপম লাইথংপা, লাইমনাই মাইচৌ মঙা থাকী মাইপী তলুক অসিনা লাইইংথৌ খাকেমপতা হাযলমপা ব্রানে॥"* (লাওন লংদাই পুযা মঙা, লা:১৫)

(খ) লমদম অসীগী অবিব মনিপুরী সহিত্যগী ইতিহাস ইবকপ মতমদ লমদম অসীগী শক্লাইবব মীতৈ হিন্দু মাযচৌ পন্দিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রন অসুম্ন হায - *"খৃস্তগী শতাব্দী তবাতকক্কী লোইবমদাইদগী তবা তবেৎসুব শতাব্দীগী তংথাই অদুব্রাইদা মনিপুবদ মৈদিংঙু খাগেম্বনা পানখি ॥ - - - অপোইমচা, কোনোক থেংগ্রা, শলাম সনা, যুম্নাম তোম্বা, খাইদেম তেম্বা, লঙ্গোন লূখোইনচিংব মাযচৌ (পন্দিত) কযা সনা হাক্তক অসীদ নৈবম্মী অমসুং পন্দিতশিং অসীনা তোঙান তোঙানব ইবিমদ নৈনব লাইবিক কযা থোকহনখি॥ পন্দিতশিং অসিনা ইবা লাইবিক অযাম্বদ সনা মিংলেন যাওবনা নমই ॥"* (অবিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস, লা: ১০৯ ১১০)

(গ) কাইববোল (কাইপালোন) হাযবিব লাইবিক অসী ইবম্বগী মতাংদ কাইববোল হাযন কৌব নৈপাক অসীগী তুংদা ওইবক্কদবগী মবমদ ইব লাইবিক অসী নিংথৌ খাগেম্বগী হাক্তক্ত লাঙ্গোল লূখোইনচিংব মাযচৌশিংন ইবম্বনি হাযবগী মতাংদ মাযচৌ পন্দিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রন মহাক্কী *'অবিবা মনিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস'* কৌব লাইবিক অদুদ অসুম্ন অমুকসু ইবি *"কাইববোল হাযন কৌবা নৈপাক অসীগী তুংদা ওইবক্কদবগী মবমদা ইবা লাইবিক অদু সনা হাক্তক অসিদা লাঙ্গোল লুখোইনচিংবা পান্দতশিংনা ইবম্বনি হাযবসি লাইবিক অদু পাবগা খঙই ॥"* (লা:১১০)

(ঘ) অবিব লাইবিক *'সাকোক লমলেন অহানব'* কৌব অদুদ নিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী মাযচৌ অহুম্ন খাগেম্ব নিংথৌদ খোইযুম লাই অচেংপ তীনাংথোঙ লাইথোঙগী মবমদ খঙনব তাকাপবগী মতাং অদুদ অসুম্ন ইবি *"লাইবেন মৈদিংঙু খাগেম্বগি হাকতক্তা লাই গুরু ও মানা মীগী মপোক ওইনা পোক্লনা গুরু লাংকোন লুখোই, যুম্নাম তোম্বা, খাইদেম তেনবা গুরু ও মানা নিংথৌ খাগেম্বদা হাযব্র ॥ লাইনিংথৌও তীনথোঙ লাইথোঙ খঙনবা হাযবে ।"* (খুলেম চন্দ্রশেখর, লা ও ইবোহল অমসুং বাজেন, লা. ১৮

মথক্ত পনজখিব ব্রাফম খব অসীদগী ঐখোয়ন অসুম্ন হায়ব যাবে মদুদি করিগুম্ব লাইরিক্ত কনাগুম্বশিংন লাঙ্গোল লুখোই অসী মায়চৌ য়ুম্নাম তোম্বগী মপোক লাংওন অম ওইন উৎলম্ব অমসুং কনাগুম্বশিংন মায়চৌ অসীবু পামহৈব নিংথৌ হাক্তক্কী মায়চৌ অম ওইন পল্লম্ব থেংনবিব অসীদি ঐখোয়ন খঙবদ খর ব্রান থোক্লগদব নুংগী ওইব ব্রাখল্লোন অম লৈবদগী ওইগনি খনজৈ।। পুব্রারীগী ওইব মীৎয়েংদ হায়ব তাববদি মায়চৌ লাঙ্গোল লুখোই অসী ইনিংথৌ খাগেম্ব (খৃ:কুম ১৫৯৭-১৬৫২) হাক্তক্কী শক্লাইরব মায়চৌ অমনি ।।

কোনোক খেংগ্রা, লৈশাংখোমা অমসুং লাঙ্গোল লুখোই মায়চৌ অহুম অসী পামহৈব নিংথৌগী হাক্তক ফাওবদ লৈপাক্কী শক্লাইরব মায়চৌ ওইন হিংদুন লৈফম থোকপ্র থোক্তব্র হায়বসী ঐখোয়ন য়েংশিনব যাই ।। ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্ত মায়চৌ অহুম অসীন নহা ওইরিঙৈদ অমাইব ওইনিংবগী অপাম্ব লৈববদি মায়চৌ নত্রগ অমাইব অমগী ময়ুমদ চত্তুন ঃ.মাইব অম ওইবগী খঙফম হৈফম থোকপ মহৈ মশিনাশিং তমশিন্দুন খঙহৈরব মতুংদ সনা কোনুংগী মায়চৌ অমন লৈপাক্কী অমাইব অম ওইন সনা কোনুংগী অমাইব লোয়শঙদ পুশিনবীব মতমদ মখোয মখোযগী মশাগী চহী অসী য়ামদ্রবদ চহী ৩০ মুক্তি সুফম থোকই।। (মখোযদি নিংথৌ নাউফংব হাক্তক্কী অশাংবম লাইবগুম্ব মখলগী মী নত্তে) য়ামদ্রবদা চহী ১০ (তরা) মুক অমাইব লোয়শঙদ লৈবগ মশাগী চহী ৪০ (নিফু) মুক সুরকপদ মায়চৌ ওইবে হায়ন লৌরসী ।। ইনিংথৌ খাগেম্বন নিংথৌ ওইব মতম অসী খৃস্ত কুম ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবনি।। চহী ৫৫ নি।। খাগেম্ব নিংথৌন পানব চহী ১০ সুবকপ মতমদুদ মখোয় অমাইব লোয়শঙদ চঙবনি হায়ন লৌরম্মী।। মবম অসীন ইনিংথৌ খাগেম্বন নিংথৌ ওইবগী মতম লোইবদ মখোয মশাগী চহী অসী (৩০+৪৫) ৭৫ সুরগনি।। পামহৈবন নিংথৌ ফম্বাল কাব অসী খৃস্ত কুম ১৭০৯ দনি।। হাযবদি নিংথৌ খাগেম্বগী মতুং চহী ৫৭ লৈবগনি।। মরম অসীন মায়চৌ অহুম অসীন মতম অসী ফাওব হিংলম্ব থোক্লবদি মখোয় মশাগী চহী অসী (৭৫+৫৭=১৩২) ১৩২ ওইরগনি।। মসীদগী অমুক য়ামদ্রবদ চহী ৭/৮ চৎথরকখিগদবনি।। ১৭/১৮ সুব চহী চাদ মী অমন চহী ১৩০/১৪০ পুন্সিব হায়ব ব্রাফম অসীমক্তি লৌশিনবদ খব ব্রারপ থোকই।। (নুংগী ওইব হায়বদি লাংওল মপোক অম ওইবগী থাজনবীগুম্ব ব্রাখল্লোন অম লৈবম্বগী ব্রাফম্ন অতোপ্পা অমনি।।) মায়চৌ অহুম অসীন নিংথৌ খাগেম্ব মমাঙগী মতমদগী লৈরকপ অমাইব ওইরবদি চহী ১৩০/১৪০ অসীদগী চহী খর অমুক হেনগৎফম থোক্লে ।। অদুগ মায়চৌশিং অসীন খাগেম্ব হাক্তক্কী অকোনব তংখাইগী মতমদগী লৈরকপ ওইরগদি হান্ন লৈবম্ব মাযচৌশিংবু মখোযন নমথত্তুন শক্লাইবব মায়চৌ ওইবদি

য়াফম থোক্তে।। মাযচৌ হাযবিব অসী অমাইব/মাইব অচৌব হাযবনি।। হিন্দু লাইনীংন লৈপাক নিংথৌগী লাইনীং ওইবব মতমদ *'পন্দিত অচৌব'* হাযবগুম্বনি।। পন্দিত অচৌবগী মখাদ পন্দিত যাইমা, পন্দিত নহা লৈবম্বগুম্ন মাযচৌদসু মথং মনাউ কযা লৈবল্লিবনি।। মবম অসীন (১) মথক্ত পীজখিব মায়চৌ অহুম অসীগ মবী লৈনব থৌদোক ৱাবীশিং (২) অবিব লাইরিকশিংদ পল্লম্ব ৱাফমশিং (৩) লমদম অসীগী অনৌব মতমগী লৈবাক্কী শক্লাইবব মাযচৌ পন্দিতশিংন হাযব ৱাফমশিং (৪) মী অমন হিংদুন লৈব যাব চহী মতাংগী ৱাফম অমসুং (৫) মাযচৌ হাযবিব ফম অসী ওইব যাবগী লমদম অসীগী চৎনবী - বাফম মঙা অসী যেংশিল্লব মতুংদ অসুম্ন হাযফম থোক্লে মদুদি - কোনোক থেংগ্রা, লৈশাংখোমা, লাঙ্গোল লুখোই মাযচৌ অহুম অসী ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী লৈপাক নিংথৌগী ওইবা শক্লাইবব মাযচৌশিংনি, ইনিংথৌ পামহৈব (গাবিবনিৱাজ) হাক্তক্কী শক্লাইবব মাযচৌশিং নত্তে ।। (অদুবু লাইবিক খবদ অমসুং কনাগুম্ম্বশিংন কোনোক থেংগ্রা, লৈশাংখোমা, লাঙ্গোল লুখোই মাযচৌ অহুম অসীবু ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্কী শক্লাইবব মাইচৌ ওইন পনব অমসুং হাযনব যাওবিব অসীদি ঐখোযন খাওজীন উশিনব ঙমদব মবম অম নত্রগ অম লৈবমগদ্র খনজৈ)।।০।।

৭

কাইবরোল পাউতাক পাউজেলদ শন্দোকপ মীৎয়েং

ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈবগী (খৃস্ত কুম ১৭০৯- ১৭৪৮) হাক্তক্তগী হৌবগ মতুং তাবকপ নিংথৌরোলশিংগী হাক্তক্ত লৈপাক অসীগী লৈঙাকলোন, রায়েল থৌদা, চৎন- কাঙলোন, লাইনীং লীচৎ অমসুং খুন্নাইগী পুন্সিবোলদ করি করম্ব অহোংবশিং লাক্কদগে হায়বগী মতাংদ মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল কয়া ইনিংথৌ ইবুংঙো খাগেম্বগী হাক্তক্ত (খৃস্ত কুম ১৫৯৭- ১৬৫২) মতমদুগী চীংঙু মায়চৌশিং লাচন্দুন থম্বীবম্ব শীংথাফম থোকপ লাইবিক অমগী মমিং পনব তারবদি থোক্লগদব থৌদোকশিংবু মাঙজৌনন কাইগোক্লন হায়বদি কনাসু খঙন- উনব যাওদন খুমজিন্দুন লৈরিব অদু হাংদোক্লন খঙহন- উহনবীব *'কাইবরোল'* (কাইপালোন) হায়ন মিংথোনব লাইরিক অসীনি।। পুয়া লাইরিক অসীমক্তি মতমদুগী চীংঙু মায়চৌ মঙা হায়বদি - কোনোক থেংগ্রা (লুরাংচম থেংকুলা), লাঙ্গোল লুখোই, লৈশাংখোমা, রাম্নেংবম খরো, নিংথৌজম কিয়াম্ব অমসুং খাকী মাইবী - মখোয় তরুক অসীন ইনিংথৌ খাগেম্বদ হায়রম্ব রারোলশিংনি।। ইনিংথৌ খাগেম্বগী মফমদ মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেলশিং অসী হায়ব মতমদ মখোয় তরুক অসীখক্ত নত্তন শাগৈ খরগী লাই মনাইশিং যাওবগী রাফম পল্লম্বসু থেংনৈ ।। ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্তী মায়চৌশিংন পুয়া লাইরিক অসীদ থম্বীরম্লিব মতমগী খোঙলৈ তাকপিরম্ব পাউতাক পাউজেলশিং অদু তুংলমচৎকী নিংথৌশিংগী হাক্তক্ত অচুম্ব থৌদোকশিং ওইবকখি।। মরম অসীন ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত মতমদুগী চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবন তাক্লম্ব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল

পুম্নমক অদুসু মপুঙ ফান অচুম্ব ওইফম থোকই।। চীংঙু মায়চৌশিংন তাক্লম্ব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল হায়বসী তুংলমচত্ত কদাইফাওব চুল্লকখিবগে হায়বদুগী ময়েক লারব খূদম চাংদম ওইনবগীদমক *'কাইবরোল'* পুয়াদ য়াওরিব পাউতাক পাউজেলশিং অদু শরূক অহুম থোক্ল খায়দোক্লুন শন্দোক্ল যেংনবগীদমক মখাদ লৌখৎচরি ।।

অহানব শরূক্কী শন্দোকপ মীৎয়েং

১) "হে নিংথৌ খাগেম্ব- ও, নহাক্কী নপোক অহুল্লকসুবগী হাক্তক্ত মীতৈগী পারী পুরী খৈবিকপু মাঙখরগদনে।।"

ইনিংথৌ খাগেম্বদ (১৫৯৭- ১৬৫২) নপোক অহুল্লকসুবগী হাক্তক্ত হায়রিব অসী ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক (১৭০৯- ১৭৪৮) অসীবুনি।। নিংথৌ খাগেম্বগী মতুং মথং মথং ওইন খুনচাউব, পাইখোম্ব, চরাইরোংব অমসুং পামহৈব – নিংথৌ মবি অসী পানখি ।। মীতৈশিংগী ওইব লাইনীংগী থাজনবীদ মচা অদুবুদি মপা অদুগী মপোক লাংওল ওইন লৌনবক্তে।। অদুবু মসূ নুপা অদুবুদি মপু অদুগী মপোক লাংওল ওইব য়াবগী থাজনবী লৈরকই।। মপু অদু হিংদুন লৈবিঙৈদ মহাক্ক মশক মতৌ য়াম্ন মান্নব মসূনুপা অমা পোক্লবদি মপু অদু পুন্সি মতোল্লোম্ন লৈররোই হায়বগী থাজনবী লৈরকই।। মরম অসীন নিংথৌ খাগেম্বগী মপোক লাংওল মশীং থীব অসী নিংথৌ পাইখোম্বদগী হৌফম থোক্লে।। মরম অসী লৈবন নিংথৌ খাগেম্বগী অহুমসুব মপোক অসী নিংথৌ পামহৈব ওইফম থোক্লে।।

নিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত শিলোত লৈপাক্কী নর্বসিংহ তিলা কৌব মফম অদুদগী শান্তদাস (শান্তিদাস) গোসাই কৌব মীশক অম মহাক্কী খোঙলোয় অনীগ লোয়নন লৈপাক অসীদ হিন্দু রামান্দি লাইনীং শন্দোকপ লাকখি।। মহাক্কী পাউতাক মতুং ইন্ন নিংথৌ অসী হিন্দু রামান্দি লাইনীং লৌখি।। লাইনীং অসী মরা চেৎন তাশিন্নবগীদমক মীতৈশিংগী য়েক শলাই ৭ পু হিন্দু লাইনীংগী গোত্রদ ওম্ভোকখি।। অসুম্ন, (১) মঙাং/নিংথৌজা (২)লুৱাং (৩) খুমন (৪) অঙোম, (৫) মোইরাং (৬)খা- ঙানব অমসুং (৭) শরাং- লৈশাং– য়েক শলাই তরেৎ অসিবু মথং শীৎন (১) শন্দিল্য (২) কশ্যপ (৩)মধুগ্ল্য (৪) কৌশিক (৫) ঐতরিয়া (৬) গৌতম অমসুং (৭) ভর্দ্বাজ –গোত্র ৭ অসীদ ওম্ভোকখি।। গোত্র তরেৎ অসীমক্তি মুনি তরেৎকী মমিং লৌদুন থোনখিবনি।। অসুম্ন মীতৈগী য়েক শলাই তরেৎকী পুকোক পুরেল তরেৎ অদু মুনি তরেৎ অদুনি হায়বগী থাজব লৈহল্লকখি।। পাবী পুরীগী হৌবকফম মাঙহন্নব শীনখি ।। মীতৈ ময়েক্ত

ইব হীরম কয়াগী পুয়া কয়া মৈ থাখি।। থৌরোঙ থৌদৌশিং অসীন মীতৈশিংগী য়েক শলাই তরেৎকী অমসুং নিংথৌ মচাশিংগী পুকোক পুরেলশিংগী মীহৌরোল পুকোক্কী হায়বদি পারী পুরীগী লীখুল মাঙহনখি ।।

২) "চাকচা ফিজেৎ অম তৈরগদনে ।।"

ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক অসীদ মীতৈ অয়াম্ববু হিন্দু রামান্দি লাইনীং লৌহনখিবগ লোয়নন চাকচা- ফিজেৎতসু অহোংব কয়া লাকখি।। মীতৈশিং অসী হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈগী মতমদদি ফূরূপ অসীগী অঙনব মতমদগী লৈরক্লব লাইনীং লীচৎ অসীগী চৎনবীদ শা- উচেকপু চীঞ্জাক ওইন চাবদ অথিংব লৈরমদে।। চানবগীদমক ওক, য়েনশিংবু য়ুমদ য়োকপগী চৎনবী লৈরম্মী।। অদুবু নিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্তগী হিন্দু লাইনীং চৎঙৈদগীদি মীতৈশিংগী য়ুম ইংখোন্দ ওক, য়েন লোইব ফাওব থিংখি।। অসুম্ন মীতৈ হিন্দুশিংগী চীঞ্জাক্ত অহোংব লাকখি।। (শা- উচেক চাব মীওই কাঙলুপশিংবু ঐখোয়ন চাওখত্তবনি হায়ন হেক্ত লৌফমদি থোক্তে, মরমদি মালেমগী চাওখৎলব মীওই কাঙলুপ কয়ান চৎলিব লাইনীং খূদীংমক্ল শা উচেক চাবদ অথিংব হেক্ত পীবদি নত্তে ।।) অসুম্ন চীঞ্জাক্ত অহোংব কয়া লাকখিবগ লোয়নন ফিজেৎতসু অহোংব কয়া লাকখি।। হিন্দু লাইনীংগী ওইব ফিজেৎ শীজিন্নব হৌরকখি ।।

৩) "উমংলাই ৯ মা তাউবলোন খাকপলোন অসী খৈবিক্কী ঈরাৎসু হুম্থোক্লগদনে ।।"

ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত হিন্দু রামান্দি লাইনীং অসী মরা চেৎন তাশিনখিনবগীদমক মীতৈশিংন খুন্দারিব খুঙ্গং লৈকাই অমমম্বু কোনবীরিব ঙল্লিঙৈ মতমদগী চেৎন লুন নীংনরক্লিব উমং লাইশিংগী লাইশঙ কয়া থুগাইখি।। লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা কয়াগী শক্তম, কোনমায় কোল্লু কয়া খোমগৎলগ মোংবহনব উমং (হৌজিক্কী মহাবলি উমং) গী হৈবোং শিদব মখোঙদ লৈরোল চনখি।। মীতৈশিংগী অরিব লাইনীং লীচত্ত থাদোক্লব য়াদ্রব শরূক অম ওইন লাকখিব উমং লাই হরাউব, অমসুং তাউবরোল অমসুং খাকপরোল হায়ন খঙনব ঈরাৎ থৌরম অদুসু মরু ফংন মুৎথৎখি ।। মীতৈ অমাইব অমাইবীশিংন ঈরাৎ লাইশোল পাঙথোক্তুন লাকখিব লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা খরগী লাইফমদ হিন্দু লাইনীংগী বামোনশিংবু হিন্দু লাইনীংগী চৎনবী মরোঙদ ঈরাৎ লাইশোল থৌরম তৌহনখি ।। "*কুমশক ১৬৪৫- - - লাংবন থাদি লৈপাকপোকপন*

হনএ ।। উমং লাই ৯ মাগী শঙ্গাইসুং লমাবী ২ মাগী শঙ্গাইসুং লাই য়াগনুশে হায়দুন শীদোকএ।। হিয়াংগৈ থানিল নোং ইরাইদা লাইয়িংথৌ নোংশাবা, য়িমথৈলাই, পান্থোইবী, তাইবং খায়বা ৪ মাদ বামোন ঈরাৎপ চঞহল্লে।।"

"কুমশক ১৬৪৮- - - ইঙা থাদি ইরাইন হলএ ।। উমং লাই ৯ মা মোংবহনবদা তিলহলএ ।। ইঙেন ২৩ নি নিংথৌকাবদা লাইয়িংথৌ, পানথোইবী, লাই ৱাহায়বা, লমাপ ২ মা, সোরারেল, হুইদোন পোকপী ৭ মা থুখাইএ।।"

অসুম্ন ইনিংথৌ অসীগী হাক্তক্ত মীতৈ ফুরূপকী অরিব লাইনীংগী লাইশিংবু ঈরাৎ থৌনিব অসী তোকহনখি, হুন্তোকখি ।।

৪) *"নোংচুপ লমগী বামোন্ন ৱায়েল থৌদা পাল্লগনি ।।"*

ইনিংথৌ পামহৈবন হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈগী মতমদদি লৈপাক নিংথৌগী ৱায়েল থৌদাদ, লৈপাক নিংথৌগী যাইফ নুঙইনবগীদমক লৈপাক নিংথৌগী ওইন লৈরিব মীতৈ মায়চৌশিংন অচৌব থৌদাং লৌরকখি।। য়াইফ নুঙাইব লৈপাক খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক লৈপাক্কী মপী মপা ওইরিব নিংথৌন চীংঙু লাইগুল্লব মায়চৌশিংদগী পাউতাক কয়া লৌবম্মী।। অকুব থবক অম পায়খৎপ তারবদি মায়চৌশিং অসীগ ৱা তাথোক তাশিন তৌনরকখি।। অদুবু নিংথৌ অসীন হিন্দু লাইনীং লৌখিবদগীদি লাইনীং অসীগী গুরু ওইরিব, নোংচুপ লোমদ লৈব লৈপাকশিংদগী লৈপাক অসীদ লাক্তুন লৈরখিব বামোনশিংন চীংঙু মাযচৌশিং অসীগী মহুৎ শিল্লকখি।। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন নিংথৌগী ৱা তানফম ওইরকখি।। খুদম অমতং পল্লবদ, *'ফমলোন'* কৌব অরিব লাইরিক অদুদ অসুম্ন ইরি - *"শান্তিদাস গুরুন থোক্লকপ অদুগী মখৈদি লৈপাক্কী গুরু পন্দিত খোংনাংথাবনচিংবা পন্দিত অহুমদি মাইব লোয়শঙ অহুমদ থৈজিনখিয়ে, শান্তিদাস গুরুন ফমহৌএ ।।"*

৫) *"মীতৈগী খুবম মাঙলগদনে।।"* ৬) *"লৈপাক মথক মখা ওল্লগদনে।।"*

ইনিংথৌ পামহৈবন মীতৈশিংগী লাইনীং লীচৎপু মাঙহন্নবগীদমক পায়খৎলকখিব থবকশিং অদুন মরম ওইরদুন মীতৈশিংগী অঙনব মতমদগী লৈজরকখিব পারম পুরমচৎকী ওইব লাইনীংগী লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীশিং ঈরাৎ থৌনিফম খুরুমজনব মফমশিং হায়বদি খুবমশিং মাঙ- তাকখি।। খুঙ্গং লৈকাইশিংবু কোনবীরিব উমংলাইশিংগী লাইশঙ অমসুং কোনমায়, কোল্লু মাঙহন- তাকহনখিবগী ৱাফম মথক্ত পনজখ্রে ।। ইনিংথৌ অসীগী হাক্তক্ত,

লৈপাক অসীদ মমাঙৈদগী চৎনবকপ লাইনীং লীচৎ, ঈবাৎ থৌবম, চৎন- কাঙলোন, ফিজেৎ- চাকচা, রাযেল থৌদা থৌরোঙ অমসুং রাখল্লোনশিং অদু মাঙহন্দুন হিন্দু লাইনীংগী ওইব থৌরোঙ অমসুং রাখল্লোনন মহুৎ শিনজিনখি।। হান্ন লৈজবম্ব চৎন- কাঙলোন মাঙখি, লৈবোল চনখি।। নৌন চঙলকপ চৎন- কাঙলোন্ন লৈপাক খুন্নাইগী চৎন- কাঙলোন ওইখি।। অসুম্ন, লৈপাক খুন্নাইগী চৎন- কাঙলোন মথক মখা ওনখি।।

৭) *"লাইরেল নিংথৌন মরূম কোক্লগদবনে।।"* ৮) *"লাইবেল মরূম অদুগ চারোল সুরোলন পাল্লগদবদি চহী ২৫০ নে।।"*

লাইবেল নিংথৌ হাযবিব অসী ইনিংথৌ ইবুংঙো পাইখোম্বনি।। ইনিংথৌ অসীন খৃস্ত কুম ১৬৬৬ তগী খৃস্ত কুম ১৬৯৭ ফাওব নিংথৌ ওইখি।। লাইবেল মরূম হাযবিব অসী ইনিংথৌ ইবুংঙো চরাইবোংবনি।। ইনংথৌ পাইখোম্বদি মচানুপা লৈতে।। ইনিংথৌ চরাইবোংব অসীদি মহাক্কী মনাউ নুপাগী মচা ওইব মবম্ন মপুক্তগী থোকপ মচা নত্তে হাযব খঙনবগীদমক মচা হাযবগী মহুত্ত, মরূম হাযবম্বনি।। ইনিংথৌ চরাইবোংবন খৃস্ত কুম ১৬৯৮ (কুমশক ১৬১৯ লমদা) দগী খৃস্ত কুম ১৭০৯ ফাওব নিংথৌ ওইদুন পার্নখি ।। লাইবেল মরূমগ চারোল সুরোলন পানগদবদি চহী ২৫০ নে হাযবগী বাহন্থোক্তি ইনিংথৌ চরাইবোংব অমসুং মহাক্কী চারোল সুরোলশিংন কংলৈপাক মনিপুর অসীদ নিংথৌ ওইবগী মতীক মযাই অমসুং লৈপাক মীযামগী অরাংব থাক্কী ওইব ইকাইখুম্নবগ লোযনন পানগদব মতম অসী চহী ২৫০ গী মতম ফাওবনি হাযর্বনি।। কাইবরোল পুযাদ পীবিব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অসী চুল্লখি।। ইনিংথৌ বুদ্ধচন্দ্রন (বোধচন্দ্র) খৃস্ত কুম ১৯৪১ দগী ১৯৫৫ ফাওব পার্নখি।। ইনিংথৌ অসীন পাল্লকপ চহী ৮ সুবকপ মতমদ ইনিংথৌ অসীবু শিলোংদ কৌবগ কংলৈপাক মনিপুর অসী ভারত লৈপাক মনুংদ লূপশিনহনবগী অযা- চেদ ইনিংথৌ মশাগী মিংখোৎ লৌখি।। নুমিৎ অদু খৃস্ত কুম ১৯৪৯, ওক্তোবর ১৫ নি।। মতৌ অসুম্ন, চহী ১৯১৬ রোম খা- নোংপোক এশিযাদ মনিংতম্ব লৈপাক অমা ওইন লৈবকখিব কংলৈপাক মনিপুরগী পুরাবী অদু নুমিৎ অদুদ থুপচিনখি।। নুমিৎ অসীদগী ভারত লৈপাক্কী শরূক অম ওইবগী অনৌব পুরাবী অমা হৌখি।। ইনিংথৌ চরাইবোংবন নিংথৌ ওইবকপ খৃ:কুম ১৬৯৮ দগী লৈপাক অসীন ভারত্ত লূপশিনখিব খৃ: কুম ১৯৪৯ ফাওব অসী চহী ২৫১/৫২ নি।। চহী ২৫১/৫২ হাযবসী শমজীনব চহী হাযবগী চৎনবীদ চহী ২৫০ হাযফম থোক্লে।। যেৎননীংঙাই কবিসু লৈতে।। খৃস্ত কুম ১৯৪৯,

ওক্তোবর ১৫ গী মতুংদ লৈবকখিব কংলৈপাক মনিপুরগী ইনিংথৌশিংবু লৈপাক মীয়াম্ম লাইনীং অমসুং নাৎকী মীয়েংদগী য়াম্ম লূম্ন অমসুং ৱাংন ইকাই খুম্নরকখি ।। অদুবু নিংথৌ অমা ওইবগী লৈপাক মপু ওইবগী লৈঙাক মসিং অদুদি মাঙখি ।।

অনীসুব শরুক্কী শন্দোকপ মীৎয়েং

১) *"নোংশা নিংথৌবু মমা শদুং লৌচাউবীন পোকপ মচা কৈগী নিংথৌন মপা নোংশা নিংথৌবু নোংপোক্লমদ তান্থোক্লগদনে ।।"*

২) *"নিংথি খোঙবান্দ নোংশা থরায় মাঙলগদনে ।।"*

ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈব (গরিবনিৱাজ) অসীদি লৈপাক অসীদ পানখিব মতীক মথৌনা খ্বাইদগী লৈরব নিংথৌ খবগী মনুংদ শীংথানব নিংথৌনি।। ইনিংথৌ অসীন পাঙথোক্লগে খনখ্রব থবক অদু নীংহন্নব তৌদন মায়পাক্ল পাঙথোকপ ৬ম্ব নিংথৌনি ।। মবম অসীন নিংথৌ অসীবু মতীক মথৌন লৈরব মপাঙ্গল কল্লব শাগী নিংথৌ হায়বগ মীয়াম্ম খঙনরিব নোংশাগ চাংদম্নদুন নোংশা নিংথৌ হায়ন কৌনবনি।। মিংথোল অসীমক ইনিংথৌ অসীদ পীরিব অসীমক্তি পীফম থোকপ য়াম্ন চানব মিংথোল অমনি।। মমা শাদুং লৌচাউবী হায়রিব অসীদি মপাঙ্গল মথৌনাদি থোইদোক্ল লৈব নত্তব মরৌদি লৈব শাদুং কৌব শা অদুগুম্ন মরৌ লৈবী, চিৎশাই (অজিৎ শাই)বু পোকপী ইনিংথৌ পামহৈবগী তালোয় লৈম ৱায়েনবম চনুবুনি।। মমা শাদুং লৌচাউবী হায়রিব ৱাফম অসীন ফোঙদোক্লিবদি চিৎশাইন নিংথৌ ফম্বাল ফংনবগী চঙল্লিকপ থবক্ত মমা ইবেম্মগী অবোনব খূজীন থৌরাং য়াওই হায়ব ফোঙদোকপনি।। শাশিংগী মনুংদ নোংশাগুম্ন পাঙ্গল থৌনা লৈবমক নত্রবসু মপাঙ্গল মথৌনা খরদি অদুম লৈজব কৈ হায়ব শা অদুগ চাংদম্নদুন *'মমা শাদুং লৌচাউবীন পোকপ মচা কৈগী নিংথৌ'* হাযবিব অসী ইনিংথৌ পামহৈবগী মপারী চিৎশাইবুনি।। মপারী অহল শ্যামশাইদ নিংথৌ ফম্বাল শিন্নব তৌদন মপারী চিৎশাইদ খৃস্ত কুম ১৭৪৮ দা নিংথৌ ফম্বাল শিন্নখি।। চিৎশাইন নিংথৌ হেক ওইবগ মপা ইবুংঙো পামহৈববু সনা কোনুংদগী মথং মথং তান্থোকখি।। লৈপাক অসীদ লৈব য়ারক্লদুন খৃস্ত কুম ১৭৫১ য়ৌরকপদদি ইনিংথৌ পামহৈব অসী কংলৈপাক্কী নোংপোক্ত লৈব ঔৱা লৈপাক য়ৌন খোঙলেঙখি।। মতম খর লৈরগ ইনিংথৌ পামহৈব অমসুং মচা ইবুংঙো শ্যামশাই কবোদগী হল্লক্লে হায়ব পাউনিংখোল ফংবদগী চিৎশাইন মপান্থোংদদি মপাবুং অমসুং ময়াম্নুংবু

ওক্কুনব শাশিন্নদুনা মী খব থাখি, মনুংদদি মখোযবু লমখাঙদ লোইশিল্লুনবগীদমক শবৌ শীনখি।। লোক অমগী মপান্দ তোলেন তোম্বন (চিংশাইগী মনাউ ইতোন তোনব শত্রুঘন শাই) ইনিংথৌ পামহৈবগ লোযনবকপ শান্তদাস গোসাইবু খুৎলাইন থাদুন হাৎখি।। মবম অসীদগী লোক অসীগী মমিং গোসাইবোক কৌনখি।। হৌজিক্তি খব খব থৈথবক্কুন খুজাইবোক কৌনখ্রে ।। নিংথৌগী ইমুং মনুংদ নুংশিনহন্দবগী অমসুং মীতৈশিংগী অবির লাইনীংবু মাঙহল্লি হাযবগী মবমগীদমক গোসাই অসীবু হাৎখিবনি।। মপাবুংগ মযাম্বুংগ অনীবুসু তোলেন তোম্বন কোযথি থিবম্মী।। ঔব্রা লৈপাক্কী নিংথি ভুবেল মপাল তোনফাং হিদেন্দ থেংনববদ তোলেন তোম্বগী খুৎলাইন থাদুন ইনিংথৌ পামহৈব খৃস্ত কুম১৭৫২ দ নোংগাখি ।। শ্যামশাই খূবায লাকপদি নিংথি ভুবেলদ চোংথখিদুন মথরায মাঙখি।। পুবাবীগী থৌদোক অসীন মথক্কী মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অদু পুমচুম চুমলে হাযব যাম্ন শেংন উৎলি ।।

৩) "মপা মচা খঙনবরোইয়ে" ৪) "মচীন মনাউ চান্নবরোইয়ে।"

ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক অসীদ মপা মচা, মচীন মনাউ নুংশিনদব হাৎন সুনবগী মযেক লাবব পুৱাবীগী থৌদোক ওইবে ।। নুংশিনদব হাৎন সুনবগী থৌদোক বাবীদি হৌজিক্ত মথক্ত পনজখ্রে ।। অসুম্ন নিংথৌগী ইমুং মনুং, মচীন মনাউ নুংশিনদবগী অমসুং নুংশিনদব অদুন মবম ওইদুন কংলৈপাক মনিপুর অসী যেক্লব লৈবাক্কী মখুত্ত তাখিবগী পুৱাবীগী ওইব লাইবক শীব থৌদোক কয় মতুংদসু লাকখি।। খূদম ওইন — ইনিংথৌ মধুচন্দ্র, চৌবজিৎ অমসুং মাজৎ মচীন মনাউ অহুম অসীগী মবক্ত মচীন মনাউ ওইবগী নুংশি চান্নব মাঙশিল্লকখিবন মবম ওইদুন কংলৈপাক মনিপুর অসী যেক্লব লৈপাক ঔবাগী মখুত্ত মাযথীখি।। খৃস্ত কুম ১৮১৯ দগী ১৮২৬ ফাওব লৈপাক অসীদ 'চহী (ওরেৎ) হুন্তাকপ' থোকখি।। ইনিংথৌ ইবুঙো চন্দ্রকীর্তিগী মচা ইবুংঙোশিংগী মবক্ত মচীন মনাউ নুংশি-চান্নবগী লীপুন লৈবক্তবদগী কংলৈপাক মনিপুর অসী খৃস্ত কুম ১৮৯১ দ যেক্লব বৃটিশ সাহেবশিংগী মখুত্ত তাখি।। লৈপাক্কী মপী মপা ওইরিব নিংথৌ, অঙম- মচৌ অমসুং অচৌ - প্রশাংশিংগী চংন [illegible] অমসুং থকশী-খাশী হাযব অসীদি ইচম চম্ন লৈজবিব লৈপাক খুন্নাই মীয়ামগী ফিদম্নফম ওইনবাক্লিবনি।। লৈপাক খুন্নাই মীয়ামগী ফিদম্নফম ওইনবাক্লিব নিংথৌগী ইমুং মনুংদ মপা মচা অমসুং মচীন মনাউশিংগী মবক্ত অমগা অমগ যেংথনবকপ, অমন অমদু মতেং পাংনবগী

মহুত্ত মাঙনব তৌবগী থৌদোকশিং অসী ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্তগী ওইবক্লিব অমসুং থোক্লক্লিব অসীন মবম ওইবদুন ইচম চম্ন লৈজবকখিব লৈপাক মীযামগী শাগৈ নাতৈশিং অমসুং ইমুং মনুংদসু মবী- মতা, মপা- মচা অমসুং মচীন- মনাউশিংগী মবক্ত থকশী- খাশী লৈন নুংশি-চান্নন লৈমিন্নবকপগী মবী অদু মাঙব হৌবর্কখি ॥

অহুমসুব শরুক্কী শন্দোকপ মীৎয়েং

১) *" নোংচুপ লমগী শাগৈ অরিবন তীস্থোঙ লাইথোঙ খঙন থিরগদনে ॥ নোংদম নোংখাইবীরগদনে ॥"*

কাইববোলগী পাউতাক পাউজেল অসীদ যাওবিব নোংচুপ লমগী শাগৈ অবিব হার্যাবিব মীশক অসী কংলৈপাক মনিপুব অসীদগী নোংচুপলোমদ লৈব লৈপাক্ত চৎখিদুন খুন্দা লৈতাদুন লৈখিব শাগৈ অমগী চাদা নাউদা ওইখিব মহাক অদুন, কংলৈপাক মনিপুব অসীদ হিন্দু লাইনীং চঙলক্লিঙৈদ লৈবস্ন মীতৈশিংগী লাইনীং লীচৎপু হিংকৎহনবীদুন লাইনীং লীচৎ অসীবু নোংদম নোংখাইবীদুন হাযবদি অশেংব মশক অম তাকপিদুন লাইনীং লীচৎ অসীগী অনৌব মপোক অম ওইহনবীব মীশক অদুবুনি॥ হাযবিব মীশক অসী কাসাবগী জাবিবোন লমদমগী লাইশ্রম খুল মমাঙ লৈকাইগী নাউবেম শাগৈগী ইমুং অমদ খৃস্ত কুম ১৮৮৮ থবান থাগী ২২ নি পানব লৈপাকপোকপ নুমিত্ত (২৮/৮/১৮৮৮) পোকখিব লাইনীংহল নাউবিযা ফুলোনি ॥ লাইনীংহলগী মপা পোকপ মপু অসী কংলৈপাক মনিপুব অসীগী নোংচুপ্লমদ লৌবিব কাসাবদ চৎখিদুন খুন্দা লৈতাদুন লৈখিব শাগৈ অবিবনি॥ মহাক্কী মপা মপুগী মতাংদদি - লৈপাক অসাগী নাউবেম লৈকাইদ লৈবস্ন মচীন মনাউ অহুমগী যাইম নাউবেম মঙাল (তবুং) ন থাঙমৈবন্দ লৈদুন মচা নুপা ওইন ফংজখিব হেবান্দোন চহী তবেৎ খুম্ভাকপ মতমদ (১৮১৯- ১৮২৬) মবৈপাক পোক্লফম লমদম অসী থাদোক্কুন ইমুং মনুং অমসুং মচল নুপী অহুম পুদুন কাসাবদ লানচেনখি॥ হেবান্দোন অঙোম চনু পান্নদুন পোকপ মচানুপা চাউবন লাইশ্রম চনু থম্বৌ পান্নদুন নাউবিযা ফুলোবু মচানুপা ওইন ফংজখি॥ মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং অসীবু অমুক হিংকৎহনবগীদমক নাউবিযা ফুলোন খৃস্ত কুম ১৯৩০ দ *'অপোকপ মরূপ'* কৌব লাইনীং লুপ অম লিংখৎখি॥ মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং লীচৎ অসীবু নৌহৌন হিংকৎহনবদ মতেং ওইনবগীদমক অনিব লাইনীং অসীগী ঈবাৎ থৌনম, থৌনিবোল লাইশোল, লৈশেমলোন অমসুং লাইনীং অসীন

মুৎখিবগী পুব্বাবীনাচিংবগী হীবর্মাশিংদ লাইবিক ১৯ দগী তাদন হৌবীবমখি ।। মহাক্কী ব্বাখল ফিদমদ যুম্ফম ওইদুন কংলৈপাক মনিপুব অসীদ খৃস্ত কুম ১৯৪৫ গী মে ১৪ দ *'মীতৈ মরুপ'* কৌব লাইনীং লুপ অম লীংখত্তুন হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈদ লৈবম্ব মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং সনামহী লাইনীং হাযবসী অমুক হিংকৎহন্দুন শন্দোকপ হৌবকখি ।। অসুম্ন চহী ২০০ বোম (১৭২০/৩০- ১৯৩০) লাইনীং লীচৎকী লমদ তূমখুল হুন্দুন মঙলৈবাক্ত লৈকবব মীতৈশিংবু লাইনীংহল নাউবিযা ফুলোন মীৎকপ থোকহনখি।। ঙসীদি মীতৈশিংগী অঙনব মতমদগী থাগোন্নদুন লাকখিব অবিব ল'ইনীং হাযবদি সনামহী লাইনীং অসী মপুঙ ফান হিংকৎলে হাযব যাবে ।। ২০০১ গী মীকোক থীবদ লৈপাক অসীদ লাইনীং অসী চৎপ মী মশীং ২,২২, ৩৪৮ লৈবে ।। পুন্নমক অসী নোংচুপলম কাসাবদ মফমদুগী মীতৈ শাগৈ অবিব ওইন খুন্দা লৈতাদুন লৈখিব নাউবেম শাগৈদ পোকখিব লাইনীংহল নাউবিযা ফুলোগী হোৎনজমনগী মহৈনি হাযবদ যেৎনফম থোক্লে ।। অসুম্ন, কাইববোল পুযাদ পীবল্লিব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অসী পুমচুম চুম্লখি ।।

২) "হে নিংথৌ খাগেম্ব - ও, নঙগী নপোক অমবক ফাওবক্তুন বামোনগী লাইতীন তাম্হোক্তুন তুবী নযোল চোংন ফাওবগদনে ।।" ৩) "লাইবেল ফলাংমৈদ তোংন মীতৈ লীচৎ অবিব অমবক হনাজল্লগদনে ।।"

কাইববোল পুযাদ ইবিব মতমগী খোঙলৈ তাকপ পাউতাক পাউজেল অসীদ পল্লিব খাগেম্ব নিংথৌগী মপোক অমুক হলজিল্লকপ হাযাবব নিংথৌ অসী কনা ওইফম থোকপগে হাযবগী মতাংদ ঐখোযন যাম্ন কপ্ন অমসুং মুম্ন যেংশিনফম থোকই।। নিংথৌ অসী কবম্ব নিংথৌ ওইগদগে হাযবদ - নিংথৌ অসীন ফলাংমৈ তোংন হাযবদি ফম্বাল তোংলিঙৈদ, পামহৈব হাক্তক্তগী হৌন কংলৈপাক মনিপুব অসীগী ইনিংথৌশিংন থাগোন্নদুন লৈবকখিব হিন্দু লাইনীং অসীবু থাদোকখিব, লৈপাক মীযামগী ওইন লৈবকখিব লাইনীং অসী থাদোক্লে হাযন লৈপাক মীযামদ লাউথোকখিব নিংথৌ অদু ওইগনি ।। অদুগুম্লব নিংথৌ অদুগী মমিং পনব তাববদি মহাক অদু ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎনি।। ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র (চিংথংখোম্ব) হাক্তক্তগী লৈপাক অসীগী নিংথৌশিং অমসুং কংলৈচা মনিপুবী মীতৈ হিন্দুশিংন চৎলিব হিন্দু লাইনীং অসীগী খ্বাইদগী মকওইব লাই অম ওইন লৈবক্লিব শ্রী শ্রী গোবিন্দ অসীগ লৈপাক্কী নিংথৌগ লৈনবকপগী মবী অদু ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎকী হাক্তক্তদি (১৯৫৫- ১৯৯৬) তৎখি।।

অসীখক্তু নত্তন, মীতৈ হিন্দু বামোনশিংনা সনা কোনুংদ ঈবাং থৌবম তৌব হিন্দু লাইনীংগী লাই পুম্মমক্ক সনা কোনুংগ মবী লৈনবকখিদ্রে।। মবী পুম্মমক তংখ্রে।। সনা কোনুংগা শম্মখিদ্রে ।। ইনিংথৌ পামহৈবগী তবেৎসুব মপোক যৌববদ লৈপাক মীয়াম্ম মশাগী অবিব লাইনীংদ অমুক হন্না জিনগে হায়বদু নিংথৌ অমসুং শান্তদাস গোসাইনা যাবনদ লৈপাক মীয়াম্ম চীংজু খেন্তযুম্ম অসীব সবী শিদব লাইয়িংথৌ সনামহী মিংথৈ থাদোক্লগ বাম নাম শোন্দুনা নোংখ্রঙ ঈকপ হন্দুনা বামান্দ লাইনীং লৌহনখিবনি।। নোংখ্রঙ ঈকপাখবগী হনম অহা চুবিব, বাখল লৌশিং ফর্কাচিম্নিব অসী কোক্রবগীদমক খৃস্ত কুম ১৮০৯ ফেব্রুবারী ৬ ফাইবেল থাগী মুমশকৈশ নুমিত্ত নোংখ্রঙ পবৈহনবগী থৌবম পাঙথোকখি।। নুমিৎ অসীদ ইনিংথৌ লাংওল নিংথৌ অপানব ওকেন্দ্রজিৎনা নোংখ্রঙ পবৈহনবগী অযিন চেপাল পাংথোকখি নোংখ্রঙ ঈকপুন বাশক পবৈ পুনখিব অদুবু ব্রাশক পানহনবীখ । নোংখ্রঙ ঈনপাখিব অদু ঈহনখ । থৌবম অসীমক্তি কংলৈপাক মনাপুনবগী লাইনীং পুরানদ চেকচিন্দুনা লৈহৌলগদন থৌবম অমনি।। থৌবম অসী হিন্দ লাইনাং লীপুন্দগী নাখোক্তুনা সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ চঙশিল্লকপ থোঙগঙল অনৌব ঈনেৎকী যাকাইবোল থোঙখাংনা।। মথং মখা তানকপ ওইনা ইনিংথৌ অসীনা পাঙথোকপিবম্ব যাম্ম মক ওইব থৌদোক অমসু লৈবি, মদুদি খৃস্ত কুম ১৯৯২ এপ্রিল থাগী চৈচ ২৩ শঙ্গাবগী ২১ নি পানব নুমিত্ত ইনিংথৌ এসীনা হিন্দু লাইনীং থাদোক্লে লাইনীং অমাগী মহুত্ত মীতৈশিংগী অবিব লাইনাং অদ অমুক হিংগৎহল্লে হায়না লৈপাক মীয়ামদ অসুম্ম লাউথোকখি *"লৈনি লুবাক তাবু হাংদোক্লে অদুগ লৈপাক্কী লাইনীং ওইবিব হিন্দু লাইনীংবু থাদোক্লে অমসু, (লাউথোক-চে) অসীন লৈপাক অসীগী চৎনা-পথাপ্প (হিন্দু লাইনীংবু) শকখঙলম্ব অদু থাদোক্লে. (মসীগী মহুত্ত) নিংথৌগী চৎনা পথাপ্প লাইনিংথৌ লাইনীংবু হিংকৎহল্লে অমসুং লৈপাক্কী লাইনীং ওইনা শকখঙলে"* ("I open the Lubak Tabu and abandon Hinduism as State religion and recognition is hereby withrawn by the Royal Customary Law of the country, instead the Royal Customary Law revives the Lainingthouism as state religion ---) King Okendrajit, Declaration of Revival, Sana Konung, 23/4/1992) পুরাবীগী ওইব যাম্ম মকওইব থৌদোক অসী যেংলগ খাগেম্ব নিংথৌগী অমবক্কী মপোক হায়বসী ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ ওইফম থোক্লে ।। (লাইনীং হিংগৎ লাউথোকচেদ ইনিংথৌন হিংকৎহল্লে হায়না লাউথোক্লিব *'লাইনিংথৌইজম'* হায়বিব অসী লাইনিংথৌ লাইনীং হায়বনি।। মতাং অসীদ ঐখোয়না খঙজিনফম থোকপদি লাইনিংথৌ হায়ব ব্রাহ্ম অসীগী ব্রাহন্তোক অসী অনী থোক্লু পীব যাই ।। পাকশনব

বাহস্পোক্ত *'লাইনিংথৌ'* হাযবগ অবাংব থাক্ত লৈব লাইনুপা চীংঙু খোইযুম লাইশিংবু খণ্ডনগনি অদুগা অকক্কব বাহস্পোক্তদি *'লাইনিংথৌ'* হাযবগ চীংঙু খোইযুম অসীব সবা শিদব লাইযিংথৌ সনামহীতবু খণ্ডনগনি ।। মপাবী কোনাজিল 'তংথোকপবু নমু পোংনংথৌ ওইহনখিব অমসুং মপাবী অসীববু লাইগী নিংথৌ খোইযুম লাইনিংথৌ ওইনবগীদমক মপন পস্তৌ তেংবানব মপুন মপাবী অসীবদ হার্যাখিব মতাং অসী অবিব লাইনিক *'সনামহী লাইকন'* দ অসুম্ন ইবি – "*হে ইপাবী কোবৌ নোংবু খোনবা।। মালেম লযনু লুম্বা।। নঙদি নপন ইহকশাংবু ওইবববনে।। পাবী নঙবু থোইবা চাংঙু কনা লৈবিগবনো।। পুকনীং চিংনা থৌবু পম্না লৈবগুনে।। তৌযগুম নশানৌ অতোনবনা নপল ইতীক অকুববু খণ্ডলম্নবগী শিদবা মাঙদা থাওক্লে। নপা ঐবু খণ্ডওক্লে হাযবগী পাবী পাখংবা কৌওক্লে। নুমু ভ্রাইবং খুন্নাংথৌবু ওইবৈঙনে থব্রাই নিংশা হোল্লিবা পম্নমনা চৈবৈ মফি শেং তবামচাংনাব ওক্ন যোইনা থৌশম্নবসুনো ।। লাংলেন কাংযাং বাপিহল মঙাদ নযেংযাংইবা লংসুং লীহৌ মচীনগী শেকমোম কযাবলীবু পাবিং লাংকা থানা শাংজৌবা নত্তববা । শজিক নোংদম্না থবা নাংথাইবগুম খুংনাং চাদা লাই অতেনব কৌনা খোইযুম লাইযিংথৌ ওই- ও নোংদম্ববনে। ভাইবং নোংশাপন পুম্নমানা নুমিৎ শীংবুম খুদীংবু থৌনি ন্যজংনসুনো।। খোইযুম নঙসুং ওপাক্কা কচুং অবেপ খৈবিকপু থৌজাল শীনবা ংনা লনকুবিঙেনে।*" লাইনিংথৌ লাইনীং *'লাইনিংথৌইজম'* হাযবা ব্রাহে শীদ যাওবিব *'লাইনিংথৌ'* অসি লাইনাংথৌ সনামহী ওইবগনি।। মবমদি *'সনামহী লাইনীং'* অসী ১৯৮১ দা ওইন লমদম অসীগী মীকোক শীবদ যাওখ্রবনি।। ১৯৯১ গী মীকোক শীবদ যাওবক্তবদগী লৈপাক বাথোক ওইখিবনি।। ইানংথৌ ওকেন্দ্রজিৎন লাওথোকখিব *'লাইনীং- হিংগৎ লাউথোক- চ'* (দিক্লাবেসন ওফ বিভাইভেল) অদু ১৯৯২ দ লাউথোকখিবনি।। ২০০১ গী মীকোক থীবদ সনামহী লাইনীং অসী মপুঙ ফান যাওখ্রে।। লমদম অসীদ লাইনীং অসী চৎপ মী মশীং ২,২২,৩৪৮ যৌখ্রে।। সনামহী লাইনীং হাযবগ লাইনিংথৌ সনামহী খক্ত নীংগদবদি নত্তে।। অবিব লাইনীংগী লাই পুম্নমক নীংগদবনি, শোনগদবনি।। থব্রাযগ হকচাংগ অনী অসী কাযনাদ্রিমখৈ তাইবং মীওইব অসী অহিংব ওই, লৈবি হাযব খণ্ডই।। অদুবু থব্রাযগ হকচাংগ অনী অসী শেংন- খাইনববদি অশিব হাযবদু ওই।। মতৌ অসীগুম্ন সনামহীগ পাখংবগ কাযনব, শেংন- খাইনব যাদে।। সনামহী লৈত্রবদি পাখংবসু মাঙখিগনি।। পাখংব লৈত্রবদি সনামহীবুসু লৈবি হাযব খণ্ডব ওল্লোই।। মবম অসীন সনামহী লাইনীং হাযবসীদ ইবুধৌ পাখংব থাদোক্লব যাদে।। মাতৈশিংগী সনামহী লাইনীংদ লৈপাক অসীগী নিংথৌশিংবু ইবুধৌ পাখংবগী

লাইরী, লাইওল, লাইচৎ অমসুং চাদা নাউদানি হায়বগী থাজনবী লৈরকখি।। ঙসীসু লৈরি।। ইনিংথৌ ইবুংঙো লৈশেম্ব সনাজাউব অসী ইবুধৌ পাখংবগী চাদা নাউদানি হায়বগী থাজনবী ঙসী ফাওব লৈরি।।

৪) "লাংওল নিংথৌগী চক্ত চীংমী, ময়াং পুম্নমকসু ঙম্ন চাউরগদনে।।" ৫) "লৌ অমদ মী অনী চীক্লরগদনে।।"

লাংওল নিংথৌ হায়রিব অসী খৃস্ত কুম ১৯৫৫ দগী হৌবগ, মপারী ইবুংঙো লৈশেম্ব সনাজাউবন নিংথৌ ফম্বাল তোংদ্রিফাওব হায়বদি ১৯৯৬ লোইরমদাই ফাওব নিংথৌ ওইখিব ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ ওইগনি।। ইনাৎ লাইনীংগী ওইব মহাক্কী অতোপ্প মিংথোলদি লাংওল নিংথৌ অপানব কৌই ।। (দিক্লারেসন ওফ রিভাইভেল-য়েংবীয়ু) নিংথৌ অসীগী হাক্তক্তদি সনামহী লাইনীংগী মপাংগল কনখৎলকপগ লোয়নন লমদম অসীগী মীতৈ হিন্দুশিংগী চৎনবী ওইরিব *'অমাং অশেং'* ব্রাফমগী শাফূগী চাং অসী ফন য়াম্ন হন্থরক্লে ।। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন ব্রহ্মা সভাগী চৎন পথাপসু থবক ওইনদি খর কোমথোক্লকপগুম উবক্লে ।। (মনুংদদি অদুমক লেঙদন লৈরম্লসু যাই।।) মী মী অদুগী মহে মাশং অমসুং মতীক মযাইগী মতুংইন্ন লৈপাক্কী লোযশঙ কয়াগী ফম পায়নরক্লে ।। মতাং অসীদ ঐখোয়ন খঙজিনফম থোকপাদ লাংওল নিংথৌ অপানব ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎকী মপা ইবুংঙো বোধচন্দ্রন খৃস্ত কুম ১৯৪১ দগী ১৯৫৫ ফাওব নিংথৌ ওইখি।। মহাক্কী মতম ফাওবদি হিন্দু লাইনীংগী *'অমাং- অশেং'* গী থৌবা কোম্বোইদগী মীতৈ হিন্দুশিং অসী ইবায় লাযন নাম্থোকপদি ঙম্নমদ্রি।। অদুগু ইনিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎকী মতমদদি হিন্দু লাইনীং চৎপ মীতৈ অমন থৌবা কোম্বোই অসীদগী নাম্থোক্লিংলদি নাম্থোকপদ থোইদোক্ল অরাব অমদি ওইবক্লে ।। মতমগী মতুং ইন্ন খুন্নাইগী ওইব অহোংব কযা লাকপদগী মীওই কাঙবু অমবু হন্থন খনবগী অদুগ অতোপ্প মীওই কাঙবু অমবুন বাংন খনবগী মীৎয়েং মাঙশিল্লকখি।। মী পুম্নমক চাউব মান্নবকখি হাযবদি মীওইব অম ওইবগী ফংফম থোকপ ইকাইখুম্নব অদু ফংনরকখি।। লাংওল নিংথৌগী চক্তদি হায়বদি মতমদদি লমদম অসীদ মী মশীং হেনগৎলকপন মবম ওইরদুন লৌ উফম মতীক চান ফংনরবোই, লৌ উনবগীদমক লম মুন্নবক্লগনি হাযব অসীসু অচুম্ব ব্রাফমনি ।।

লাংওল নিংথৌ অপানব ওকেন্দ্রজিৎকী হাক্তক খৃস্ত কুম ১৯৭০ অদুরাইদগী হৌদুন লমদম অসীদ লৌ উফম পানফম মফমশিং মবাং কায়ন ফংবদ ব্রানবক্লি ।। লৌউফম ফংনদবগী অরাব অসী মখা তান অসুম হেনজিল্লক্লী।। লৌমী অমখক্তন উবম্ন লৌফম অদু হৌজিক্তি লৌফম লৈবক্তবদগী লৌমী ২/৩ যেন্নদুন মচেৎ মচেৎ উনবক্লে, পান্নরক্লে ।।

৬) "বামোন্ন পুখোল্লকপ ফিংজেৎ - চাকচা খিবিক তোক্লগদনে ।।"
৭) "বামোনগী শাগৈ পীক্লগদনে।।" ৮) "অসীগী মতুং উমংলাই
৯ মাদা মী পীরগদনে ।।"

লাংওল নিংথৌ অপানব ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎকী মতমদদি মীতৈশিংগী সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌগী মপাংগল অসী ফন ফজন কনশিল্লকখি।। লমদম অসীগী খুঙ্গং লৈকাই অযাম্বদ অবিব লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ অসীবু পামজব মীওইশিংন লাইনীং লূপ কয়া শেমকৎনবকখি।। সনামহী লাইনীং অসীন মপাংগল কনখৎলকপগ লোযনন মী অম পোকপদগীন শিব ফাওবগী লাইনীং নাৎকী ওইব থৌবমশিংদ হাযবদি ঈপান থাব, নাহুৎ নাবেং তম্ব, লাইমিং লৌব, লুহোংব, শিবগী পোৎলোইব, মঙানি লৈহুন, লান্ন থৌবম, ফীবোয – পুন্নমক অসীগী ওইব অচৌব অহোংব অম লাকখি।। পুন্নমক অসীগী ওইব অহোংব অম লাকখিবন মবম ওইবদুন মতম অমদ লমদম অসীগী মীতৈ হিন্দুশিংন যাম্ন অৱাংব থাক্কী ইকাইখুম্নবগ লোযনন চৎনবকখিব চৎনলোনচৎ, ফিজেৎ চাকচাগী মতাংদ মীতৈশিংগী মবক্ত অহোংব অম লাকখি।। তোক্লবকখি।। লমদম অসীগী লৈঙাকলোন্দ মীযাম লৈঙাক লৈবকপগ লোযনন তোঙান তোঙানব লাইনীংশিংবু মান্নব মীৎযেংদ যেংবগী চৎনবীসু লৈবকখি।। মীতৈশিংগী মশীং যামখৎলকপগী মতুং ইন্ন হিন্দু লাইনীং চৎপ মীতৈশিংগী মশীংসু যামখৎলকফম থোকপনি।। অদুবু লমদম অসীদ সনামহী লাইনীং হিংগৎলকপন মবম ওইবদুন মীতৈ হিন্দুশিংগী মশীং অসী হেনকৎফম থোকপ চাংদগী হৌরম্বকখি।। মসীন মবম ওইবদুন মীতৈ হিন্দু বামোনশিংগী মতীক মযাই, মশেক মঙাল অসী যাম্ন পাক শন্ন শন্দোকফম থোকপ চাং যৌদব মবোঙদ লাকখি।। মতম অমদদি মীতৈ হিন্দু বামোনশিংগী শিনফম অসী হিন্দু লাইনীংগী ওইব ঈবাৎ লাইশোল থৌবম পাঙথোকপ অমসুং খুঙ্গং লৈকাইগী ওইব লূক চৌব চাক থোংবন ওইবম্মী অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন বামোনশিংসু লাইনীংগ মরী লৈনদব শিনফম কয়া পাযনবকখি ।। বামোন নুপা অম উনব থেংনব মতমদ 'ঐগাবু' হাযদুন মীতৈশিংন নোল্লুক্ল ইকাইখুম্নব উৎপগী চৎনবী লৈবম্ব অদু হেনগৎলকফম থোকপ মী মশীংগী চাংদগী হন্থবকখি।। লাইনীংগী মীৎযেংবু তোপ্ন থমগ্রগ মী মী অদুগী মতীক মযাই যেংলগ ইকাইখুম্নব পীনবকখি।। পুন্নমক অসীন মবম ওইবদুন পুবাবীগী নিংথৌবোল কযাগী হাক্তক্ত লমদম অসীগী খুন্নাইগী পুন্সিবোলদ মীতৈ হিন্দু বামোনশিংন কল্লকখিব অচৌব মফম অদু ইনিংথৌ লাংওল নিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎকী মতমদদি খব পীকশিল্লকপম্ভম তৌবকখি ।। মতম অমদদি মীতৈশিং খুন্দাব খুঙ্গং লৈকাই

খুদীংগী বামোনগী ইমুং অম লাইশঙগ লোযনন লৈব হাযবসী তঙাইফদব ওইবম্মী।। অদুবু মতমগী খোঙলৈন মদুমক্তি ওইবকখিদ্রে ।। মীতৈ বামোন শাগৈ হাযবদি কাঙলুপশিগী মশেক মঙাল অসী যুম্ম পাক চাউন শন্দোকফ- থোকপ চাংদগী মযেং খব তাবকখি।। ইনিংথৌ অসীগী হাক্তক খৃস্ত কুম ১৯৬০ অসীৱাইগী মতমদগী হৌবদুন ১৯৯০ যৌশিল্লকপদদি মীতৈশিংন খুন্দাব খুঙ্গং লৈকাই খুদীংমক্ত লৈবিব উমংলাইশিংগী লাইফমদ পাঙথোক্লবকখিব উমং লাই হবাউবগী থৌবমদ খুঞ্জাশিংন থৱায যাওন শৰুক যাবগী মশীং হেনগৎলকখি।। উমং লাই হবাউবগী থৌবম অসী লাইনীং লাইশোলগী থৌবম অম ওইন লৌনবম্বদগী অৱাংব থাক্কী হবাউ কুম্মৈ অম ওইবগী থাক্ত কাখৎলকখি।। হবাউ কুম্মৈগী থাক্ত কাখৎলকপগ লোযনন অহল লমনশিংদ নত্তন নুপী অঙাং অমসুং পাখং লৈশাবীশিং তিনবগী মশীং যাম্ম হেনগৎলকখি।। ঙসীদি উমংলাইগী লাইফম অযাম্বদ ফজ ফজবব লাইশঙ লৈনবক্লে।। মতম অমদ ইহাঙ হাঙন লৈবম্ব লাইবুঙশিংদ পাক চাউবব লাইবুঙ শঙলেন লৈনবে।। খুঙ্গং লৈকাই অমগী যুমথোঙ খুদীংমক অম ফাওব চীৎথ- নানথব তৌদনা পূম্ন শৰুক যামিন্নব লাইনীংগী ওইব হবাউ কুম্মৈ অমগী মমিং হৌজিক্কী মতম অসীদ পনব তাববদি উমং লাই হবাউবনি হাযব যাবে ।। অসুম্ন উমং লাই হবাউবদ উমং লাইগী লাইযিংথৌ লাইবেম্মশিংন অহল লমন, নুপী অঙাং, পাখং- লৈশাবী মশীং যাম্ন তিনহনবীবকপ হৌবকখিব অসী ইনিংথৌ লাংওল নিংথৌ অপানব ওকেন্দ্রজিৎকী মতমদগীনি।।

"৯) নিংথৌ অহুম যান্নবগদনে ।। ১০) খা ৱাং, নোংপোক নোংচুপ খুদুম চল্লগদনে ।। মায়চৌ মঙা মান হাযবম্ব ৱানে ।। চেৎলো।। যেংব হৈ- ও।। খাঙব কল- ও।। শোযবোইদব ৱানে।। লাইবিক অসীবু থাজদববদি মহাক উৎকুম তুম- ও।। চেৎন তৌজৌ ও।।"

নিংথৌ অহুম যান্নবগদনে হাযব কাইববোল পুযাগী মতম খোঙলৈ অসীগী মযেকশেংব বাহল্লোক অদু মকা ফোংনা হাযদোকপর্মাক্ত হৌজিকমক্কী ওইনদি খব খজিক লুন থোক্লি ।। অদুবু অমুক হাযনদ্রবসু লৈপাক মীযাম পুম্নমন্ন অদুমক খঙলকখিগদব মতম অদু খা ঙাইখিব তাবি । পাহ তাক পাউজেল অসীগী মকা ফোংদব ৱাখল্লোন্দি — নমদম অসীদ লৈব মীওই কাঙলুপ অহুমগী মনুংদ অনীগী মবক্ত তোখাই তানিংবগী বাখল লাকপন মযম ওইবদুন মখোয মখোযগী লুচিংবশিং অদুগী থৌইনাশিন্দগী কাঙলুপ অমগ, অতোপ্প কাঙলুপ

অমগ যেংথি- ৱাখল পোকহন্দুন মীহাৎ মীশি থোক্লক্কনি।। অদুনু কাইনথঙদদি পূন্ন হিংমিন্নব পান্দ্রগী বাখল চেনব অহুমসুব কাঙলুপ অদুন মায পাক্কনি।। তোখাই তাবগী বাখল চেনব কাঙলুপ অনীগী লুচিংবশিং মাযথীগনি।। চহী ২০০০ বোম চুপ্প পুম্ন নুংশি চান্নন হিংমিন্নবগী পুন্সিবোল অমদ যুমফম ওইদুনা লৈবকখিব মীওই কাঙলুপ অদুন মায পাক্কনি।। মীওই কাঙলূপ অসীগী নুংশি চান্নন পূন্না হিংমিন্ননীংবগী ৱাখল্লোন অমসুং থবক থৌবোঙন খুদুম চন্দুন লমদম অসীগী খা- ৱাং, নোংপোক নোংচুপকী মীওই পুম্নমক মমাঙঙৈদগী পূম্ন লৈমিন্নবকপগুম লৈমিন্নগনি।। হায়গুম পাক- চাউন অদুম লৈগনি ।।

মথক্ত পীজখিব মতম খোঙলে মতুং ইন্ন লমদম অসীদ তুংদ থোক্লগদব থৌদোকশিংগী পাউতাক পাউজেলশিং অসী ইনিংথৌ খাগেন্দ্রগী মফমদ চীংঙু মাযচৌ মঙান তাকপিবর্মনি।। পাউতাক পাউজেলশিং অসীবু মাযচৌশিং অদুন লাচনবীদুন *'কাইবরোল'* (কাইপালোন) হায়না মিংথোলব পুযা ওইন ওন্থোবর্মনি।। পুযা অসীদ যাওবিব পাউতাক পাউজেল পুম্নমক অসী মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন চুম্লগদনা শোযবোইদব ৱাফম ঙাক্তনি।। তৌবতদি পাউতাক পাউজেলশি অসীবু যেংশিল্লিব মী মহাব অদু মীৎযেং চুম্ন যেংব হৈব মী ওইগদবনি।, খাঙব কনব ৱাখলগ লোযনন যেংগদবনি।। লাইবিক অসীবু যাম্ন চেংন থমগদবনি অমসুং যাম্ন লূন নুংশিন তৌগদবনি।। লাইবিক অসীদ যাওবিব মতম খোঙলৈ পাউতাক পাউজেলশিং অসীবু থাজদ্রব, লাইবিক অসীবু কবিসু লৈতন ইচম চম্ন লাইবিক ওইন যাম্ন লাযন খনব মীশক অদদি শীংব মৈ থাবগ উং ওইনা তুম্ব অদগুম তুম্ন ওইযু হায়না চীংঙু মাযচৌ মঙা অদুন মীচৈ পীবর্মী।। লাইবিক অসী যাম্ন চেংন, লূন নুংশিন থমজৌ হায়বি ।।

মথক্ত পীজখিব ইনিংথৌ খাগেন্দ্রদ মাযচৌ মঙান তাকপিখিব মতমগী খোঙলৈ তাপক *'কাইবরোল পাউতাক পাউজেলদ শন্দোক মীৎযেং'* হাযব ৱাবোলশিং অসীদগী ঐখোযন খঙলে মদুদি চীংঙু মাযচৌশিংনা তাকপিবন্ন বাফমশিং অদু মতুংদ পাল্লকপ নিংথৌশিংগী হাক্তক্ত চুম্লখি।। অসুম্ন চুম্লকখিব অসীদগী ঐখোযনা ঐখোযগী পূব্রীং ৱাখলদ যাম্ন থাজব অমগ লোযনন হাযব যাবে মদুদি ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত মতমদুগী চীংঙু মাযচৌ লৌবেন্দ্র খোংনাংথাবন তাকপিবন্ন মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেলশিং অদুসু অচুম্ব শোযফদব বা ওইবগনি ।।০।।

৮

চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবন তাকপীরম্ব মতম খোঙলৈ পাউতাক- পাউজেলগী ৱাহন্থোক

ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈবগী হাক্তক্ত (১৭০৯- ১৭৪৮) মতমদুগী চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন মনাউ মাযচৌ তন্দক্ত হাযবদি (১) মোইবাং ললহানব (২) কমেং ফদিব (৩) খুবখুল তেবীপা (৪) নম্বোল গোঙব হিমাইব (৫) ৱাংঙু পাচি অমসুং (৬) শামুবৌ চিগোংগী মফমদ ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্তগী হৌবগ মতুং তাবকপ চাউবাক্ল চহী ৩০০ (চহুম) বোম ফাওবগী মনুংদ থোক্লগদব থৌদোকশিং অদু পাউখোঙ, পান্থে- পাউবৌ অমসুং পাউতাক- পাউজেলগী মৱোঙদ তাকপিখি।। অদুগুম্ব মমল ষাল্লব হী যাইগী মশক ওইবব মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেলশিং অদু তুংগী মীবোল কযা ফাওব লেঙদন লৈহৌনবগীদমক ইশিন্দুন থম্বীবমসি হাযন মনাউ মাযচৌ মোইবাং ললহানবন হাযজখি ।। বাফম অদু চীংঙু খোংনাংথাবন যাবিবদুন মনাউ মাযচৌ মোইবাং ললহানবন খোবজৈ পাযদুন পামেল উকুবাক্ত লাচনবীবমখি।। মতাং অসীদ পল্লমদব যাদব ৱাফম অম লৈ, মর্দুদি – ইশিনবগী থবক তৌবিব মাযচৌ অসী মাযচৌ কোনোক থেংগ্রানি হাযবগী ৱাফমসু লৈতবদি নত্তে ।। মতাং অসীদ ঐখোযন নীংশিংফম থোকপদি মাযচৌ কোনোক থেংগ্রাদি ইনিংথৌ খাগেম্ব (১৫৯৭ - ১৬৫২) হাক্তক্লী শক্লাইবব মাযচৌ অমনি হাযব ককপ যাববোইদব, অবিব লাইবিকশিংগ শম্লব মীওই পুম্লমক্ল যানবব

নিংথৌ অসীগী হাক্তক্ত থোকখিব মাযচৌ কোনোক থেংগ্রাগী থৌদোক ৱাবী লৈবি ।। চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবদি নিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী মাযচৌ অপোইমচা (অপোইননা) গী লাংওল মপোক্কি হাযবগী থাজনবী ঙসীসু লৈবি।। ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্কী মাযচৌ চীংঙু খোংনাংথাবন ৱাবী লীবগ নিংথৌবোল মবি কাখৎন পানখিব ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী শক্লাইবব মাযচৌ অমন বাবীশিং অদু ইশিনবগী থবক তৌই হাযবসী লৌশিনবদ খব ৱাবপ থোক্কনি।। অদুবু হাযনবক্লিব ৱাফম অসী নুংগী ওইব ৱাখল্লোন অম লৈবদগী ওইগনি।। নুংগী ওইব ৱাখল্লোন অদুদি অসীনি, মদুদি –ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী মাযচৌ অপোইমচাগী লাংওল মপোক ওইবদগী, ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্কী মাযচৌ খোংনাংথাববু ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্তগী লৈবক্লব মাযচৌনি, অপোইমচা হাযবিব অসী খোংনাংথাবনি হাযবগী থাজনবীদ লুপশিনব মী ওই কযাসু লৈতব নত্তে ।। অসীগুম্ব থাজনবী অসী লৈব মবমদগী ইনিংথৌ খাগেম্ব হাক্তক্কী মাযচৌ কোনোক থেংগ্রাগী মপোক লাংওন অম ওইবিব মাযচৌ মোইবাং ললহানববুসু মাযচৌ থেংগ্রানি হাযবগী থাজনবী লৈনবকপদগী চাংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন ৱাবী লীবগ ইশিন- খোৎচিনবগী থবক তৌবিব মাযচৌ মোইবাং ললহানববু মাযচৌ কোনোক থেংগ্রা ওইন লৌনবকখিব ওইফম থোকই।। অদু নত্ৰগদি নহা ওইবিব মাযচৌ খোংনাং থাবন ৱাবী লীবগ যাম্ন অহল ওইবব মাযচৌ কোনোক থেংগ্রান ইশিন খোৎচিনবগী থবক তৌফম থোক্তে।। মবম অসীন চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন মনাউ মাযচৌ তক্কক্কী মফমদ তাকপীনিব মতম খোঙলৈগী পাঙ্গে পাউবৌ অমসুং পাউতাক- পাউজেলাশিংবু খোর্জে (খোৎন- চৈ) পাযদুন পামেল উকুবাক্ত ইশিন খোৎচিনবগী থবক তৌবিব মাযচৌ অসী মাযচৌ মোইবাং ললহানব (মাযচৌ কোনোক থেংগ্রাগী মপোক লাংওল) নি হাযন ঐখোযনা লৌফম থোকই ।।

চাংঙু মাযচৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবন মনাউ মাযচৌ তক্কক্কী মফমদ তাকপিখিব মতম খোঙলৈগী পাঙ্গে পাউবৌ, পাউতাক পাউজেলাশিং অদু তাংকক অহুমথোক্ল খাযদোক্কুনা শন্দোকপ ৱাহম্লোক পীর্জবি ।

১) অহানব তাংকক - গুরু শান্তদাস গোসাইনা চঙলকপদনা হৌবগ বৃতিশশিংন কংলৈপাক মনিপুর লৌশিন্দ্র ফাওবগী মতম (১৭১৬- ১৮৯৫) চহী ১৭৮ ।।

২) অনীসুবা তাংকক বৃতিশক শকখঙ মাযখঙনদুনা লৈঙ্ককপ মতম (১৮৯১- ১৯৪৭) চহী ৫৬ ।।

৩) অহুমসুব তাংকক - ১৯৪৭ দগী হৌজিক ফাওব অমসুং মতুং চৎথবক্কদব মতম ।।

অহানব তাংকক্কী শন্দোক ৱাহন্থোক

১) "নোংচুপ থোঙ হাঙলে ।। সনি অনী ঙাপ্রুম চীংজেঙদ থুংনবে ।।"

কংলৈপাক মনিপুব অসীগী নোংচুপ থংব লমখৈ ৱাংমদ লৈব মীওইশিংগী চঙলকফম ওইগদব থোঙ অদু হাংলে।। নোংচুপলোমদ লৈব লৈবাক্কী মীওইশিংন কংলৈপাক মনিপুব অসীদ চঙলক্লুবগী যাম্ন মকওইব থোঙ অমখক্তি ঙাপ্রুম চীংজেঙ হাযবিব মফম অসীনি।। ঙাপ্রুম চীংজেঙ হাযবিব লম্বী অসীদ সনিগী মশক ওইবব মীশক অনীখক চঙলক্লে।। সনি হাযবিব লাই অসী হিন্দু লাইনীংগী লাইশিংগী মনুংদ যাম্ন ফত্তব, ওইবং মীওইববু অৱা- অনা, মাঙ- তাকপ কযা নঙহল্লগ পেনজব লাইনি।। লাই মহাকপু হিন্দু লাইনীং চৎপশিংন ঈবাং থৌবম তৌদুন খুকুম্নবিব অসীদ লাই মহাক্কী মীৎযেং চঙনীবক্তনব, কনিগুম্ব লাই মহাক্কী মীৎযেং চঙলম্ব থোক্লবসু কৎচবিব অচা অথক্কী পোৎলমশিং অদু চাবিবগ হনবীগ্রো, অমুক হন্ন মীৎযেং চঙবিবক্লগনু হাযদুনা অচা অথক্কী পোৎলমশিং কত্তুন খুকম্নবব লাইনি।। এবু থাদোকপিগনু, ঙাকপিযু শেন্নবীযু, যাইফ থৌজাল পীনবীযু হাযদুন ঈবাং থৌবম তৌদুন থৌনিজব মখলগা লাই নত্তে।। অসীগুম্লব ফত্তব লাই সনি হাযব অসীগ পাংখক ওইব মীশক অনীখক নোংচুপ লৈবাক্কগী ঙাপ্রুম চীংজেং ফাওদুন ঐখোযগী লৈপাক অসীদ থুংলবে হাযবিব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অসীন তাক্লিব মীশক অনী অসী, লৈপাক অসীদ হিন্দু বামান্দি লাইনীং শন্দোকপ লাকপ শান্তদাস গোসাইগী খোঙলোয ভগবান দাস অমসুং নবাযন দাস অনী অসীবনি।।

নোংমা বামান্দি লাইনীং উজা শান্তদাস গোসাইন বামাযন পাদুন নিংথৌ, অঙম অথৌ অমসুং লৈপাক মীযামদ তাইন্নব হোৎনবিঙৈদ ইখঙ খঙহৌদন অখাক অবাউ তাবক্তুন মৈপোক লাংহৌ থৌদোক অম থোকখি।। ভগবান দাস, নবাযন দাস অনীন লৈপাক অসীদ থোইদোক হেন্দোক্ল মতীক মযাই লৈব কবি লাই লৈবগে হাযন পামহৈব নিংথৌদ হংখি।। নিংথৌন ৱাফম অসী খন্ননবগীদমক মাযচৌ খোংনাংথাববু কৌহল্লুনব মনাইশিং থাখি।। মাযচৌ মহাক্তি মহকচাং ঙমদবদগী মনাউ মাযচৌ মোইবাং ললহানববু সনা কোনুংদ লাকহনখি।। মোইবাং ললহানবন লৈপাক অসীগী মতীক মযাই থোইদোক হেন্দোক্ল লৈব লাইদি চীংঙু তাইবং খাযব মালেম লৈশেম্ব লাইযিংথৌ সনামহীনি হাযখি।। ঈনিংথৌ পামহৈবন লাইযিংথৌ সনামহীগী মতীক মযাই চম্নব কবি

পাশ্বে লৈবগে, তাইবং যুমথোঙ খূদীংদ বামন্দি লাইনীং চৎহনগে তৌবনি হাযববদ মাযচৌ মোইবাং ললহানবন– লাইযিংথৌ, লৈশেম্ব লাই মহাকপু কদাইদগী মাঙহনব ঙমগদগে, লাইযিংথৌ অথোইব লাই অসীদি থাদোকফদে।। লাইযিংথৌ মহাকপু হুল্লালবদি নিংথৌগীসু লৈপাক্কীসু অমাঙব ওইগনি।। লৈপাক মীযাম্নসু মা মাগী পাবী পুবী লাই ওইবনিন থাদোক্লো, শোল্লগনু হাযব যাবোই হার্যখি।। ভগবান দাস, নবাযন দাস অনীন - নিংথৌগী মফমদ খুবৌ ওইবিব মীশক মাযচৌ ললহানববু মথৱায মাঙহন্নব হাযখি।। মাযচৌ ললহানববু মঙক থৌবী হুকচীন্দুন উদ যান্দুন হাৎনব হোৎনবকপ মীৎকুম অদুদ মঙক্ত হুক্লিব থৌবী অদু মৈবী হৌবক্লুন চাকথেকখি।। মৈবী অদুন তান্ন তান্নদুনা তাল্লব মীযাম পুম্নমক্কী মফি মবোল মশা মউ চাকহনখি।। ইনিংথৌ পামহৈবনা হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌখিবদগীদি মীতৈশিংন যাম্ন ঙাল্লভৈ মতমদগী থাগোম্নদুন লাক্লব লাইনীং অমসুং নাৎ অসী মাঙহন তাকহনখি।। খৃস্ত কুম ১৭২৩ লাংবন পাদ উমং লাইগী লাইশঙ পুম্নমক শাদোকখি।। খৃস্ত কুম ১৭২৩ ইগী থাদ লেপাক অসাগী উমংলাই পুম্নমক খোমগত্তুন মোংবহনব উমংগা হৈবোং শিদব মখোঙদ লৈবোল চনখি।। কুম অসাগী ইঙেল থা ২০ নি পানবদ লাইবেম্মা পান্থোইবী, লাইযিংথৌ সনামহী, লাইযিংথৌ সোবাবেল, লাইবেম্ম হুইদোন পোকপীনাচংব লাই তরেৎ অমসু থুগাইখ।। মীতৈশিংগী যাম্ন থম্মোই শোকখিব থৌদোক অমথাক্ত হনিংথৌ খাগেম্বগা হাক্তক্ত তবেৎ শেলহিংন হৈদুন শাবম্ন মীতৈশিংগী খ্বাইদগী মতীক মযাই লেন, অকব লাই অম ওইন নীংনবকখিব লাইযিংথৌ সনামহীগী শক্তম থুগাইখিব অসীনি।। খৃ:কুম ১৭৩২ মেবা থাগী ১৭ নি পানবদ মমাঙগী নিংথৌবোল কযাগী মতমদগী লৈবক্লব হীবম কযাদ ইব লাইবিক কযামুক কংলা উত্রা মমাঙদ মৈ থাদুন মাঙহনাখ।। লাইবক থীব থৌদোক অসী খৃস্ত কুম ১৭২৯ গী বাকচীং ২৩ নি পানবদনি হাযবগী বাফমসু লৈ ।। খৃ:কুম ১৭৩৭ হিযাঙ্গৈ থানিল নুমিত্ত শলাই ৭ কী মী অযাম্বব লুকুন থাংহনখি।। মীতৈ অযাম্ববু নমদুন নোংখ্রঙ ঈকপহল্লগ হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহনখি।। হিন্দু লাইনীংগী লাইশোল ঈশৈ শকপদ মীতৈলোন্ন শক্তনব যাথং তাউথখি।। মীতৈ খুন্নাইদ সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গালী লোনগী অকনব ঈথিল চঙশিনব হৌবকখি।। মীতৈশিংগী শলাই তবেৎপু হিন্দু লাইনীংগী গোত্রদ ওম্থোক্তুন মীতৈশিংবু হিন্দুগী মুনি তবেৎকী চাদা নাউদা ওম্থোকপিখি।। লৈপাক অসীগী মমিংসু মনিপুব থোনখি।। মীতৈশিংগী অঙনব মতমদগী লৈবক্লব লাইনীং, নাৎ অমসুং পুকোক পুবেলগী ব্রাবী ব্রাখোঙ মাঙহল- তাকহন্নবগী থবক কযা পাযখৎলকখি।। হিন্দু লাইনীংন কংলৈপাক মনিপুবগী লৈপাক্কী লাইনীং ওইবকখি।। মখা চৎথবকপ ওইন মীতৈশিংগী মশাগী ওইব লাইযিংথৌ

লাইবেম্মা কযা হিন্দু লাইনীংগী ওইব লাইশিংগী মমিং মথা পীশিন্দুন হিন্দু লাইনীংগী লাইশিং ওম্লোকখি।। (মমৈথঙদদি, মনীংতম্ব লৈপাক অম ওইন লৈবকখিব কংলৈপাক মনিপুব অসী হিন্দু লাইনীংন মপুঙ ওইব লাইনীং ওইবিব হিন্দুস্থান/ভাবতকী শরূক অমা ওইবকখি ।।) অসুম্ম, ঙল্লিঙৈ মতমদগী থাগোম্নবক্লব লাইনীং অমসুং নাৎপু কনজব পাম্ব মীতৈশিংগী মফমদদি মতম খোঙলৈ পাডতাক পীউজেল অসী পুমচুম চুমলকখি।।

২) "কংলা মৈ হৌবে ।। মপা মপু মীবায়রনি ।।"

কংলাদি কংলৈপাক মনিপুব অসীদ লৈবিব মীতৈশিংগী লাইনীং নাৎ অমসুং লৈঙাক্কী খোযদৌনি।। অসীগুম্লব যাম্ন মকওইখ্রব মফম অসী মৈগী চীং পোকখাযবগুম পোকখাযবগনি।। মদুন মবম ওইবদুন লমদম অসীগী লাইনীং. নাৎ অমসুং লৈঙাক্ত কাংখোং চাইব হৌবগনি।। মপা মচা, মচীন মনাউ নুংশি- চান্নন লৈমিন্নবগী চৎনবী অদু মাঙখ্রগনি।। যেৎনব, যেংথিনব অমসুং হাৎন সুনব কযা থোক্লক্লগনি।। মমা মপাব্ মীবাযবগনি।। মীগী মমা মপাব্ ইমা ইপা ওইন লৌবগনি।। মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অসী চুম্লাখ।। মমাঙগী নিংথৌবোলশিংগী হাক্তক্ত ইপা ইপু পুকোক পবেলশিংন লুন নীংনবকখিব লাইনীং অমসুং চেৎনা চৎনবকাখব লীচৎ পুম্মব অদু ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্তগী হৌবদুন মীতৈশিংন মপা মপুশিংদু মীবাযনকপন মবম ওইবদুন মাঙশিল তাকশিল্লকপ হৌনকখি।। মীতোপশিংগী লাইনীং লীচৎপু ঐখোযগী ওইন লৌশিনব হৌবকখি।। নিংথৌকোন্দ লৈবিব মপা মচা, মচীন মনাউশিং নুংশিনবকখিদে।। মচা ইবুংঙো অম ওইবিব চিৎশাইগী থৌইনাশিন্দগা মপা ইবুংঙো পামহৈববু হাৎখি।। মযাম্বুং ইবুংঙো শ্যামশাইস নিংথি তুম্বলগী ঈবোন্নুংদ চোংথদুন মথবায মাঙখি।। অসীগুম্ব নুংশিনদবগী ঈচেল অসীনা অসুম অতৎপ লৈতন চেনাথবকপদগী নিংথৌবোল কযা মখা চৎথবক্তন লৈপাক অসীদ চহী তবেৎ (১৮১৯-১৮২৫/২৬) খুন্নাকপ থোকখি।। কংলৈপাক মনিপুব অসী ১৮৯১ দদি যেক্লব বৃতিশ মচা সাহেবশিংগী মখুত্ত মাযথীখি।। অসুম্ম, অঙনব মতমদগী নিংথৌবোল কযা চুপ্প লৈবক্লব মীতৌশিংগী লাইনীং অমসং নাৎ অসী ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈব (১৭০৯-১৭৫৮) হাক্তক্তনী হিন্দু লাইনীংন কংলৈপাক মনিপুবগী লৈপাক্কী লাইনীং ওইবকখিব মসীন মবম ওইবদুন মীতৈশিং অসো আর্য হিন্দুশিংনি, সংস্কৃৎলোন অসী মীতৈশিংগী ইমালোলনি মতমগী মতুং ইন্না লৈফম খেন্নবদগী লোল শব থৈনবতনি, মীতৈ নিংথৌশিং অসী আর্জুনগী চাদা নাউদাশিংনি, কংলৈপাক অসী মহাভাবতকী মনিপুব অদুনি হাযবগী ব্রাখল্লোন্দ লপশিনাখদুন ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইপা ইপু পুকোক পুবেলশিংন

থম্বীবন্দ্র লম্বী অদুদগী নাথৈদুন অতোপ্প লম্বী অম চত্তুন অতোপ্প পনথুং অম যৌনব হোৎনরকখি॥

অনীসুব তাংকক্কী শন্দোকপ ব্রাহন্থোক

১) "কংলা- শা মমাঙদ অঙৌব মকোক কেল্লনি॥"

মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেল অসীন ফোঙদোক্লিব ব্রাফমদি মতম অম লাক্কনি মতমদুদ কংলৈপাক মনিপুবগী কোনুং ওইবিব কংলাদ লৈবিব উত্ত্রা শঙগী হেক নোংচুপ্ত লৈবিব কংলা- শা হাযবগ খঙনবিব নোংশাগী শাব্রোঙ - শাদা মানব অদুবু মচিদি পানব চেক্ক শাব ব্রাং চাউবব শক্তম অনী অসীগী মমাঙদ অঙৌব কাঙবু হাযবগ খঙনব কুচু ঙৌব বৃতিশ মচা সাহেবকী মকোক কক্লগনি, কেল্লনি হাযবনি॥ ইনিংথৌ ইবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিন নোংগাম্ত্রব মতুংদ মহাক্কী মচা ইবুংঙোশিংগী মবক্ত খাইবুং তানবগী খুদোংচাব লৌদুন মতমদুগী বৃতিশ- ভাবত লৈঙাক্কী সাহেবশিংন মথং খনব কোইবেং (যুববাজ তিকেন্দ্রজিৎ)বু লোন্ন লান্দাশিন্দুন নমদুন ফানব হোৎনবকখিবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি॥ মতমদু ইনিংথৌ কুলচন্দ্রগী হাক্তক্কনি (১৮৯০- ১৮৯১)॥ মশান যান নিংথৌফম থাদোকখ্রব সুবচন্দ্রন ব্রাকৎখিবগী খুদোংচাব লৌদুন আসামগী চিফ কমিস্নাব মিস্তব কুইন্তন্ন বৃতিশ- ভাবত লৈঙাক্কী গবর্ণব জেনবেলগী যাথং পুদুন কর্ণেল স্কীন্ন লুচিংব সিফাই ৪০০ পুদুন ১৮৯১ মার্চ ২২ গী অযুক পুং ১০ তাবদ ইম্ফালদ থুংলখি॥ চিফ কমিস্নাবন মহাক মার্চ ২৪ গী অযুক্ত তুমু চৎকনি কুলি ১০০ পীযু হাযবন্দ্র অদু তোক্লগ, কোহিমা চৎলগনি কুলি ৪০০ পীযু হাযজীন্নদুন মার্চ ২৩ গী নুমিদাংদ জগোই বাস যেংগে হাযদুন পুঙ খবদং যেংব শাশিন্নবগ মার্চ ২৪গী নোংঙাল্লমদাই পুংফমদ, কোহিমা চৎপগী মহুত্ত মথংখনব কোইবেংবু নমদুন ফানবগীদমক কংলা মনুংদ লৈব মথংখনবগী শঙ্গাইদ লোন্ন লান্দাশিল্লম্মী॥ যুম- কৈ কযা ম্মৈ থাদোকখি॥ নুপী অঙাং কযা যাওন মবাল লৈজদব মীওই কযা হাত্তোকখি॥ অদুগুম্ব শাবমচৎ ওইব হুবাল লান্দাশিল্লকখিব অদুগী চৈবাক ওইন, থাঙ্গাল জেনবেল অমসুং মথং খনব কোইবেং অনীন খন্নবব মতুংদ কংলৈচা মনিপুবীশিংগ বৃতিশ মচা সাহেবশিংগ তাইশিন্নব যাববোই হাযব খঙলদুন (১) চিফ কমিস্নাব মিস্তব কুইন্তন (২) পোলিতিকেন এজেন্ত মিস্তব গ্রিমউদ (৩) কর্ণেল স্কীন (৪) লেপতেনেন্ত সিম্পসন অমসুং (৫) কসিন্স- সাহেব মঙা অসীবু শঙলিংবদ শিন্নদুন কংলা শা মমাঙদ মগুক ককখি॥ (পোলিতিকেল এজেন্ত মিস্তব গ্রিমউদতি কাংমোংদগী পুখ্রম্বম ফিঙাং কাজাওন তান থিন্দুন হান্ন হাৎলব অশিব হকচাং

ওইরবনি।।) মঙক ককপদ তারকপ ঈ অদু মনাক্ত লৈবিব কংলা-শা অনী অদুগী মখাযাত্ত তৈশিল্লম্মী ।। অঙৌব সাহেবশিংগী অককপ মকোকশিং অদু কংলা-শাগী মনাক অৱাং - চীংখৈ ওইরপ্প লৈরিব লালগী লাইরেম্বী অম ওইবিবী নুঙ্গোইবী লাইরেম্বীগী লাইফমদ অমাইব অনীন লালু চন্দুন ঈরাৎখি ।। মতৌ অসুম্ন শা মমাঙদ অঙৌব মকোক কেল্লনি হায়ব মতমগী খোঙলৈ পুয়াগী পাউতাক পাউজেল অদু চুল্লখি।। থৌদোক অসীবু *'চৈথারোল কুম্বাব'*ন অসুম্ন পাউদম্লি - *"মনাউ ইবুংঙো যুবরাজ, কাংঙবা মেঙ্গোর ২ মান হায়এ।। সাহেব মঙা বেঙ্গুল খোংব অমগদি ৬ মা উত্রা মাঙদ হাৎলো ।। - - - লালুদি নুঙ্গোইবীদ চল্লে।। মশাদি খ্লাইবম্বন্দ ফুমএ ।।"*

২) "ফীজেৎ ফীদাই শীজিন্নব কাঙবুগ ঙমদাইনন অমুক শেমগৎলনি।। ৩) মরেপ ঈনব, মনা ফনব, কুচু ঙাঙবগ ঙমদাই লমচৎলনি ।।"

কংলৈপাক মনিপুর অসীদ অঙনব মতমদগী নিংথৌরোল কয়া লৈবক্লব লাইনীং লীচৎ অসী মাঙশিল্লকপ, নিংথৌকোনগী মপা- মচা, মচীন- মনাউ নুংশিনদব পুন্নমক অসীন মবম ওইবদুন ১৯ সুব চঙীচা লোইশিল্লকপাদি লৈপাক অসীগী লৈঙাক্কী থবক অসী ফীজেৎ ফীদাই শেৎপ কাঙবু হায়বাদি ফি মচেৎ তাইশিন্নদুন খ্বাঙদগী খোঙ ফাওব খাউশেল্লগ উপশিনব ফিজেৎ খোঙ্গাউ (খোঙ+ খাউ = খোঙখাউ – খোঙ্গাউ) শীজিন্নব কাঙবুগী মখুত্ত তাখি।। অদুবু মতম মতমগী হিংন হিংনব, য়ান য়ানব তাইশিন্নদুন খোঙ্গাউ উপ্প, শীজিন্নব কাঙবু অসীগ লৈমিন্নরকখি।। ফীজেৎ ফীদাই খোঙ্গাউ শেৎপ উপ্প সাহেবশিং অসীদি লমদম অসীগী কংলৈচা মনিপুরীশিং অসীগ চাংদম্নবদ মরেপ ৱাংই, মনাসু পাকচাউন ফন্দোকই, কুচু কুমেনসু ঙৌন ঙাঙই ।। মরম অসীন মখোযবু চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবন পীব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেলদ মরেপ ঈনব, মনা ফনব, কুচু ঙাঙব হায়ন তাক্লম্বনি।। অসীগুম্লব বৃতিশ মচা সাহেবশিং অসীদ কংলৈচা মনিপুরীশিংন য়ানিংদব কয়া লৈববসু পুন্নমক অদু খাঙদুন য়ান য়ানব তাইশিন্নদুন লৈপাক অসীগী ইনিংথৌশিংন ঙম্ন ঙম্নব হোৎনদুন ১৮৯১ দগী ১৯৪৭ আগস্ত ১৪ ফাওব ঙমদাইনবগী লীচৎ শাজৎ চত্তুন লাকখি।।

"৪) অৱাং লমগী থৌদু নুঙপাক্ল শনশেম্লোং ৱাংব লায় লেপ্পনি।। ৫) সনা কোনুং কারনি ।। ৬) ঙান থৌগল তৌরনি।।"

বৃতিশ মচা সাহেবশিংন কংলৈপাক মনিপুর অসী খৃস্ত কুম ১৮৯১ এপ্রিল থাগী ২৭ তা লৌশিনখিবদগীদি পুরারী মমাঙগী মতমদগী লৈপাক অসীগী

কোনুং ওইদুনা লৈবকখিবা কংলাদ কোনুং ওইহনখিদ্রে ।। কংলৈচা মনিপুরীশিংনা নোংমৈ অমসুং থাঙশাং থম্ব যাদে, খুৎলাইশিং অদু কংলাদ লৈবিব সাহেব চিফ পোলিতিকেল ওফিসাবদ নুমিৎ তবেৎনিগী মনুংদ পীশিনগদবনি।। কনাগুম্ব পীশিল্লক্কব লৈবল্লবদি মহাক অদু শিবগী নত্রগ লৈপাক অসীগী ব্রাংমদ লোই থাবগী চৈবাক পীগনি হায়না এপ্রিল ২৯ দ মনিপুর ফিলদ ফোর্সকী জেনরেল ওফিসর কমান্দিংনা যাথং লাউথোকখি।। লৈঙাক নিংথৌকোন ওইবিব কোনুং অসী কংলাদগী শনজেনথোং ব্রাংম, খুবাই খুন্দোন ব্রাংখৈবোম থংবদ হোংতোক হনখি ।। মফম অদুদ অনৌব কোনুং শাখি।। ব্রাংখৈবোমদ লৈবিব অনৌব কোনুং অসী শাবদ চঙগদবা নুঙজাও নুঙপাকশিং অদু অব্রাং মাযকৈবোমদগী শনজেনথোং লাম্থোক্কুন গার্বিশিংনা চিংদুন পুবকখি।। অনৌব শাব কোনুং অসীদ অঙাং ওইবিব চুরাচান্দবু সাহেবাশিংনা কৌখত্তুন নিংথৌ ওইহনখি।। মীতৈশিংগী লাইনীং নাৎকী চৎনবা মতুং ইন্না নিংথৌ ফম্বাল কাবগী থৌবমশিং পাঙথোকখিব অদুদগী হেন্দোক্কুন সাহেবশিংনসু ইনিংথৌ চুরাচান্দদ সাহেবশিংগী লুহুপ উপ্পীখি।। থৌদোক অসীবু *'চৈথারোল কুম্বাব'না* ঐখোযদ অসুম্ন পাউদম্লি-

" - বাকচীং থা - ২১ নি ইমশকৈশা (২০/১/১৮৯২) নম্বুল মপাল কৈশামথোংদা লৈবা চুরাচন্দ মহারাজবু নুমিদাং যুথক মতুং পুঙ ১ তাবদা খুবায খুন্দোন্দা পুখৎলে।। - সেকমাই লৈতোনগী কুমশক ১৮২৯ - - ফাইবেল থা নিংথৌকাবনা হলএ ।। - ২ নি লৈপাকপোকপদ কোনুংলেন অচৌবগী উত্রাদ চুরাচান্দ মহারাজবু লাৎসাহেবনা অভিষেক তৌএ ।। লাৎসাহেবনা মহারাজবু খুজেং পাযদুন লৈপাক শিন্নবমএ।। মহারাজগী মকোক্ত সনাগী লুহুপ হাপএ।।" অসুম্ন, অনৌব কোনুংদ নিংথৌকোন ওইদুন লৈপাক্কী অঙম অথৌশিংসু কোনুং কাব হৌবকখি।। লৈপাক্কী অঙম অথৌশিং অদু মমিংদ অঙম অথৌ ওইবত মঙাযবে মখুত্ত থাঙ- তা, নোংমৈ পাযদুন যেক্লবশিংগ লম্থেংনবগী পাংগন্দি লৈহন্দ্রে ।। সাহেবশিংগী যাকা যেংদুন থবক তৌবগী মব্রোঙ লাকখ্রে ।। নিংথৌশিংগী অঙম অথৌশিংনা থাঙ তা পাযজববসু লৈতেংগী ওইনা পাযবগুমখ্রে ।। মখোঙ মখুৎ পান্দব ঙাগ পাংখক ওইনা ইনিংথৌশিংগী থৌগল তৌদুন মমিংত ওইনা লৈবকখি ।।

৭) *"সনাগী শেনপাক্ত লমহুইন মথী ফাযজিল্লনি।।"*

সনাগী শেনপাক হাযবসী লৈনুংদগী যান্ন তাঙন ফংব মমল যাম্লব পোৎচাক অম ওইবিব চোইনৌ সনান শাব শেনপাক্নি।। সনাগী শেনপাক হাযবিব পান্থে পাউরৌ অসীগী ব্রাহম্থোক্তি পুরাবী মমাঙগী মতমদগী নিংথৌরোল কযা লীশাং শীৎন কোনুংলেন ওইবত নত্তন অশেংব মফম

[illegible] ঙৌপদ লমদম [illegible] খ্বাইদগী মতীক ময়াম [illegible] গী য়াম্ন খ্বাইদগী [illegible] থোক্লকাখবা মফম চামানা॥ শাশিংগী মরক্তা [illegible] খ্বাইদগা মরী [illegible] লেন চায়বাদ ফত্ত- লৌশিং লৈবা শানা। [illegible] লেল নত্রগ মরৈ চাউব চায়বগ। বাহস্তোক্ত মীনুংশি যাওদব, মশা মশাখক্তগী কান্নব, অপাম্ব অনীংব মদ ফংনবগীদমক মশাগী অনীংব অপাম্ব মদ কনাম্ব থঙহন উহন্দন মপানথোংদদি পুকচেল ফজব, মানুংশি চাউব শাশমনগী পাম্বে শীজিন্নদুন অতোপ্পগী মাঙনব [illegible] বিদ তৈশিংব লমচৎ শাজংকী মরোঙ মতৌ অদুনু চায়বান। [illegible] কাযাজনব চায়বসীগী বাহস্তোক্ত [illegible] শিংব মফম অমনু মাংথোকপিনা চায়বদ শেংদব অমাংনা মফম ওইহনব [illegible] মকওইব মফম অমব মাঙহন [illegible] [illegible] মতমগী [illegible] পাটলৌ পাটজেল [illegible] লাইলম [illegible] কাংলেপাক [illegible] লৌদন [illegible] লৈপাক [illegible] খোয়না [illegible] খোয়না [illegible] সুবং [illegible] চনাইথোঙ [illegible] সাহেবক [illegible] খ্বাইদগী [illegible] নীংনাবন [illegible] শরীক [illegible] অদ মখোয়না [illegible] যৈনব কাংশী ওইনা [illegible], লাইশঙ অসীদ কুপ্লম্ব তবোঙ্গা [illegible] মপাক [illegible] লাইশঙগী লৈমাযদ [illegible] পুনকখিব [illegible] মপাক ময়াম [illegible] থোক্লগ নিলাম তৌদুন [illegible]। খুস্তগী মমাঙ পুবাবী মমাঙগী মতমদ [illegible] লেন অমসু লাইফমলে। [illegible] কংলা অসীদ [illegible] সাহেব [illegible] মখোয়না খুৎলাই ওইনা। [illegible] জমাবিব সিফাইশিংনা খুস্ত কুম ১৯১৭ য় [illegible] কংলাদ [illegible] লৈবকখি॥ [illegible] শেনপাকুম মতীক ময়াই লৈবক [illegible] যাম্ন শেংলব মফম অম ওইবা কংলা অসীদ লমহুইগুম মরৌ লৈন [illegible] সাহেবশিংনা মাঙহল তাকহনবগ লোয়নন খোঙ চামফম অমাঙশঙ্কুম খোঙনেংনদুন চঠী

কযা চূপ্প লৈবকখি।। [সাহেবশিং কংলা অসী থাদোক্লুন চৎখ্রব মতুং ফাওবদ মখোযন থল্লন্ন সিফাইশিং (বোল্দি ভারত লৈঙাক্কী ওইহৌরব) অদুদি চহী কযা মথা চৎখ্রে বংলাদ লৈরম্খি। ২০০৪গী নবেম্বর ।। দ আসাম রাইফলসকী দইরেক্তর জেনরেলন মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টরগী খুৎথাংদা কংলাবু কংলৈপাক মনিপুরগী লৈপাক মীযামদ শিন্নখি।।] অসুম্ন, চাংহু মাযচৌ লৌরেম্ন খোংনাংথারন তাকপীনন্ন সনাগী। শেনপাক্ত লমহুইন মথী ফাইজিল্লান হাযব পাৎখ্রে পাউরৌ পাচনক পাইজেল অসী চুম্নখি ।।

"৮) মতমদুদি ৩ বসু ইংলন্ড থরসু মশাউই ।। কাংথং কযা নাইদে।। ৯) চীনজাক র [illegible] নাইদে ।। ১০) ফিজেৎ পল্লেপফল থমদে ।। ১১) খকং মাযাম নাইদবগুম লৈ ।।"

ঙরৈহৌরশিং শাসনদ বৃটিশ সাহেবশিংগী [illegible] মযঞবব মতুঙ র লৈপাক মনিপুর অসী [illegible] লৈঙাক্কী [illegible] ১৬ [illegible] ১৯৮। লোমগী মতম অসী কনান লৈপাক অসী ঙাক্লি [illegible] মতাংদা মতম [illegible] হাযবদি লৈপাক অসী হৌনংথৌ হরু [illegible] পানগ্রা হাযবনস সাহেবশিংনস লৈঙাকপদ হেক মযাওশিনব, সাহেবশিং লৈঙাক লেপাল্লগ্রা হাযব।। হৌনংথৌশিংনা লৈপাক অসী পানব [illegible] অহৌবনি খুন্দব অশাবান (অশাউবা) থওদ, অদুং মশা ইযাগ [illegible] হৌখাং [illegible] শংদন লৈঙাক্কী বাংলোন [illegible] হায়বাদি অদুথু [illegible] খুন্দব মাঙগী লৈঙাকপোন [illegible] লৈরম্মী।। বৃটিশ সাহেবশিংগা হৌনংথৌশিংগা লৈঙাকামগ্নানবু মতম অন্দাদ [illegible] লাইনীংগা চৎনা [illegible] ইন্নব চাঙাক্কী চানখাত যাদব, [illegible] চৎনবা কংথং হানবাদ অহেৎপ বাচলোন খব মাঙাশক্লকপগুম [illegible]।। সাহেবশিংগী মন্ত্রী ওমদুন সাহেব শাদুন শা উচেক যাওব চান, পা থাগী খুৎসুমন (তলৎ) ২০৭২ (চাব) লৈঙাক্কী (সবকাবগী) থবক হৌন মীতৈ হিন্দু অচৌ অশাংশিং যাওনস্কখি।। চীঙাক্কী মতাংখক্ত নতুন ফিজেংকী মতাংদসু অহোংব, মথোঙ মবম খওদব মরোঙ চওশিল্লকখি।। মমাঙগী নিংথৌরোল কযা লীশাং শীৎন চৎনবক্লব ফৈজোম অমসুং ফুরীৎকী মরোঙ শীজিন্নবগী মঙ্গ্র সাহেবকী সিজেৎ শীজিন্না খোঙ্গ্রাউ উপ্প, মকোক্ত তুপি উপ্প মীওই কপা মীযাম্ন শকখওনবব লৈপাক্কী শক্লাইবব মীওইশিংগী মবক্ত যাওনবকখি।। অসুম্ন লৈপাক অসীদ মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্ন ফিজেৎ চাকচাদ অবেপ্প চৎনবী লৈনকখিদে।। মফম চাদব লৈমাযদ খরুং খিল্লবদি খরুং অদু তুবোয- ঙামলোয হাযবদি নাকল অমবোমদ অমুক তুংগুম, নাকল অমবোমদ অমুক ঙামথগুম ফিবেপ চুম্ন

লৈতব অদুগুম্ন লৈপাক অসীগী ওইব ফীজেৎ চাকচাদসু অবেপ্ল মশক মৱোঙ চৎনবী মাঙব হৌবকখি।।

"১২) নোংপোক খোঙদাখিবন নোংচুপ হারম পাংন লাক্লুন অমন লেপচবনি।। ১৩) মদুনসু তাইব য়ারোই ১৪) মতম অসীদ অঙৌব মবায চাযথ্রনি।।১৫) মতমদু শোযদন লাকখিনি।। ১৬) মখোযসু চেনখিনি।। ১৭) মখুৎ খুৎপাক মখোল থোক্লোই ১৮) 'চু'ন হৌবগ 'পুব'ন লোইব লম্বী অম থাংই ঙাঙোই হারমদ শেম্মনি।। মদুদ অঙৌবগী চৎফমনি।।"

কংলৈপাক মনিপুব অসীগী নোংপোক ঊরা লৈপাক্ত লৈবিব সাহেবশিং অদুন নোংচুপ হারম পাংন হাযবদি লৈপাক অসীদ চঙলকখিগনি।। মখোযগ নোংচুপ হাযবদি তোংজে মবীল্লোমদগী লাকখিব অমসুং অৱাংলোমদগী হাযবদি কোহিমাবোমদগী লাকখিব কাঙবু বৃতিশকী লাম্মী কাঙবু অহুম অসীন অমত ওইন পুন্সিন্নদুন ১৮৯১ এপ্রিল ২৭ ত কংলৈপাক মনিপুব অসীবু খুদুম চনাশনখিবদগী লৈপাক অসীগী ইনিংথৌ চবাচান্দ অমসুং বোধচন্দ্রন ১৯৪৭ আগষ্ট ১৪ ফাওব ঙমদাই লমচৎনদুন লৈঙাক্লকখি।। অসুম্ন সাহেবশিং অসীন লৈপাক অসীবু খুদুম চনখিবদগী চহী ৫৬ লোম (১৮৯১ ১৯৪৭) ঙমদাই লমচৎনদুন লৈবক্লবসু মখোযগ লৈপাক অসীগী মীযামগদি কৈদৌঙৈদসু তাইশিন্নদুন চান্ন- চিন্নন, নুংশি চান্নন লৈমিন্নবদি যাখিদে।। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন মতম অম লাকখিনি, মতমদুদ অঙৌব মবায চাযথাখিনি হাযব পাউতাক পাউজেল অসী চুম্লখি।। মখোযগী মবায চাযথবকপদগী ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ যৌশিল্লকপদাদি অঙৌব সাহেবশিংন লৈপাক অসী থাদোক্লুন মখোয মশান চৎচখি।। অমুক মখা তান পন্থব তৌদন কংলৈপাক মনিপুব অসী থাদোক্লুন চেনখি।। মখোযন লৈপাক অসী থাদোক্লুন চৎখ্রিব অসী মখোযগী মাযোক্ত থাঙ- তা শীজিন্নদুন অমসুং নোংমৈ, তোপ কাপ্লুন তানখিব নত্তে।। মখোযবু লৈপাক অসীদগী তাম্থোক্লবগীদমক্ত নোংমৈ অমুক ফাওব কাপখিব লৈতে।। নোংমৈ কাপ্লদি লাযবদুন উচেক- ওযা তানবদ খৃবাক খৃব অদুম্ন ফাওব তৌখিদে।। খৃবাক ফাওব খৃখিব লৈখিদে।। অদুবু মতমগী খোঙলৈন হুমদুন যাম্ন ঈংন টীক্ল মখোযন লৈপাক অসী থাদোক্লুন যাম্ন থুনা যাঙন চৎখি।। মখোযন চৎখিগদব লম্বীদি কংলাদগী থাংই ঙাঙোই তাব হাযবদি মোইবাং তাব, 'চু'ন হৌবগ 'পুব'ন লোইব হাযবদি চুবাচান্দপুব যৌব লম্বীগী লম্মাঙদোং ফাওব চৎথ্রগ মমাঙগী নিংথৌবোল কযাগী হাক্তক্তগী নোংচুপ লৈপাকলোমদ চৎনবগী লম্বী ওইবকখিব তোংজৈ মবীল খোঙ- লম্বীদ চৎখিবনি।। লম্বী অসীমক্তি লৈপাক অসীগ হিন্দুস্থানগী শব্দক ওইবিব নোংচুপ

লৈপাকশিংগ শমজিন্নব খ্বাইদগী শম্ব লম্বীনি।। লম্বী অসীদ অঙৌবশিং হায়বদি সাহেবশিংগী খোঙমী লাম্মী অযাম্ব চৎখি।। মতৌ অসুম্ন, মথক্কী মতম খোঙলৈ পাউতাক পাউজেল অসী চুম্লখি ।।

অহুমশুব তাংকক্কী শন্দোকপ ব্রাহস্থোক

"১) লমজাওদ উঙাম চেল্লনি।। ২) মীরৈপাক চাকচামাঙ খোঙদারনি।।"

মমাঙঙৈ নিংথৌরোল কয়াগী মতমদগী হৌবগ বৃতিশ সাহেবশিংগ লৈঙাকমিন্নরক্লব মতম ফাওবদ লৈপাক অসীগী চীংজাউশিংদগী তম্পাক্লমদ উজাউশিং পুথরকপ অসী তুবেলগী ঈশিংদ উঙাম শেমদুন তাউথহল্লক্লরম্মী।। অসুম্ন তম্পাক্লমদ উজাউশিং পুথনবকখি।। অসুম্ন উজাউশিং পুথোক পুশিন তৌবদ শীজিন্নব মরুওইব তুরেলশিংদি (১) ইম্ফাল তুরেল (২) ঈরিল তুরেল (৩) থৌবাল তুরেল (৪) শেকমাই তুরেল (৫) খুগা তুরেল (৬) নম্বুল তুরেল- তুরেল তরুক অসীনি হায়ব যাই (১) ইম্ফাল তুরেলন কৌব্রু অমসুং তম্বাবা চীংদগী হৌরক্লগ খা পাংন চেল্লকলগ লৈমখোং তুবেলগ তিন্নরগ ইম্ফাল সহর ফাওদুন চেল্লগ লিলোঙদ ঈরিল তুরেলগ তিন্নরগ খা পাংন চেনখ্রগ চিবাই ঈবোং খুন্দ থৌবাল তুরেলগ তিন্নৈ, অদুদগী মথং মথং ওইন শেকমাই তুরেল, খোরদাক তুরেল, খুগা তুরেল অমসুং চকপী তুরেলগ তিন্নখি।। অরোইবদ চিন্দুইন তুরেন্দ তাখি।। (২)ঈরিল তুরেল অসী অব্রাংলোমদ লৈব মাওগী লমদগী হৌরক্লগ সদর চীং অমসুং নোংপোক থংব ইম্ফালগী লম ফাওদুন চেল্লক্লগ লিলোঙদ ইম্ফাল তুরেলদ তিল্লি।। (৩) থৌবাল তুরেল অসীন উখ্রুলগী চীংদগী খা পাংন চেল্লক্লগ য়াইঙংপোকপী তারগ খা পাংন চেল্লক্তুন ময়াং ইম্ফাল মথক ঈবোংখুন্দ ইম্ফাল তুবেলদ তিল্লি (৪) শেকমাই তুরেলন তেংনৌপলদগী হৌরক্লগ পলেন তারক্তুন শেকমাইজীন্দ ইম্ফাল তুরেলদ তিল্লৈ।। (৫) খুগা তুরেলন চুরাচান্দপুরগী খা থংবদ লৈব চীংদগী হৌরক্লগ অব্রাং পাংন লাক্লগ কুম্বী খুল্লক্ত চেল্লক্লগ ঈথায়দ ইম্ফাল তুরেন্দ তিল্লি।। (৬) নম্বুল তুরেলন কাংচুপ চীংদগী হৌরক্লগ খা নোংপোক পাংন চেল্লক্তুন খ্বাইরম্বন্দ নাগ তুরেলগ তিন্নরগ খা পাংন চেনথখিদুন লোক্তাক পাত্ত তাখি ।। অসুম্ন লৈপাক অসীগী অকোয়ব চাংশিংদগী হৌরকপ তম্পাক্লম শীনথুংন চেল্লিব তুরেলশিং অসীদ চীংদগী য়ানব উজাউশিং অদু পুথোক পুশিল তৌনরকখি।। উজাউশিং পুথোক পুশিল তৌবগী অরায়ব পাম্বৈ অসী ঈশিং লম্বী ওইরিব তুরেলগী ঈচেলশিং অসীন ওইদুন লাকখি।। অদুবু বৃতিশ সাহেবশিংগ লৈঙাকমিন্নব লোইশিল্লকপ মতম, মালেমগী অনীসুব লানজাউ মতুং ১৯৪৭

অদুবাইদগীদ লৈপাক [illegible] লক্ষ্মী [illegible] হবাগাবী চেনবগী মশাং অসী তপ্প তপ্প অসুম হেনগৎলবাখি।। [illegible] মমা [illegible] তুবেলগী ঈচেলদ চাংদগ [illegible] উজা দাশ পুখোক পুশিল তৌনবস্থ [illegible] হন্থবকখি।। মদুগী মহুত্ত লৈপাব [illegible] লক্ষ্মী লমজাউদ চেনব হবাগাবী [illegible] উজাউশিং অদ [illegible] পুশিল, [illegible]হান্দোক-হোনজিল তৌনবকখি।। থৌরোড অসাবু লমজাওদ উঙাম চেল্লান হায়ন পাউতাব পাউজেনবীবস্নি।। মমাঙদৈ নিংথৌ কয়াগী [illegible] লক্ষ্মী [illegible] হবাগাবী [illegible] মতম অদদাদ লৈপাক অসাগী [illegible] তামসং [illegible] লাইনাংগী লাইফমশি [illegible] চনোল কয়ান চঙলম্মা [illegible] অসাদ লৈব [illegible] থৌব লম্মা [illegible] অসম হেনগৎলক্লা [illegible] অসীদ [illegible] হয়েং অয়ক [illegible] লৈব [illegible]।

৩) "[illegible]"

[illegible]

পা[illegible] [illegible] পাক [illegible] লৈপাক [illegible] [illegible] লৈপা [illegible] [illegible] লাকাখি।। লৈপা[illegible] তামগী লৈ[illegible] [illegible] লৈশেম লৈ[illegible] থৌদাং [illegible] লৈপাব অমদ [illegible] হায়ব অসী। [illegible] লৈপাক [illegible] লৈপাক [illegible] থৌশনাখিব হায়বা [illegible]।। ফীভম থৌবো[illegible] থৌদোক অসি [illegible] লৈপাক খুদী[illegible] নিংথৌশংন হবাউ নুংঙাইফম [illegible]। যানীংফমসু [illegible]। নিংথৌ [illegible] ওইবস্লবসু, নহাক ওইবস্লবসু, মহাক ওইবস্লবসু [illegible] অম [illegible] নুংঙাইবোই, ইনিংথৌ ইবুংঙো বোধচন্দ্রসু থৌরোঙ থৌদোক [illegible] নুংঙাইনীং ঙাই মখম লৈতে।। মথন্নাহ যাম্ন নুংঙাইবস্লেই। মথন্মোই [illegible]। অসীগুম্ব নুংঙাইতব ফীভম অসীন ওইগনি মর্দ ইনিংথৌ তশী। লৈপাক অসীদ লৈব লাইফম কযাদ মশামক যাওন চত্তুন ঈলাং লাইশোল থৌবম পাওথোকপগী শ[illegible]ক অম ওইন নোংলেন চীং হাযবদি নোংপোক লৈহৌ[illegible]। ওইবিব নো[illegible]ইভাং চীংদোন্দ লৈপাক নিংথৌগী যাইফব ওইনবগীদমক ওইগ্রা হংগেন চোংদুন [illegible]বল লীবোল

[illegible] মাইকী [illegible] কীদোক [illegible] চৈথারোল কুম্বাবা [illegible] অসম্বু [illegible] চৈথা [illegible] শক ১৮ [illegible] হিয়াঙ্গৈ খা [illegible] ১৮ [illegible] ইয়াইদ শ্রীচুং [illegible] চেং মনা অহুম [illegible] কংলে [illegible] অহিংদ বাক্তা চীংদোল, নাস মন্দলদ তৌগী শকএ ॥ অসম্বু [illegible] পাউতাক পাউজেল অসীসু পুমচুম চুন্নকখি ॥

৪) "নুঙ তাউরানি, লশিং লুপ্পানি ॥"

নুঙ হায়বসী ঈশিংদ পাধবদ লুপ্প অরুম্ব পোৎশক অমনি ॥ ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক অদুদাদ নুঙ হায়বসী লম্বী লমজাও, লৈরক - কোনশং চীং - মান অমসুং তুরেল হৌনকফম মকাশিংদ নাকুল নুঙগী মশক উব ইফং [illegible] পোৎশক অম ঈশিং মনাংদ লুপশিন্দুনা [illegible] মশক উব ফংদবগুম [illegible] লশিং [illegible] পোৎশক অসীদি লশিং [illegible] ওইব [illegible] যাংব, ঈশিংদ থাধবদ [illegible] পোৎশক অমনু ঐখোয়না [illegible] পোৎশক অসীদি অঙাংদগী অহল ফাওব [illegible] যাম্ন [illegible] মতমদগী লমদম [illegible] লমদমদ লাশিং মনাং কাইনা ফারেম্মী ॥ [illegible] কপত্রেং, লাশিং কাম্প্রোন, [illegible] চেংব পুংসু খুৎলাই মচৌ মপোৎশিং [illegible] লাশিং [illegible] ওইনা কাপথোক্লম্মী, [illegible] অদুগ খ্বাঙ অমসুং ইয়োংদ নুমিৎ খুদিং [illegible] মখল [illegible] ফিরোল শাবম্মী ॥ চীংথাশিংদা [illegible] অদু [illegible] জাক্লম্মী ॥ কি শাব হায়বসী মীতৈ নুপীশিংগী যাম্ন [illegible] অম [illegible] ॥ অদুবু ইনিংথৌ বোধচন্দ্র হাক্তক (১৯৪১ - [illegible]) [illegible] অদুরাইদদি কংলৈচা মনিপুরী খুন্নাইদ [illegible] লাকখি ॥ [illegible] লমজাও শেন্নদ নুঙ শীজিন্নব, [illegible] থৌরকখি ॥ [illegible] নুঙাইনা মীওই খবদি ময়ুম মকৈ [illegible] নুঙ [illegible] থৌরকখি ॥ [illegible] অসীদদি লম্বী লমজাও, লৈরক - কোনশং [illegible] নুঙগী [illegible] ঙাক্ত ঙাইরে ॥ নুঙ মশক উবমদনা [illegible] লৈরে [illegible] ॥ নুঙ তাউরে ॥ অদুগ অমরোমদনা অমুক, ইনিংথৌ [illegible] অপান [illegible] ওকেন্দ্রজিৎ হাক্তকুগীদি

(১৯৫৫-৯৬) লশিং মপোপ মশক উশিল্লক্লে।। খ্বাঙদ ফি শাবগী তেমথেং মখোল তাববসু ইযোংদ ফি শাবগী শমচেৎ মখোল তাববসু লশিং মপোপুগী লশিং মক্ন লৌথোকপগী কপত্রেং মখোল, লশিং মপোপ্পু মফোন ওইনবগীদমক লশিং কাপ্লোন্দ লশিং কাপ্পগী মখোল তাদব হৌবকপ্লে ।। কংলৈচা মনিপুরী নুপীশিংন হৌদক্কী মতম অসীদদি অকক্কব মফম খবদ খ্বাঙ, ইযোংদ মখল কযাগী ফি শাববসু ফি শানব লং অদুদি কংলৈপাক মনিপুবগী মপান্দগী পুশিল্লকপ লং ওইন শীজিন্নবক্লে ।। মতমগী খোঙলৈ ঈবোন্নুংদ লশিং লূপপ্লে ।। লশিং মশক উব ফংজিল্লক্লে ।। লাইনীং ইনাৎক মবী লৈনন থৌবমগীদমক লশিং মপোপ ১/২ দং থিবদ অবাব ওইবে ।। অসুম্ন, অক্নপ্প নুঙ তাউবনি, অতাউব লশিং লূপ্পনি হাযন মতম খোঙলৈগী পাউ পাউবৌ, পাউতাক পাউজেল অসী পুমচুম চুপ্লে ।।

৫) "চীংঙা চীংগী নুঙবী চকুপ চকাযন মখোঙন থোংন চৎলগ খুল্লক্ত যাতাবনি।। ৬) চীংঙা কৈথেল কাবনি ।।"

পাউতাক পাউজেল অসীগী ব্রাহম্লোক্তি শীংজমৈদ লৈবিব চীংঙা চীং অসী তেমখাইবক্লনি।। চীং অসী তেমখাইবদ চীং অসীদ লৈবগ্ন নুঙজাউশিং অদুগী মচেৎ মকাযশিং অমসুং চীংলৈবাকশিং অদু মনাক নকপ খুঙ্গং লৈকাইশিং অদুদ লৈব মীওইশিংন অমুক লৌনকদ্রবসু নুঙ অমসুং চীংলৈবাকশিং অদু মখোয মখোযগী খুঙ্গং লৈকাইশিং অদুগী লম্বী লৈবক কোনশাংশিংদ যৌশিল্লক্লগনি হাযবনি ।। অসুম্ন তেমখাইখ্রব চীংঙা চাংগী শক্নক অদুদ কৈথেল ফমফম ওইবগনি হাযন মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অসী পীবাবম্ননি।। ঙসীদগী চহী নীফুবোমগী মমাঙদ লৈপাক তেমখাইনব খুৎলাই শীজিন্নদুন চীংঙা চীং তেমখাইখি ।। চীংতেমখাইবগী নুঙজাউ মচেৎ, নুঙকুপ অমসুং চীংলৈবাকশিং অদু মনাক নকপদ লৈব মীওইশিং অদুন অমুক হাযনকব তৌদন হব্রাগাবিন হোল্লক্লগ মফম চাব যেং যেংদুন লম্বী, লমজাউ, লৈবক, কোনশাংশিংদ হৈথবীবখি।। লৈতেম মান্নন তেমখাইবব চীংঙা চীংগী নোংপোক থংব শক্নক অদুমক্তদ অচৌব কৈথেল অম শেম্লকখি।। তশেংবমকসু অচৌব কৈথেল অম শেমকৎনবগীদমক নোংপোক থংব চীংঙাচীং তেমখাইখিবনি।। ঙসীদি চীংঙা কৈথেল অসী লমদম অসী ওইনাদ যাম্ন চাউব কৈথেল (সুপব মার্কেত) অম ওইবে ।। অসুম্ন মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেল অসীসু পুমচুম চুপ্লে ।।

৭) *"অশেংব সনা মক্কনি।। অকাপ্প সনা লংলনি।। অকবন মতাইদ অনৈবন মযাযদ চেল্লনি।।"*

ইনিংথৌ ইবুংঙো লাংওল নিংথৌ অপানব ওকেন্দ্রজিৎ নিংথৌন পানব হৌবকপ মতম খৃস্ত কুম ১৯৫৬ অসীব্রাইগী মতমদগীদি লৈপাক্কী লৈঙাক ব্রাযেল অমসুং খুন্নাইগী চৎনা লোনচত্ত মথক মখা ওন্নব, অবানবন অচুম্ব শাব, ফত্তবন অফব শাব থৌব্রোঙথৌদৌ কযা লাকপ হৌবগনি।। অশেংব সনা হাযবগী ব্রাহম্প্রোক্তি অফব অচুম্ব ব্রাখল খনব, অফব অচুম্ব না ঙাঙব অমসুং অফব অচুম্ব থবব তৌব মী হাযবনি।। অদুগ অকাপ্প সনা হাযবন ফত্তবন অফব শাব, অবানবন অচুম্ব শাব অমসুং শেংদবন অশেংব শাব হাযবনি।। অসীগুম্ব মতমগী খোঙলৈ অসী লাকপ মতমদদি অচুম্ব চৎচব, মীনুংশি খঙব, পুকচেল শেংব মীগী মশীং হন্থবক্কগনি।। মবুকনে শেংনা থবক তৌব মীবু মতমগী চৎনবী খঙদব মী ওইনা লৌনবক্কগনি।। অপঙব মী ওইনা খন্নবক্কগনি ।। অদুগ অমবোমদন, মীনুংশি খঙদনা মীনুংশি চাউব শাব, খঙনা খঙনা অবানব থবক তৌবগ অচুম্ব অশেংব শাব, থবক অম তৌবদ মাযপাক্কবগীদমক ওইদব, অবানব অমসুং ফত্তব পান্দে কযা শীজিন্নব মীগী মশীং হেনগৎলক্কগনি।। অসীগুম্ব মীওইশিংবু খুন্নাই অসীদ লৈব মীওইশিংনা ইকাইখুম্নবগী চৎনবা লৈবক্কগনি।। পাউতাক পাউজেল অসী কদাই ফাওব চুম্লবগে হাযব অদুদি অমুক হাযকদ্রবসু লৈপাক মীযাম্ন ইখঙ খঙনবকনি ।।

৮) *"হযিং কৈথেল কাবনি ।।"*

ইম্ফালগী খ্বাইবম্বন কৈথেলদ পোৎযোনব অমসুং পোৎ লৈব লাকপ মীগী মশীং অসী অসুম অসুম হেনকৎলক্কনি।। পোৎ- চৈ, চান- থক্কব, মনা মশীং যোনবগী মথী- মকুম, অমোৎ অকাযশিং মপৈ মপৈ লৈবক্কগনি।। অদুগুম্ব অমোৎ অকায, অপুম অশাশিং অদু চাব হযিং মখল কযা মপৈ মপৈ লৈবক্কগনি।। শংগু শংগু পাইবগনি।। খ্বাইবম্বন কৈথেল অসী অপুম অশা হুন্তোকফম লৃখাক্কোমগুম্লগনি।। ইম্ফাল মনুংদ লৈব হযিং পুম্নমক কৈথেল অসীদ যোম্লগনি।। পাউতাক পাউজেল অসীমক্তি চহী খবগী মমাঙদগী ঙসী ঙসী ফাওব চুমদুনা লাক্কি ।। লমদম অসীগী খ্বাইদগী চাউখৎলব কৈথেল অম ওইবিব খ্বাইবম্বন কৈথেল ফমফমশিংদ হযিংনা যোম্লে ।।

৯) "মোইবাং পুঙদ চনু নহা পুক্কংবী অম শান শোক্লনি ।। ইতাখোয় খোযনৌখোয শগোল চেনসে লানচেনসে।। কৈথেন্দগী উকুন কু কু খোংলনি।।"

মী হাৎপ শা মখল অনী সুই ।। মখল অমন উমংদ লৈব নোংশা কৈগুম্ব মখোঙ মবি পানব শানি, অনীসুব মখলগী শান শাগী পুকচেল চেনব মশাগী কান্নবখক থিবদ মীবু অশি অনা থোকহনব মীওইশিংনি।। শা মখল অনী অসীগী মনুংদগী অমন মোইনাং পুঙ কৌব মফম অমদ ১শা নহা ওইবিবী পুক্কংবী হাযবদি মীবোল্লবী নুপী অমবু অশোক অপন, অশি অনা খোকহল্লগনি ।. থৌদোক থোক্লিব মফম অদু মী তিনব কৈংল ওইব মবম্ন মতাং অসীদ পল্লিন শা অসী উমংগী শা কৈদি ওইবনেই। শানম চৎপ মীওই ওইবগনি।। মফম অদুদ লৈব নুপী নহাশিংন লানফমদ অমন অমবু যেংনব ঙমদন মহাক মহাক্কী মথরায হিংনব, শগোম্ন যাওন চেনবশুম চেন্নবগনি।। থৌদোক্কুলু উঠৌ পঙ্ৎহৌবাশিংনা কবিসু তৌব ঙমদনা মখোঙ মখুৎ পান্দবগুম. কৈথেলদ তাদু লৈব উকু বাকুগুম লৈবগনি।। অতিংগী মতমদ মীশিংবগী পাউদম্ব মকু কৌব চেক্লান কু কু-কু হাযন খোংদুন লৈবগুম মখোয মশেল শিখ্রবী নুপী মীবোলবী পুক্কংবী অদুগী মবমদ পাউদম পাউশানদুন লৈবগনি ।।

"১০) অবেপ্প লাইনীং লৈরবোই।। ১১) নুপী কাংথং নাইববোই ১২) মপু লৈতন মনাই যাম্লনি ।। ১৩) লেপ্প লেপ্প শিবনি।। (১৪) মপা লৈতব মচা যাম্লনি ।।"

মীতৈশিংন হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈগী মতমদ ঙাম্লিঙৈ মতমদগী থাগোন্নদুনা লাকখিব অকক্লব আবব লাইনীং অম ফৃঙ্গপ অসীগী ওইন লৈবকখি।। অদুগী মতুংদ ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত মীতৈ অযাম্ব হিন্দু লাইনীং লৌদুন লৈবকখি।। খৃস্ত কুম ১৯৩০ দগী মীতৈশিংগী অবিব লাইনিং হিংগৎলকখিবগ ঈবোযনন মীতৈশিংগী সনামহী লাইনীংগী মপাংগল তপ্প তপ্প হেনগৎলক্লি।। অদুবু মীতৈ খুন্নাইদ অবেপ্প অকক্লব লাইনীং লৈশিল্লক্তবগুম তৌশিল্লক্লগনি।। মীতৈশিংগী মবক্ত মানমান পামজব লাইনীং লীচৎ লৌবগী চৎনবী লাক্লগনি।। ইমুং অমদ ফাওব মপা মচা, মচীন মনাউশিংগী মবক্ত লাইনীং লীচৎ তিন্নদবগী ফাভমদ লাক্লগনি।। মীওই কাওলৃপ ফৃঙ্গপ অমগী অকক্লব অবেপ্প লাইনীং লীচৎ লৈববোই ।। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন পাউতাক পাউজেল অসীমক্তি ঙসীগী মীতৈ খুন্নাই অসীদ অচুম্ব ওইশিল্লকপগুম তৌবে ।। মীতৈ খুন্নাইগী থাইনদগী

লৈবক্লব চৎনবীদদি মযুম মকে পাল্লবী নুপীশিংন মরা মপুবোইব্বু মীৎন উব লাইগুম্ম ইকাই খুম্নবম্মী ।। মকু মনেমগী যাথং হিক্তোক্লবমদে।। অদুগুম্বী নুপী অদুবু ফিদম্নফম ওইবী মীতৈ নুপী ওইন লৌনবম্মী।। অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন অদুগুম্ব লীচৎ শাজৎ অদু মাঙখ্রগনি, লৈবক্লবোই ।। মচা মমৌশিংন যানবগীদমক মমা মপা, মকু মনেম ওইবশিংন মচা মমৌশিংগী যাকা যেংদুনা চৎপগী মৰোঙ লাক্লগনি ।। কাংথং নাইববোই হাযবদি কাং- খোং চাইবগনি।। অবিব চৎনবী কা ৬লোন থকশী খাশী অদু মাঙশিল্লক্লগনি ।। লৈপাক্কী মপু হাযবগী বাহস্তোক্তি লৈপাক্কী ওইব লৈশেম লৈঙাক্কী থৌদাং পুবিব অঙম অথৌশিং, অচৌ অশাংশিংবু হাযবা । মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেল অসীন তাকলিবদি মতম অম লাক্কান মতমদুন লৈপাক্কী অঙম অথৌ, অচৌ অশাংশিং অদুগ যাম্ন নকশিন্নবা খঙনা চান্নবসু নত্তবদ যাম্ন খঙন চান্নব শাশন্নদনা ইচম চম্ন লৈজব মীওইশিংদ নমথাক তৌদুনা খুদোংচাব লৌব মী নই কযা চোংথোক্লক্লগনি ।। মখোযগী মশী, অসুম অসুম হেনগৎলক্কনি । মশী যামখৎলক্কনি। মসানুক্ন মতমগী খোঙলৈ অসীদ লৈপাক অসীদ লৈবিব মীওইশিং অসা শিফম নাফম খঙলবোই।। থোঙ্গাল কোম্লোঙ নাৎন লানখিনদ কাব থোক্লগদগে হযাব ৬ল্লবোই।। মশাদ অনা অযেক কবিসু লৈতব হৌজক্ত্র লম্বী লমখাঙদ হাশী কাওই শামন্নবম্ন মশা মউ ইথ যবিব, মশা ইকন কাল্লব মীশক অদু লৈশাব লৈবগনি মাশব হবচাং ওইন তাদুনা লৈনে, শিনে হাযবগী পাউ ফংনগী থৌনোঙ থৌদোক কযা লৈবক্লগনি।। শিন তাযন অসাদ মী অদু মশা নাবক্কুনা ফমুংদ ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মতম শবদং ওইবদা থমশেন্নবব মতুংদ মাইবন খুং নাদোক্লবা নতুংদ ওইবিবনি।। অদুব্দু পুম্নমব অসা থাওদনা শিফম নাফম খঙদনা লম্বী, লমজাউ, লমহাঙদ মশা ইকনা কং লেপ্ন লেপ্ন, চংন চংন শিবগী থৌনোঙ থৌদোক কযা খুন্নাই অসীদ খোক্লক্লগনি।। চৎনবী অমগুম্ন থৌৰোঙ থৌদোক অদুদ অঙকপ লৈবক্লবোই।। অসুন্ন লেপ্ন লেপ্ন শিবগী থৌবোং থৌদোকশিং অসী লৈপাক অসীদ যাম্ন তোযনা থোকচিল্লকপন মবম ওইবদুন নহা ওইন পুন্সি পিখম্নখ্রব, শিখ্রব মপা কযাগী অঙাং ওইবিব নৌবিব মচা কযা লৈবক্লগনি ।। মপা লৈতব অঙাংশিংগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলকপগী পাউতাক পাউজেল অসি। চাংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন তাকপীবমখি।। চহী খব অসীগী মনুংদ লমদম অসীদ থোক্লিব মীফা মীপুন, মীহাৎ- মীশিগী থৌদোকশিং অসী যেংলগদি পীবিব পাউতাক পাউজেল অসী পূমচুম চুন্নব্র তাযনা খনজাল্লক্লে ।।

১৫) "শম্বন্ন মনা মশীং চাবনি ।।"

ইংখোল কোইদুন ইংখোলদ চানবগীদমক অমসুং অহেনব শব্দক অদুন যোম্লোক্লবগীদমক মনা- মশীং, যেনশাং- নাপী, হবাই- চেঙরাই, মহৈ- মবোং কযা থানৈ।। শিনফম অসী লৈপাক অসীদ থাযনঙৈদগী হৌন হিংনব পুন্সিবোলগী মক ওইব শব্দক অম ওইন লৈবকাখ।। ইংখোন্দ হৌবিব মনা- মশীং, যেনশাং নাপী, হবাই- চেঙরাই, মহৈ- মবোংশিং অদু শল, ইবোই, শগোলনাচিংবন চঙদুন চাথোকখিদনব অমসুং অমাঙ অতা থোকহন্দনবগীদমক অকন অকনব উচুক যুংদুন রা নত্রগ উ- ন মাযকৈ মবি ইকোয কোযন শম্বল খাজীন্নৈ।। শম্বল খাজীন্দুন থম্মবিব অসী ইংখোলগী মনা- মশীং মহৈ মবোংশিং অদুদ অমাঙ-অতা থোকহন্দনবগীদমক, চঙলকপ শল ইবোইনাচিংবশিংবু চঙব ঙমহন্দনব ঙাকথোক্লবগীদমক্লি ।। ইংখোল মপুন ইংখোলদ হৌবিব মনা মশীং, মহৈ মবোং ঙাক্লবগীদমক অকনব শম্বল খাবগুম লৈপাক্কী মপা মপা ওইবিব লৈপাক মপু অমসুং লৈঙাক্সা মঙম অথৌশিংন খোঙমী লাম্মী, দোলাইপাবনাচিংব থম্মবকখি।। লৈপাক মপু, লৈঙাক্কা অঙম-অথৌ, খোঙমী লাম্মী, দোইলাইপাবনচিংব পুম্নমক অসাগী পাঙথোকফম থোকপ থৌদাংশিংগী মনুংদ যাম্ন মক ওইব থৌদাং অমদি মথাল লৈজদব ইচম চম্ন হিংজব মাওইশিংবু ঙাক শেনবীবনি।। মখোযদি ইংখোলদ হৌবিব মনা মশীং, মহৈ মবোংদ অমাঙ অতা থোক্লনব খাদুন থম্লি শম্বলগী মশক্লি । অদুবু মতমগী খোঙলৈ অম লাক্কনি, মতম অদুদাদি ইচম চম্ন হিংজবিব লৈপাক অসাগী মীওইশিংবু,শম্বন্ন মনা মশীং চাবগুম, ঙাকপী শেনবীনবগীদমক লৈবিবা মীওইশিংন ঙাবগা শেনবীবগী মহুত্র অমাঙ অতা থোকহল্লগনি, অবা অনা তাহল্লগনি।। পাউত্তাক পাউজেল অসীগী অচুম চুমদগী বাযমদি অমুক নৌহৌন হাযদ্রবসু মীযাম্ম থোইন হেন্ন খঙনববনি ।।

"১৬) মতম অদু শোইদন লাকখিনি ।। 'নুংকৈৗব যাকাবুঙদ নুমিৎ ১৪ নি খেক্ক খেক্ক নাক্কুন অকা- অকুম থিংলনি ।। ১৭) মতমদুদ ঐখোয ৭ উনসী ।। ১৮) ঙাঙনখিব রা ফোঙনসী ।।"

কংলৈপাক মনিপুরগী খোযদৌ ওইবিব, পুবাবী মমাঙগী মতমদগী হৌন কোনুংলেন অমসুং লাইফমলেন অম ওইবকখিব কংলা কৌব মফম অসীদ লৈবকখিব 'নুং' হাযব খোম্লোক অসীন অহৌব অহানব খোম্লোক ওইব হাযবদি নুংজেং ঈকোন মনাক্ত লৈপাক মীযাম তিন্নফম যাকাবুঙ অমা লৈবক্কনি।। হাযবিব যাকাবুঙ অসীদ মীতৈশিংগী লাইনীং লীচৎকী অপূনব অবেপ্প পবম

পথাপ কাঙলোনগী হীবমদ লৈপাক মীযাম তিন্নদুন খন্ন-নৈনবকখিনি।। অসুম্ন লৈপাক মীযাম তিন্নদুন খন্ন নৈননকপ মতম অদুদ ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈব হাক্তক্ত লৈবম্ব মাযচৌ তবেৎ অদুগী লাংওল ওইব মাযচৌ তবেৎ অদুসু লাক্কনি।। খোনজেল যাম্ন হৌন লাউন, যাম্ন নিল খোংবগ লোযনন মফম কযাদগী লাকপ লৈপাক মীযাম তিনব মবম্ন মী চৎথোক চৎশিন তৌব ফাওব যাবক্তব থিংলক্লব মতম অদুদ মাযচৌ তবেৎ থোক্লক্তুন লৈপাক খুন্নাইগী যাইফনব অপূনব অবেপ্প লাইনীং লীচৎকী হীবমদ পাউতাক পাউজেল কযা পীবক্কনি।। মাযচৌ তবেৎ অসীন মখোয মশা মশান মশা মশাবু মশক খঙন ব্রাখল বাফোঙলক্কনি।। ইনিংথৌ পামহৈব হাক্তক্কী মাযচৌশিং অদুন ইনিংথৌ অসীগী হাক্তক্ত অসুম্ন ব্রাশক বাবেপ্পখিব লৈ মর্দূদি - হযেং মতমগী খোঙলৈ সুবক্লবদ ঐখোয ঙম্নমক লাংঙন্দুন (পোক্তুন) লৈপাক অমবক শেমকৎতুন নুংঙাইহনসে।। ইপা ইপুগী লাইনীং লীচৎ অবিববু অমবক হনজিনসে।। মীতোপকী লাইনীং লীচৎ তাংজবব খিবিক্তো হন্দোকসে।। পাবম পুবম, লাইফম লাইপুঙ পুম্নমক শেমকত্তুন উমং লাই পুম্নমক হিংকৎলবগ লৈপাক নুংঙাইহনসে।। মশান-মনাউ, মপা-মচা যান্ন-থিন্নব খিবিক্তো তোক্লগনিএ ।। অনাব লোইবে, খৈবে হাযব খঙনসে ।। চীংঙু মাযচৌশিংন পাবীনম্ব পানথৈ পাউবৌ, পাউতাক পাউজেলশিং অসীদি শোযফদব বা ওইবন কংলাগী নুংজেং ঈকোন মনাক্ত লৈব যাকাবুঙদ মাযচৌ তবেৎ থোক্লক্তুন অবেপ্প লাইনীং লীচৎ লৈব, থকশা খাশা নাইব, নুংঙাই যাইফব লৈপাক খুন্নাই অম ওইনবগী পাউতাক পাউজেল পাবকখিগনি হাযব বাফম অসীসু শোযফদব বা ওইগনি।।

"১৯) অবিব মক্ক খুন্দুন মশক খঙন ঙমদাই ও।।২০) অচুম্ব লাইনীং লীচৎ পাম্বী হৌইল্ল ।।২১) লীক্লাই মক্ক থাবদি হৌদে ।। শেম্বী মুকাক্লৈ মক্ক থাবদি শোযদনা হৌগনি । অসী খঙন ঙমদাই - ও ।। শোযদনা মপাল শাগনি।। তাউজীং মহৈ যানগনি ।।"

মীতৈ খুন্নাই অসীদ লাইনীং লীচৎকী মতা দ তোখাই তোখাই তাব, মথোঙ মবম খঙদব, চযেৎ খোইযেৎনবগী মতম অম লাক্কনি।। অদুগুম্ব মতম অদুদ অবিব মক্ক খুন্দুন হাযবদি হৈহল ওইবব অখঙ অহৈশিংগী মফমদগী অবিব ব্রাবী ব্রাখোঙ খোমজীন্দুন অমসুং অখঙ অহৈ মাযচৌ পন্দিতশিংগী মখূত্ত লৈবা অবিব লাইবিক পুযাশিং থিজিন্দুন লাইনীং লীচৎকী মতাংদ চোইজাইনবব মীতৈ ফূব্দপ অসী তাইশিনব ঙম্নব, নুংশি চান্নন হিংমিন্নবগীদমক হোৎনগদবনি।। খাইবুং খাইবুং, অবেপ্প পবম পথাপ লৈতবগুম হিংলিব মীতৈশিংগী মবক্ত

লাইনীং লীচৎকী অপূনব শক্তম অম লৈহন্নবগীদমক অঙনব মতমদগী থাগোয়দুন লাকখিব মীতৈ ফূব্ধপকী অচুম্ব লাইনীং লীচৎকী যুম্ফম লাইনীং লীচৎ হিংগৎ ঈহৌ শাগত্নুন হিংগৎ ঈহৌ পাম্বী অদু শাবেপ ফান হৌহন্দুনা মপুঙ মবৈ ফান মহৈ যানহন্নগদবনি।। লাইনীং লীচৎ হিংগৎ ঈহৌগী পাম্বী অদু থাব মতমদ পাম্বী অসীদু ...।।বব মীওইশিং অদুন খাঙজীনফম থোকপ যায়া মকওইব শক্তম অম লৈ মদুদি -- অঙনব মতমদ মীতৈশিংগী লৈজবম্ব লাইনীং লীচৎকী মশক মরোঙ অদুমক মপোপ ইকায কাযদন, শেমদোক শেমজীন, হাপ্তোক হাপচিন সুকযাও যাওদন হৌহনগে খল্লবদি, লীক্লাই মক্ত হাযবদি যায়া তাঙন ফংব লংত্রিক লংব নুঙ্গুম্ব হী যাই অদুবু লৈপাক তৌখায়দুন থাবদ হৌদন অদুগুম্ন হৌহনব ঙম্লোই।। হৌবোই।। মদপু, অবিব লাইনীং লীচৎকী মচি ওইব শব্দক অমসুং শব্দ পোলাংগী মশক অদু কায়হন্দনা থম্লগ মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন মালেমগী ওইন মীওইব খুন্নাইদ হোৎলক্লিব নুংগী ওইব বাখল্লোল অমসুং পানগী ওইব মশক মরোঙশিং অদ খঙঙিনবগ লোয়নন লাইনীং লীচৎকী হিংগৎ ঈহৌ পাম্বী অদু থাববদি শেম্ব মুকাক্লৈ মকবু লৈবাক্ত থাবদ থোইদোক্ল বান হোৎনকদ্রবসু মতোল চোংদুন হৌবকপগুম শোযদনমক হৌগনি । বাখল্লোন অসীদ মাৎযেং থম্লগ ঙম্নমব হাযবদি পুম্নমক তাইশিন্নব হোৎনগদবনি।। ঙমদাইগদবনি।। অসুম লৌবদি, হৈ পাম্বী অম থাব মতমদ হৈ খোঙদ হাপ্লিব শম্বী শনযুংগী ওইব লৈহাউর্শিং অদু চুপশিনখিদ্না হৈ পাম্বী অদু মপান ফজন শাবগ মপুঙ ফান তাউজীং মহৈ যানবগুম লাইনীং লীচৎ হিংগৎ ঈহৌ খোঙজঙ অদু মায পাক্লন।। বাখল্লোল অসী খঙন চঙশিল্লবদি মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং লীচৎ খোঙজঙ অদু মায পাক্লন।। বাখল্লোল অসী খঙন মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং লীচৎ খোঙজঙ অসী মপুঙ মবৈ ফান মায পাক্লবগীদমক খেন্নব মচা মচা লৌবিব পুম্নমক ঙম্নমক অদু তাইশিনগদবনি, পুনশিনগদবনি।।

"২২) মহৈ মরোং চুম্নবু তাউজীং হৈজীং ফাব হৈরাংওইদুন কোয়ন পুযা থিরনি।। ২৩) মীরাক মীথুম্নব পুক্নীং ঈবা- চেনব ন্না হাক্ল যান্না চাউফদে ।।"

ইনিংথৌ ইবুংঙো বোধচন্দ্র নিংথৌগী হাক্তক (খৃ:কুম ১৯৪১-৫৫) অসীদ মীতৈশিংগী ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈবকখিব লাইনীং, নাৎ অমসুং পুন্নাবীগী মবমদ মীচঙ মীথায নাইদব অচুম্ব মাৎযেংদ যুম্ফম ওইদুন যায়া কন্ন থিজিল হৃমজীনব মীতৈশিং যাওনবকপদগী হৈজীং কাবব হৈরাংগুম খঙজীল উশিল্লকপ যাওবকখি ।। অমুক্ত হেন্ন মপুঙ ফান মযেক শেংন খঙজীল উশিন্নবগীদমক

হৌখিব মমাঙগী নিংথৌরোল কয়াদ চীংঙু মায়চৌশিংন থম্বীরম্ব লাইরিক পুয়াশিংবু লৈপাক অসীগী মফম কদাইদ, কনা কনাগী মখূত্ত লৈবগে হায়ন অমুক্ক হেন্ন কন্ন অমসুং থন্নায় য়াওশিন্ন থিজিল হূমজীন্নরকখি।। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন মীতৈশিংগী অরিব লাইনীং লীচৎপু অমুক নৌহৌনন হিংগৎহনব অমসুং শস্তোকপ মতমদ মীরাক মীথুম্নব হায়বদি মীবু লাউহৎপ, মীগী মপূক্লীং ঈরা চেনব ব্রা হায়বদি মীগী মপূক্লীং নুংঙাইহন্দব, ব্রারৌখিগদব ব্রা, য়াব্রা চাউব হায়বদি অকন অথৌগী মরোঙদ ব্রা চাউন চাউন ঙাঙব অসীগুম্ব পুম্নমক অসী খক তৌরোইদবনি।। অরিব লাইনীং লীচৎপু নৌহৌনন হিংগৎহনব অমসুং শস্তোক্কবগীদমক ব্রা ঙাঙব মতমদ ব্রা অদুবু তারিব মীওইশিংগী মপূক্লীংদ ব্রারৌব পোক্তনবগীদমক অকন- অথৌ শানগী ব্রা ঙাঙলোইদবনি।। য়াম্ন ঈং- তপ্ন ব্রা ঙাঙদুন মীগী থস্মোয় লাকশিন্নব যাব্রা খোনফম খোস্তোক শীজিন্নগদবনি।। অচুম্ব অশেংবদ যুম্ফম ওইব অথোৎপ ব্রাহে ব্রাতা শীজিন্নদুন মীগী থস্মোয়, ব্রাখল, পূক্লীং খুদুম চনব নত্তুন মীবু অকি- তুংজুং ফাওহনব, নমফু- হাফুগী পান্থে শীজিন্নদুন শন্দোকপ লাইনীং নাৎ অদুদি খক তুংকোইব য়ারোই হায়ব ব্রাফম অসী পাউতাক পাউজেল অসীন পীরী ।।

"২৪) সেন্দাং পন্দিত য়াম্ললি ।। অখণ্ডবসু থূপখিনি ।। অহৈবসু তাঙঙম্লনি ।। ঙমদাইবসু ব্রাদৌরি ।। ২৫) মতমদুদ চীংঙু মায়চৌ অহুম তিল্লনি।। থাংমৈ মারহনব অরাং- চীংখৈ লাল্লুম্বন খুনশেম লৈশেম্লগনি ।।"

মীতৈশিংগী অঙনব মতমদগী লৈরকখিব লাইনীং, নাৎ, ঈরাৎ লাইশোল, অরিব ব্রারী ব্রাখোঙনচিংব অসীবু খণ্ডদি খণ্ডদন য়াম্ন খণ্ডব শাদুন, হৈবদি হৈতন য়াম্ন হৈব শাদুন ব্রা ঙাঙব মীওইশিংবু শেন্দাং পন্দিত/মায়চৌ হায়রগ মীয়াম্ন খণ্ডনৈ ।। মীতৈশিংন হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈদ চৎলম্ব লাইনীং অমসুং নাৎ অসীবু মপুঙ ফান হিংগৎনব খোঙজঙ চঙশিল্লকপগ লোয়নন মীতৈশিংগী অরিব লাইনীং নাৎকী মরমদ খণ্ডনীংব মীগী মশীং অসী অসুম হেনগৎলকপগী খুদোংচাব লৌদুন শেন্দাং পন্দিত/মায়চৌশিংন য়াম্ন খণ্ডব, য়াম্ন হৈব শাদুন ব্রা পঙঙাঙদ ঙাঙলগনি।। মখোয়গী ব্রাঙাঙশিং অদু তারকপদগী তশেংন খণ্ড- হৈরব মাযচৌ পন্দিত খর অদুসু ব্রা ঙাঙনীংব লৈরব ফাওবদ ব্রা ঙাঙথোক্লিংলরোই ।। তস্থহল্লগনি।। অখণ্ড অহৈ শাব মীওইশিং অদুগী ব্রাঙাঙ শাঙাঙশিং অদুবু তারিব মী অয়াম্বন অচুম্ব ওইন লৌবগী মরোঙ মতৌ অদু উরুবদগী মখোয়দি ব্রা ঙাথোক্তন তুমিন্ন লৈশিনখ্রগনি।। কনাগুম্ব খরন মখোয়দ ব্রাফম খর হংলুরবসু *'মদুদি ঐ খণ্ডদেবু, লৈপাক অসীদ অখণ্ড- অহৈ য়াম্ন*

লৈবেনা, মখোযদ হংলুচো' হাযন ইশম শম্ন খুম্নক্লগনি।। তশেংন খঙ- হৈবব মীশকশিংগী মশীংসু য়াম্ন হন্তবক্লগনি।। অদুগ খঙদন অখঙব শাব, হৈতন অহৈব শাব শেন্দাং পন্দিত/মাযচৌগী মশীং অসী লমদম অসীদ অসুম অসুম হেনগৎলক্লগনি।। মখোযগী মশীং অসী যাম্ন হেনগৎলকপন মবুম ওইবদুন মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং নাৎকী অশেংব অচুম্ব পবম পথাপ কাঙলোনগী অবেপ ফিদম ফিবেপ অম লৈহন্নব হোৎনবদ কাঙবু কাঙবু শেম্নদুন অমগ অমগ চযেৎনব লৈবদগী অবাব খব থেংনবগনি।। কাঙবুশিং অসীবু অমগ অমগ পুম্নমক ঙম্নমক তাইশিন্নব হাযবদি ৬মদাইনব হোৎনবদ খব অৱাব ওইগনি।। অবিব লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ খোঙজঙদ মপুঙ ওইব কাঙলুপ অহুম থোক্লগনি।। খোঙৱাই মতম অদুদ কংলৈপাক মনিপুবদ লৈবিব লৈপাক মীযাম্ন শকখঙনবব মাযচৌ অহুম ফম্মিনদুন মীতৈশিংগী লাইনীং নাৎকী ৱাখল ফিদম ফিবেপকী মবমদ খন্ন- নৈনবক্কনি।। অসুম্ন খন্ন নৈনবকপ মতমদ মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন মীতৈশিংগী লাইনীং নাৎ অসী কবম্ব ফিবেপ্ন লাকলৌববগে হাযন মোং হাব তৌদন, অকনব বাহৈ বাতা শীজিন্নব তৌদন, লাইনীং হিংগৎ ঈহৌগী পাঙ্গল থৌনা ফোঙদোকপ অকনব লান্মী অম ওইবদি নত্তব, লুম্লগ যাম্ন মুম্ন নাবোন্দ যেংজগ শেন্নদুন মীতৈশিংগী লাইনীং নাৎকী ওইব চৎন- কাঙলোন বাখল ফিদম ফিবেপ ফোঙদোক্লিব, কংলৈপাক মানিপুব অসীগী কোনুংলেন অমসুং লাইফমলেন ওইবকখিব কংলাগী অবাং চীংখৈ পাংব, মাযকৈ চিথেক ৪ গী মনুংদ লাইযিংথৌ থাংমৈ মাবক্তনব মাবজীং কৌন মাযকৈ ঙাকপ লাইন ঙাক্লিব মাযকৈবোমদ খুন্দা লৈতাদুন, যুম্লিং খুম্লিংদুন লৈব মাযচৌ/পন্দিত অদুগী ৱাখল ফিদম অমসুং ফিবেপ্ন মীতৈশিংগী থাগোন্নবকখিব অবিব লাইনীং লীচৎকী চৎনব যাব অবেপ্ল পবম পথাপ কাঙলোন ওইদুন খুনশেম লৈশেম্লখিনি হাযবদি লৈপাক মীযাম খ্বাই খিনিক্ল যানগদব ৱাখল ফিদম মপুঙ ফান শেমকৎলক্কনি।। মাযচৌ /পন্দিত অসীন হাযব লাইনীং নাৎকী ফিদম ফিবেপ্ন মীতৈশিংগী লাইনীং নাৎকী অবেপ্ল লাইনীং নাৎ ওইবগনি।। অবিব লাইনীং নাৎকী হিংগৎ ঈহৌ খোঙজঙদ কাঙলুপ অহুম থোক্লিব অসী ইবায লাযন, ইকোম কোম্ন অমত্ত ওইন হেক তাইন্নিবদি খব ৱাবপ থোক্কনি।। অদুবু খব ৱাববসু ৱান, মতম খব চঙলবসু চঙন, মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন অৱাং- চীংখৈ লাল্লুম্ব মাযচৌ অদুগী মীৎযেং অমসুং ৱাখল ফিদম্ন কাঙলুপ অহুম অসী অমত্ত ওইন পুনশি তাইশিন্নবকখিগনি হাযব ৱাফম অসী চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ন খোংনাংথাবন তাকপিবম্ব মতম খোঙলৈগী পাম্থে পাউবৌ, পাউতাক পাউজেল অসীন ফোঙদোক্লি ।। [মতমগী খোঙলৈ পাউতাক পাউজেল অসীদ যাওবিব *'অৱাং চীংখৈ লাল্লুম্ব'* হাযবিব অসী *'নোংপোক চীংখৈ লাল্লুম্ব'*

হাযন কনাগুম্বন হাযনবসু থেংনৈ ।। অদুবু, *'অৱাং চীংখৈ লাম্লুম্ব'* হাযবিব অসীন অচুম্ব ওইগনি।। মবর্মদি পাউতাক পাউজেল অসীদ *'থাংমৈ মাবহনব'* হাযব ৱাহৈ অসীন মাও থাদুন হান্ন যাওবি ।। *'থাংমৈ মাবহনব'* হাযবিব লাই অসীদি মাযকৈ ঙাকপ মাবজীং লাইবুনি।। লাইযিংথৌ মহাক্কী মপুঙ ফাব মমিংদি অৱাং থাংমৈ (থাংৱাই) মাবহনব কৌই ।। লাইযিংথৌ মহাক্কি মাযকৈ চিথেক মবি হাযবদি মোইবাং লাইজি (নোংলম), মীৎলম (চীংখৈ) মৈবম অমসুং কৌব্রু লাইজ (নুংশিৎলম) গী ওইবগন চীংখৈ (মীৎলম) ঙাকপ লাইনি।। খা, ৱাং, নোংপোক, নোংচুপ - মাযকৈ মবিগী ওইর্নদি অৱাং মাযকৈ ঙাকপ লাইনি।। অদুগ খা, বাং নোংচুপ, নোংপোক অমসুং চিথেক মবি পুন্ন মাযকৈ নিপাল অসীগী ওইবগসু অৱাং মাযকৈ ঙাকপ লাইনি।। অসুন্ন, মাবজীং লাইন অৱাং মাযকৈ ঙাকখিব মতমদ লাইযিংথৌ কাযনৌ চীংখৈ লাকপ লাইন চীংখৈ (মীৎলম) ঙাক্কদননি।। অসুম্ন, থৌবম থৌবমগী খেন্নব মতুং ইন্ন লাইযিংথৌ মাবজীংদি অবাং নত্রগ চীংখৈ (মীৎলম) মাযকৈবু ঙাকপিব লাই ওইন লৈ ।। ইম্ফালগী অৱাংলোমদ লৈব লম্বু থাংমৈ (থাংৱাই) কৌই ।। মিংথোল অসী ঙসী ফাওব উমং লাই ঙবাউবগী কোনযাই হুনবদ *"কৌ লো থাংবাই (থাংমৈ) বু লম্মহল- ও"* হাযন শোর্ন্নবি, শীজিন্নবি ।। নোংপোক মাযকৈ ঙাকপ লাইদি লাইবেম্ম পান্তোইবীগা মশাবী নোংপোক নিংথৌ কাযনৌ চীংশোর্ম্বনি।।]

ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈবগী হাক্তক্ত চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন মচা মনাউ মাযচৌশিংদ তাকপিবম্ব মথক্ত পনর্জখিব মতমগী খোঙলৈ তাকপ পাম্থে পাউবৌ, পাউতাক পাউজেলশিং অসীসু ইনিংথৌ ইবুংঙো খাগেম্ব হাক্তক্ত মতমদুগী চীংঙু মাযচৌশিংন লাচন্দুন থম্বীবম্ব কাইববোল (কাইপালোন) গুম শোযফদব বানি।।০।।

৯

মীতৈ ফূরূপকী লাইনীং নাৎ কন্নবগীদমক চীংঙু খোংনাংথাবন লৌখিব ব্রাখল, ফিদম অমসুং ফিরেপ

ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈব (গরিবনিৱাজ) গী হাক্তক্ত (খৃস্ত কুম ১৭০৯-১৭৪৮) শান্তদাস গোসাই কৌব হিন্দু বামান্দি লাইনীং শন্দোকপ লাকপ গুরু অম খৃস্ত কুম ১৭১৬ ত কংলৈপাক মনিপুরদ থুংলখি।। গুরু অসী শিলোত জিলাগী নর্বসিংহ তিল্লা কৌব মফম অদুদগী লাকখিবনি।। মহাক্ল লাকপ মতমদ ভগবানদাস অমসুং নবায়ন দাস কৌব মতাঙ্কী তুংইনব অনীসু লোয়নবকখি।। মহাক্ল ডাপ্রম চাংজেং ফাওদুন লাক্লগ লৈপাক অসীদ থুংলখি।। অদুগ নিংথৌ শেনব যাইবেকশঙদ লৈখি।। মহাক্ল পামহৈব নিংথৌদ হিন্দু বামান্দি লাইনীংগী লাইরমং পাংগে হায়খি।। নিংথৌন লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংদ- গোসাই অসীন বামান্দি লাইনীংগী লাইমিং পাংগে হায়বে, অদুন নখোয় নখোয়ন পাম্মী পামদে হায়নো হায়নবদ লৈপাক মীয়াম্ন হে নিংথৌ, মীতৈ ঐখোয়গী লাইনীং লোনচৎপু হন্দোক্লগ ঐগী ঐগী চৎকদব লাইনীং লোনচৎপু থাদোক্তুন কবম্ন মীগী লাইনীং লোনচৎ তমগদবনো ? হয়েং মতম অমদ ঐখোয়গী লাইনীং লোনচৎ অসী মুৎখিদুন মীগী লাইনীং লোনচৎন ঐখোয়গী শাদুন চৎনবগনি।। মীগী লোনচৎন তুবেল লাইজ অচৌব ওইদুন থুম্লবগনি।। লৈপাক ঐখোয়দি যানিংদে, তুংদ যাম্ন অবাব ওইগনি, ইনিংথৌগী পুক্নীংদ মুন্ন অমুক্ত খন্থবীয়ু - হায়জখি।। লৈপাক মীয়াম্ন হায়জবিব অদু নিংথৌনদি সুকয়া যাখিদ্রে ।। নিংথৌন ইয়া যাদ্রব অদুদদি লৈপাক মীয়াম অদুন -ইনিংথৌন খনবীনগ অসুম তৌগে হায়ব মতুং ইন্ন তৌবীবো হায়খি।। গুরু শান্তদাসন নিংথৌবু

হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহনখি ।। সনামহী মিংথৈ থাদোক্লগে, বাম নাম শোল্লগে হাযদুন নোংখ্রঙ ঈক্কপহন্দুন শলাই ৭ কী মী অযাম্ব নমদুন হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহনখি ।। পাক্তক্লা লোইথাব অমসুং হাৎপকী পাম্বৈ শীজিন্নদুন মী অযাম্ববু হিন্দু লাইনীং অদু লৌহল্লম্মী ।। অদুবু চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবনচিংব মাযচৌ ৭ (তবেৎ) অদুদি হিন্দু লাইনীং লৌখিদে।। মতম খবদংগী মনুংদ পামহৈব নিংথৌ অসী মহাক্কী গুরুগী খুদোম্বীদ লৈদুনা পুখি।। শান্তদাসন হাযব অযাম্ব অফ-ফত্ত তৌহৈব তৌহৈদব অমুক খন্থরুব তৌদনা নিংথৌ অসীনা যাখি ।। লৈপাক অসিদ মীতৈশিংনা থাযনঙৈদগী মতম কুইনা লাৎলক্লিব উমংলাইশিং অমসুং ফূকপ তসীগী লাই পুম্নমক নীংব যাবরোই হাযদুনা লাইগী খুবমশিং নিংথৌ অসীনা মাঙহনখি।। খৃস্ত কুম ১৭২৩ লাংবন থাদ উমংলাইগী লাইশঙ পুম্নমক শীদোকখি।। খৃস্ত কুম ১৭২৬ ইঙা থাদ লৈপাক অসীদ লৈব উমং লাই পুম্নমক খোমগত্তুনা মোংব হনব উমং হাযন্দি মহাবলি উমংগী হৈবোংশিদব মখোঙদ লোইনমক ফূমজিনখি।। কুম অসীমক্কী ইঙেল থাদ লাই নোংশাব লাইবেম্ম পানথোইবী, লাইযিংথৌ সনামহী, সোবারেল, হুইদোন পোকপী, লম্মাবী ২ - লাই তবেৎ অসীগী শক্তম থুগাইখি। লাইগী কোনমাপ খোমগৎপ অমসুং শক্তম থুগাহবনাচংবগী থবকশিং অসী গুরু শান্তদাস যাওন পাঙথোকখিবগী খুদম ফংই ।। (অরিব মনিপুরী সাহিত্য, ইতিহাস . এন. খেলচন্দ্র লা: ৩৮) মীতৈগী যেক তবেৎপু হিন্দুগী গোত্রদ ওন্থোকখি, লৈপাক অসীগী মমিংসু 'মনিপুর' হাযনা মামং ওন্থোকখি নিংথৌ অসীনা হিন্দু বামান্দি লাইনীং ব লৈপাক মীযামগী হন্মাহ ওনহন্দুনা লৌহনবগী মতুংদ শান্তদাস গোসাইগী পাউতাক মতুং ইন হাযবদ ৩ - চুংলব (তৌহৈদনা অমসু নমফগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা লৌহন্নবগী শক্তম অম ওইনা মীতৌশিংগী পাবম শবমচংবকী ওইবা লাইরীং লীচৎপু মব ফুব্ল মৎহৎনবগীদমক অমসুং লৈপাক অসীদ হিন্দু বামান্দি লাইনী অমসুং সংস্কৃত লোন চৎনহন্নবগী দঃর মমাংদ্বৈত নিংথৌরোল কথাদগী মাযচৌশিংনা হদুনা পাম্বৌনম্ব হাবম নবাগী লাইরিকশিংসু মৈ থাদুন মাঙহন্নবগী অকনবা থবক পাযখৎলকখি। লাইরিকশিং অদুনা মৈদ থাদোক্লো হাযনা গুরু শান্তদাসনা হাযরবদ নিংথৌনা লৈবাক ... অথৌ, মখঙ অইরীশিংনা খন্নাখিগে হাযদুনা সনা কোনুংনা খনানৈঙ ... মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবস লকখি।। চাংঙু মাযচৌ অসীনা হীনাংথৈ ... নিংথৌ, লৈবাক্কী মপু ইবুংঙো, ঐখোযগী লৈবাক্কী লাইরিবপু মৈদ ... থাদোক্লো হাযনসীদি যান্ন তৌহৈদনা ব্রান হাযখি।। মফম অদুদ তিল্লিব লৈপাক মীযাম্নদি চীংঙু খোংনাংথাবন চুমলে, মাযচৌ অসীনা হাযব ব্রা অদু যানিংলে হাযখি।। অদুবু নিংথৌনদি গুরু শান্তদাসন হাযনদুনা অফবনি খনখি।। নিংথৌন সুকযা

ময়াদ্রব অদুদদি কবিসু কান্নরবোই খল্লদুন চীংঙু মায়চৌ অসী কোনুংদগী হনখি।। পুয়া লাইবিকশিংবু মী খঙহন উহন্দন চেৎন- লুন থমজিন্নবগীদমক চীংঙু মায়চৌ অসীন লৈপাক্কী মাযচৌ মাযনৌশিংদ পাউতাক পাউজেনখি।। মতৌ অসুম্ন, পুয়া কয়া কনব ঙমহৌখি।। লামায় যামদব পুয়া খর্বদি শিন্তোকহৌবসু য়াওরমগনি ।। নিংথৌন – লৈপাক মীয়ামদ হযেংদি শামু তোংদুন পাউ চেল্লো ।। মীতৈ ঐখোযগী লাইবিক পুম্নমক খোমগত্তুন কংলা উত্রা মমাঙদ পৈবো।। অসীদগী অমতং লেমহৈববদি লাইবিক থমহৌবিব মীশিং অদু মশম মনা কোক্কনি, মতীক চাব চৈবাক পাগনি, অরাফম তাহনগনি হাযন অঙম্বশিংদ শিন্নখি।। নোংঙাল্লগ শামু তোংদুন লৈপাক মীযামদ পাউ লাউথোক্লুন খঙহল্লগ অফংব লাইবিক পুম্নমক খোমগৎলক্লুন কংলা উত্রা মমাঙদ পৈবখি।। মৈ থানবগীদমক্ত পৈখিব লাহাবকাশংগা মামংশংদ -

১)	সনামহী নাউয়োম	২)	সনামহী লাইহুই
৩)	সনামহী থিবেল	৪)	সনামহী লৈখন নোংখন
৫)	সনামহী লর্মহিং	৬)	পাখংব নাউযোম
৭)	পাখংব থিবেল	৮)	পাখংব যাঙবী
৯)	পাখংব লাইহুই	১০)	তাউবোইনাই যাঙবী
১১)	তাউবোইনাই পিচা	১২)	লৈথক লৈখাবোল
১৩)	লৈখা নোংখাবোল	১৪)	লৈচিল্লোন যুম্বী
১৫)	নোংলোন যুম্বী	১৬)	নোংলোন লাইচম
১৭)	নোংলোন ক্রথোং	১৮)	নোংদোন লাংপুম
১৯)	নোংদোন লৈচিল্লোন	২০)	লৈবোল যুমচেৎপ
২১)	লৈচিল্লোন নাউয়োম	২২)	লৈপাক্ত হৌব লৈচিল্লোন
২৩)	পাতাল লাংপুম	২৪)	থিরেন সাকোক
২৫)	থিবেন সীংকাপ	২৬)	খুনুং সীংকাপ
২৭)	থিবেল মৈবমলীব	২৮)	থিবেল লাযাৎ
২৯)	থিবেল লাইচম	৩০)	থিবেল চেম্বী
৩১)	থিবেল থিপোকপী	৩২)	থিবেল ক্রথোং
৩৩)	লৈশাংখোং থিবেল	৩৪)	যুম্বী থিবেল
৩৫)	নোংমাইজীং থিরেল	৩৬)	হৈপোক থিবেল
৩৭)	লাঙ্গোল থিবেল	৩৮)	কৌব্রু লাইখৈ
৩৯)	থাংজীং লাইখৈ	৪০)	ললাম্বুঙ লানখৈ
৪১)	চীংঙা লানখৈ	৪২)	চীংখৈ সেকনীং
৪৩)	ব্রাংবেল সেকনীং	৪৪)	ন্যংলোন লম্বুবা

৪৫) নূংলোন য়ুম্বী
৪৬) নূংলোন খ্রা
৪৭) নূংলোন লাইচম
৪৮) নূংলোন য়াঙবী
৪৯) সাকোক লাইচম
৫০) খোই মহৌ
৫১) মহৌ লাংপুম
৫২) মহৌ চাংদ্রাখেল
৫৩) মহৌ সেকনীং
৫৪) মহৌ ফাফী সাকোক
৫৫) মহৌ লাংপুমখেন
৫৬) তাম্হোঙ মহৌ
৫৭) লেমথোঙ মহৌ
৫৮) য়ুম্বী মহৌ
৫৯) লৈহৌ মহৌ
৬০) নোংপাই মহৌ
৬১) থেনখেন মহৌ
৬২) লৈচাই মহৌ
৬৩) থেনকা মহৌ
৬৪) নোংলোন মহৌ
৬৫) লৈরোল মহৌ
৬৬) চকপবোন মহৌ
৬৭) হিরি লংসুং মহৌ
৬৮) কিথুম মহৌ
৬৯) চকপরোন খেনকাব
৭০) কোম্ন নুংবুং কোইবা
৭১) নোংদোন হিরি
৭২) খুনুং সমপুম
৭৩) মানাৎ লোন
৭৪) চনাৎলোন
৭৫) মবাক লোন
৭৬) থিয়াইলোন
৭৭) হিরি লংসুংলোন
৭৮) চোংখুলোন
৭৯) খাম্বীরোন
৮০) লায়াৎ থেংগৌরোন
৮১) চরাপলোন
৮২) অপোকলোন
৮৩) অপোক লাংপুমলোন
৮৪) লংমাইচীং চীংগোইবোল
৮৫) হৈপোক চীংগোইরোল
৮৬) চীংথাং চীংগোইরোল
৮৭) থাংজীং চীংগোইবোল
৮৮) কৌব্রু চীংগোইরোল
৮৯) লোইজীং চীংগোইরোল
৯০) কোনজেং কোকফাইবোল
৯১) চোংখু লম্বী
৯২) খুনুং পুঙগোইলোন
৯৩) খাবী থেলেনলোন
৯৪) সিবিকা
৯৫) জতিৎ
৯৬) খুম্হোক যাঙবী
৯৭) চীংসৎলোন
৯৮) মহৌ য়াঙনী
৯৯) উলোন
১০০) ব্রা লোন
১০১) পাবোৎ খাংচীংলোন
১০২) সংবুম লাংপুমলোন
১০৩) ক্রি লংসুংলোন
১০৪) থায়াং হিপুকলোন
১০৫) শীংখল লাংখললোন
১০৬) সিংতাবুং
১০৭) সনা সেকনীং
১০৮) পোইরৈতোন খুনথোকপ
১০৯) পোইরৈতোন নীংচীৎ
১১০) খম্মোই য়াংমোই সেকনীং

১১১) নোংশাব খুনথোক	১১২) নূংবী নূংথারোল
১১৩) ৱাবা লাংকালোন	১১৪) কোংখা লাইচৌলোন
১১৫) সেল্লোই নীংচীৎলোন	১১৬) পাফন উহৌলোন
১১৭) নুমিৎ খেনচংলোন	১১৮) থা খেনচংলোন
১১৯) থারানম্মিচাক খেনচংলোন	১২০) তাউমা হিয়াং কোল্লোন

মথক্ত পীরিব লাইরিকশিং অসীত নত্তন শক্ক-শোন্নবদ শীজিন্নব হায়বদি ঈশৈ ওইন শক্কনদ অমসুং ঈরাৎ লাইশোল ওইন শোনবদ শীজিন্নব লাইরিক কয়াসু মৈ থাব অদুদ য়াওখি।। লাইরিকশিং অসী কংলা উত্রা মমাঙদ পৈখি।। মৈ থানবগীদমক খোমগৎখিব লাইরিক মশীং অসী ৭০০ (চাতরেৎ) রোম্নি হায়বগী ৱাফমসু লৈ ।। মসীগী মরমদি মায়চৌ অমদ লৈব লাইরিক অসী মচা মনাউ ওইব অতোপ্প মায়চৌ অমসুং মায়নৌ কনাগুম্বাশিংনসু মথং মথং শিন্দোক্তুন পায়নবগী চংনবীসু লৈনরম্মী।। অসুম তৌদুন লাইবিক অমদগী শিন্দোকপ চপ মান্নব লাইরিক কয়াসু লৈনব য়াওব মরম্ম লাইরিক মশা অমত্তগী ওইব শিন্তোকপ লাইরিক কয়াসু মৈ থাব অদুদ য়াওরমফম থোকই।। অদুবু মৈ থানবগীদমক খোমগৎলকখিব লাইবিকশিং অদুগী মমিংশিং অসীদ লাইরিক অমগী মমিংদ অমুক হনজিন্ন য়াওবদি থেংনদে।। মসীদগী ঐখোয়ন খঙজিনব যাবদি – লাইরিক খোমগৎপদ লাইরিক অমদগী মথং মথং শিন্দোকপ লাইরিক কয়ামুক য়াওরবসু লাইরিক্কী মমিং ঈশিনন মতমদদি অমখক্তং ওইন ইরে হায়বসীনি।। মরম অসীন মৈ থাখিব লাইরিক মশাং অসী মমিংদ ১২০ ওইজরবসু শিন্দোকপ লাইরিক্কী মশীং য়াওরগদি অশেংব লাইরিক্কী মশীংদি ৭০০ রোমনি হায়ব পাউদম অসী চুমনিংঙাই ওইবগী মরম লৈ।। যাম্ন শেংন হায়রবদ লাইরিক্কী মশিং অসী ১২০ দগীদি যাম্ন হেনফম থোকই।।

লাইরিকশিং অদু মৈ থানবগীদমক কংলা উত্রা মমাঙদ পৈদু থম্লিঙৈ মতম অদুদ চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবনা সনা কোনুং কারক্তুন নিংথৌগ উনরখি।। নিংথৌ পামহৈবন চীংঙু খোংনাংথাবদ--চীংঙু মায়চৌনা লাকপনু করিগীনো– হায়ন হংখি।। নিংথৌন হংলিব ৱাহং অদুগী পাউখুম ওইন মায়চৌ অসীন-লাইরিকপু মৈদ থাবদি নবুধৌশিং নিংথৌরোল কনাগী হাক্তক্তসু তৌনরক্তে ।। নিংথেম্ম লৈবাক্কী মমা মপানি ।। মসী যাম্ন তৌহৈদব থবক্কি।। লৈবাক্কী যাম্ন অৱাব ওইগনি।। – হায়রবদ নিংথৌন – গুরু শান্তদাসন হায়ব অসীদি নিংথৌ ঐন হান্ন যাখ্রে, হৌজিক্কি য়াদব ঙল্লরোই – হায়ন খুমখি।। নিংথৌগী পাউখুম অদু তারবদ চীংঙু খোংনাংথাবন – অদুদি তৌগদৌরিব থবক অসীগী অফ- ফত্ত পুম্মমক নিংথেম নহাক্কী নশরাক্কি-হায়রম্লগ সনা কোনুংদগী কূমখি ।।

গুরু শান্তদাসন তাকপ মতুং ইন্ন লাইবিক ময়াম অদু খা- ব্রাং ওইন শীং শেমদুন পৈখি।। গুরু অসীন মখূত্ত থাঙ অমনে মৈবুল অমনে পাযদুন মাঙ থাবগ নিংথৌ অমসুং লৈবাক্কী অঙম অথৌ খরসু য়াওন মৈ কোয়বগ গুরু অসীন মৈ চূদুন লাইবিকশিং অদু মৈ থাখি।। অদুবু ১) নোংলোন ২) পাখংব নাউয়োম ৩) সীংখল নাউযোম ৪) যাঙবী থিরেল ৫) তাউরোইনাই নাউযোম অমসুং ৬) সাকোক থিবেল—লাইবিক তরুক অসীদি মৈ চাকপ ঙমহৌদন মথং মথং ওইন মায়কৈ কযাদ পাইখি হাযবগী থাজনবী লৈনরি।। *'পাইখি'* হায়ব ব্রাহৈ অসীগী নুংগী ওইব ব্রাহম্লোক অম লৈবমগদব মাল্লি।। ব্রাহৈ অসী মতমদুগী চীংঙু মাযচৌশিংন থম্নীবম্ব পাউখোঙ পাউতাক ওইবম্বসু যাই ।। ইনিংথৌ পামহৈবন মীতৈ মযেক্ত ইব লাইবিকশিং অদু মৈ থাদোক্লুন মাঙহনব পামখিবগী মবর্মশিংগী মনুংদ প্রমর্থক্তি লাইবিকশিং অদু মাঙহন্দুন মীতৈশিংগী লাইনীং লোনচৎ মাঙহনবগ লোযনন সংস্কৃত লোন্দ ইব হিন্দু লাইনীংগী ওইব লাইবিকশিংবু লৈপাক অসীদ চৎনহনব পাম্বদগীনি ।।

চীংঙু খোংনাংথাব সনা কোনুংদ অমুক কাবকখি।। মতম অদুমক্তি লাইবিক মৈ চাকপ পুম্লোই লোইবন মতমনি।। চীংঙু মাযচৌন লাকপদি কবিগীনো হাযন নিংথৌন হংখি।। ঐন হাযববু নিংথৌন যাদ্রবদি ঐন লৈব কবিসু কান্নদ্রে, ঐদি লৈবনোই ।। নিংথেম্ম ঐগী লৈপাক্কী লাইনীং লীচৎপু হুন্দোক্লুন মীগী লৈপাক্কী লাইনীং লীচৎপু অফব ওইন তৌবর্বানন নবুধৌ পাখংবগী মবুল অসীদি নবুধৌন লৈব মফমদ লীশিল্লম্লগে হাযন খুম্লকখি ।। ইবুধৌ পাখংবগী মবুল হাপ্প উপু অদু পুবগ চীংঙু মাযচৌ মহাক্তি সনা কোনুংদগী চৎখি ।। পূয়া মৈ থাব থৌদোক মতুংদগীদি সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গালা লোন্দ ইব হিন্দু লাইনীংগী ওইব লাইবিক কযা মীতৈলোন্দ হন্দোকপ হৌবকখি।।

। নোংম শান্তদাস গোসাইন বামাযন পাদুন লৈপাক মীযামদ তাক্লগে হাযদুন থৌবাং তৌবকপ মতমদ মখাক অবাউবগ লোযনন খাম্বী মৈবীন তান্ন তান্নদুন চাক্লকপদগী মীযাম পুম্নমক কাযদুন চেন্নাখ।। ভগবানদাস অমসুং নাবাযনদাস অনীন লৈপাক অসীদ মতীক মযাই থোইদোক হেন্দোক্ল লৈব কবি লাই লৈবগে হাযন পামহৈব নিংথৌদ হংলবদ, ব্রাফম অসী খন্নবগীদমক

চীংঙ্ক মাযচৌ খোংনাংথাববু কৌহনখি।। অদুবু মাযচৌ মহাক্তি মহকচাং ঙমদববদগী মাযচৌ মোইবাং ললহানববু সনা কোনুংদ চৎলুচো হাযন থাবকখি মাযচৌ মোইবাং ললহানবন সনা কোনুংদ লাক্লগ নিংথৌগী মফমদ–লৈপাক অসীগী মতীক মযাই পোইপাক হেন্দোক্ল লৈব লাইদি কৌবৌ নোংশেম্ব মালেম লৈশেম্ব লাইাযংথৌ সনামহীনি হাযখি।। মদু তাববদ নিংথৌন মাযচৌ ললহানবদ লাইযিংথৌ সনামহীগী মতীক মযাই চম্লব কবি পাম্বে লৈবগে হাযন হংলবদ, মাযচৌ ললহানবন–মালেম লৈশেম্ব লাইনিংথৌ সনামহীবু মাঙহনবদি কদাইদগী ঙমগদগে হাযন খুমখি ।। পাউখুম অদু তাববদ নিংথৌন তাইবং যুমথোঙ খূদীংদ বামান্দি লাইনীং চৎহনগে তৌবনি- হাযববদ মাযচৌ ললহানবন লাইযিংথৌ সনামহীদি থক্ত তৌখিব নবুধৌশিংনা নাংনবকপ অমসুং শোন্নবকপ লাইনি।। ইনিংথৌন লাইযিংথৌ সনামহীবু হুল্লাল্লবদি নিংথৌগীসু লৈপাক্কীসু অমাঙব ওইগনি। পাবী পুবী লাই ওইবন মীযাম খূদীংনসু থাদোক্লো, শোল্লগনু নীংলগনু হাযব যাবোই হাযনবদ নিংথৌ পামহৈব যান্ন শার্উখি।। নিংথৌ ঐন তৌগে নাংলবদি লৈপাক কনান থিংগনি, নিংথৌ ঐগী ইনাংন–হাযবল্লবদ, মাযচৌ ললহানবন- ঐগী হকচাং অসী মতৃপ তবেৎ থোক্ল কল্লবসু পাবী পুবী লাইবু থার্বদি ঙমজবোই, ইনিংথৌন ঙম্মী হাযবগী তৌগদব মঙায, মদুদি নিংথৌগী অকনব চৈবাক্লি।। চৈবান অদুবু কিদব মীর্দাদ কবিসু চঙলোই হাযন খুর্মখি।। মাযচৌ ললহানবন অসুন্ন থৌনা লিংজেলগ লোযনন লৌবিব লাইনীংগী ফিবেপ অসী চীংঙ্ক মাযচৌ খোংনাংথাবগী ব্রাখল অমসুং ফিবেপনি হাযন ঐখোযন লৌগনি, মবর্মদি নুমিৎ অদুদ মাযচৌ ললহানববু সনা কোনুংদ থাবক্লিব অদু চীংঙ্ক খোংনাংথাবর্নানি।। শান্তদাস গোসাইগী খোঙলোয ওইবকখিব ভগবানদাস অমসুং নবাযনদাস অনীগী থোইনশিন্দগী ইনিংথৌ পামহৈবন সনামহী কোল্লু যৈখাযকবগী ফত্তব মহৈ ওইন সনাহল শ্যামশাই অসী লাইওঙ খণ্ডন নাববদ নিংথৌন হাযজবদগী থোক্লিব অবা অনা অদু লাইনিংথৌগী শক্তম থুগাযকবদগীনি, লাইযিংথৌ সনামহীগী খুযাখাদ চঙজৌ হাযন চীংঙ্ক খোংনাংথাবন তাকপিবদগী ইনিংথৌন লাইনিংথৌ মাগী শক্তম অমুক হন্ন হৈদুন খুবম লেপহৌখি ।।

গুরু শান্তদাস গোসাইন লৈপাক মীযামদ হিন্দু রামান্দি লাইমিং পীবগে হায়রে হায়দুন নিংথৌ পামহৈবন লৈপাক মীযামদ লাউথোক্লকপ মতমদসু চীংঙু খোংনাংথাবন নিংথৌগী মফমদ মীরৈবাক্কী লাইনীং লীচৎ লৌরুবন তুংদ মীতৈ ঐখোয়গী মাঙজবরুদবশিং অদু যাম্ন মযেক শেংন হায়দুন অদুগ গুরু শান্তদাসগী পাউতাক মতুং ইন্ন নিংথৌন পাবী পুরী লাইনীং লীচৎপু মরু ফংন মুৎথৎনবগীদমক লাইবিকশিং মৈ থাদোক্লুন মাঙহন্নবগীদমক লাইবিকশিং খোমগৎলকপ মতম, লাইবিক মৈ থারমদাইগী মতম অমসুং লাইবিক মৈ থাব হেক লোইখিব মতম-মতম তাংকক অহুম অসীদ চীংঙু মায়চৌ অসীন সনা কোনুংদ কাবক্লুন নিংথৌ পামহৈবগী মফমদ নিংথৌন পায়খৎলিব থবকশিং অদু যানিংদবগী অচেৎপ ফিবেপ লৌখি ।। নীংবু নীংশর্বাদি থবক্ত হেক্ত ওম্থোকপ ঙম্ব মতীক মথৌনা লৈব ইনিংথৌ পামহৈবগী অপাম্বগী মাযোক্ত লেপ্প হায়বসী তবাই তবাইব থবক নত্তে ।। য়াম্ন অরাব তানিংঙাইনি।। অদুবু চীংঙু মায়চৌ অসীন মীতৈ ফুরুকী মশাগী লাইনীং, নাৎ অমসুং শক্তম কনব পাম্বদগী নিংথৌ অসীগী মাযোক্ত অচেৎপ ফিরেপ লৌখি ।। লৈপাক মীয়াম্ব রাশকহন্দুন হিন্দু রামান্দি লাইনীং লৌতনবগী থবক নিংথৌন পাযখৎলকপদ চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবন লুচিংদুন নিংথৌ মচাশিংন শৌগৎপ, মীতৈশিংগী থাগোন্নদু লাক্লব লাইনীং লীচৎকী অমাইবশিং অমসুং লাইনীং লীচৎ অসীবু কনজব পাম্ব লুচিংব মীওইশিংন নিংথৌন পাযখৎলক্লিব থবকশিং অদুগী মাযোক্ত চঙশিনখি ।। অদুবু খোঙজঙ অদু মায়দি পাকখিদ্রে।। মবর্মাদ অকনব নিংথৌ- লৈঙাক চৎপ লৈপাক অমদ নিংথৌ অদুন অচেৎপ ফিবেপ অমগ লোয়নন পাযখৎলকপ থবক থৌরাং অমবু থিংগে হায়ববদি নিংথৌ অদুবু নিংথৌ ফম্বালদগী নমদু চিংথব তাবনি।। অদুবু মদুমক্তি ঙমখিদ্রে ।। চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন ফোঙদোকখিব রাফম অমসুং পায়খৎখিব থবকশিংদগী ঐখোয়ন য়াম্ন শেংন খঙব ঙমই মদুদি চীংঙু মায়চৌ অসীগী রাখল ফিদম অমসুং ফিরেপ্তি মীতৈশিংগী অঙনব মতমদগী থাগোন্নদুন লাক্লব লাইনীং, লীচৎ, লোন, ময়েক অমসুং নাৎপু কন্দুন, হিংহন্দুন অমসুং চাওখৎহন্দুন মীতৈ ফুরুপকী শক্তম কনবানি।। মীতৈশিংগী শক্তম কন্নবগীদমক চীংঙু মায়চৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন ফুরুপ অসীগী লাইনীং কন্নবগী অকনব অমসুং অচেৎপ ফিরেপ লৌখিবগী মরমদি ফুরূপ অমগী মশাগী

ওইব লাইনীং মাঙলবদি ফৃব্দপ অদুগী নাৎ মাঙলকই, ফৃব্দপ অমগী নাৎ মাঙলবদি ফৃব্দপ অদুগী শক্তমসু মাঙলকই।। মশাগী শক্তম মাঙলব ফৃব্দপ অমগী অহিংব মীওইশিং অদুদি শিন শিন হিংবগ পাংখক্লি হায়ব ৱাখল্লোন অসীন চীংঙু মাযচৌ অসীগী অচেৎপ ফিদম ফিবেপ ওইবকখিবদগীনি।। মায়চৌ অসীগী ৱাখল, ফিদম অমসুং ফিবেপ অসী কুপ্ন য়েংশিল্লব মতুংদ ঐখোয়ন যাম্ন শেংন খঙলে মদুদি চীংঙু মাযচৌ অসীদি মবৈপাক মফৃব্দপ, মনাৎ অমসুং মশাগী লাইনীং লীচৎপু থৱাযমক্তগী হেন্ন নুংশিন খনজব, মথৱায় ক্না ওব পাম্মুব লৈতন কল্লব নিংথৌগী পাঙ্গল থৌনাগী মাযোক্ত লেপ্পুন মীতৈ ফৃব্দপকী লাইনীং, নাৎ অমসুং শক্তম কন্নব হোৎনখিব মবৈপাকনীংব, লাইগুম্লব মাযচৌ অমনি।। মায়চৌ অমন ফংনিংলবসু পাক হেক ফংব ঙমদব *'চীংঙু'* হাযব মিংথোল অসী ফংবদ হেন্ন মতীক চাবব মীশক অমনি।। *'চীংঙু মাযচৌ পৌরেম্ন খোংনাংথাব'* হাযব মিংখৈ অসীদি মীতৈ কৌব ফৃব্দপ অসীন মালেমদ লৈবিব মখৈ ফৃব্দপ অসীগী লাইনীং, নাৎ অমসুং শক্তম্মু নুংশিব অমসুং কনব পামজব মীতৈশিংগী থম্মোইনুংদ মতম পুম্নমক্কী ওইন লেঙদন লৈহৌবগনি।। চীংঙু মাযচৌ অসীগী থুমথোইবব কোলোয মিংলেন অসীদি থৌদু নুঙপাক্ত হকপ মযেক্কুম কংলৈপাক মনিপুব পুৱাবীগী লামাযদ মতম পুম্নমক্কী ওইন মুংনাইদন লৈহৌবগনি।। চীংঙু মাযচৌ অসীগী বাখল, ফিদম অমসুং ফিবেপ অসীন মীতৈশিংগী মশাগী ওইব লাইনীং নাৎ অমসুং শক্তম্মু কনজব অমসুং চাওখৎহনব পামজব ফৃব্দপ অসীগী তুংগী মীবোলাশংদ লমজ্জীং মৈবা ওইহৌবগনি ।।০।।

১০

চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবন কনব পামখিব লাইনীং নাংকী থৌরমশিং

ঈনিংথৌ ইবুংঙো চরাইরোংবদ (খৃস্ত কুম ১৬৯৭ - ১৭০৯) হিন্দু লাইনীংগী ঈথিল চঙব হৌখি।। অদুবু ইনিংথৌ অসীন মীতৈ ফৃন্দপকী য়াম্ন ঙল্লিবৈ মতমদগী থাগোম্নদুন লাকখিব লাইনীং লীচৎপুদি মরু ফুক্তৎনব হোৎনখিদে।। নিংথৌ অসীগী হাক্তক ফাওবদ লৈরম্ব মীতৈশিংগী পোকপদগী শিব ফাওবগী পুন্সি খোঙচত্ত পাঙথোক্তব যাদব ফৃন্দপ অসীগী থাগোম্নরক্লব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবর্মশিংদ কংলৈপাক মনিপুরগী মপান্দগী চঙলকপ হিন্দু লাইনীংন খোইদোক্ল শীংথাব যাব অহোংব পীখিবগী মাম তাদে ।। মীতৈ অমগী পুন্সি খোঙচৎকী ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌরর্মশিংদ অহোংব চঙলকখিব অসীদি ইনিংথৌ ইবুংঙো গরিবনিবাজন (খৃস্ত কুম ১৭০৯ - ১৭৪৮) হিন্দু রামান্দি লাইনীং লৌরব মতমদগীনি।। মরম অসী লৈবন ঐখোযন য়াম্ল শেংন খঙলে মদুদি চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবন ঙাকশেন্দুন থম্ব পামখিব মীতৈশিংগী পোকপদগী শিব ফাওবগী ওইন পুন্সি খোঙচৎকী ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌরমশিংদি মীতৈশিংন হিন্দু লাইনীংদ লাইমিং লৌদ্রিঙৈদ চৎনবকখিব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবমশিং অদুনি।। চীংঙু মায়চৌ অসীনা ঙাক শেন্দুন থম্ব পাম্লমখিব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবমশিং অমসুং লাইনীং নাৎকী ওইব হরাউ কুম্মৈশিং অদুগী মরমদ হৌজিক্কী মীবোল ঐখোযন খঙজিনগে হায়ববদি হিন্দু লাইনীংগী অকনব ঈথিল চঙদ্রিঙৈগী মতমদ চৎনবম্ব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌরর্মশিং অমসুং লাইনীং নাৎকী ওইব হরাউ কুম্মৈশিংগী মবমদ ইব অরিব লাইরিকশিং অমসুং লমদম অসীগী মায়চৌ, অমাইব, অমাইবী অমসুং পেনা অশৈবশিংন মীরোল অমদগী মীরোল অমদ মথং মথং লাকখিব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌরমশিং অমসুং লাইনীং নাৎকী ওইবা হরাউ কুম্মৈশিং

অদু যাম্ন কৃপ্ন নাক যেং হাইদুন মীচঙ মীখায নাইদব অচুম্ব মায়েংন যেংশিল্লগ খঙজিনব ঙমগনি।। অসুম্ন যেংশিল্লব মতুংদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন কনব পামখিব মীতৈ অমগী পুন্সি খোঙচংকী হাযবদি পোকপদগী শিব ফাওবগী ঈবাং লাইশোল থৌনি থৌবমশিং অমসুং কুম অমগী থা ১২ দ থা থাগী ওইন পাঙথোক্লবম্ব লাইনীং নাৎকী ওইব হবাউ কুম্মৈশিংগী মনুংদগী মকওইবশিং অদু খব শমজীনব মওংদ লৌখৎচাব ।।

১ঃ পোকপদগী শিব ফাওব পুন্সি খোঙচংকী ঈরাং লাইশোল থৌনি থৌরমশিং

(১) পোকপগী ঈরাং লাইশোল থৌনি থৌবম

যাইবী থব্রায পুন্নমক্কী হৌবকফম ওইব মক নেমফৃদি তেংবানবগী মপু যাইবীবেল শিদবনি।। যাইবীবেল মহাক্তি শিব লৈতে হাযদুন শিদব মপু কৌনবম্মী।। মালেম তাইবংপান্দ লৈবিব তাইবং মী ওইবগী যাইবী থব্রায অসীসু যাইবীবেল শিদব মাঙোন্দগী লাকখিবনি।। *'পোনশী লাং'* কৌন অবিব লাইবিক অদুদ হাযবগী মতুং ঈন্ন মীওইবগী যাইবী থব্রায অসী যাইবীবেল শিদব মাঙোন্দগী অহানবদ কোবৌ নুমিত্ত লাকখি।। কোবৌ নুমিত্তগী লোইদাম থাজদ, লোইদাম থাজদগী শজীক্ত, শজীক্তগী থাবাদ, থাবাদগী থাদোন্দ, থাদোন্দগী ওকপুবোইদ, ওকপুবোইদগী তাউহুইবেংদ অসুম্ন মথং মথং লাকখি।। তাউহুইবেং যৌবকপদ কোবৌ নোংলোনগী লম্বী খোঙচং লোইবদুন যাইবী থব্রায মহাক্ত মালেম তাইবংপান্দ খোঙ্গুম্নক্লুন পম্বৌ মপাগী পীবুক্লুংদ চঙখি।। পম্বৌ মপাদ লোইদাম থাবুম অনী লৈবম্লগ পম্বৌ মপাগী ফম্বী লীক্লাদ শাদোং ওইদুন পলেম মমাগী পীবুক্লুংদ খোঙজঙখি।। পম্বৌ মপাগী ফম্বীলীক্লা অমসুং পলেম মমাগী লৈবাং লৈবীক্ত শাদোং ওইদুন যাইবী থবায মহাক্ত পলেম পীবুক শির্যোম্নুংদ লোইদাম থাবুম ১০(তবা) হাযবদি কোবৌ শীংবুম ৩০০ (চহুম) নি ঈফা ঈমেল্লব তুংদ *'হযি'* মিংলেনবু মখুৎ য়েৎন, *'হযা'* মিংলেনবু মখুৎ ওইন খুদুম চেৎন পাযদুন পলেম পীবুক্লুংদগী *'হুং- আ'* খোনজেলগ লোযনন মালেম অঙাই তাইবংপান্দ খোঙ্গুম্নকখি হাযবগী থাজনবী লৈবম্মী ।।

(ক) কোকথোক চামথোকপ

অঙাং নাউব্রা অদুন পলেম মমাগী পীবুক্লুংদ লৈবকপ থাবুম মঙা সুবক্লবদ *'কোকথোক চামথোকপ'* কৌব থৌবম অম পাঙথোক্লবম্মী।। থৌবম অসী পাঙথোকপদ নুপী অদু খোঙ্গ্রাই চন্দুন ফমহল্লম্মী অদুগ মহাক্কী নুপা অদুন

নুপী অদুগী মতুংলোমদ লেপ্পগ নুপী অদুগী লৃখম মযাদ উচান শীংচেপ মৈবা অম পুশিন্দুন নুপী অদুগী মমি অদু মতম্বাক্ত তাহল্লমী॥ অসুম্ন মমি অদু মতম্বাক্ত তাবিঙে মতম অদুদ অখঙ অহৈ অমাইব অমন নুপী অদুগী মমাঙদ ঈশিং চফূ অম থম্লম্মী অদুগ হৈন্দক লৈন্দক কৎলম্মী। চফূ অদুগী ঈশিংন নুপীদুগী মমিৎ মমায তাথোক্লম্মী॥ অতোপ্প কোকথোক চামথোকপগী থৌবম অমদন নুপী অদুন মীবোনব থা ৫ নত্রগ ৭ নত্রগ ৯ সুবকপ মতমদ ঈশিং অশেংব চফু অমদ মহাক্কী মমি তাহল্লম্মী অদুগ চফু অদুদ লৈ পবেং অঙৌব অম হুকচিল্লম্মী অদুগ অমাইব অমন অসুম্ন অকোক্লোন শোল্লর্ম্মী – *"হা-হুং, হা-হৈ॥ তীনমু ফত্তব তীনযেৎলগনো ॥ লাইমু ফত্তব লাইযেৎলগনো । তাইবেল লোংন লৌন লাইজ খীকফেন চাইববনে । তীনমু ফত্তব তীনকোকনবসে ॥ লাইমু ফত্তব লাইকোক্লবসে ॥ তীন্নমফদে, লাইনমফদে॥"*

(খ) নাউফম ফুম্ব

অঙাং অম পোকপদ যামদ্রবদ নাউসুবী (চাবোকপী) মাইবী- ১, মাযোক্লবী মাইবী ১, খোম্নৌবী নুপী- ১ – অহুম অসী তঙাইফদন চঙলম্মী॥ অঙাং অদু পোক্লব মতুংদ নাউসুবী মাইবী অদুন খোযবী লেল্লমদাইদ নাউফম অদুদ খুবাক্ক পোপ পোপ পানগ অসুম্ন থবাযমি কৌশিল্লম্মী – *"হে থরায মঙামক ॥ মিগ থাবগ তকন্দমক ॥ পুন্সি নুংশাংব পীনবীযু॥ কুক কুক কুক॥ কোন কোন কোন॥ কোনাশল্লে ।"* খোযবী লেল্লমদাইদ অঙাং অদু মাইবীন ঈকজবীবম্মী।। খোযবী অদু ত ১° নশাবোমদ খুদোল মবীবোল খাক্লগ বাক থৌন লেল্লম্মী । অঙাংগী মপান অঙাং অদুগী মনাকোঙ অনীমক্ত - *'হযি হযা-হযুম'* (হৈ-হ) হাযব অতিংকোক মরু শিদব চীংঙু খোইযুম অসীবগী মতকপ মিংলেন মিংখৈ অসী শেন্দুন পীনবম্মী॥ নাউফম অদু, চফু মচা অহানব অমগী মনুংদ পাবোল অহুম থাবগ সনা কোনযাই অমসুং লুপা কোনযাইগী মন্থুৎশিন্দুনা চেঙ মচং অঙাঙব অমসুং অঙৌব ৭ হাপচিল্লব মতুংদ হাপচিল্লম্মী। অঙাং অদুনা নুপা ওইনগ খা থংব অদুগ নুপী ওইবগন অব্রাংথংব যেনখাগী ফক্লাং মযাদ খুবোম অমবোম লুন লৈপাক তৌথোক্লগ শেল মযেক অম কোম্লংদুদ থাধদুন কৎলব মতুংদ চফু অদু কম্বী অমন মখুম খুমজিল্লগ ফুমজিল্লম্মী॥ নাউফম হেক ফুমজিনখিবগ অঙাং অদু অহানব ওইন মমান খোম ইনবাদব যানবমদে॥ মমাগী খোম থোক্তবসু চুপ্পদ ওইববসু চুপহন্নবম্মী॥ অদুদগীদি খোম্নৌবী অদুন খোম ইনবীনবম্মী॥ খোম হেক ইনবীবগ লাইন মামং থোনখিবন হানখ্রবদি ফত্তে হাযদুন অঙাং অদুগী মমিং থোনবীবম্মী॥ অসুম্ন থোনখিব মামং অদু কোম্ন অমুক হোংদোক হোংজিল

তৌব যানবল্মী।। ঈপাল থাব নুমিৎ যৌদ্রিফাওব নুপী অদুগীদমক্ত চক্নগী মোনপাক অম তোপ্ন শেমদুন মৈ হৌগত্তুন থম্ব মনাক্ত হিপহল্লস্মী ।। নুপী অদুগী চাক তোপ্ন থোংদুন পীজনবল্মী।। যেনশাং পীজনবমদে।। চাক অদু মীতৈ থুম তোৎলগ ঙমু লৈবৌ অকংবগ পীজনবল্মী।। অসুম্ন লৈবিঙৈ মতমদুবু মৈনীংকুম্ব কৌবল্মী।।

(গ) ঈপাল থাব

অঙাংপোকপ নুমিত্তগী থীব হৌবগ অঙাং অদুন নুপা ওইবগ নুমিৎ ৫ নিসুব অদুগ নুপী ওইবগন নুমিৎ ৬ নি সুব নুমিত্ত ঈপাল থাবগী চৎনবী লৈবল্মী অদুবু কোন্নদি অঙাং নুপা নুপী অনীমক ৬ নিদ ঈপাল থাবগী চৎনবী লৈবকখি।। ঈপাল থৌবমগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'দ* অসুম্ন ইবি *"কৌবৌ নুমিৎ মঙানি খাম্বী মৈনীং কুম্নগ নুমিৎ শীংবু তক্নক্লি সুবদ কাসা নোংথৌ সোবাবেলদ কোবৌ থবাউচিযে।। ফৌদাং, ঙতাই পবেং অচুম্ব হাপএ ।। যাংকোক খপতাইনন পোৎলোই মশীং সুন তাইখমএ ।"* ঈপালগী অযুক্ত অঙাং অদু মাইবীন ইরুজবীবল্মী।। অমাইবন যুম ইংখোল অদু তাইবেল পুংফাইন ঈক্ন ঈশেং লাইজ- খীকফেন চাইদুন শেংদোক্লস্মী।। ইমুংগী চাক যেনশাং থোংবদ শীজিন্নব লৈপাক্কী চফু উযানশিং থুগাইনগ অতোপ্প অহনবন মহুৎ শিনজিন্নবল্মী।। নুমিৎ অসীগী অযুক্কী ঈপাল থৌবমদ মাঙ্গোল মচীন্দ ফৌশঙবায অচোনব অমগী মথক্ত ঙাবী পবেং অচুম্ব ১, মীতৈ থুম কাগুপ - ১, শিং কাগুপ ১ হাপ্পুন থৌজাল লনকুবীনবগীদমক কোবৌহনব নুমিত্ত কৎলল্মী।। ফুংগা লাইক মনাক্ত লৈনিবী ঙমইনু লাইবেম্বীদসু যাংকোক অমদ চেঙ, যেন্দেম, মীতৈ থুম, শিং, ইৰুমনা, মীতৈ ঙমু লৈবৌ অকংব- পোৎলমশিং অসী কৎলব মতুংদ শিংজু ওইন। সুবিবগ মাইবী অদুন শিংজু অদু লা মচেৎ একক্ত খব খন হাপ্লল্মী অদুগ শিংজু অদু অঙাং অদুগী মযাদ ইনশিনবীবমক্তি নত্তব চাক ইনবীবগী মবোঙদ *"মম- মম- মম"*হাযবল্মী অদুগ ঈশিং পীথকপগী মরোঙদন *"ফুক- কুক কুক"* হাযবল্মী।। তক্নকসুব অবোইব চখোম অদু ইনবিবগী মবোঙ তৌনদাদ - *"হে থবায মঙামক।। মিগ থাবগ তক্নকমক।। পুন্সি নুংশাং চাক্লি।। চাবো চাবো ।।"* হাযন ইনবিবগী মরোঙ তৌবল্মী।। থৌবম অসীগী শক্নক অম ওইন ইমুং অদুগী ফুংগাদ খোইজু লৈখাম থাদুন মৈ হৌগৎলল্মী।। অঙাং অদু যাংকোক অমদ হাপ্লগ মাইবী অদুন মৈ অদুগী মথক্ত যাংকোক অদু তপ্প তপ্প হাইবগ অঙাং অদুগী মমাদ *"যাংকোক লৌগেবা।। ইচা লৌগেবা।।"* হাযন হংলল্মী।। মমা অদুন *"ইচা লৌগে"* হাযন খুম্লল্মী।। মথংদ অমুক মাইবী অদুন অঙাং যাওব যাংকোক

অদু হাইবদুন অঙাংমমাদ – *"সনা পাম্ত্রা।। লুপা পাম্ত্রা।। নচা পাম্ত্রা"* হাযন হংলস্মী।। মদুদসু মমা অদুন – *"সনাসু পামদে।। লুপাসু পামদে।। ইচা পামই।।"* হাযন খুম্লস্মী।। মমা অদুন শেল মযেক অম মাইবী অদুদ পীবস্মী অদুগ মচা অদু লৌশিন্দুন মথাদ চেৎন কোনশিনবীবস্মী।।

তঙ্কক্লি ঈপাল থৌবম অসীগী শঙ্কক অম ওইন নুংথিল নুমিৎ চাযথবকপগী মতমদ নুপী মপাম্ন (মপা মযুম্ন) মীতৈ ঙমু অচঙব (অহিংব) যাওন চেঙ, অথেল পোৎ, অঙাংগী মফি মবোল্ল, লীক কোননচিংব পুদুন লাক্লুবস্মী।। নুমিদাংগী থৌবম অদুদ, অঙাং অদুগী মশাদ শবোয ঙাবোয অমসুং তীনমু লাইমুন তীনযেৎ লাইযেৎপনচিংব ফত্তব পুম্নমক্তগী ঙাকথোক্লবগীদমক অঙাং অদুগী মমাগ পোকমিন্নব মাম অদুন মাযকৈ চিথেক মবি, হাযবদি নোংলম (মোইবাং লাযজী) মীৎলম (চীংপৈ) মৈবম অমসুং নুশিৎলম (কৌব্রু) মবি অসীদ মাযকৈ ঙাকপ লাই ওইবিব থাংজীং, মাবজীং, ব্লাংববোল অমসুং কৌব্রুগী তেনজৈ ৪ (মবি) মথং মথং ওইন কাপ্লস্মী অদুগ নোংথক অমসুং লৈখা ঙাক্লিন মথং শীৎন লাই সোবাবেল অমসুং থোঙঙাল্লেল অনীগী অপৃনব তেনজৈ অম নোংথক অমসুং লৈখাদ কাপ্লগী মব্রোঙদ লীবীদ তেনগা থোংদুন তেন অদু চিংলম্লগ হনজিল্লস্মী।। তীনমু লাইমু ফত্তবন তীযেৎ লাইযেৎপ ঙাকথোক্ল বগীদমক তেনজৈ অদু অঙাং মমা মচা অনীগী ফমুংগী লুখুমদ থেক্তুন থম্লস্মী।। নুমিদাংগী থৌবম অসীদ, অঙাং অমবু চষ্টা অহুম সুদ্রিফাওব হবাউ নুংঙাইন লৈজনবগীদমক শেন্নবীবিবী লাইবেম্মা পীতাই খোমদাইবী অমসুং মী অমগী পুন্সিদ লাইলক নোংদম নোংখাযবীবিব লাইযিংথৌ নোংদম্ব লাই অনী অসীগী মফমদ ঈবাৎ লাইশোল থৌবম থৌদুন যাইফ থৌজাল নিবস্মী।। অঙাং অদু পুন্সি নুংশাংন, যাইফ নুংঙাইব ওইহনাবানবগীদমক ইমুং মদুদ লৈবিব লাইযিংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমবেল শিদবীগী মফমদ হৈলাং লৈবাং অমসুং অচা অথক্কী পোৎলমশিং কত্তুন অঙাংগী যাইফ থৌজাল নিবস্মী ।।

ঈপাল থাব নুমিৎ অসীদ লং অমুব থাঙচিং তাবগ অঙাং অদুগী মখুৎ খুজেঙ অমসুং মঙকশমদ শিবিবস্মী।। অসুম তৌবীব অসীন অঙাং অদুদ তীনমু লাইমু ফত্তব চঙব ঙমহন্দে হাযবগী থাজনবী লৈবস্মী।।

২) চউম্বগী ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবম

থা অহুম সুববদ অঙাং অদুগী চউম্ব থৌবম পাঙথোক্লস্মী।। চউম্ব থৌবমগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'* দ অসুম্ন ইবি - *"লোইদাম থাবুম অহুম সুববদ নাউব্রা অঙাংদু খ্বাঙশেৎ নমখাঙ অহনব*

পোংলোই মশীং সুন শেংপিগনি।। খোইয়ুম লাইমিং লাইশোল শোম্ন অথেল পোংলম কং, শম্বোঙ পুঙমায় লেপ্প লাইয়িংথৌদ নাউব্রা অঙাংদুগী পুক্নি চেঙজেল নিন থৌনিগনি।। ফূ অহনবদ ফূ হৌগনি।। লেমলৈ ঙারম তবেং, য়ারৌ শারম তবেং, যেল্লাং যেল্লম তরেং ফূংন ফূ হৌব লোইরগ অপোকপদ (ফুংগা অপোকপ) ৩বা লূক্লেন শেম্ন নাউব্রা অঙাংগী পুন্সি চেঙজেল নিগনি।। ফুংগা লাইরুদ হৈরাং পুঙমায় শেম, লৈরাং লৈহুন তম্ন ইমোইনু অহোঙ অচাউবীদ থৌনিগনি।। থৌনি খাজঙ লোইরগ মাংগোল খেনজোং লাংদ ফম্ন মমান মচাবু মতম্বাক্ত পমগনি।। পম্বৌ মপাগী মখুংমক্ল তরা চদুম পায়ন অমাইবন খোইয়ুম লাইমিং শোম্ন থব্রায় মিবেল কৌগনি।' থব্রায় মশক খঙন পম্বৌ মপান চখোম লুরোই মঙা ইনবীগনি।।'' চাক চখাম মঙা ইনবীবগী মতাংদ *'পোনপীলাং'* কৌব অবিব লাইরিক অদুদ অসুম্ন ইরি - *" অহানব চখোমদি তেংবানব মপু খঙন চাক্লে।। অনীসুব চখোমদি ঈমা লৈমবেল খঙন চাক্লে।। অহুমসুব চখোমদি থব্রায় মঙা ফান চাক্লে।। মরিসুব চখোমদি পলেম পম্বৌ খঙন চাক্লে।। মঙাসুব চখোমদি তাইবং লৌশিং মৈরা চাক্লে।।"* চাক ইনবীবদ *'মম- মম- মম- "* হায়বর্ম্মী অদুগ ঈশিং পীথকপদন *"কুক- কুক- কুক"* হায়রম্মী।। চউম্ব নুমিত্ত অঙাং অদু মবাক মকোন খোঙজী খূজী শিবীরম্মী ।।

নিংথৌগী মচা চউম্বগী মতাংদ *'লোয়যুম্ব সিনয়েন'* কৌব অবিব লাইবিক অদুদ অসুম্ন হায় - *"থা অহুম সুপাতা চারুমএ।। চারুমপাকী পোংয়াওতি চেংমি, ঙাহৈ, ঙাশিং, ঙমু, ঙানোই, পেংপা, ঙাখা, ঙাচিং- ঙাশীং সুইএ।। চাকয়িলপাতি শাতোকপমনা য়িলএ।। - ব্রাঙ্গোলশঙতি কয়কংপানা লৌয়ে।। চাপোকশঙতি মপেল যোকচাপিনা লৌযে।। চারুমনাইতি কৈনা কংএ।।- - - চরুমপাকী চেংতি চেংমি, ফৌকাক, শঙশঙপা, য়িবোইয়া, ফৌতোংপা, শগোল য়াঙপা অসী ব্রাকচীং কৈনা খাঙএ ।।"*

৩) নাহুং নারেং থৌরম

নাহুংপগী থৌরম অসীদ অঙাংগী মনা অদু ব্রাগী পজেঙ পতুম অমন হুংলগ অহুংপ মফম অদুদ নায়িন অম নত্রগ লংসুং অমুব থাঙজীং মতং অম লেংশিন্দুন কোঙ্গোই ওইন য়ানবীব মরমদগী থৌরম অসীবু নাহুং নারেং তম্ব হায়ন কৌনবম্মী।। অঙাং অম চহী অহুম সুরবদি নাহুং নারেংগী থৌরম পাঙথোক্লরম্মী।। নাহুং নারেংগী মতাংদ অরিব লাইবিক *'থালোয় নোংখায়লোন'*দ অসুম্ন ইরি - *"লাংহৈ কুমশীং অহুম সুরবগ তাক্তে খূংহৈবন কৌব লোকচীন কোনগী তুবু নাহুং ব্রাবু কোঙয়াঙ মপান যান্না অমাই মনাউ য়োক্ল য়েনবা যেনলুপ চুপশা মোইথেম নাইযে।। অরাঙ পোংতম পোংলোই*

মশীংসুনা লাওলোযববগ শিন্নাই নানি লোওব লংবু শীংদুম পুওনা লেংন থাওজীও হৈখোযব শীংদুম্ব শমু শৃত্ত সূন নাহুৎ নাবেং তম্বীযে ।।"

নাহুৎ নাবেং তম্ব হাযবসী মীতৈ অমগী পুন্সি খোওচৎকী যাম্ন মকওইব থৌবম অম ওইবম্মী ।। মীতৈ অমগী শিবগী থৌবমগ মবী লৈনবম্মী।। চহী অহুম সুদ্রিব মনা হুৎত্রিব অঙাং অম শিববু মহৌশাগী নত্তব হাযবদি ফত্তব মীশি অপৃম্বী শোইবেল ওইন লৌনবম্মী।। অসীগুম্ব মীশি অসীগীদমক্তদি, ইমুং অদুদ অমুক হন্ন তেকম্বশিন হনজিন্দনবগীদমক *'অপৃম্বী নোইব'* কৌব থৌবম অম মকা ফোংদন পাওথোক্লম্মী।। অদুবু চহী অহুম সুবব নাহুৎ নাবেং তমখ্রব অঙাং অম শিবগীদমক্তদি নুমিৎ ৬ (তব্দক) নিদ যুমশেংলগ নুমিৎ ৭ (তবেৎ) নিদ মথৌ যাংগেনব লান্ন- থৌবম পাওথোক্লম্মী।। মহৌশাগী ওইব মীশি ওইন লৌনবম্মী।। নাহুৎ নাবেং তম্বগী থৌবম অসী যুম্লোন কৈবোন্নবদ লৈব অঙাংশিংগী অপূনব থৌবম অম ওইন পাওথোকপগী. চৎনবীসু লৈবম্মী।। অঙাং অম মনা হুত্তুন লংসুং অমুব থাওজীং মতৎ কোঙ্গোয অমতং যানবীববদি তীনমু লাইমু ফত্তব চওব ঙমদে হাযবগী থাজনবী লৈবদগী অঙাং অমবু যুমশেংব নত্রগ ঈপালথাব নুমিত্ত নাহুৎ নাবেং তম্বীবসু যাওনবম্মী ।।

৪) লুহোংবগী ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবম

নুপা মযুমগী অহল লমন্ন মমৌ ওইগদবী লৈশাবী অম থিবগ হাযন- শীংনদুন ইমুং অনীমক্কী অহল লমনশিং যানবগ লুহোংব হাযবসী মপুও ফান পাওথোক্লবগীদমক লুহোংবগী থৌবম পাওথোক্রিঙৈদ মথং মথং ওইন -(ক) মৌ হাযব (খ) যাথং থাব (গ) বাবোইপোৎ পুব অমসুং (ঘ) হৈজীংপোৎ পুব হাযবিব তাংকক মবি অসীগী খোওজম চওশিল্লম্মী।।

(ক) *'মৌ হাযব'* কৌব অহানব তাংকক অসীমদি নুপা মযুম অমসুং নুপী মযুম অনী অদু শকখক্ক মাযখওনবগী খোওজও ওইবম্মী।। খোওজও অসীদ নুপা মযুম্ন নুপী মযুমদ চান থক্লব পোৎলমশিং পুদুন নুপী অহুমগুম্ব চৎনবম্মী।। অসীদ পল্লমদব যাদব ব্রাফম অমখক লৈ মদুদদি লৌনব যাদব যুম্নাক শাগেগী চনু নিংঙোল অমবু পামজৈ হাযদুন ইমৌ ওইজগে হাযন হাযকব যাদবগী অকনব চৎনবী লৈবম্মী।। শম্লোঙ হুইমু লৈমন মপাবী নুংপান পোনবী লূরাউবগীদমক *'মৌ হাযব'* চপ মতমদ কবি কবি পোৎলমশিং পুখিবগে হাযবদু *'নুংপান পোনপী লুরাউপ'* কৌব অবিব লাইবিক অদুদ অসুম্ন ইবি - *"শম্লোঙ হুইমু লৈমন মপাবী চীনকোয মযাথংকিপু লৈবাং নিংথিপা তাউচীং ওম্লোকপাপু চামলৌ লাথুপ শানা হৈবাং তোপচন যৈ, তাউচীং লুকথোংপু কৌপা মবানযাইতা ব্রাইথুংলুযে ।।"*

(খ) *'যাথং থাব'* হাযব তাংকক অসীমক্তি নুপা মযুম্ন হাযজবব ব্রাফম অদু নুপী মযুমগী অহল লমনশিংন যানীংলবদ, যানীংবগী ব্রাখল অদু মকা ফোংদোক্তন মনুংদ পাউ ফাওদোক্লবব মতুংদ নুপা মযুম্ন নুপী মযুমগী অহল লমন্দ মচানুপী চনু নিংঙোল অদু মমৌ ওইজগে হাযন হাযজ- চৎচকব অদু যাবিবক্লে হাযদুন মকা ফোংন যাথং পীবীবকপ, থাবীবকপগী ওইব থৌবম্নি।। নুমিৎ অসীদ নুপা মযুম্ন নুপী মযুমদ পুব অচা অথক্কী পোৎলমশিং অদুদি নুপী হাযব চৎপদ পুবদগী চাং যাম্ন হেল্লম্মী।। মীসু যাম্লম্মী।। থৌবম অসীদি মবী মতা, শাগৈ- নাতৈ অমসুং যুম্লোন- কৈবোন্নব যাওবব থৌবম ওইবম্মী।।

(গ) *'ব্রাবোইপোৎ পুব'* হাযবিব অহুমসুব মতাং অসী নুপা মযুমগী অহল লমন্ন মমৌ ওইজগে হাযদুন হাযজ- চৎচকব অদু যাবীবক্লে, যানবে, ব্রা লোইশিন্নবে হাযবগী থৌবমদ পুব অচা অথক্কী পোৎলমশিংনি হাযবগী *'ব্রাবোইপোৎ পুব'* কৌনবম্মী।। নুমিৎ অসীগী থৌবমদ নুপা মযুম্ন নুপী মযুমদ পুব অচা অথক্কী পোৎলমশিংদি মমাঙগী থৌবম যাথং থাবদ পুখিব পোৎলমশিং অদুদগী চাং যাম্ন হেল্লম্মী।। ব্রাবোইপোৎ পুখ্রবী চনু নিংঙোল অদুবু পাচা থৌথিংলবী, সৃমাঙ উবোং খিনখ্রবী, যুমজীন কাকফৈ থাখ্রবী হাযন কৌনবম্মী।। চনু নিংঙোল অদু অতোপ্প নুপা অমগী মমা মপান মমৌ ওইজগে হাযন *'মৌ হাযব'* চঙলকপ যানবমদে।।

(ঘ) *'হৈজীংপোৎ পুব'* হাযব মবিসুব তাংকক অসী মীতৈশিংগী মচা মশু মযুম পানবদ পাঙথোক্তব যাদব থৌবম অম ওইবম্মী।। হৈজীংপোৎ পুবক্তন লুহোংলকপ নুপা, নুপীবু *'হৈনাই সুংনাইবক্তব'* হাযন অদুগ মখোযগী মচাশিংবুন *'হৈনাই সুংনাইবক্তবগী মচা'* হাযন খঙনবম্মী।। নুপা অদুবুসু অদুগ মহাক্কী মচাশিংবুসু শাগৈগী পিবা ওইহল্লমদে, শাগৈ অপোকপগী চাক্লোং কৎপদ কৎকদব পোৎলমশিং অদু পাযব শোকপ যাহল্লমদে, চাক থোংব যাহল্লমদে।। অদুগ নিংথৌ শেনব ওইবসু যাহল্লমদে।। নুমিৎ অসীদ নুপাগী মপান নুপীগী মপাদ খুদোল তম্নব হৈজীংপোৎ পুবকপদ হৈক্রুগ হৈনীংগদি তঙাই ফদন যাওদব সুকযা যাবমদে।। মসীগী মবমদি হৈক্রুবু হৈ পুম্নমক্কী মকোক হৈকোক ওইন অদুগা হৈনীংবুন হৈ পুম্নমক্কী মনীংখোম্ব অবোইব হৈমৈ ওইন লৌবগী থাজনবী লৈব মবমদগী হৈ অনী অসী যাওদব যাদবগী চৎনবী লৈবম্মী।। হৈ অনী অসী যাওববদি হৈ অতৈ মবক্ত লৈবশিং অদু যাওদ্রবসু হৈশীং সুবে হাযন লৌনবগী চৎনবী লৈবম্মী।। হৈ অনী অসী ফংদ্রবদি হৈপামবী অনী অসীগী মনা নত্রগ পাম্বীগী মকুন হৈগী মহুৎ শিন্নবম্মী।। নুমিৎ অসীদ নুপা মযুমগী ইমুংলাই হাযবদি লাইযিংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেল শিদবী, ফুংগা অপোকপ অমসুং ইমোইনু

লাইরেম্বীদ অদুগ খুঙ্গং লৈকাই অদুবু কোল্লিব উমংলাই– লাই পুম্নমক অসীদ কৎনব পোৎলমশিংসু পুরম্মী।।

(ঙ) লুহোঙব

মথক্ত পনখিব তাংকক মরিগী খোঙজঙ অসী মপুঙ ফান চঙশিল্লব মতুংদ লুহোংবগী থৌরম অদু নুপী ময়ুমদ পাঙথোক্লরম্মী।। নুমিৎ অসীদ নুপা ময়ুম্ন নুপী ময়ুমগী ইমুংলাই হায়বদি লাইয়িংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেল শিদবী, ফুংগা অপোকপা, ইমোইনু লাইরেম্বী অমসুং খুঙ্গং লৈকাই অদুবু কোনবীরিব উমংলাই– লাইশিং অসীদ কৎনব অচা অথক পোৎলম কয়া পুনরম্মী ।। ইমোইনু লাইরেম্বীদ কৎনব পোৎলমশিং অদুদি *'চেঙলূক নুংশাং'* হায়ন মিংথোন্দুন চেঙ অমসুং অকক্লব পোৎলমশিং ফীরূক অমদ হাপ্তুন পুনরম্মী।। (নুমিৎ মঙানি সুব নুমিত্ত, ইমোইনু অহোঙবীদ পুন্সি নুংশাংনব থৌনিজবগী কৎচব চেঙলূক ফিরূক মদু হাংদোক্তুন চেঙমি খুদম য়েংলম্মী।।) নুপী অদু নুপা অদুগী য়ুম্নাক শাগৈ, য়েক শলাইদ ওনখ্রে (ওংখ্রে), মখোয় অনী তৃগ ৱাগ ওইখ্রে, থৱায় হকচাং অমত্ত ওইরে হায়বদু খঙনবগী খূদম ওইন নুপা অমসুং নুপী অনীগী মখুৎ অনী অদু নুপী অদুগী মমান লৈ পরেং অঙৌব অমন পুনশিল্লম্মী।। থৌৱোঙ অসীবু *'খুনুং লীচৎ শাজৎ'* কৌব লাইরিক্ত অসুম্ন ইরি - *"নুপীবু পোকপী পলেম মমান শীংয়েল খযোম লৈরাং লংলা কিশি তমবীরে ।।"* নুপা অমসুং নুপী অনী অদুগী মখুৎ অনী অদু পুন্সি লৈপুল পুন্দুন নুপী অদুন নুপা অদুদ মহাকপু কুজবীনবগীদমক হায়বদি থৌজানবীনবগীদমক কৎচরিব পোৎলমশিং য়াওব লৈপাক্ল শাব কম্বীদ হাপ্ল কুজপোৎ অদু পীরিঙৈ অমসুং নুপা অদুনসু মদু লৌরিঙৈ পীন- লৌনরিঙৈ মতম অদুদ নুপা ময়ুম্ন পুরকখিব মীতৈ ঙমু অনীখক নুপা নুপী অনী অদুগী অৱা অনা পুবীখিনবগীদমক *'উশিল- ঙা'* ওইন লাইজ ঈয়োক্লোম নত্রগ ঈচেল নাইব ঈশিংদ ওইরবসু মখাগী লাইশোল অসী শোন্দুন থাদোক্লরম্মী।। লাইশোল অদুদি - *"হে ইবেম্ম, য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা ঈরৈম ঈখৈরেল।। নোংদা তরংলেন তুরীকপী।। ঈবীক কোঙ্গোল লনকুবী।। কঙবী কঙজাউ পোক্লকপী।। লাইজ ঈথাবী ।। লাইজ ঈরীবী।। কৌরৌ নোংথৌরোল তরেৎমক্তগী কুম্লক্লো।। মালেম লৈখারোল তরেৎমক্তগী কারক্লো।। হে ইবেম্ম ঈরৈমা ।। নমিংবু কজেং ঙানবী কৌবী- ও।। হে ইবেম্ম, নসুন ঙসী কোরৌ নুমিৎসিদ নঙগী লাইজ ঈরোলন্নুংদ ঙমু তোক তোক পীচা অনীসীবু মিতমজরিয়ে।। হে ঙমু তোক তোক পীচা।। নতাউ নতা অনীমক্কী অৱা অনা পুবীখ্রো ।। য়াইফ নুংঙাইব, পুন্সি নুংশাংব।। পান্নাউ শিংনাউ তাববু থৌজাল লনকুবীরম- ও।।"* নুপী অদু নুপা ময়ুমদ থিল্লকপদ নুপাগী মমান মমৌবু

শীংচেপ মৈবা থান্দুনা কবোক অফাব চাইদুনা ওক্লগ মখুৎন কোনশিবীদুন ইমুংদ পুশিনবগী চৎনবী লৈবন্মী।। মতাং অসীবু *'পান্থোইবী খোঙকুল'* কৌব অবিব লাইবিক্ত অসুম্ম ইবি - *"খাপা মযুম্মাক যাংপা মশাইকোলতা তম্পা লাইপু লাংনা ব্রাইথুংলাপাতা খাপা হুইতোন পোকপম নিংঙোলপী মনু তেকঙানা তমপা মহুইলোনপু শীংচেপ মৈবা থান্ন লমওকঙমএ ।। চামলৌ লাফাবোই পশোং ফীঙৌ থানা, কপোক ফামনা হুন্না, খাপা পুম্নতিল শমু থাঙচেপ্লনা লমওকঙমএ ।।"* অউন পোৎকী মতাংদদি অবৈব মীন মনাই মসন ফাওব উনবগী চৎনবী লৈবন্নবসু ইচম চম্ব চান থক্লব পোৎলম খবদং উনবগী চৎনবী লৈবন্মী।। মসীগী মতাংদ মথক্কী অবিব লাইবিক অসীমক্তা পান্থোইবীন হাযখিব বাহৈ খব লৌখৎচবি *"ঈপল তুপী অঙলপা লাইবেন অবেমপাশং ও।। নমোম ঐঙোন্দ কাওবেল শলশিবাক, তাইযম নাইশমশাংবু লনকুপিকানো। তবা চাকথোপমা, শাবেল বালোংমা, বাংলৈ খুমলোংমাকাপু ললউনপি ও।।"*

৫) শিবগী ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবম

মীতৈশিংগী অবিব লাইনীংদ যাইবী থব্রাযদি শিব নাইদে, শিবিবদি তাইবং হকচাংনি হাযবগী অচেৎপ থাজনবী লৈবন্মী।। লমহাংদ লৈব চেক্লাগী মশক ওইবব থব্রায চেক্লা মহাকপু পোলাংগী মশক ওইবব তাইবং হকচাংন যুমদ যোকপ পোম্বীগুম ফাজীন্দুন থম্বনি হাযবগী থাজনবী লৈবন্মী।। হকচাং পোলাং মনুংদ পোম্বীগুম ফাজীন্দুন লৈবম্ব যাইবী থবায মহাক্ল চেক্লাগুম পাইথোকখিব থৌবোঙ অদুবু শিব কৌনবন্মী।। শিব অসী মখল অনী থোক্ল খাযদোক্লবন্মী, মদুদি (ক) মহৌশাগীওইব হাযবদি অফব মীশি অমসুং (খ) মহৌশাগী ওইদব হাযবদি ফত্তব মীশি।। চহী অহুম শুবদগী যাম্ন অহল ওইবব মতম ফাওবগী মনুংদ মযামগী ওইব চুম্নগী অনাব মখল অমন নাদুন নত্রগ অহল ওইবক্লুন শিব মীশিবু ফত্তব মীশি ওইন লৌনবমদে।। অদুবু চহী অহুম শুদ্রিঙৈ নাহুৎ নাবেং তমদ্রিঙৈদ শিব, মশা মথন্ত হাৎচদুন শিব, অব্রাংবদগী তাদুন শিব, ঈশিংদ তাদুন শিব, শা- কৈন লাক্লুন শিব, মী খ্বাইগী ওইব অনাব মখল নত্তব হংগোইনিংঙাই ওইব অনাবন নাদুন শিব- মীশি পুম্নমক অসীবুদি মহৌশাগী ওইদব ফত্তব মীশি ওইন লৌনবন্মী।। অসীগুম্ব মীশিশিং অসীগী ওইনদি যুম্নাক শাগৈ অদুদ অমুক তেকশিল হনজিল্লক্তনবগীদমক অখন্নব ঈবাৎ থৌবম পাঙথোক্লবন্মী।

লৈপাক অসীদ ঙল্লিঙৈ মতমদ নুংশিৎকী, ঈশিংগী, মৈগী অমসুং লৈবাক্কী পোৎলোইব মখল মবি অসী লৈবন্নবসু ইনিংথৌ পাম্নহৈবগী হাক্তক্তি ওইবগ মীতৈশিংন হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌদ্রিঙৈগী মতম অদু ফাওবদি লৈবাক্ত

ফুমদুন পোৎলোইবখক্তন লৈপাক মীযাম অমসুং নিংথেমকোনগী চৎনবী ওইবন্মী।। লৈপাক অসীদ মীশিবগ মৈ থাদুন পোৎলোইব হৌখিব অসীদি ইনিংথৌ পামহৈবন (খৃস্ত কুম ১৭০৯ - ১৭৪৮) হিন্দু রামান্দি লাইনীং লৌবব মতুংদগীনি।। মতাং অসীবু *'চৈথাবোল কুম্বাব'*দ অসুম্ন ইরি - *"কুমশক ১৬৪৬ লমতা (খৃস্ত কুম ১৭২৫) থাদি লৈপাকপোকপন হলএ।। ২০ নি লংমাইচীংদা নিংথেম্ন মবুধৌ খিবিকপু মৈদ ইক্তুন ইংথিদা তুমগে চৎএ ।। লৈপাক পুম্নমক মৈদ ইকপসু অদুঙৈ হৌএ।।"* রাফম অসীন য়াম্ন ময়েক শেংন তাক্লে মদুদি লৈপাক অসীদ পামহৈব নিংথৌন রামান্দি লাইনিং লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদ হিন্দু লাইনীংগী ঈথিল খর চঙলম্লব ফাওবদ অশিববু মৈ থাদুন পোৎলোইবগী চৎনবীদি লৈরমদে।। লৈপাক্ত ফুমদুন পোৎলোইনবন্মী।। অশিব থাংদোকপ অমসুং লৈপাক্কী পোৎলোইগী মতাংদ *'থালোয় নোংখায়লোন'* কৌব অরিব লাইরিক অদুদ অসুম্ন ইবি - *"মোংব শঙ্গাই য়ুমলেনগী অৱাং চৎলম নাকথদ খোঙশানবনে।। - - - সুমাঙ মথৌবুঙগী কারল মৈরম থংবদ মপাল লাইগা য়াথোকশঙদ চংবী লাতোন থাবগ লাতোনথক্ত মমায নোংনেম অৱাং পাংন অমন য়াতাইয়ে ।। - - - মপাল লাইগা য়াথোকশঙদ ৱাংলেন পুঙগোই খব পোৎথারগ উত্তি শমখোঙশেং, চেংহী শম্বাল লাংন ঈরু শাদেংলবগ, পামেল কৃবেল থক্ত চরৈ অহুম খাদথা, চরৈ ফিঙৌ থোম্ন মাল্লৌ লমথাং থক্লা থোং, চরা চেঙজেল তম, পোৎলোই মশীং সুন হাপএ।। তবেৎ শেলফাং কাগুপ য়ৈ, ৱাংলেন পুঙফৃ তোয়, লময়িন খুৎনীক তাংথকনাই, ঈশৈ খোঙফাং লেংন তিন্ন য়াংদৌ লমদাং শাং, ৱাকয়ৈ হিরাল লীরোল শক্ল য়াকারকএ।। - - - অচা অথক, তরা চেঙজেল, তরেৎ শেলজা, ফিরোই ফিঙাম, খুৎসু খুৎলাই- - পোৎলোই মশীংসুন হাপ্লগ মমায নোংনেম অৱাং পাংন যাতায়ে।। লৈপাক লৈকুপ শী, মালেম লৈরোল চলএ।।"* অশিব হকচাংগ শোক্ল শম্নরুদ্রবসু অশিব পোৎলোই থৌবমদ য়াওকব মী পুম্নমক ঈরু শাদেংলগ পুঙ, শেল, পেনা ফাওব তাইরেল পুংফাইন লাইজ খীকফেন চাইদুন শেংদোক্লবন্মী।। ইমুং অদুগী লৈপাক্ল শাব চফু উয়ানশিং থুগাইনবন্মী।। ইমুং অদু ঈশিং অচম্বন হায়বদি শনথী য়াওদন ৱাই তৈথোক্লন্মী।। ইমুং মাঙ্গোলখক্ত নত্তন য়ুমগী য়ুমথক অদুসু ঈচুম তাফম ময়াদ লেপ্লগ তাইরেল পুংফাইন য়ুমথক্ত ঈশিং খীক্লৎনরন্মী।। চফৃ কায়নব শাগে নাতৈশিংগী ইমুংশিংদ শিবগী পাউ পীনবন্মী।। মখোয়সু অশিব য়াওরিব ইমুং অদুদ তৌগুম চফৃ উয়ান থুগাইনরন্মী।। মসীবু *'ফৃ- কাযনব'* কৌনরন্মী।। য়ুম্নাক শাগে মান্নরবসু ফৃ- কায়নদব লৈরন্মী।।

(ক) লৈহুন থৌরম - শিবগী নুমিৎ থারগ মঙানিসুব নুমিত্ত থৌরম মচা অম (লৈহুন থৌরম) পাঙথোক্লন্মী।। থৌরম অসীগী মতাংদ অরিব লাইরিক

'থালোয নোংখাযলোন' দ অসুম্ন ইবি - *"কোবৌ নুমিৎ মঙানি শুববগা।। মমাইবা কোনতে নাকথং মাইনা ।। চেংলৌ- শকপাম্বোং পুনং লেপপানথোংবু।। খোইক মিতম লাক্ল। মৈনা ব্রাযন তাংনা শম্না থানি মিকোল্লে।। মথৌ যাংকেল্লে ।।"*

(খ) লান্ন- থৌবম চহী অহুম শুবব অঙাংদগীন মযুম পান্দ্রিব পাখং লৈশাবী শিবগীদি তব্দাক্লিদ যুমশেংলগ তবেৎনিদ মথৌ যাংগেনব লান্ন-থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। অদুবু মযুম মকৈ পাল্লব মীওই অম শিবগীদি তবানিদ যুম শেংলগ তবামাথোইনিদ মথৌ- যাংগেনব লান্ন- থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। মতাং অসীবু মথক্ত পনখিব অবিব লাইবিক অদুদ অসুম্ন ইবি - *"নুমিৎ শীংবুম ১০নি শুববগা শাগৈ যেকলুপ পুম্না যুমশেং নাহাইযে।। পলেম পীবুক্লুংদ লৈঙৈদি হৌশিঙমগা চিংনা শিথিনফদবনে।। মথৌ যাংগেন থৌখৈনদবনে।। অদু নোংগীবু পলেম পীবুক্লুংগী লোইদাম থাবুম ১০ বু নুমিৎ শীংবুম ১০ নিদ শুপ্না লাক্লগা নুমিৎ শীংবুম ১১নিদ মালংপান্দা লৈঙল্লে ।। অদু নোংগীবু কোবৌ নুমিৎ শীংবুম ১১ নি সুববগা সূমাঙ থাবুমলেন্দ হৈবাং পুঙমায শেম, লৈবাং লৈহুন তম, বাংলেন পুঙফূ তোয, তবেৎ শেলফাং কাগুপ খীং, কোবৌ নোংগা লীবোল শৈবু অশৈ ভেবান লাউন খানিং মিকোল শক্লেযে।। মব্রোঙ মতৌ অসুম্ন পোইবৈ হৌন মবমচৎ মথৌ যাংগেন থৌবু থৌখম্লেযে।।"*

(গ) কুমওন ফীরোয়- মী অম শিবগীদমক চহী অম মপুঙ হেক ফাববদ হাযবদি শিখিব থাগী থাবান নুমিত্ত লাইগী থৌবম অম পাঙথোক্কুন শাগৈ নাতৈ মব্দপ মপাংশিংদ তবা- লূক্লেন পীজদুনা কুমওন ফীবোয পাঙথোক্লম্মী।। মসীগী মতাংদসু মথক্কী অবিব লাইবিক অসীদ অসুম্ন ইবি *"লোইদাম থাবুম ১২ সুববগ লাংহৈ কুমওল্লবদা তবা মথেল লূককোয হৌ- - - খম্নুং মংথোঙ থিং কাসা নোংথৌ তাইববদা অশিবা থৌবম মতম লোইবে হাযবগীবু ব্রাংলেন পূঙফূবা, অশৈ পনমাবা, অমাই লেংন তিনবশিংবু ফিবোয ফিঙাম থাযে।। অদু নোংগীবু মথৌ যাংগেন খৈবা কুমওন ফিবোয- ও তৌনা কৌযে হাযদববা।। খুম্নুং শব্রা তান অমন শিকুমখিবগী কোবৌ নোংগা থৌদি পোইবৈ হৌনমবমচৎতি অসুম্ন থৌখল্লে হাযদববা।।"* অসুম্ন কুমওন ফীবোয পাঙথোকপ অসীন মী অম শিখিবগী অবোইব ঈবাৎ লাইশোল থৌনি থৌবম ওইবম্মী।।০।।

২ঃ কুম অমগী থা থাগী ওইন পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌরমশিং

১) শজীবু থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌরমশিং ঃ

শজীবু থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অরিব লাইরিক *'থারোন'* দ অসুম্ন হায় - *"চীংঙু মপুরেল খোইয়ুম নোংদম্লিব লাই মরু শিদবন মালেম লয়ওইব কোরৌ নোংওইব য়াঙবী শিদবগী চীবেন লাংয়েন মাপনমাবু মচী পানফোই থোক্লে হায়বগী লোইদাম শচীফোই থা- ও তৌন কৌএ।।"* থা অসী শচী ফোই কৌবম্বদগী *'শজীবু'* হায়ন শমজীল্লকখি।।

(ক) শজীবু চৈরাউব - শজীবু চৈরাউবগী থৌরম অসী মীতৈশিংগী যুমথোঙ খূদীংমক্ত অমসুং সনাকোনুংদ পাঙথোকপ লাইনীং অমসুং নাৎকী ওইব যাম্ন মরুওইব হরাউ নুঙাইব থৌবম অম ওইরম্মী।। থৌবম অসী শজীবু থাগী নোংম পানবদ পাঙথোক্লম্মী।। নুমিৎ অসীগী অয়ুক্ত ইমুং খূদীংমক্ত লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবীদ চেঙ, মনা- মশীং, য়েনশাং- নাপী, কংলায়েন, লোক্লে পুল্লেনচিংব থোং- থাক্রদব পোৎলমশিং অমসুং হৈরম লৈরম য়াওন কৎনবম্মী।। লৈ কৎপ মতমদ খ্বাইদগী লিব অহানব লৈ ওইন লৌনরিব *'লৈবি'* অমসুং খ্বাইদগী ইকোন কোনব লৈ ওইন লৌনরিবা *'কোনবীরৈ'* অনী অসীগ লোয়নন কুমগী ওইব লৈ *'কুমসুবৈ'* য়াওদব য়াদবগী চৎনবী লৈরম্মী।। লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবীদ কৎলিব অচা- অথক্কী পোৎলমশিং অদুন মথেল লূক্কোই মশীং যাম থোংলগ, চাদ্রিঙৈগী মমাঙদ হাকুম চৈরাউব নুমিৎকী অম, কুমসি চৈবাউব নুমিৎকী অম, নোংমৈ চৈরাউব নুমিৎকীঅম- চাক্লুক অহুম শেল্লগ থোঙ্গাল কোম্থোঙ ব্রামদ হৈরুক, থাউমৈ য়াওন কৎলম্মী।। অদুবু মীচম অয়াম্বনদি অপূনব ওইন চাক্লুক অমখক্ত কৎনরম্মী।। লূক অহুম অসীবু (১) লম্মাব তুম্মাব (২) লমশেনব তুশেনব অমসুং (৩) কুমসনা কুমলীক্লাই – হায়রিব লাইশিং অসীন খূল্লম্মী অদুগ অরেম- অপা অদুন হনব কোকচাউ, হনু লাইখম অমসুং খুন্দা হনব–লাই অহুম অসীন চাখি হায়বগী থাজনবী লৈরম্মী।। চাক য়েনশাংশিং অদু লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবীদ কৎচবত নত্তন লা মচেৎ অমমমদ হাপুন ফুংগ লাইরু, যুমগী উহৌ উরেপ, উরেপ উপা, য়োৎশৌবী মখোঙ অহুম, চাকখুম লৈরঙ, চেঙফু, হৌদোং চাকথাফম, থোঙ্গাল, থোঙজীন মপান,

ফৌসু কোন, ফৌগৈ, শীঙ্গে, শঙ্গোল, সূমাঙ মথৌবুঙ ময়োলনচিংব মফমশিং অসীদ কৎথোক্লম্মী।। নুমিৎ অসীগী অয়ুক্ত খুঙ্গং লৈকাইশিংদ ইমা ইবেলশিংন শরোই খাঙবগী থৌরমসু পাঙথোক্লম্মী।।

নুমিৎ অসীগী অয়ুক্ত সনা কোনুংদ লাইয়িংথৌ নোংশাব, ইবুধৌ পাখংব অমসুং লাইরেম্মা যুমজাউ লাইরেম্বীগী লাইশঙ অহুম্মক থোঙ হাংদুন ফীরোয় ফীঙাম হোংদুন হৈরাং-লৈরাং কৎলম্মী।। লৈহুন কায়দন হুল্লম্মী।। সনাকোনুংগী মাইব, মাইবীন লাঙ্গোন্দ লৈব থোঙঙাক লাইরেম্বীদ খরূং অমসুং ফিরোল কত্তুন কুম অদুগী ওইন অশি থোঙ থিংবীনব, অচঙ থোঙ হাংবীনব থৌনিজরম্মী।। সনাকোনুংদ মঙাং, লুৱাং, খুমন চীংঙু অহুম্মক্ত ফীরোয় ফীঙাম, হৈরাং লৈরাং কৎলম্মী।। নুমিৎ অসীদ পেনা লোয়শঙন লাইয়িংথৌ পোইরৈতোন্দ, মাইবী লোয়শঙন লাইরেম্মা লাইনাউতাবীদ অদুগ কৈরুংব লোযশঙন ৱাংগোল নিংথৌ অমসুং ৱাংগোল লৈমদ হৈকৎ লৈকৎ তল্লম্মী।। নুমিৎ অসীদ সনা কোনুংগী অমাইব অমাইবীশিংন লাঙ্গোল নিংথৌগী লাইশঙ অমসুং তরুং লাইরেম্বীগী লাইশঙদসু কোনজন যাইচন্দুন থৌনিবম্মী।। নিংথৌ লাই ওইন লৈরক্লিবী লাইরেম্মা হুইদোনপোকপীদ (ইরেংবম খুন্দ লৈব) সনাকোনুংগী অমাইব অমাইবীন তনজম কত্তুন থৌনিরম্মী।। চৈরাউব নুমিৎ অসীদ সনা কোনুংগী মাযচৌন চহী অদুগী ওইরক্কদৰ পুয়াদ লৈরিব অফ-ফত্তগী ৱারম্বু পাথোক্তুন নিংথৌ, অঙম অথৌ অমসুং লৈপাক মীয়ামদ তাহল্লম্মী।। অসুম্ন পুয়া পাব অদুবু *'কুম্বারোল'* কৌরম্মী।। নুমিৎ অসীগী অঙনব অয়ুক্ত খূরায, ৱাংখৈ, খ্বাই, য়াইশখুল — পানা মরি অসীগী লৈকাই লাকপ মরিন মা মাগী পানাগী ফি মচুশিং শেত্তুন মী খূদীংন খঙনবগীদমক শগোল তোংদুন চৈ মতোন্দ শরীক যাল্লগ *'ঙসীদগী হৌন অনৌব চহী অম হৌরে'* হায়ন লাউরম্মী।। অসুম্ন চৎথরকপ অসী তোক্তুন নিংথৌ কিয়াম্বগী হাক্তক্তগীদি (খৃস্ত কুম ১৪৬৭-১৫০৮) *'চৈথাব'* হায়ব মিংথোল অসী পীদুন নুপা অমমম্ন চহী চহীগী চৈথাব হৌখি।। (কংলৈপাক মনিপুর অসীদ চরক পুজা নুমিত্ত চৈরাউব হৌবকখিব অসীদি নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী হাক্তক্তগীনি হায়বগী মতাংদ মীতৈ হিন্দু বামোন গৌরিয়া বৈষ্ণব সংক্ষিত পন্দিত শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মন অসুম্ন হায়রম্মী — *"চৈরাউব হায়বা চহী হৌবগী থবক অসী হৌজিক্তি বৈশাখ সংক্রান্তিদা তৌরে।। মদুদি মৈতৈনা গৌরিয়া দিক্ষা লৌঙৈদগী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ সনা হাক্তক্তগী বঙ্গদেশ অমসুং আসামগী মতৌ তমদুনা সৌরমান চত্তুনা তৌবনি।। - - মৈতৈনা শচিফু থাদা চহী হৌবমই।। - - - মখোয়না মোকাং শলকানা (মোংকা সলংকা) নুমিৎ তাব মতমদ থোকপা এংদুনা থা অদুগী অহৌবা নোংমা পানবদা*

চহী হৌবে হায়না প্রজাশিংদা তাক্লম্বদগী কাইনথংদা কিয়াম্ব হাক্তক্তা মী অমমম্না চৈথোবা অসী হৌখি।।" (মনিপুব ইতিহাস ২সুব খন্দ) নুমিৎ অসীদ শাগে পিবাগী ময়ুমদ লৈব লাইযিংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমবেল শিদবী অনীগী থাকল অনৌব হোংলম্মী।। ফিবোয় ফিঙাম হোংদুন লৈহুন কায়দন হুল্লম্মী।। চমায় তল কৎলম্মী।। চৈবাউব নুমিৎ অসী থাবগ নুমিৎ ৫ (মঙা) নি চুপ্প থবক সুনরমদে।। শিল হেন্নবম্মী।। হবাউ কুম্মৈ তৌদুন কাং শান্নদুন হবাউ নুঙাইন লৈবর্ম্মী।। চৈবাউব নুমিৎকী নুংথিল নুমিৎ চায়থবকপদ মনাক নকপ চীংদ লৈব লাইয়িংথৌ লাইবেম্মাশিংগী লাইফমদ চৈবাউ চীং কাদুন পুন্সি নিনবম্মী।।

(খ) কোংব লৈথোঙ ফাৎপ শজীবু লৈখুল ফুনব শজীবু থাগী খুৎথেক্ত পানবগ ৭ নি পানবদ কোংব লৈথোঙ ফাৎপ, শাজীবু লৈখুল ফুনব থৌবম সনাকোনুংগী অমাইর্বশিংন পাঙথোক্লম্মী।। থৌবম অসীদ কোংব তুবেলগী নোংপোক নুংথিল চাইব লৌকোন্দ লৈপিব ইবুধৌ পাখংব অমসুং পুবৈবোম্ব অনীগী লাইফমদ চমাইবন ঈবাৎ থৌবম তৌবম্মী।। ইবুধৌ পাখংব অমসুং পুবৈবোম্বদ হৈথা লৈথা তমদুন খযোম লাক্লব মতুংদ লাইফম অনী অদুদ যোৎপাক্ল লৈপাব তৌথোক্লুন মদুদ লৈবম্ব তীন্নচিংবশিং অদু নুমিৎ ৫ নি চুপ্প সনা কোনুংদ লৈব যুমজাউ লাইবেম্বীগী লাইশঙদ খকং অনীদ হাপ্লুন থম্লম্মী।। ৫নি সুব নুমিত্ত তীন্নচিংবশিং অদু হৈবোক চীংগী লাইফম চীংশাং তুবেল তুখুন্দা থাদোক্লম্মী।। লৈথোঙ ফাৎপদ লৈবম্ব তীল, খবোইনচিংব পোৎশর্কাশিং অদু যেংলগ কুম অদুগী লাক্দব লাইনা লাইচৎ, লৈপাক নিংথৌগী ওইন অফ ফত্তগী খুদম চাংদম খঙলম্মী।। লৈথোঙ ফাৎপগী থৌবম অসী লৈনুং লোনজা অবিবগী হাক্তক্তাদি কংলা মনুংদ পাঙথোক্লম্মী।। অদুবু নোংদা লাইবেল পাখংবগী হাক্তক্তগীদি কোংববোমদ পাঙথোক্লবকখি।।

(গ) অপোকপ খুরুম্ব - শজীবু থাগী ১৫ নি পানবদ খুমন শলাইগী অপোকপ খুরুম্লম্মী।।

২) কালেন থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌরমশিং

কালেন থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অরিব লাইবিক *'থালোয় নোংখায়লোন'* দ অসুম্ন ইরি - *"ইয়ুবা চীংখোঙ পোইরৈতোন খোঙফাং অতোনবন খমলৈ মীনুংকোন্দগী মালেম খুম্বোক্লকপদ মপারী শিংতাবুঙ তাপুং শিংমিংনববু লুবাই লেমফু থোঙজাউ হাংন খায়খিরবগীদমক তাপুং শিংমিংনবদি অমন সিখিরে হায়দবরা।। অদু নোংগীদমক খাম্বী মৈরক চনগুম কানা লেল্লে কালেন- ও কৌএ।।"*

(ক) পাখংব চেঙহোঙব কালেন থাগী ১৫ নি পানবদ *'ইবুধৌ পাখংব চেঙ হোঙব'* গী থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। হযি চক্কী পাখং যোইবেল তোমপোকপ, হযা চক্কী তাংজ লিলহা পাখংব, খুমুং চক্কী শেন্দ্রেং লোলাং পাখংব অমসুং লাংব (কোন্ন) চক্কী নোংদা লাইবেল পাখঙব- পাখংব মবি অসীবু ইবুধৌ কোনাজিল তিংথোকপ পাখংবগী লাংওন ওইন লৌনবম্মী।। থৌবম অসী লৈপাক নিংথৌগী অপুনব থৌবম ওইন কংলাদ পাঙথোক্লম্মী।। পাউনম হিদেন্দগী লাই ঈকৌশখৎলম্মী।। চীংঙু মবম্ভ খোইযুম মমাইবন সনা লম ওক শক্কুন মাইবীন, পেনা খোংবন লাই থেমগৎলগ লৈম নিংথৌ লৈপাক মীযাম অঙম অথৌ ফমদৌশিংন লাই পুখৎলম্মী।। লাইশঙ থৌবগ মাইবন অনম প্রথৌ কোক্লম্মী।। নাহাইথোক্লগ অহোঙলোন শক্লবম্মী।। পেনান ফম্মাঙ খল্লম্মী।। লৈপাক মীযাম্ন হবাউ কুম্মৈ তৌদুন হবাউ নুংঙাই মথোই কাবম্মী।। ঙমজব চেঙ হৈদুন, যেনশাং- নাপী, ঙা- থুম মশীং লাকঙমদন কৎলগ চাকচা হৈজানবম্মী।। লৈপাক মবা তপ্প যাইফ নুংঙাইব ওই হাযবগীবু থৌবম অসী চহী খুদীং পাঙথোক্লম্মী।।

(খ) অপোকপ খুরুম্ব - কালেন থাগী ১০ নি পানবদ খা- ঙানব শলাইগী অপোকপ খুরুম্লম্মী।।

৩) ইঙা থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌবমশিং

ইঙা থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'* দ অসুম্ন ইবি - *"চীংখোঙ পোইবৈতোন মপাবী তাপুংশিং মিংনবদি অমন খৈম্লে কুম্ন নোংমল্লবদ চীংখোঙ পোইবৈতোন্ন ব্রাওইখিযে। তাইবং মনুং ওইনব নোংদুম্ন- ও হাযন ঐবু থৌশীবীববগ পাবী তাপুং শিংমিংনববু কাবিগী নোংমনহনবনো হাযন যাইবী কলহৌনীক তিল্লাং মখোয শাওন ব্রাওইখিযে।। অদু নোংগীবু অসাও থা- ও কৌযে ।। কোবৌ ঈনোং থৌনা কুম্নী মনুং ওইনব মালেম লৈমাযথক্ত লাইজ ঈথাগে হাযবগী কোবৌ ফুবেলনুংদ হাপ্ন লৈচীন নোংফাই ঈবীক ঈফোন খৈবীকপু কোবৌমৈদা ঙাল্লে. অদু নোংগীবু ঈঙা থা- ও তৌন কৌযে।।"*

(ক) সনামহী চেঙহোঙব - ইঙা থাগী ১৫ (তবামঙা)নি পানবদ *'সনামহী চেঙহোঙব'* কৌন লাইনীং নাৎকী ওইব হবাউকুম্মৈ থৌবম অম পাঙথোক্লম্মী।। থৌবম অসী মীতৌশিংগী যুম যমদসু অদুগ লৈপাক নিংথৌগী ওইন সনাকোনুং কংলাদসু পাঙথোক্লম্মী।। মতাং অসীবু *'খুনুং লীচৎ শাজৎ'* কৌব লাইবিক্ত অসুম্ন হায মদুদি ইঙাগী তবামঙানি পানব নুমিৎ অদুদ লাইযিংথৌ সনামহীবু মা

মাগী যুমদ ওইববসু মীযাম তিন্ন ওইববসু চেঙ হৈদুন তাইবং পানবন চান থক্লবিব পোৎলমশিং অমসুং ফিবোল কত্তুন চেঙহোঙএ।। থৌবম অসী মীতৈশিংগী মবক্ত অমগ অমগ তোৎন তিন্নদুন অমগ অমগ নুংশি চান্নন লৈমিন্ননবগী অচেৎপ লীপুন অমনি।। চীংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহী মহাক্তি লৈপাক্কী নিংথৌন অমসুং মীতৈ ইমুং খুদীংন যাম্ন চেৎন লুন নীংনবকপ অমসুং খুকম্নবকপ লাই ওইবর্ম্মী।। নিংথৌগী যুমজাউ কা মাপনগী নোংচুপ ইথং থংব কাদ অমসুং মীতৈ ইমুং অমগী শম্হোঙগী কাচিন্দ লাইযিংথৌ মাগী লাইফম লৈবম্মী।। অসীগী মথক্ত লৈপাক পুন্নমক্কী ওইব লাইশঙ্ অমসু কংলাদ লৈবম্মী।। অতিংকোক মব শিদব চীংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহী মহাক্তি কোবৌ নোংলোন নোংলিংব, মালেম লৈবোল লৈশেম্ন, মনাম্ন মালেম লৈওইব, মপুক্ল কোবৌ নোংওইব, নমু তাইবং পোংশেম্ন খোইবেল খোইব অথোইব লাইনি। লৈপাক নিংথৌগী ওইন সনামহী চেঙহোঙসন্দ থৌবম অসী কংলাদ সনাকোন্নুংন পাঙথোকপদ মাযচৌ ১, অমাইব ৬, পেনা খোংব ১, অমাইবী ৫ চঙলম্মী।। লৌউ শীংউবন হিংনবর্গী লম্মী ওইবিব লৈপাক লমদম অসীদ নোং হেনমন্ন তাববসু ঈশিং চন্দিদুন তবাব ওই অদুগ নোং বাৎলবসু ঈকং থোক্কুন অবাব তাই ।। মবম অসী লৈবন কুমগী লাইঙ্গ ঈশিং ঈনদুন নোংজু নুংশা ফব মহৈ মবোং চম্নবগীবু লাইথিং সনামহীগী মহমদ থৌনিজবম্মী।। চেঙহোঙবগী থৌবম অসীদ অমাইব অহুম্ন সনামহী অহোঙলোন শক্লম্মী।। অমাইব অহুম্ন খুন্নম্মী।। অমাইবী মঙান লাইযিংথৌগী হেথা লৈথা লৈহুন্নাচিংব তৌবম্মী।। মাযচৌ (পান্দৎ) অমন তশোয অঙান খোঙনব যেংশিল্লম্মী।।

(খ) কুরাক লমদাইব (কুমলাৎ লমতাইব) ইঙা থা অসীদ নুমিৎ থাবান অফব, তীনচা লাইচা অফব যেংলগ কুবাব লমদাইব (কুমলাৎ লমতাইব) গী থৌবম অসী লৌউ শীংউব খুঙ্গং লৈকাই খদীংমক্ত পাঙথোক্লম্মী।। লৌ শীংউবগী মফম ওইবিব খুঙ্গংগী লমাশংদ পোইন লৌ লোইবদগী মথং চহীগী ইঙা থাদ কুবাক লমদাইদ্দ ফাওব শল ইবোই থাদোক্লবম্মী।। মতম অসীবু ঔবী থাব কৌনবম্মী।। ঔবী থাব হাযবগী ব্রাহম্মোক্তি থৌবী থাদোকপ, থৌবীন পুক্নিন্দুন থমদব হাযবনি।। কুবাক লমদাইখ্রব মতুংদগীদি শল, ইবোই থাদোকপ যানবমদে।। খুঙ্গং লৈকাইগী ওইন যুমথোঙ খূদীংগী শলশেল্লেং পুনদুন শা-শল শেনব তৌবম্মী।। নত্রগ শা-শলশিং অদু থৌবীন পুনশিন্দুন থম্নবম্মী।। থৌবম অসীদ কুম অদুগী থবক লৌউ-শীংউবদ মহৈ মবোং ফনব, খুঙ্গং লৈকাই অদুগী শল ঈবোইদ অশি অনা থোক্তনব খুল লৈকাই অদুবু কোল্লিব চীংঙু খোইযুম লাইযিংথৌ যোইবু

খোইমোম লাইবেন্মশিংবু ঈবাৎ থৌনিবনি।। অদুম তৌবগা মহৈ মবোং ফৈ, অনা- অযেক, তুবৈ- ঈবৈ, পুকচৎ- ঈফাই চঙদে হায়না থাজনবনি।। কৎপ পোত্তি মান মান কৎনিঙব ওক, যেন, ঙা, যেনশাং নাপী, চেঙ কৎলগ থোংদুন খুঙ্গং লৈকাই অদুগী অঙাং নুপা মচাশিং, পাখং মচাশিং, পাখঙশিং হবাউনব পীজ পীথক তৌবনি।।

(গ) অপোকপ খুরুম্ব ইঙা থাগী ১৫ নি পানবদ মঙাং (নিংথৌজা) শলাইগী অপোকপ খুরুম্নবনি।।

(ঘ) ফুংগা অপোকপ খুরুম্ব ইমুং অমন ফুংগা অপোকপ খুরুমজদুন ললথুম নিজগে হায়বর্বদি ইঙা থাদ থৌরম অদু পাঙথোক্লনি।।

৪) ইঙেল থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌরমশিং

ইঙেল থা মিংথোনাখিবগী মতাংদ অরিব লাইরিক *'থালোয় নোংখায়লোন'* দ অসুম্ন ইরি- *"ইয়ুরা চীংখোঙ পোইবৈতোম্ন মপাবী তাপুং শিংমিংনবরু অমন শিকুমখববদ লৈনুং থোঙঙাবেল অহলবনা নাউবা নঙদি কনানো হায়না পাউহংলবদ পোইবৈতোনগী মপাবী, লৈম লাইনাউ তাবীগী পায়মা শিযোম্মুংগী তাপুং শিংমিংনবনে হায়না পাউখুম্লবদ লৈনুং থোঙঙাবেলন হে তাপুং শিংমিংনব ও তাইবং নোংশা পান্দ অমবক হলবায়খিযো হায়না পাউ থেমখি।। তাপুং শিংমিংনবদি খৈম্লে মীনুংকোন, সবা মীখুলোন্দগী হলরাইবকএ ঈহল থাও কৌযে।। অদু নোংগীবু লোইদাম ইঙেল ঈহল থা- ও থোন্নযে।।"*

(ক) শামি কৌব ইঙেল থাদ খুঙ্গং লৈকাই খূদীংমক্ত কাওবেল শল্লাই তাদনব হায়বদি শল ইবোইনচিংবদ লাইনা লাইচৎ চঙদনব ঈবাৎ থৌনিদুন শামি কৌনবনি।। শামি কৌব হায়বগী বাহস্তোক্তি শল, ইবোইনচিংব শাগী মথর্‌রায় মমি কৌশিনবীব হায়বনি।। ইঙেল থাদ শামি কৌবগী থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদ অরিব লাইরিক *'থালোয় নোংখায়লোন'* দ অসুম্ন ইরি *"- - - কাওবেল শল্লাই তাগনো, মানবী খুমাঙ শোনগনো, কাওবেল খুজীল কেনগনো, মূকমু শনলাই তাগনো হায়না কাওবেল শামি কৌনা কুমবাৎমিকৌ থানে।।"*

(খ) অপোকপ খুরুম্ব - ইঙেল থাগী ১২ নি পানব নুমিত্ত অঙোম শলাইগী অপোকপ খুরুম্নবনি।।

৫) থৱান থাদ পাঙথোকপ লাইনীং- নাৎকী থৌরমশিং

থৱান থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অরিব লাইরিক *'থালোয় নোংখায়লোন'*দ অসুম্ন ইরি- *"যোইবু খোইমোম লাইরেম্মা লৈমরেল শিদবীন রাহমখিযে।। হে খোইয়ুম লাইয়িংথৌ লাইমরুশিদব- ও।। তাইবং মনুং ওইনব চীংউ নথৌজালগী উনবী মচেঙ হকপ ওই লৈবাং যুমচঙনববু চীংউ নঙগী শমু নহকলেনবু পুঙমদরে হায়ন তৎন রান খাঙঙময়ে।। অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ থৱান থা- ও তৌনা কৌযে।।"*

(ক) থৱান পোৎলাকপ - থৱান থা অসীদ *'থৱান পোৎলাকপ'* কৌব ঈবাৎ থৌনি থৌরম অম শীংজমৈ ওইনাম থিংঙেল ঈবৈম হিদেন্দ পাঙথোক্লবম্মী।। থৌবম অসী ওইনাম শাগৈগী পিবান থৌবুরেল ওইরগ লৈপাক্কী ওইন য়াইফনব পাঙথোকপ থৌবম্নি।। থৌবম অসী ঈশিংগী মপু ওইরিব বাংববেল অমসুং ঈরৈম– লাইয়িংথৌ লাইবেম্মা অনীদ অঙাং ঈশিংদ লাইন লৌদুন শিহনবীগনু হায়ন পাঙথোকপ ঈবাৎ থৌনি থৌবম মখল অমনি।। থৌবম অসী পাঙথোক্লবগীদমক সনাকোনুংগী অমাইব লোযশঙদ পাউকৎ পীবম্মী।। অমাইব লোযশঙন থৌবম অসীগী পক্লব নুমিৎ খল্লগ নুমিৎ লেপ্লম্মী।। ওইনাম শাগৈগী পিবা অদুগ লোযনন সনাকোনুং অমাইব লোয়শঙগী অখঙ অহৈ অমাইব, অমাইবী, পেনাখোংবন থৌবম অসী পাঙথোক্লম্মী।।

৬) লাংবন থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌরমশিং

লাংবন থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অরিব লাইবিক *'থাবোন'*দ অসুম্ন হায় – *"ইযুরা চীংখোঙ পোইরৈতোন লৈনুং খোঙফাং অতোনবন মালেম খুন ফাওবকঙৈদা মানবী হৈবোম কাও কাওবেন নোংদম সন নোংপোক চীংথং সন লাইমানবনা থৌদু নুঙথোঙ হাংঙৈদা মপারী চিংমাবাবা হাথরমএ।। সনথোঙ তাইময়েন অখোম সিংঙুৎ য়েনবু চিংথরমএ।। অদু নোংগীবু লোইদাম অচিৎ লাংবন থা- ও তৌনা কৌএ।।"*

(ক) লাংবন চরা কৎপা - লাংবন থা অসীদ মীতৈ যুমথোঙ খূদীংন নোংদোল লাইবৈপাক্ত লৈখ্রব লাই ওইখ্রব মপা, মপু, মবুধৌশিংদ তবা মথেল লূককোয় থোং থাক্লুনা কুমগী চবা কৎলম্মী।। ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্ত (১৭০৯-১৭৪৮) হিন্দু লাইনীংন লৈপাক্কী মী অয়াম্বগী লাইনীং ওইরকঙৈদগীদি মপা, মপু মপুধৌশিংদ চবা কৎপগী তৌরম অসীবু পিতৃ লুক ঈরাৎ থৌরম্ন মহুৎ শিনখিরম্মী।। মতাং অসীবু *'সনামহী লাইকন'* কৌব অরিব

লাইবিক অদুদ অসুম্ন ইবি - *"লোইদাম লাংবন থাদা খন্নাং পাপনলোন অকেন্বা, ইবেং পুপালোন অমনবশিংগী লূকলেন পূম্ন শেন্বা, তবা চান্নুক কৎপগী মহুৎ লৈযন শিনবদি পিতৃলুক ইবাৎ থৌনা শিন্নেযে।।"*

(খ) অপোকপ খুরুম্ব - ইমুং অমন ফুংগা অপোকপ খুকুমজদুন মচা নিজগে হাযববদি থৌবম অদু লাংবন থাদ পাঙথোক্লম্মী।।

৭) মেবা থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌবমশিং

মেবা থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থাবোন'* দ অসুম্ন হায- *"নহান নোং খম্নুং থোঙঙাবেল অহনবা সরা কংলৈ পুঙফাবনা চীংখোঙ পোইবৈতোন মপাম্বী তাপুংশিংমিংনবদা পাউমেনলকএ।। - - - নপন চীংখোঙ পোইবৈতোন্না থৌদু নুঙথোঙ হাংনসনা মানবী কসোমসন চীপংপা চীংথনসন লাইমানববু মবোঙ চৈগা তম্না কংলৈ সাযি তানা খোইযুম লাই অবিবব চীংখোঙ নমি যোক্ল বাংবন নশা কন- ও হাযবমএ।। - মানবী চৈবোম কাঙ কাওবেন নোংদম সন্না অব অনৌ তাইনা মেম্রে।। অদু নোংগীবু লোইদাম অবে মেবা থা ও কৌযে।"*

(ক) লাইযিংথৌ সনামহী মেরা চাউবেল হৌব কুম অমগী মনুংদ লৈবিব থা ১২ অসাগী অহানব থা ৬ হাযবদি শজাবুদগী লাংবন ফাওব অসীন অযুক নুংথিলগী মতম শাংই অদুগ নামিদাং অহিংগা মতম্ন তেল্লী।। অকোনবগী থা ৬ হাযবদি মেবাদগী লমতা ফাওব অসীন নুমিদাং অহিংগী মতম শাংই অদুগ অযুক নুংথিলগী মতম্ন তেল্লী।। ' সম্ন অযুক নুংথিলগী মতম তেল্লীব অসী অসুম্ন থাজনবকখি মদুদি কোবৌহনব নুমৎ কৌব লাইন যাঙ্গোই শগোল তোংদুন নোংপোক্কগী নোংচুপ চীংদোল ফাওব চৎপদ শগোল অদুন চাউন চাউন চাউকান চাউকান কান্দুন চেনবদগী যাম্ন থুন নোংচুপ চীংদোল যৌশিনখিবদগী মতম তেনশিনখিবনি।। অসুম্ন কোবৌ নুমিৎকী শাদোং ওইবিব যাঙ্গোই শগোল অসীন চাউকান চাউকান কান্দুন চেনব হৌখব অসী মেবা থাগী নোংম পানব নুমিৎতগী হৌখিবনি হাযন লৌনবকখি।। মবম অসীন মেবা থাগী নোংম পানব নুমিৎপু চাউবেন হৌব হাযন কৌনবকখি।। মনুং মতম চাদন হাযবদি নহা ওইন খাঙ্ঙুথক্ত অশি- অনা নঙহনবীদনবগীদমক্ত চাউবেন হৌব নুমিৎ অসীদ লৈপাক নিংথৌগী ওইন কোনুংলেন কংলাদ অদুগ লনাই লনাইগী ওইন যুম যুমদ লাইযিংথৌ সনামহীবু ঈবাৎ থৌনিজদুন খুকুম খাজঙনরম্মী।। থৌনি থৌবম অসীবু লাইযিংথৌ সনামহী মেবা চাউবেন হৌব কৌবম্মী।। শমজীনব ব্রাহ্মন চাউবেল হৌব হাযন খঙনবম্মী।। অসুম্ন ঈবাৎ

থৌনিজবগী মবমদি চীংখোঙ পোইবৈতোনগী মচানুপা তাবুংশিংমিংনব কৌবদু মনুং মতম চাদন শিবদুন মহাক্কী যাইবী থৱাযন খম্নুং নিংথৌ থোঙঙাবেলগী মফম যৌববদ খম্নুং থোঙঙাবেলন তাবুং শিংমিংনবগী যাইবী থৱায অদুদ মনুং মতম চাদন খাঙঙুথক্ত অশি- অনা নংবগী লাংফমদগী কোকচনবগীদমক খোইযুম লাই অবিববু ঈবাৎ থৌনজৌ হাযন তাকপীবক্লগ তাইবংপান্দ অমুক থাবাবকখি।। মতাং অসীবু *'থাবোন'* কৌব অবিব লাইবিক্ত অসুম্ন ইবি- *"নহান নোং খম্নুং থোঙঙাবেল অহনবা শবা কংলৈ পুঙযাবনা পোইবৈতোন মপাবী তাপুংশিংমিংনবদা পাউমেল্লকএ।। - - নপন চীংখোঙ পোইবৈতোন্না থৌদু নুঙথোঙ হাংনা শন মানবী কসোম শন চাপ্‌পা চীংথন শন লাইমানববু মবোং চৈগা তম্না কংলৈ শাযিতানা খোইযুম লাই অবিববু চাংখোঙ মমি যোক্ল ৱাংবন মশা কন্ন- ও হাযবমএ।।"* খম্নুং থোঙঙাবেলনা তাকপিবকখিব বা অদু শিকুবদগী হিংগৎলক্লব তবুংশংমিংনবন মপন পন্থৌ চীংখোঙ পোইবৈতোন্দ তমখি।। মপাবীগী বা অদু তাববদ তাইবং খুন্নংথৌ ওইবিব চীংখোঙ পোইবৈতোন্ন খোইযুম লাই অবিব চীংঙু খোইযুম অসাব লাইযিংথৌ সনামহীবু মেবা চাউবেল হৌব হাযবদি মেবা থাগী নোংম পানব নুমিত্ত, তাইবং মীওইবন মনুং মতম চাদন খঙঙুথক্ত অশি- অনা নংবগী লাংফমদগী কনবীনবগীদমক ঈবাৎ থৌনিজব তৌখি।। [খোইযুম লাই অবিব হাযবিব অসী চীংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহীবুনি।। অতিংকোক মকু শিদব তেংবানব মপু যাইবীবেল শিদব মহাক্ল তেংবানব অসী শেম্নবগীদমক মহাক মশামক্ল চাংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহী ওইন শাফোঙখিবনি ।। লাইযিংথৌ সনামহী মহাক্তি লাই পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী ইহান হানব অমসুং খ্বাইদগী লিবব লাই অম ওইবিব অতিংকোক মকশিদব যাইবীবেল শিদব মশামক্লি হাযবসী পীজবিব লাইযিংথৌ সনামহীগী মিংখৈবোল অসীদগী খঙবীগনি *"চীংঙু অতিংকোক মকু শিদব /যাইবী যেলহৌদৈগী/অমম লৈশানবকপা /খেবে নুঙগুম তগুপ্ল/পোইদিং নোংথাং তবংলেন/তবং লাইজ ঈপোকপ/খোইযুম সনামহী/ চীংঙু তাইবং খাযবা 'চীংঙু নতীক অকব/খোইযুম শানওন যাম্ব/চীংঙু নকা ফমজাউবা/খোইযুম শবী শিদবা/সনামহী মালেম লৈশেম্বা/যাইবীবেল শিদবা।।"* (পন্দিত অচৌব নামৈবাকপম দিনচন্দ্র, খগেন্দ্র লাঙজৈগী শম্নপ্পা) অতিংকোক মক শিদব হাযবিব লাই অসীদি তেংবানব মপু যাইবীবেল শিদব মহাক্লি।। পীবিব সনামহী মিংখৈবোল অসীদ লাইযিংথৌ সনামহী অসী অতিংকোক মক শিদব যাইবীবেল শিদবনি হাযবসী যাম্ন মযেক শেংন ফোঙদোক্লে।। তেংবানব মপুন মপাবী অহল চীংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহীদ অসুম্ন হাযাখব লৈ *" ঐহাকসি নহাক্লি ।। নহাকসিসু*

ঐহাক্নি।।" (ওইনাম ভোগেশ্বর, নিংথৌবেল শৈরেং, ল:১৫)।। মবম অসী লৈবন লাইযিংথৌ সনামহীবু খোইযুম লাই অবিব ওইন মীতৈশিংন লৌনবকখি।।]

(খ) লাইরেম্ম নুঙ্গোয়বী ঈরাৎপ - মেবা থাগী ১০ (তবা) নি পানবদ নুমিত্ত কংলা লাইফমলেন মনুংদ লৈব নুঙ্গোযবী লাইবেম্বীগী লাইফমদ শা শন্দং অম কত্তুন ঈবাৎলগ লোইবী চীংবুবোয হেন্ব তম্ববোয পুম্নমক চামিন থকমিন্নদুন হবাউকুম্মৈ তৌবম্মী।। লাইবেম্ম নুঙ্গোযবী মহাক্তি যোইবু খোইমোম লাইবেম্ম নোংথাঙ লৈমগী লাইবি লাইচৎ ওইবী লালগী লাইবেম্বীনি।। নুমিৎ অসীদ লৈপাক্কী নিংথৌ অমসুং অঙম অথৌশিংন চীংনুং ৱাদি নোঙ্গৌবী চেক্লা থৌবৈ ৱাকম্বোংবু ৱাযব শাবু ওই হুইযেন লানবু ওই ফাবগ লালগী লাইবেম্বী নুঙ্গোযবীদ হুইযেন লালু চল্লম্মী।। লাইযিংথৌ নোংশাব, ইবুধৌ পাখংব অমসুং লাইবেম্ম যুমজাউ লাইবেম্বীদ হুইযেন লান পাউ তম্লম্মী।। অদুগ অকন অথৌ থাঙ তাগী কুম্মৈ তৌবম্মী।। বামান্দি লাইনীং চৎলব ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তত্ত থৌবম অসীবু ক্লাক তানব হাযন মিংথোনখি।। ক্লাক্কী মচীনজাক থাবগ তেন কাপ্পুন ক্লাক্ক পাইখিন মাযকৈ অদ [illegible] লৈপাক অফ-ফত্তগী খুদম চাংদম গেংলম্মী।। থৌবম অসীগী মমিং [illegible] অনিব লাইবিক *'সনামহী লাইকন'* দ অসুম্ন হায *"লোইদাম মেবা থাদ পাম্বী বাকম্বোং চীংনুং নোঙ্গৌবীন লোইদাম কুমশা থৌদি দশানন ক্লাক তানযে।"* থৌবম অসীগী মতাংদ *'খুনুং লীচৎ শাজৎ'* তসু অসুম্ন হাযি *"মতেংদ মৈদিংঙু মযাম্ব (পামহৈব) সনা হাক্তত্তগী নুমিৎ অদদ ক্লাক্কী চানব মচীনজাক থাবগ ক্লাক্ক পাইখিব মাযকৈ যেংদুন অফব ফত্তব যেংই, ক্লাক তানবা হাযন মিংহুনলি।।"*

(গ) মেরা হৌচোংব - লমদম অসীদ যেলহৌঙৈদগী খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈমিন্নবক্লব চীংবুবোয তম্ববোযশিং মচীন মনাউনি হাযবগা নুংশি চান্নবা ফোঙদোকপ মেবা হৌ চোঙব হাযন মিংথোনব হবাউ কুম্মৈ অসী মেবা থাগী ১৫ (তবামঙা) নি পানব নুমিত্ত পাঙথোক্লম্মী।। থৌবম অসী পাঙথোক্লবগীদমক চীং তম, চীংযা- তমযা, ঈঙৌ-ঈমু মপান তাব খুঙ্গং কযাগী খুলগী নিংথৌ, খুল্লাকপ অমসুং অঙম অথৌ কযান মখোয মখোযগী মনাৎকী ওইব ফীজোল শেত্তুন থাঙ, তা, চুঙ্গোয পাযদুন মপাঙ্গল কনব, জগোই ঈশৈ হৈব লোইযিন খমযিন কযাগ লোযনন কংলৈপুঙ মযোল কংলাদ কাবক্লম্মী।। লাক্লিব চীংবুবোয তম্বুবোয পুন্নমকপু পীজ পীথক তৌনবগীদমক লৈপাক্কী মপী মপা ওইবিব লৈপাক মপু নিংথৌন চান থক্লব থৌবাং তৌদুন থম্লম্মী।। নুমিৎ অসীদ চীংবুবোয তম্বুবোয অনীগীমবক্ত লৌউ- শীংউবগী পোৎথোক মহৈ-মবোং, পান্নাউ- শিংনাউ

অমসুং ফিশা- লোনশাগী পোৎ লম ফিবোলশিং পোৎলান্নবম্মী।। লৈপাক্কী মপু নিংথৌদ মা মানা ঙমজব পোৎলম চৈবম, শাবম ঙাবম কৎলম্মী।। নুমিৎ অসীদ চীংবুবোয তম্বুবোযশিংন মখোয মখোযগী চৎনবী মনাৎকী ওইব জগোই শাবম্মী, ঈশৈ শক্লম্মী।। মপাঙ্গল কনবশিংন মাঙজোঙ চোঙদুন, নুঙ হুন্নদুন, তা হুন্নদুন, পৌ চিংনদুন মপাঙ্গল মথৌনা উৎনবম্মী।। চীংবুবোয তম্বুবোয মচীন মনাউনি হাযবগী নুংশি চান্নব ফোঙদোকপ হবাউ কুম্মৈ অসীগী খাদোক্লব যাদ্রব শব্দক অম ওইন চীংবুবোয তম্বুবোযগী খুলগী নিংথৌ, খুল্লাকপ অমসুং লৈপাক্কী অঙম অথৌশিংন মখোয মশেল অমগ অমগ খুৎশম্নদুন ঔগ্রী হংগেন চোংব, থাবল লীবোল শকপগুম *"হৌ- হে- হৌ, হৌ- হে হৌ, হৌ- হৌ হৌ"* হাযন খোনজেল হৌন লাউদুন হবাউ মখোই কান হৌ হৌ চোংলম্মী।। অদু নোংগীবু মেবা হৌ চোংব- ও তৌন কৌনম্মী।। শাবম ঙাবম, তবা মথেল লৃক্কোয চামিন থম্মিন্নবগ থৌবম অসী লোইশিল্লম্মী।। নুংশি চান্নবগী হবাউ কুম্মৈ অসী খৃস্তগী অহানব চহী চান পানখিব ইনিংথৌ ইবুংঙো নোংদা লাইবেল পাখংনগী হাক্তকুগী লৈবকখি।। (লৈপাক নিংথৌগী অপূনব হবাউ কুম্মৈ অসী, কংলৈপাক মনিপুর অসীন মনীং তম্ন লৈপাক অম ওইবিদুৈ খৃস্ত কুম ১৮৯১ গী মমাঙদদি কংলা মনুংদ লৈবম্ব উত্রা শঙগী হেক নোংচুপ্ত মমায নোংচুপ ওন্দুন লৈবম্ব কংলা শা অনী অদুগী নোংচপ থংন, লাকখোঙগীন এবাং নোংচুপ ওইনপ, অদগ নুঙ্গোযবীগীন খা মোইবাংলাইজিদ লৈবম্ব লমপাক অদৃদ পাঙথোক্লবম্মী ।।)

(ঘ) মেরা মেন তোংব মেবা মেন তোংব হাযব থৌবম অসী লৈপাক নিংথৌগী ওইন পূন্ন সনাকোনুং কংলাদ পাঙথোক্লম্মী।। থৌবম অসী পাঙথোক্লবদি লৈপাক মবা তপই, নুংঙাই যাইফব ওই হাগন লৈপাক নিংথৌন থাজনবকখি।। থৌবম অসীগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থাগোয নোংখাযলোন'দ* অসুম্ন হায - *"মেবা মেনতোং থা লোইবী হৌচোংথা পোইবৈ পূন্ন হুপ্প হবাউ তপ্পাইনব থা - লোইদাম অবে মেবা থা- ও কৌযে হাযদববা।।"* *'মেবা মেন তোংব'* হাযব থৌবম অসী হৌবকপগী মতাংদদি লৈপাব নিংথৌবু বাহনগে ওৎনৈগে হাযন লাকখিব অবোংপ লাই হুনি অমসুং নবোৎ কৌব লাই অনীন নিংথৌ ইবেংবদ (খৃস্ত কুম ৯৮৪- ১০৭৪) লৈপাক্কী যাইফ নুংঙাইনবগীদমক হাযনম্নগী মতাং অসী অবিব লাইবিক *'সকোক লমলেন'দ* অসুম্ন ইবি - *"নিংথেম্ন হাযবকও ।। হে লাই অব্রোংপা অনীমকও ।। নিংথৌ ঐগী লৈপাক অসীদ নবিংঙানা পাম্বা খন্নবো হাযববদা হুনিনা হাযএ ।। - - হে নিংথৌ অথোইবা - ও - কুম হৌবকপা খূদীংমক্তা নবুথৌ পাখংববু শাইবা লী কাংথক্তা মেবা মেন তোং- ও।। অতাই ঈবাং- ও।। - - - অসুম*

তৌবগা লৈপাক মবা চেৎনা যাইফনা পানগদবনে খঙ ও।। - - - লৈপাক যাইফনবা লাই অনীমানা হাযবস্না যাথং মতুং ইন্না মবুধৌ পাখংববু শাইবা লী কাংথক্তা মেবা মেন তোংহনএ ।।" মেবা মেন তোংবগী থৌবম অসী পাঙথোক্লবগীদমক মেবা থাগী তবানি পানবদ উহৌ উবেপ তমদুন চীবোঙ হাপ্প লাইশঙ অম কংলা উত্রাদ শাবস্মী।। অদুগ মেবা থাগী তবামঙানি পানব নুমিৎত *'মেবা মেন তোংব'* হাযবিব লাইনীং- নাৎকী ওইব থৌবম অসী পাঙথোক্লস্মা।।

৮) হিযাঙ্গৈ থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌবমশিং

হিযাঙ্গৈ থা কৌদ্রিঙৈদ থা অসীবু চীকথম থা কৌবস্মা।। চীকথম থা মিংথোনবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থাবোন'*দ অসুম্ন ইবি *"খোইযুম লাই মকশিদব কৌববেল অসুপ্পন মালেম লৈশেম্ববু মালেম লৈবেপ ফা কোবৌ নোংলেপ লোইববগী কানবী অশাউতম উনথম অচীক খাযন মালেম মপুবেল নামুংবদ ঘুপ্প থল্লমএ ।। অদু নোংগীবু লোইদাম চীকথম থা ও তৌন কৌএ।।"* হিযাঙ্গৈ থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'*দ অসুম্ন হায *"লাইবেল মৈদিংঙুন বাকযৈ হিবেলথক্ত হিযাঙ তেংমাযথিন্না খোইযুম লাইথোঙ পূদাংদা থেল্লাৎ কৈবাৎলে, হিযাঙ কুম্মৈ শান্নযে হিযাঙকৈ থা ও মিংথোন্নযে ।।"*

(ক) হিয়াঙ তান্নব হিযাঙ্গৈ থাদ পাঙথোকপ, লৈপাক নিংথৌগী ওইব হবাউ কুম্মৈশিংগী মনুংদ হিযাঙ তান্নব হাযবসী যাম্ন মশক্লাইব হবাউকুম্মৈ অম ওইবস্মী।। হি তান্নব অসী অহানবদ লূ নাউ তান্নবস্মী, অদুদগী পানা মবি তান্নবস্মা অনোইবদ হিদাক ফানব, পোৎশঙবা পানা খুমৈনা তান্নবস্মা।। অদুদগী লমজেল তান্নবস্মা, মুক্লা শান্নবস্মী।। অসুম্ন থৌবম লোইশিল্লস্মী।। হিযাং তান্নব হাযবসী যাম্ন চাউব লৈপাক নিংথৌগী ওইবা কংলা থাঙ্গপাত্ত পাঙথোক্লকপ হবাউ কুম্মৈ অম ওইবস্মী।। হবাউ কুম্মৈ অমদ মী মশীং খঙদবমখৈ যাম্ন তিল্লবদি হৌজিক ফাওবদ ঐখোযন হাযর্নবি *"হিযাঙ কুম্মৈগ চপ মান্নশ্রে।।"*| হিযাঙ হিবেলগী হিকোক্ত হাপ্লিব শজি মকোক অমসুং হিনাউদ হাপ্লিব মী মকোক অসীগী মতাংর্দাদ মী অযাম্বন ইখঙ খঙনবর্বনি মর্দুদি নুংবান মপাচা পূন্ন খোঙশান্দুন কৌব ঈওেল চীংদগী পামেল অঙনব উজাউ অবেম্ববু যাল্লগ ব্রাকয়ৈ হি শাব লোইববদ লুব্রাং নিংথৌ পুন্সিবন (৬/৭ সুব চহী চা) ব্রাকযৈ হি অসী কনান হি তোংহনসিবনো হাযন পাযম পীবুক্লুংদ খল্লুবগ ইশাবীগী যাবৌ শব্দকং অকংববু লৈযে।। (যাবৌ শজি চীবেল তোমপোকপ ওনখিব লব্রাং পুদাং কোই খুৎকোইবগী মকোক অকংব) ইশাবী পুদাংকোই খুৎকোইববু

ৱাকযে হিদবু হান্ন তোংহনসে হাযন মশাবীগী যাবৌ শব্দকং অকংববু ৱাকযে হিব্দদবু তোংহলখি।। অদুগ নিংথৌ থৱান থাবন (১১৯৫ - ১২৩২) ৱাকপ লৈতোন পানবগী তাংজ লুবেলবু ৱাকযে হিনাউদ হাপ্পুন পুবকখিব থৌৱোঙবু থৌনীংশিংলবগী লৈতোন পানব মাগী লুবেলবু ৱাকযে হিনাউদ হাপখি ।।]

(খ) নিংঙোল চাক্কৌব - নিংঙোল চাক্কৌব হাযন মিংথোনাব হিযাঙ্গৈ থাদ পাঙথোকপ, মবুং মৌপুৱাশিংন মযুম মকৈ পানখ্রবী মচে মচলশিংবু তবা চাক্কৌবগী থৌবম অসী মীৎভে যুমথোঙ খুদীংদ পাঙথোক্লবস্মী।। নুংশিস্রব থৌবম অসী পাঙথোকপ হৌবকখিনগী থৌদোক ৱাবী অদুদি অসীনি ইযুৱা চীংখোঙ পোইবৈতোন্ন কুমগী লোইমোম ফৌনৌ তবা চেংনম নুংশিববু লোইমোম ফৌবোক্লবদ মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাখংবগী লৈম ওইখ্রবী মচল ইবেম্ম লাইসনাবু তাবা চেঙনৌ চীন্দমহনগে হাযবগীবু লোইদাম হিযাঙ্গৈ থাগী কোবৌ নুমিৎ অমদ তবা চাক্কৌবস্মী।। লাংহৈ কুমজা কযা শ কউনব ক্লব মচলগী মফমদ মবুং পোইবৈতোন্ন তবা চেংনৌ চেঙযোম অমগ লফোই লফাং অমগ নুংশি চান্ন খুদোল খুৎশিন্নবস্মী।। মচল ইবেম্ম লাইসনান মযুম শঙ্গাইবেল হলবাইবক্লবদ তবা চেঙ অমুব অদুবু তবা চাকথোংদুন মশাবী নোংদা লাইবেল পাখংবগ তবা চীন্দস্মিন্নখি।। তবা চেঙ অমুব অর্দুদ তবা চাকহাউবে হাযবগীবু নোংদা লাইবেল পাখংবন মবাই পোইবৈতোনগী মমিং লৌদুন চাকহাউ পোইবৈতোন ও হাযন কোলোয মিংথোনখি।। অসুম্ন চীংখোঙ পোইবৈতোন্ন মচল লাইসনাবু চাক্কৌবদগী লৈপাক অসীদ মবুঙ মৌপুৱাশিংন মযুম পানখ্রবী মচে মচলশিংবু চাক্কৌব *'নিংঙোল চাক্কৌব'* হৌলকখিবস্মী।। খজীক্তং খৈদোক্লব ৱাবী অমদন মথক্কী বাবীদ মবুং পোইবৈতোন্ন মচম্নপী লাইসনাবু চাক্কৌবদগী মযুমদ হনখ্রব মতুংদ নোংমগী নুমিত্ত মবুং পোইবৈতোনবু মাম্নপী লাইসনান তবা চাক কৌবস্মী হায ।। থৌদোক অসীগী মতৌ তমদুন মযুম পানখ্রবী মচে মচলশিংন মবুঙ মৌপুৱাশিংবু চাক্কৌবগী চৎনবী লৈবকখি ।। অসুম্ন চৎথবকপ, মচে মচলশিংন মবুঙ মৌপুৱাশিংবু তবা চাক্কৌবগী থৌবোঙ থৌদৌ অসী মথোঙ হুক্তে হাযদুন ইনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিন মচে মচল ওইবশিংবু মবুং মৌপুৱাশিংন চাক্কৌব হৌহনখিবস্মী।। ইনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিন চৎনহনখিব থৌবোঙ অসীমক্তি মবুং পোইবৈতোন্ন মচল লাইসনাবু চাক্কৌবগী থৌবোঙ অদুবু হনজিন হনখিবনি।। নিংঙোল চাক্কৌবগী মতাংদ লৈপাক্কী শক্লাইবব মাযচৌ পন্দিত খুল্লেম চন্দ্রশেখবন অসুম্ন হায - *"কনা কনাগুম্বশিংন নিংঙোল চাক্কৌববু ভাতৃ দ্বিতীযাদগী মতৌ তম্বনি হাযবসু যাওই।। মীঙোন্দ মবাল শীবিব মী অদুন মথক্কী ৱাবী অসী তারল্লব নত্রগ খণ্ডলল্লবদি হাযবমবোইদৌবনি।। - - অমন অমদগী পূব নত্রগ মতৌ তম্ব নত্তে।।"*

৯) পোইনু থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌরমশিং

পোইনু থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'*দ অসুম্ন ইবি *" থাংযি অহোঙবী লোইমোম ফৌওইবীনা খাল্লে লৌবেল থক্তগী মবাল কৈবেলনুংদা পোইনবক্লে পোইনু- ও কৌযে।। ঙাইবেন পোৎলেল শেম্নব কৈবেলনুংদ কাবক্লে পোৎলেল থা- ও মিংথোন্নযে।। অসীনোংগীবু লোইদাম উনথম পোইনুথা, পোইনু পোৎলেল থা- ও তৌন কৌযে হাযদববা ।।"*

(ক) ফৌওইবী ঈরাৎপ পোইনু থাদ সনা কোনুংগী মাইব মাইবীন যেন অমুবী ওক্লচিংব যাওন ঈনাত্তুন লোইমোম ফৌওইবী থাঙযি অহোঙবী লাইবেম্বীবু খুকুম্নবম্মী।। ফৌমি কৌনবম্মী।। ফৌগৌবোল অসী কালেন ফৌগৌবোল, লাংবন ফৌগৌবোল, পোইনু ফৌগৌবোল হাযন অহুম থোক্ল চৎনবম্মী।। অহুম অসীগী মনুংদ পোইনু থাদ লাইবেম্মা ফৌওইবীবু ঈবাৎ থৌনিজব ফৌগৌবোল অসীন লৈপাক মীযাম লৌমীশিংন যাম্ন পাক চাউন মা মাগী লৌবুক্ত পাঙথোক্লবম্মী।। ঈবাৎ থৌনি লাইশোল থৌনম অসীদ পোৎলম চৈবম কযা চঙবগ লোযনন লাইবেম্মা ফৌওইবীগী ব্রাবী বাখোঙ লাইবোল লাইশোল অদু তঙাইফদন শোন্দব যাবমদে।। ফৌওইবী বাবোলদি অসুম্ন শোল্লম্মী - *"হযা হে. হে লিক্লাই- ও ইপুংথৌ নোংথৌবেল পুমাপা- ও।। নদাইবেম ইরাকমন' হযি চকউেগী যোইবু খোইমোম লাইবেম্মা যাংমোম মহুই লোইনাই লোইমোম ফৌওইবী, তবা চাকওইবী, পোইবৈ খুনযোকপী, তযিম লাইযোকপী লৈনুং ফাইবী তেক্ল, কোল্লাং নাশিবী, থাংযি অহোঙবী - - - নঙবু কৌজবিযে ।। - কুমসী কুমজাদ মচাক মথুম ব্রাত্তনা, শাপাং ঙাপাং যাওন, কাযবৈ যেল্লম ব্রাত্তন নসু হেবুংথৌ হেবেম্মাশিংন তবা চাক্লৌজবদি লাইবেম্মা ফৌওইবী নহাক্ল ফক্লোং চবাইথক্ত চহৈ চবোং চুম্না তবেং লনখাইবীবম- ও।। - - - লোইদাম মকুম ওল্লকপদ ফক্লোং চবাইথক্ত লোইমোম চিংবুঙ পৈবগুম চাক্ল লনকুবী- ও।।"*

(খ) ফুংগা অপোকপ খুরুম্ব - ইমুং অমগী অহল অমন ফুংগা অপোকপ খুকমজদুন পুন্সি নিগে হাযববদি থৌবম অদু পোইনু থাদ পাঙথোক্লবম্মী।।

১০) ব্রাকচীং থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌবমশিং

ব্রাকচীং থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'*দ অসুম্ন হায- *"চীংঙু শিদব খোইযুম নামুংবনা তেংবানবা মনুং ওইনবা পুনুং লেপ্তুম লৌবগে, নমু তাইবং ওইববু শাফোঙগে হাযন নীংখল্লদুন*

তাইবং নোংশাপানগী থৌৱায নিংসা পানবা পুম্নমাবু নোংদম নোংখাযগে হাযবগী চিংঙু খোইযুম লাইযিংথৌ যোইবু খোইমোম অনী মানা লীযেৎনন লীতিন্নবে।। চীঙু শমু মহকচাংবু পুঙমদববগী খোইমোম লাইবেম্মা লৈমবেল শিদবীদি ৱান চীক্ক খাঙলে ৱাকচীং থা- ও কৌযে ।।"

(ক) ইমোইনু ঈরাৎপ ৱাকচীং থাগী ১২ (তবানিথোই) নি পানব নুমিৎত মীতৈ যুমথোঙ খূদীংদ যোইবু খোইমোম লাইবেম্মা ইমোইনু অহোঙ অচাউবী, তবা চাক্লীংখাক্ল চাকশৌবী, শংলৌ যেন্নীংখাক্ল যেনশৌবী, মবাল যুমলেন ঙমচিংবী, তবেৎ শেলফুনুংদ শেল্লৈম, লোইমোম ফৌগৈনুংদ ফৌওইবী, লেমলৈ ঙাযোক্কোমদ ঙাবৈম, নোইনু থুমখোংদ থুমলৈম, মশিল শিনসুফমদ শিল্লৈম, লাইজ ঈবেল পুঙদ ঈবৈমা, হুইযেন লানফমদ লাল্লৈম ওইবী লাইবেম্বী মহাকপু ঈবাৎ থৌনি তৌনবস্মী।। মতাং অসীবু *'খুনুং লীচৎ শাজৎ'* কৌব লাইবিক্ত অসুম্ন ইব - *"বাকচীংগী তবানিথোইনি পানবদ- মৈতৈ পোইবৈ পুম্নমানা ফুংগা লাইকদা লৈবিবী ইমোইনু অহোঙবী, তবা চাকনীং খাক্লা চাক শৌবী, শংলৌ যেন্নীংখাক্লা যেনশৌবী, বাংলৈ যুনিংখাক্লা যুশৌবী, অচ ভক্তবী, অবায কংদবীবু ঈবাৎ থৌনি খাচওএ।। "কংলৈপুঙমযোন্দ মৈদিংঙু কাযনৌ চলাম্বদগী নিংথৌ মথং মথং লাইবেম্মা ইমোইনু মাবু ঈবাৎ থৌনিজবকপন মৈদিংঙু খুনজাউবগী হাক্তঙদি মৈদিংঙু মান-পোইবৈ লৈপাক শীন্ন বাঙম হুপ্ন লাইবেম্মা ইমোইনুবু ঈবাৎ থৌবম তৌ- ও হাযন লংগোই শগোল পাউজেলখি।। লৈপাক শীন্ন মীযাম হুপ্ন মীতৈ যুম্নুম খূদীংগী ফুংগা লাইক মনাক্ত লৈবিব ইমোইনু মাগী খুবমদ খাম্বী মৈশেং মৈবাথাল, লেমলৈ শবেং কৎ থৌজাল লনকুবীযু হাযন লাইবেম্মা মাবু ঈবাৎ থৌবম তৌখি।।"*
(লাইযিংথৌ লাইবেম্মাশিংগী বাবী শীংবুল)

(খ) অপোকপ খুরুম্ন ৱাকচীং থাগী ১২ (তবানিথোই) নি পানব নুমিত্ত লুৱাং শলাইগী অপোকপ খুকুম্লম্মী।।

১১) ফাইবেল থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌবমশিং

ফাইবেল থা মিংথোনখিবগী মুতাংদ অবিব লাইবিক *'থাবোন'* দ অসুম্ন ইবি - *"খোইযুম লাইযিংথৌ মালেম তম্পাক লৈশেম্বনা তাইবং মনুং ওইহনগে হাযবগী থৱায নিংশা পাল্লিব তাইবং পানব পুম্নমাবু হাথা পোংথাগে হাযবগী ফাইবমএ।। খোইযুম পাযমা মনিংশা মালং যাইবীবেলনা মালেম তম্পাক লৈনেমথক্কী থৱায পুম্নমসুং মালং যাইবী চৈবোইননা হুমজিল্লক্লে হাযবগীদমকপু লোইদাম অসিং ফাইবেল থা- ও তৌনা কৌএ ।।"*

(ক) উকাই কাপ্প - কুম খূদীংগী ফাইবেল থাদ উ-ন মীওইবগী হকচাং মরোঙ মান্ন শাবগ নিংথৌন, মথং কুমগী উকাই কাপত্রি ফাওবগী ওইন লৈপাক্কী অফ ফত্তগী মহৈ খঙনবগী অমসুং যেক্লব ঙাকথোক্লবগীদমক, উ ন শাব মী অদুদু তেন্ন তমদুন কাপ্লম্মী।। তেন্ন পাল্লিব মফম অদু যেংলগ লৈপাক্কী অফ ফত্তগী খূদম চাংদম খঙনবম্মী।। থৌবম অসীবু উকাই কাপ্প কৌবম্মী।। উকাই কাপ্পগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থাবোন'* দ অসুম্ন ইবি - *"- - - তুবী মমিযোক লাইবেল মসানকনগী, যোইহৈ নাকনবীনা মনু লাইহোই তান, খুৎচুম তেল্লী থোক, লাইবক তেনবুম থি, মৈদিংঙু মদাইবেম হুইদ্রোন তেন জাইবোযনা কোংযাং মীযু ওই, উকপ ফান্দেং ওই উকাই পানগা পায, লাইবেল মৈদিংঙুনা ফমদৌ মঙাইবোয নিংথৌ মহীকশাংগা লীবী থম্মোই তিং, লাকা তেনজৈ লাক্লা ব্রাযব শেঙ্গম থোং, উকাই পানগা তম্না লোইদাম কুমশা থানে।।"* অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'* দসু অসুম্ন ইবি - *" ফাইবেল থাদ অঙম অথৌশিংন থেনকৌবোল শাদুনা লৈপাক নিংথৌগী পুন্সি নুংশাং থৌনিবমই।। মাইবা মাইবীনা শবীক খীংদুনা লাইপাউ চেল্লমই।। নিংথৌনা উকাই কাপুন কাসা নোংথৌ তাইবমই।। অকন অথৌগী হবাউ কুম্মো তৌনা কুমচল্লমই।।"*

(খ) অপোকপ খুকম্ব ফাইবেল থাগী ২৬ নি পানব নুমিত্ত শবাং লৈশাং শলাইগী অপোকপ খুকুম্নবম্মী।।

১২) লমতা থাদ পাঙথোকপ লাইনীং নাৎকী থৌবমশিং

কুম অমগী অবোইব থা অসীবু লমতা থা মিংথোনখিবগী মতাংদ অবিব লাইবিক *'থালোয নোংখাযলোন'* দ অসুম্ন ইবি *"তাইবং নোংশাপান পুম্নমাগী তাউজীং হৈবম থাবিব, শীংলেল লৈবম লৈচল্লিব, শংলৌ যেলম যেনচল্লিবা মবম পুম্নমানা মবা মালেম লৈতাববগী মালেম লৈপাক মনম সীনা থাবীবে থাবী ও কৌযে ।। মক্ষশিং থাবিব পুম্নমানা মবা মালেম লৈদা চৎন, মপাল উনাইগে হাযবগী মালেম লৈসি তানা নমখাযনা হৈবাও মযোল চোংলে ।। শংলৌ মতা লামলে, যেন্নম মনাউ তাবে ।। অদু নোংগীবু লোইদাম থবী লমতা নমখায থা- ও তৌন কৌযে ।।"*

(ক) লমতা থাঙজ শবোই খাঙব - লমতা থাগী অহানব থাঙজ নুমিৎকী অযুক্ত খুঙ্গং খুঙ্গংগী ওইন অদুগ যাম্ন চাউব খুঙ্গংগী ওইবগন লৈকাই লৈকাইগী ওইন ইমা ইবেলশিংন যুমথোঙ খূদীংদগী খোমগৎপ চেঙ, যেনশাং মনামশীং, থুম মোবোকশিং অদু তবেৎ শেলকৎ যাওন যাকোক্ত হাপুন খুল নত্রগ লৈকাই

অদুগী অৱাং অমসুং খা থংব খুনজীন্দ লমতা থাঙজ শবোই খাঙবগী থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। মীযায চল্লবী অমসুং অহল ওইববী নুপীশিংন শবোই খাঙব চংপদ তেম, থাঙনচিংব পুদুন চংনবম্মী।। শবোই খাঙব হাযবদি শবোইশিংদ অচা অথক্কী পোংলমশিং অদু চাননীনব কংপ মতমদ অসুম্ন শোল্লম্মী- *"লম্মাবা তুমাব, লমশেনবা তুশেনবা, হন্নকোকচাউ হনুলাইখম, খুন্দা হানব, থাংজীং(গী) শবোই ৬১, মাবর্জীং (গী) শবোই ৬১, বাংববেল (গী) শাবোই ৬১ কৌব্রু (গী) শাবোই ৬১ মব ঙসী কোবৌ নুমিং অসীদ নসু হেবুংথৌ হেবেম্মশিংন কংচবিব পুম্নমক অসা চাবী- ও।। লাক্কদব কুমজা অসীগী ফত্ত হাউদি, মীশি মীনা পুম্নমক থঁখেদা তাহনবী- ও।। অফ নুংঙাইব, চাকহোঙ ঙাহোংঙব, খুনজাউ লৈচাউব পুম্নমক্তিং নদাইবেম নখুন খুনবুকলেন অসীদ পীনবী ও, কুবী ও, যেংবী ও।"* নুমিৎ অসীগী নুমিদাংবাইবমদ ইমুং খুদীংদ ইমুং অমদ লৈবিব মী মশাংগ মান্নব ঙমু মশীংন উশিল ঙা ওইন লাইযিংথৌ সনামহীদ কংলম্মী।। লাক্কদব কুমদ শিগদব মীগী মশাং থাব শীংথেক শীংথাবদ যাওবীদনব, যাওবম্লবসু উশিল ৬মুশিং শাদুন মহুৎ শিনবীখিনব থৌনিজবগ ঈশিংদ থাদোক্লম্মী।। অসুম চৌবনী মবমদি নুমিৎ অসীগী অহিং অঘোঙবদ হৈপোকচাংগী খোইযুম চীংদ লাইযামশিং লাইখুন্দিম্নবগ লাক্কদব কুমদ শিগদব মীগী মশীং শীংথেক্লুন শীংথাবম্মী, শীংথেক শীংথাবদ যাওবম্লবসু অশি অনা খোক্তনব ঙমুন উশিল শিনবনি ।।

(খ) খুম্হোঙ লাংপ লমতা থাগী অহানব থাঙজ নুমিৎকী যাচঙব মতমদ লৈপাক পুম্নমক্কী ওইনা সনা কোনুংগী অমাইবশিংন *'খুম্হোঙ লাংপ'*গী থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। সনা কোনুংগী অমাইবশিংন ১) খুবায পুঙ ২) বাংখৈ কোংব শৌদোনপুঙ ৩) যাইসখুল লমতাই পুঙ ৪) খ্বাই বাংথোনবী পুঙ লাইফম মবিমক্ত অমাইব লোযশঙগী অমাইব ৭/৭ ন চত্তুন নুমিৎ যাচঙব মতমদা পুঙজা চপ মান্নন থৌনিবম্মী।। লাইফম মবি অসীদ থৌনব মতমদ - *"লৈপাক অসীগী ফত্তব খিবিকপু লৈঙাকপী- ও।। কংলৈপুঙ মযোল কংলা শোকফদে।। কংলা শোক্তবদি লৈপাক শোক্তবে ।। কংলা শোকহনবগীনু- ও।।"* হাযন শোনগনি।। অসুম্ন পোংলম চৈনম কত্তুন থৌনিবম্মী।। খুম্হোঙ লাংপগী থৌবম অসী চীংখোঙ পোইবৈতোন্ন খুম্হোক্লিঙৈদগী চংনলক্লবনি হাযবগী থাজনবী লৈ।। (থৌবম অসী পাঙথোকপদ কোম্বাবোল, যুমদাই নাকশেং, ঈকু লাইশোল, লম্মিংলোন, অনম অথৌ, অতাই লাইশোল – লাইশোল ৬ অসী থাদোকপ যাবমদে ।।)

(গ) থাবল লীবোল শকপ ঔগ্রী হংগেন চোংব - থাবল লীবোল শকপ ঔগ্রী হংগেন চোংব (ঔগ্রী হংগেন চোংব = থৌবীগুম মবী মবী শম্মবগ হংগেনগুম খোঙ কাবল কাবল হাইদুন চোংব) হাযবিব হবাউকুম্মে যাইফ নুংঙাই থৌবম অসী, *'থাবল লীবোল শকপ'* হাযবসীগী অহানব ৱাহৈ *'থাবল'* হাযবসীগ *'ঔগ্রী হংগেন চোংব'* হাযবসীগী অৱোইব ৱাহৈ *'চোংব'* হাযবসীগ ৱাহৈ অনী অসী তাইশিন্নদুন কোন্নদি হবাউকুম্মে থৌবম অসীবু 'থাবল চোংব' হাযন খঙনবকখি।। লমতা থাগী থাযাযদ কোবৌ নুমিৎন হেক মযুম চঙখিবগ থাবুঙ থানিলন চীক্ল লেম্ন শাফোঙলকপদ লৈপাক অসীগী খুঙ্গং লৈকাই খূদীংমক্ত শাবী শানৌ পাখঙ লৈশাবী পুম্নমক্ল ফজব ফিজোল শেৎ-চাদুন মখূৎ মখূৎ চৰীক পবেংগুম খুৎশম্নবগ ঔগ্রী চোংদুন থাবল লীবোল শক্লম্মী।। লীবোল শৈশক অসী অখঙ অহৈ খুনজা অহল অমন মযাযদ ঈশৈ হল্লগ শাবী শানৌ পাখঙ লৈশাবীশিংন লীবোল শৈখুম্লম্মী।। লীবোল ঈশৈ অসীদ চীংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহীন মালেম লৈশেম্ব, মনাউ নুপা কোর্নজিল তিংথোকপ লৈথিনগাযন মালেম লৈমায লৈথিনগাযব, মযাম্মন মনাউ উনৌ কোন্দে কোন হুনববু ফানব হোৎনব, লাই নুবা তবেৎন কোযন খুৎশম্নদুন মনাউ লৈথিনগাযবু কনব, কে ক্রেক কে মোমো, যাঙ্গোই শম্ন শ্যাও শ্যাও, তোকপন কম্বন, কৈগ যেনগ, যেনখোং ফত্তে চাশিল্লো, লাইগী যেম্নিং চাফদে নচিংব মালেম লৈশেম ৱাবীবু শৈথাদুন শৈশক্লম্মী।। মালেম লৈশেম্লোন বাবী ভাজবগ অতাব মীওইশিং অদু অৱা অনা কোকপ যাইফ নুঙাইব ওই হাযবগী থাজনবী লৈবম্মী।। অসুম্ন ঔগ্রী চোংদুন থাবল লীবোল শকপদ মতাং মতাংগী মতুং ইন্ন খূবাকসু খূবম্মী, জগোইসু শাবম্মী।। হবাউ মথোই কাব থৌবম অসী, চৎখিব লোইদাম থাশিংদ খুনজাশিংগী চোইজাইনখিব যাইবী থৱাযশিংবু যাইবী থৱায মিকৌবোল শক্লন মিকোল থাগোল্লগ লোইশিল্লম্মী।। লমতা থাদ হবাউ মথোইকাব থৌবম অসী পাঙথোকপগী মতাংদ অবিন লাইবিক *'থালোয নোংখাযলেন'* দ অসুম্ন শৈথাবি *"নমু পোং ওইব পুম্নমক্ল চবৈ মকা ফোং, মালহৌ মীমাঙ তাক্ল কোংলৌ লমখৈবা, শাবল লমতাকপা, ৱাবী শীংবুল থোক্ল, খূবাক তাবুল ফূ, জগোই লেপলৌ-শা, খোইযুম লাইমিং শক, ঔগ্রী মালেম লৈবোয শৈ, চীংখোঙ মমিযোক, চকমোম খাম্বী মৈবা থানগুম্নবু কুম্মে লৈতেং হৌন থানে।।"* [লমদম অসীদ হিন্দু গৌবিযা লাইনীং চঙশিল্লকপগী মহৈ ওইন, অবাং ভাবতকী মফম খবদ লমতা থাদ পাঙথোকপ শঙ অম শাবগ যাউ পুনব, যাউ অদু লৌথোক্লগ যাউগী শঙ অদু মৈথাব, যাউ অদুবুন মঙক কক্লুন হাৎলগ মীযাম্ন থোংদুন চামিন্নব - *'ভেড়াব ঘোব দাহ'* (যাউগী শঙ মৈথাবা) কৌব হিন্দু লাইনীংগী হবাউ কুম্মে থৌবম অসীন মীতৈশিংগী যাম্ন ঙল্লিঙে মতমদগী লৈবক্লব *'থাবল*

লীবোল শকপ ঔগ্রী হংগেন চোংব' হবাউ কুম্মৈ থৌবম অসীবু চুপশিনখি।। *'যাউশঙ থাবল চোংব'* কৌনবকখি।। ঐখোযগী লমদম অসীদদি যাউশঙদ যাউ পুনব, যাও অদু হাত্তুন চামিন্নব যাওদে।। যাউশঙগী শঙ মনুংদ গৌবচন্দ্র মহাপ্রভুগী শক্তম লেঙশিল্লি।। মহাপ্রভু লেঙথোকখ্রব মতুংদ শঙ অদু *'হবি হবি বোলা, হে হবি'* হাযন লাউবগ মৈ থায ।।]

(ঘ) চীঙ্গোই ঈরুপ্প নোংপোক নিংথৌ খুরুম্ব লমতা থাগী ২৮ নি পানব নুমিত্ত চীংঙ্গোই ঈরুপ্প নোংপোক নিংথৌ খুরুম্বগী হবাউ কুম্মৈ থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। শেল্লোই লংমাই চীংদ লৈব অহোং নুঙগী লুপ্তপাকথক্ত অতৎ অখম লৈতন ঈশিং ঈফুৎ চেনথবিব মফম অদুবু মেন (সুরুং) কৌনবম্মী।। মদুদগী চেনথবক্তুন অৱাং মাযকৈ পাংন চেল্লক্লিব ঈশিং ঈচেল অদুবু চীঙ্গোই তুবেল মবীল কৌবম্মী।। শেল্লোই লাংমাইচীংদ লৈবিব লাইফমশিংদ মক ওইন লাইযিংথৌ নোংপোক অমসুং লাইবেম্মা পান্থোইবীগী লাইফমদ হৈবাং লৈবাং কত্তুন থৌনিদ্রিঙৈদ চীংখোঙদ চেল্লিব চীঙ্গোই তুবেলদ কোক লু তুমখোক্তুন ঈক শাদেংলগ চীং কাদুনা লাইফমদ মী মী অদুন কৎনাংব হৈবাং লৈবাংশিং অদু কত্তুন থৌনিবম্মী।। মসীবু চীঙ্গোই ঈরুপ্প নোংপোক পান্থোইবী খুরুম্ব কৌনবম্মী।। লাই খুরুম্বগী থৌবম অসীমক্তি লাইৱাবী অনীখক্ক মবী লৈনৈ।। শেল্লোই লংমাই চীংদোন্দ লাইযিংথৌ নোংপোক অমসুং লাইবেম্মা পান্থোইবীবু ফম্বাল তোংহন্দুন লাইযামগী নিংথৌ হাপ্পগ লাইযামশিংন তাইলং থৱায পুন্নমক্ত পুন্সি লৈবাং যেনখি।। মবম অসো লৈবন কুম খদাংগী লাইফম অসীদ পুন্সি নিজব ওইন খুরুম্ববকখিবনি।। চীঙ্গোই তুবেলদ ঈব পুন ঈক শাদেংব অসীদি লাইবেম্মা পীতংঙাগ মবী লৈনৈ।। লাইবেল নাউথিংখোংগী মশানৌ পীতংঙান যোইবু খোইমোম যুমজাউ লাইবেম্বী ওইন কোবৌ নোংগা তানখ্রবদ *"মশাবী লাইবেল নাইথিংখোংন ঈশানৌ পীতংঙা লীক্লু লৌথিবা মান যোইবু খোইমোম লাইবেম্মা ওইবিব কোবৌ নুমিৎ অসীবু চহী খুদীং লোইদাম থাবু থাকাউদ ঈশানৌ মাগী মশাইকোন্দগী চেনথবকপ শেল্লোই লংমাই চীংজুম ঈ চীঙ্গোই মবীল লাইজ ঈচেলদ ঈরুপসে হাযন পোইবৈ শীন্ন ৱাংঙম থুংন যাথং পাউ হাযখি।।"* মতাং অসীবু মাযচৌ পন্দিত ওইনাম ভোগেশ্বোবন অসুন্ন হায - *" লংমাই পীতংঙা অসীন কংলৈপুঙগী যুমজাও মনুংদগী লপলেনকাদ খোইযুম লাই ওইদুন মাগী যাইবীন লযবেনহনবীদ তিনখিবসি লমতাগী মাকমৈ ১৪ নি (থানিল মতুং ১৪ নি) পানব নুমিৎনি।।"* (মৈতৈগী হবাউ কুম্মৈ লা:১২) অসুন্ন থৌদোক অনী অসী পুন্সিল্লগ চীংঙ্গোই ঈরুপ্প নোংপোক পান্থোইবী খুরুম্ব অসী ওইখিবনি।। লাই খুরুম্বগী থৌবম অসীবু অবিব লাইৱাক *'থালোয নোংথাযলোন'* দ যাম্ন শমজীন্ন অসুন্ন ইবি - *" লমতা থাদ - - নোংপোক*

নিংথৌ পাম্লোইবীবু ঈবাং থৌনিযে।।" 'খুনুং লীচৎ শাজৎ' কৌব লাইবিক্তদি খব শাংতোল্ল অসুম্ন ই *"লমতা থা কুন্নিপান্নি পানবদা নোংপোক সনা চীংদোন পোক শেম্লোই লংমাচীং- - - লৈকোই চিকংলেন অসীদ নোংপোক মালং হুম্মোইবা লংমাই নিংথৌ কাযনৌ চীংশোম্বা নোংপোক শিল্লু অপানবগা নোংপোক নিংথৌ মশানৌ ইবেম্মা পলেম পিনাইদবী পম্লৌ পানাইদবী লাইবেন কদেং ঙানবা চনু বাঙ্গোন লাইনুবা অতেংবী তমফা ৱাংঙমলোন খাবি লেংনাউ মোম্বী নোংপোক পাম্লোইবীবু মৈতে পোইবে হনু হন্না, নতা নুপী পুন্নমক্ক চিংদুনা চীংঙ্গু মবম্ব খোইযুম মমাইবনা ঈবাংলে।।"* থৌবম অনী অসী থাবান মান্নব নত্রগ থংনন লৈব অসীন মবম ওইদুন পুনশিনখিবদগী চীঙ্গোই ঈৰূপ্ল নোংপোক নিংথৌ খুবম্ব হাযন খঙনবকাখ।। [লমদম অসীদ লৈবকখিব মীতৈ অযাম্বন হিন্দু লাইনীং চৎলকপগ লোযনন লাইনীং অসীবু লৈপাক অসীগী লৈহাউদ মবা তাশিনখিনব পাযখৎলকপ খূজীল থৌবাংশিংগী শৰূক অমা ওইন লৈপাক অসীদ লৌবিব চীং, পাৎ, তুবেলশিং অমসুং লাইযিংথৌ লাইবেম্মা কযাবু হিন্দু লাইনাংগী ওইব সংস্কৃত/হিন্দি/বঙ্গালী লোনগী মমিং মিংথোন পীশিল্লম্মী।।। অসুম্ন, শেম্লোই লংমাই চীংবু নীলকণ্ঠ গিরি, চীঙ্গোই তুবেলবু বারুনী নদী, নোংপোক নিংথৌবু শিব মহাদেব অমসুং পাম্লোইবীদ দুর্গা দেবীগ মান্নহল্লকাখ।। অসীগুম্ব থৌশিল থৌবাং অসীগী শৰূক অম ওইন 'চীঙ্গোই ঈৰূপ্ল অমসুং নোংপোক নিংথৌ খুকম্ব,বু ইনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিগী সনা হাক্তক্ত (১৮৫০ ৮৩) *'বারুনী কাব শিব মহাদেব খুকম্ব'* ওইন মতমগী খোঙলৈন পুবকখি ।।]

(ঙ) শীংশৎপ থৌবম - শজীব চৈবাউগদব নোংম বাৎলিঙৈ হাযবদি লমতাগী থাশি নুমিৎকী নুমিদাংৱাই যাচঙব মতমদ সনা কোনুংগী অমাইবশিংন শীংশৎপগী থৌবম পাঙথোক্লম্মী।। থৌবম পাঙথোকফমদি ঈযাংথাং লাইবেম্মীনা লৌবিব চীং অদুগী মমাঙদ লৌবিব হৈবোকচীংদনি।। খোইযুম লাইযাম খন্দিন্নফাম্ন গযবগী হৈবোকচীংবু খোইযুমচীং হাযনসু কৌনবম্মী।। লমতা থাগী অহানব থাঙজ নুমিৎ লাইযাম খুন্দিন্নবগ কুম অদুগী মনুংদ শিগদব মীশিংগী মশীং থাখিনশিং অদুগী মবক্ত যাওবম্ব থোক্লবসু লৈপাক্কী নিংথৌ যাওন লৈপাক্কী মকওইব মীওই খববু মশীং থাখিব অদুদগী লৌথোকহৌনবগীদমক চহী খূদীংগী শীংশৎপগী থৌবম অসী পাঙথোক্লম্মী ।।

(চ) অপোকপ খুরুম্ব - লমতা থাগী ১২ নি পানব নুমিত্ত মোইবাং শলাইগী অপোকপ খুকম্বগী থৌবম পাঙথোক্লম্মী।।

উমংলাই হবাউবা

উমংলাই হবাউব হাযবসী লমদম অসীদ যেলহৌমী ওইন লৈবক্লব মীতৈশিংগী লাইনীং অমসুং নাৎকী মচাক থন্ন যাওবব হবাউ কুম্মৈ ওইবন্মী।। মীতৈশিংন খুন্দা লৈতাদুন লৈব খুঙ্গং লৈকাই খূদীংমক উমংলাই অম নত্রগ অমন কোন্দব লৈবমদে।। খুঙ্গং নত্রগ লৈকাই অমবু কোনবীবিব লাই অদুগী লাইবুঙদ হৌবিব উপালশিং অদু যানথৎপ অমসুং মশা মবেং শান্থৎপ ফাওব যাদে, তৌহৈদে হাযদুন যাম্ন কিন লুন খন্নবন্মী।। মবম অসীন লাইবুঙ খূদীংমক চাউব চাউবব অবিব উপালশিংন মংশিন্দুন লৈবন্মী।। উন মংশিনব লাইবুঙদ লৈব লাই ওইবদগী উমংলাই কৌনবন্মী।। উমংলাইশিংগী মবক্ত মাযকৈ চিথেক মবি ঙাক্লিব লাইযিংথৌ মবি হাযবদি থাংজীং, মাবজীং, বাংবলেল অমসুং কৌব্রুবু লাইনীংগ মবী লৈনব থৌবম কযাদ হেন্ন মকওইব উমংলাই ওইন লৌনবন্মী।। মীতৈশিংগী লাইনীং লীচৎ যুমফমগী মক ওইব শকক অম ওইবিব লৈশেমলোনগী মক ওইব লাইশিংগ উমংলাই শিংগ ওইন থানন যাদ্রন মবী লৈনবন্মী।। উমং লাইগী লাইযিংথৌশিং অসী লৈশেমলোনগী চাংঙু খোইযুম অহুম চীংঙু খোইযুম অসীব লাইযিংথৌ সনামহী, অতিযা শিদব অমসুং উনৌ কোন্দে কোম্ন হুনব কোনজীল তিংথোকপ পাখংব চীংঙু খোইযুমলাই অহুম অসীগী লাইওল, লাইচৎ, লাংওল ওইন লৌনবন্মী।। অদুগ উমংলাইগী লাইবেম্মাশিং অসীবুন যোইবু খোইমোম লাইবেম্মা অহুম লেমবেল শিদবী, নোংথাঙলৈম অমসুং লাই খুৎলেম্বী (লাইখুবেম্বা)গী লাইওল, লাইচৎ, লাংওল ওইন লৌনবন্মী।। চীংঙু খোইযুম লাইযিংথৌশিং অমসুং যোইবু খোইমোম লাইবেম্মাশিংন মালেম লৈশেম্লকপ অমসুং তাইবং মীওইবনা যুম কৈ শাদুন, লৌ- শীং উদু॰, ফিশা-লোনশানচিংব থবক কযা পাঙথোক্নুনা খুনবান লৈপাল্লকপ, চাপোক নাউপোকপগী মকওইব থৌদোকশিং অদু মচা মনাই ওইবিব খুনজাশিংন মাইব, মাইবী অমসুং পেনা শৈশকপন লমজীং লমতাক্লুন উমংলাইগী লাইবুঙশিংদ লাইশোল ওইন শোন্দুন, ঈশৈ ওইনা শক্লুনা অমসুং জগোই ওইন শাদুন হবাউ শকশেম তম্লগ থৌদোবশিং অদু কুম্মৈ ওইন শান্নবন্মী।। থৌদোক কুম্মৈশিং অদু উবিবগ উমংলাইশিং অদুন পেনবীদুন হবাউই, খুঙ্গং লৈকাই অদবু কোনবীবিব লাইশিং অদুন পেনবীদুন হবাউববদি খুনজাশিং অদু পুক্সি নুংশাংব, চাদা-নাউদা শনব, চাকহোঙ ঙাহোঙব,

খুনজাউ- লৈচাউব অমসুং লৈপাক নিংথৌ মবা চেৎপ থৌজাল পীনবী হায়ব লাইনীংগী ওইব থাজনবী অসী লৈবদগী কুম কুম খূদীংগী খুঙ্গং লৈকাইশিংদ উমংলাই হবাউবগী থৌবম পাওথোক্লম্মী।। তেংবানব মপু, তেংবানব, লাইযিংথৌ লাইবেম্মাশিং, তাইবং মীওইব, তাইবং মীওইবগী থব্বায় অমসুং হকচাং -পুম্নমক অসীগী মবক্ত লৈনবিব তৎন- থনব যাদ্রব মবী অদু উমংলাই হবাউবন ঐখোয পুম্নমক্ত খণ্ডহন উহনবীবম্মী।। লোইদাম শর্জীবু থাদ মোইবাংগী লাইযিংথৌ থাংজীং হবাউবম্মী।। মোইবাংগী লাইযিংথৌ থাংজীং হবাউখ্রবদি লমদম অসীগী উমংলাই অতৈসু হবাউবগী চৎনবী লৈবম্মী।। মবম অসীন উমং লাই অযাম্ব কালেন থাদ হবাউনবর্ম্মী।। কালেন থাদ হবাউবগী থৌবম পাওথোক্কন লৈহৌব লাইফম খবর্দদি ইঙা থাদ হবাউনবম্মী।। অসুম্ন, উমংলাইগী লাইফম অযাম্বদ কুম অমগী মনুংদ শর্জীবু, কালেন, ইঙা-থা অহুম অসীদ খুঙ্গং লৈকাইশিংদ উমংলাই হবাউবগী থৌবম অযাম্ব পাওথোক্লবর্ম্মী ।।০।।

১১

মীতৈ ফৃদ্ধপকী সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌদ চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী ব্রাখল ফিদম ফিরেপকী ঈথিল

কাসাবদ লাইনীংহল নাউবিয়া ফ্লোন খৃস্ত কুম ১৯৩০ দ *'অপোকপ মদ্ধপ'* হায়ন মিংথোনব লাইনীং লূপ অম লিংখত্তুন মীতৈশিংন হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈদ অঙনব মতমদগী লৈবকখিব ফৃদ্ধপ অসীগী অবিব লাইনীং অদু হিংগৎনবগী ঈহৌ শাগৎলকখি।। লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ অসী মায়পাক্ল চঙশিনব ঙম্মবগীদমক লাইনীংহলন পাযখৎপিবম্ব থবকশিংগী মনুংদ অমখক্তি লাইবিক ১৯ লোম ইদুন থম্মীবম্ব অসীনি।। থম্মীবম্লিব লাইবিকশিং অদুগী মনুংদ *'নিংথৌবেল পামহৈব'* হায়ন মিংথোনব খৃস্ত কুম ১৯৩২ দ শৈরেংদ ইখিব লাইবিক অসীসু অর্মান।। মীতৈশিংন হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈ মতমদ পবম পথাপ নাইব অরাংব থাক্কী ব্রাখল ফিদম লৈব লাইনীং অম লৈজবম্মী।। লাইনীং অসী নিংথৌ পামহৈব (গবিবনিরাজ) গী হাক্তক্ত (খৃস্ত কুম ১৭০৯ - ১৭৪৮) মুৎথত্তুন মীতৈ অযাম্ববু নমদুন হিন্দু বামান্দি লাইনীং চৎহনখি ।। মুৎথৎপকী খোঙজঙ অদু মপাম্ফোংগী ওইনদি ফন যাম্ন মায পাকপ ঙমখি।। মতম অদুদ মতমদুগী মায়চৌ পুবেল চীংঙু মায়চৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন কবি কবম্ব ব্রাখল ফিদম অমসুং ফিরেপ লৌদুন মীতৈশিংগী যাম্ন ঙল্লিঙৈ মতমদগী থাগোন্নদুন লাকখিব ফৃদ্ধপ অসীগীওইব লাইনীং লীচৎপু কন্নব হোৎনখিবগে অমসুং হিন্দু লাইনীং লৌকবগ মীতৈশিংগী মাঙজগদবশিং অদু কবি কবিনো হাযবগী মতাংদ মায়চৌ অসীন মতমদুদ হাযখিবশিং অদু লাইনীংহল নাউবিয়ান

লাইবিক অসী লোইশিল্লকপগী পন্দুপ খবদ যাম্ন মযেক শেংন ফোঙদোক্লি ।। কংলৈপাক মনিপুব অসীদ খৃস্ত কুম ১৯৪৫ মে ১৪ দ কাসাবগী *'অপোকপা মক্পক'*কী মশা মবেং অম ওইন *'মীতৈ মক্পক'* কৌব লাইনীং লূপ অম শেমদুন চঙশিল্লকখিব লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ অসীদসু লাইবিক অসীনু অকনব ঈথিল অম পীখি ।।

পন্দুপ ১৪ লৈব লামায ৭০ পানব লাইবিক অসীগী ১১ সুব পন্দুপ্তুগী ১৪ সুব অবোইব পন্দুপ ফাওবদ, নিংথৌ পামহৈবন লৈপাক অসীদ মীতৈশিংগী মশাগী ওইব লাইনীং অমসুং নাৎকী মক ফৃক্তোক্লব হোৎনবকপদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন ফোঙদোকখিব ব্রাখল ফিদম অমসুং ফিবেপ অদু লাইনীংহল নাউবিযান যাম্ন মযেক শেংন ফোঙদোক্লুন ইবি ।। কংলৈপাক অসীদ শান্তদাস গোসাইন হিন্দু বামান্দি লাইনীং শন্দোকপ লাকখিব অদু মীতৈশিংন খ্বাইদগী হেন্ন মতীক মযাই লৈব লাই অম ওইন লাৎনবক্লিব লাইযিংথৌ সনামহীন কৌবদগী মহাক লাকপনি হাযন লৈপাক মীযামদ হাযখি ।। (লাইযিংথৌ সনামহীন কৌবদি ওইবম্লোই।। কাবিগুম্ব ওইনম্লবাদ নিংথৌ খাগেম্বন তবেৎ শেলহিংন হৈদুনা শাবম্ব লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ শকপান্থোং অদ থুগাইবম্লোই।। অদুব থুগাহখি।।) মতাং অসাবু লাইবিক অসীগী ১১ সুব পান্দুপ্তু অসুম্ন ইবি *"লৈপাক তবা তিল্লগ শান্তদাস গুরুন / চীংলেম্ন হাযনকই নিংথৌ, ঐন লাকপদি, লাইমিং যেংগে লাকপান সনামহী হাযাবব / নখোযগী লাই অদুন হাযববগী লাকপান / নঙী লৈপাক অসীগী পুম্নমকসু খঙহল্লো ।। /"* লৈপাক মীযাম্নদি কোনশেং তুবৈশেংব লাইযিংথৌ সনামহীগী লাইপাউ তাবগ শান্তদাস গোসাইন হাযবিব বাফম অদুগী অচুম- চমদ লেপ্প পামখি।। নিংথৌ পামহৈবন সনা কোনুংগী মাইবী কৌদুন লাইমাঙ ফমহন্দুন লাইপাউ চেনহলখি।। লাইগী লাইপাউ অদু শান্তদাসন হাযবিব অদুগদি ওন্ন তৈনব মব্রোঙ ওইবম্মী।। অদুবু লাইপাউ অদুবুদি নিংথৌন যাব লৈখিদ্রে।। মতাং অসীবু অসুম্ন শৈথাবি - " *- গুরুন হাযবদুগ লাইপাউগী অসীগদি / ওম্থোক্ল শোযনখ্রব অদুদ / অহলশিংগী পুক্লীং ব্রাখল চিংনখি।। খেম্নবগী মবমসু অহলশিংন হংগচৈ, / নিংথৌবেন্ন তাখিদে।। / মতম ঈথক ঈথেংন কনমনখিব মবম্ন / পামহৈবগী নাকোংদ লাইপাউ চনব যাখিদে।।"* / (লা: ৪৫) নিংথৌগী যাথং ইন্দব লমহেনব যাওবক্লবদি লৈপাক অসীদগী হেক্ত তাম্থোক্লনি হাযব নিংথৌগী অকনব যাথং অদু তাববদ লৈপাক মীযামসু যাখি।। অদুবু অকনব ব্রাশক অম যাওদ্রবদি যাববোই হাযন নিংথৌন চিংনবদগী হিন্দু লাইনীং লৌবব মীতৈশিং অদু নোংখ্রঙ মশা পাযহন্দুন সনা কোনুংগী নুংজেং ঈযোক্লোমদ ঈকপ্তুন ব্রাশকহনখি।। থৌদোক অসীবু লাইবিক অসীদ অসুম্ন ইবি " *পামহৈবন*

হাযবকই- সাধু, ব্রাশক অম লৈ/মীতৈ ঐখোযগীদি কনখবব ব্রাশক্কি/ নোংখ্রঙ মশা পাযদুন ইবুধৌগী নুংজেংদ /ঈকপ্পুন শক্কগা ব্রাশক মতোন লোমগনি॥/ যাম্ন ফবে হাযদুন শান্তদাস গুরুন/মীতৈ মযাম কৌদুন নোংখ্রঙ ঈকপহনখি॥"(লা:৪৮) মী অম শিববদি মী অদুগী শব্দ মচেৎ অমতং গঙ্গা তুবেলদ থাধব ঙম্লবদি মী অদু অবান খুভম ফংব ঙমগনি, অদুনু গঙ্গা পল্লুববদি যাম্ন থাপ্ন লৈব মবম্ন মীতৈশিংন যাবিববোই খঙদুন শান্তদাসন শব্দ মচেৎশিং অদু নিংথি তুবেলদ থাধব্রনবগীদমক হাযাখবশিং অদু অসুম্ন ইবি "গঙ্গা পল্লুববদি যাম্ন থাপ্ন মবম্ন / মীতৈ মরূপ খিবিক্ক যাবিববোই হাযদুনা / শান্তদাস গোসাইন পথাপ অম পীনাখ ॥/ নিংথি তুবেল ঈচেন্দ থাহৌ হাযন তাকপিখি॥/--- নিংথৌ চৈবাক কিবন/ লৈপাক মচা অপুম্ব শিখনব মীযামগী/ মংবু তৌখাযবদুন লূগী মচেৎ লৌদুন /নিংথৌ মাঙদ শৈশংখি - "/ তৌহৈদব মংথোঙ হাংবগী থবক অদু মীতৈশিংন তৌনবকপ মতম অদুদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাব লাক্কুন নিংথৌদ - তৌহৈদব থবাক্কু, লূনা তিনব মফমদ মীতৈশিং অসী খুন্দা লৈতাকবগনি, অবাগী নেই ওইখ্রবগনি, চুমদে তৌহনবীগনু হাযজখি॥ অদুবু নিংথৌনাদি শান্তদাসন তৌবিব অদু শাক ফও থিবনোই হাযববদ চীংঙু খোংনাং থাবন মহাক্কী মতম লোইবে খল্লদুনা সনা কোনুংদগী হনাখ॥ থৌব্রোঙ অসীবু লাইবিক অসীদ অসুম্ন ফোঙদোক্ল " ওইহোক্কব থৌবম্নু/লৈপাকচা খিবিক্ক তৌবকপ মতমদ /সিদ মিংশৈ ফংলব খোংনাংথাব অহন্ন/ মীতৈ সনা লৈপাক্কি মাঙব তাবে উদুন থেনুং তান্ন লাক্কুনা পামহৈবদ হংগৎলৈ/ নিংথৌবেল, তৌবিবাসদি কবিগী মতৌনিগে "/ মংথোঙ হাংলে, লৈপাক্কি পানব যাম্ন ব্রাব তাবে / মীবৈপাক মচা মযাংন মীতৈগী ফননব,'থৌবম খঙব হৌনদে, নুংশিবীব হৌনদে ॥ মীবৈপাক মচাগী মবা লৌদুন ইনিংথৌন/ তৌহৈদব থৌবম্ন তৌহল্লিন অসাদ/ ওহ্নোক্কসু চুমাখদ্রে লৈপাক মাঙব তাবে ॥/ফননবদমক্কী মাইব মাইবী খিবিক্ক/মংথোঙ থিংনবিবান তেকশিন হনজিন্দনব॥/ মীতৈ হাযন ঐখোযগী লূগী মচুং ইনবনি, বাযেল তোপ্ন লৈবনি॥/ নিংথৌ তুবেল ঈচেলদ থাধবব লূদুদি /ঐবা লৈপাক্কী ঈচেল তুথুপ অদুদ লোইন,'তিল্লুবগনি॥ লূনা তিনব মফমদ / খুন্দা লৈতাবগনি ঐবাগী লোই ওইবনি॥/ মবম অসীন নিংথৌ, চুমদে তৌহনবীগনু॥/ পামহৈবন খুম্লকই গুরুগ হাযনখ্রবন/অফ- ফও মবমদি নিংথৌ ঐন থিববোই॥/ শান্তদাস গুরুন ঐবু পোকপিববীনি। /মহাক্কী থৌশীনসিদি ইবাল লাম্লোইদবনি॥/নিংথৌগী বা তাবদ খোংনাংথাব অহম মপুক্কীংদ বাবৌখি, নিংথৌন যাবিববোই/ খঙলদুন হাযবকই নিংথৌবেল ঐন খঙবদি/ হাযজবিব অসীনি নিংথৌন যাদ্রবদি ঐগী ইতীক লৈজদে॥ বাবোল অসী হাযদুন /খোংনাংথাব কুমখবে, মতম লোইবে খঙখবে॥" /(লা:২৯-৫১)

মীতৈশিংগী পুযা লাইবিকশিং অসী লৈবিব মখৈদি মহাক্ল শন্দোক্লিব হিন্দু বামান্দি লাইনীং অসী থৱায হকচাং অমসুং পুক্নীং বাখল লূপশিন্ন লৌ হাযব যাববোই খল্লদুন শান্তদাস গোসাইন লৈপাক অসীদ লৈবিব পুযা পুন্নমক মৈদ থাদোক্লুন মাঙহল্লগে, মীতৈশিং অসীগী মপা মপুশিংগী ৱাবী ৱাখোঙ অমসুং ঙল্লিগৈ মতমদগী লীশাং শীংর্ন চংনবক্লিব লাইনীং লীচংকী খোঙ্গুল মুংশংলগে হাযন খল্লদুন থবক কযা পাযখংলকপ মতম অদুদ কবি কবি হাযখি ে।খিবগে হাযবগী মতাং অদু লাইনিক অসীগী ১২ সুব পন্দুপ্ত অসুম্ন ইবি

" - - *মীতৈ লাইবিক অসীন/লৈবিঙৈগী মতুপ্তি মীতৈ মক্প মখৈন/মহাক্লী ধর্ম্মসিদ ওনশিল্লবোই হাযদুন /লাইবিক লাইসু পুন্নমক চিংথব লৈতন মৈ/থাদোক্লগে নীংখবে ।। মৈচাকখ্রবদি শোইদন/মীতৈ মচা মখৈন পাবী পুবী কাউবনি/মনীং মখা তৌদুন চংলম্বু ঙল্লবোই /মহাক্লী ধর্ম্মসিবু লুন- চান্ন তৌবনি / বাখল অসী পুদুনা শান্তদাস গোসাইন 'পামহৈবদ হংগংলি নিংথৌ নঙগী লৈপাক্ত/লাইবিক লাইসু লৈববা, মযেক মশোল লৈববা?/ লাইবিকশিংদু যেংলগে শান্তদাস গুরুন 'হাযবকই নিংথৌ, সীদি তাইবংমীগী নক্তে/ লাইন যেকপ মযেক্লি, লাইনী থাঙ্গে শেংবনি/'- শান্তদাস গুরুন হাযবকই নিংথৌ নঙগী ' লৈপাকসিদ লৈবব লাইবিক পুম্ব খোমদুন মৈদ পুমথা থাগনি।। অদুন নিংথৌ, লাইবিক পুন্নমক খোমগংলো।।,'গুরু যাথং ফংদুন পামহৈবদি নিংথৌন/অষ্টম অথৌ থাদুন লাইবিক মযাম খোমগংলে/ - হৌবকপন লোইবগী মতাং লাইবিক পুন্নমক - -/ লাইবিক মখৈ পৈদুন চীংগীমতম ওইখবে ।।' - কপ্ন লাউনা খোঙ্গাংন লৈব যাবক্লদুন /খোংনাংথাব লাক্লুন পামহৈবদ হাযববে / নিংথৌ, ঐন লাকপদি অকুব থৌবমগীনি,/ তৌহৈদব থৌবমত নিংথৌ নঙন তৌহল্লে/ইমা ইপা শক্লব মীতৈ লাইবিক পুন্নমক/ মৈদ থাদোক্লবদি ইমা ইপা লৈববোই।।/ - - নামুংখ্রব থবক্লি তৌবীগনু ঈবুংঙো !/ খোংনাং থাব অহন্ন হাযজখিব খিবিকপু , নিংথৌবেল পামহৈবন যাব লৈখিদ্রে ।।,' - - - নিংথৌবেল পামহৈবন মনাই খব লোযনন/ মৈহুম তুংওই পাযদুন শান্তদাস গুরুগী/মতুংতবু ইন্দুন মৈকোয থৌবম লোইবগ /শীংবুল মৈবা চমদুন মৈবু চূব হৌখবে ।। / - লাইবিক তক্নক তবঙদ/ ঙংলদুন পাইখংলি মাযকৈ মবি শীন্দুন/- - - শকোক শলাই থিবেল, যাঙবী, নাউযোম, শীংখন,/ পাখঙব নাউযোম্নে, নুঙলোন কৌব লাইবিক্লে / লাইবিক মৈ থাখিব মতমদগী হৌদুন /শিববদ মীতৈন মৈন লোইন থানবে।।/ - - শান্তদাস গোসাইন পামহৈবদ হাযবকই - '- - - মৈদ থাগদবনি।। মৈন ওখাক চাক্লগ /শিবিব মী অদুগী মবাইবক থুগাইদুন/লূব মচেং তমঙং লৌদুন থমহৌগনি/মযাং*

লৈপাক লাইফমদ থাধবগদবানি।।" (লা:৫১-৫৫) অসুম্ন. পুযা মৈ থাখিব হেক মতুংদসু চীংঙু খোংনাংথাবন সনা কোনুং কাবক্তুন নিংথৌ পামহৈবদ অসুম্ন হাযবখি ইমা ইপা শক্লুব লাইবিকশিং মৈ থাখ্রবনিন মীতৈশিংগী তুংগী মীবোল – চাবোল সুবোলশিংদি অশেংব হৌবকফম, পাবোল পুবোল, মমা মপা মশক খঙলবোই, মীগী মমা মপাদ ইমা ইপা কৌবনি, অদুবু মাঙখ্রিব লাইবিকশিং অদু অমুক ফংলকপ মতমদ মীতৈ যেক শলাই পুম্নমক মপা মপুগী লাইনীং লীচৎ খুভমদ অমুক হনজিল্লখিনি হাযন নিংথৌদ তাকপানমখি।। পুযা মৈ থাকুবগী লাইথুং লাইনা পক্লুব শান্তদাস গোসাইন চীংঙু খোংনাংথাবদ মতমগী ঈথক ঈপোম্ন কর্নাখিবদগী থৌদোকশিং অদু থোকখ্রবা, মতম অম লাকখিনি, মতমদুদ মীতৌশংন পাবম পুবমচৎকী ওইব লাইনীং লাচৎত অমুক শোযদন হনজিল্লকখিগনি, মহাক্ন পুযা মৈ থাকুবগী মহৈ ওইন লাইথুং পক্লিব অদু কবম্ন কোকপ ঙমজগদগে থৌজানবীদুন তাকপীযু হাযজলবদ চীংঙু খোংনাংথাবন নুংশিবীবদুন পূব্বক শৌবী ঈকোন্দ লপচৌ হাযনা তাকপীখি।। পূব্বক শৌবীদ ঈবাপচবদগী শান্তদাসকী লাইথুং লাইনা অদু কোকচখি।। থৌদোক বাবীশিং অসীবু লাইনীংহম্ন অসুম্ন শৈথাব "মতম অদুমক্তন্দ খোংনাংথাব অহন / কোনু, তান্ন লাক্তুন নিংথৌ নাক্ত হংগৎলৈ / লৈমযোনগী লাইনিংথৌ এদি মতম কুইবক্লে / তাইবং চীনজাক লোম্নক্লে এদি লৈব যাববোই/ - বাহৈ খিবিক হাযখিব খোযখা লিনখা থাগন্।। মীতৈ এখোয খিবিক্কী ইমা ইপা শক্লব লাইবিক লাইসু পুম্নমক তুম্ন মাঙখ্রবানন / মীতৈ ঈব্বপ পুম্নমক মমা মপা খঙলবোই/ মীগী মমা মপাদ ইমা ইপা কৌবান।।' -- পাইখক্তুন চৎখ্রব লাইবিক লাইসু খিবিক্ল ' মফম মবাং খঙদনা তোখ্রব মফমগী /খোঙ্গুলতবু লীকুগে, তমগসু হাযবমগে / নিংথৌ নঙগী নফমদ নবুধৌ পাখংবগী /চাদা নাউদা শলাইন মাঙখ্রিব লাইবিকশিংবু / ফংলবন মতমদ মীতৈ শলাই পুম্নমক/মপা মপু ফীভমদ লোইন হনজিল্লগনি।। শান্তদাস গুরুন শোল্লি শোল্লি লাক্তুন, খোংনাংথাব অতন্দ হংগৎলৈ / মীতৈ লাইবিক পুম্নমক মৈন থাকবদগী / ইশা লাইথুং ওইবে ইবৌক ইপা নত্তন, থৌবমতবু তৌববে হৌজিক মতম অসীদ/তেকচাক ওইন ফংজবে - / শাউবীবগন্ গুরু, মতম ঈথক্লবন/ওইখবব থৌদোক্লি মতম অম লাকখিনি/ মীতৈন মশগীদ অমুক হনজিল্লখিনি।। মতৌ কবম তৌবগ এন বাবিবসী/'কোকপ ঙমজ্জবগব ' গুরু নঙ. থৌজানবীয / লাইগী পূকচেল চেল্লব খোংনাংথাব অহন্ন 'বামোন্দুদ হাযবকই পাখংবগী যাথোকফম পূককশৌবী পাংকোযদ/ লূপচক- ও ফগনি, যাথং তসী হাযবগ /পুগদব পূদুন নিংথৌবেল পামহৈবন্/পুকমেল পাউমেল্লম্নগ খোংনাংথাব থোবক্লে/

খোঙফম তবেং লাক্লগ তন্ন চীকমাঙনখবে / তাইবংপান খিবিকপু অমম্বদ থনম্লে ।।/ খোংনাংথাব অহনগী যাথং মতুং ইন্দুন/পূব্দকশৌবী পাংকোযদ লূপচকব মবম্ন/শান্তদাস বামোনগী লাইথুং লাইনা কোকখবে।।"
(ল: ৫৬ ৬০)

লাইবিক অসীগী ১৪ সুব অবোইব পন্দুপ্তু শান্তদাসকী পাউতাক মতুং ইন্ন, মীতৈশিংন লৈবোল চনখ্রব শিখ্রব মপা মপুশিংগী মংথোঙ হাংদুন শব্দ ফুক্লগ নিংথি তুবেলদ থাধনখিব মতম অদুদ চীংঙু খোংনাংথাবন —লূন তিনব মফমদ মীতৈ মচা অযাপ্প খুন্দা লৈতাবগনি, ঔবাগী লোই ওইবনি হাযখিব. অদুগ অমুক পুযা মৈ থাখ্রব মতুংদ মীতৈ অযাম্বন শান্তদাসকী পাউতাক মতুংইন্ন শিবগ মৈ থাদুন লাইবক্কী শব্দ লৌবগ মযাং লৈপাক্কী লাইফমদ শব্দ মচেৎশিং অদু থাধকবদগী ওইবকখিব পুবাবীগী থৌদোকশিং অদু লাইনীংহল নাউবিযান যাম্ন মযেক শেংন মসুম্ন শৈথাবি "মচা ইবুংঙো মার্জং নিংথৌবেলগী হাক্তক্ত/ ওইথোক্তব ওইখবে মীতৈ সনা লৈপাক্ত / লমতা থাগী হন্থিগুম মীতৈ লৈপাক থুমহৎন/ঔরা লাপ্মী মখৈন মীতৈ লৈপাক থুমহৎখি/উকায শনপোৎ তকপগুম শজি লাঙ্গোই চনবগুম/ঔরা তেঙ্গোল মখৈন মীতৈ লৈপাক তক্তুন/ইপা ইপু মখৈবু নমথুদুন ফাদুন/খূপাক যাইবী লংদুন মবৈপাক্ত পুশিনখি।।/ - মীতৈ লৈপাক তম্পাক্ত ঈনোৎ তৌখিবদুবু/লৌশিং চাউব ইবুংঙোশিং হৌজিক ফাওব কংদ্রিযে।। / শিদব মিংখৈ ফংলব খোংনাংথাব অহনগী /শিদব যাথং ঈকদি ইচেল ওইন চেনবনি।।/ মযাংগী লাইনীংসীন চঙথৈদগী হৌদুন /মীতৈ মরূপ খিবক্কী যাইপ চাকচা হাংখবে।।/--- মযাং মপা মপান মীতৈ মরূপ এখোযগী 'ইপী ইপা ওইখনে, মমা মপা যোক্লিব মীতৈ মশীং যামলক্ত্রে মপানখোংদ মঙাযবে /তৌজিক মতম অসীদ মীতৈ লূন তিল্লিব, মযাং লৈপাক লাইফমদ মীতৈ মরূপ মখৈন পবপ পবপ মুন্নন মযাং গুরু মখৈগী লথাক্তবু ফংদুন খুন্দাদুন লৈনবি।। / খোংনাংথাব অহন্ন হাযবীবম্ব পুম্নমক/ লেঙখদব যাপংনি মথং শীৎন ওইগনি।।"/(লা: ৬৮ ৭০)

কাম্বাবদ লাইনীংহল নাউবিযা ফুলোন খুন্ত বুম ১৯৩০ দ 'অপোকপ মরূপ শেমদুন মীতৈশিংগী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ চঙশিল্লকাখব অসী মতমদুদ কাসাবদ খুন্দবন মীতৈ মচাশিংন লাইনীং নাৎকী মতাংদ মফম অদুদ লৈমিন্নবিব বাঙ্গালীশিংগী মমাঙদ থেংনবিব ইকাইবশিং, ঙল্লিথৈ মতমদগী লৈজবকখিব মীতৈশিংগী মপুঙ ফাবব লাইনীং নাৎকী বাবী ব্রাখোঙশিং খওবগ লোযনন লাইনীং অসী নিংথৌ পামহৈব হাক্তক্ত কবম্ন লৈখা তাখিবগে অমসুং নিংথৌ পামহৈবন শান্তদাস গোসাইগী থৌইনশিন মতুং ইন্ন থবক কযা পাযখৎলকপদ

চীংঙু খোংনাংথাবন কবি কবম্ব ব্রাখল ফিদম ফিবেপ লৌখিবগে হায়ব পুক্নীং ব্রাখলশিং অসীনা মহাক্কী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ ওইহল্লকপগী যাম্ন মক ওইব মবমশিং ওইগনি হাযব অসীদি মশান তাজবব ব্রাফমনি।। পুব্রাবীগী ওইব থৌদোক ব্রাথোকশিং অদু মীয়ামগী মফমদ মযেকশেংন খঙহন্দুনা মহাক্কী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ অসী মবাচেৎপ যুমফমদ ফিবেপ লৌদুনা মায পাকপ ঙম্নবগীদমক লাইনীংহলন লাইবিক অসী ইখিবনি হাযবসীদি ঐখোয খূদিংমক্ক ব্রাখল খবদং খন্থবদ অদুমক খঙব ঙম্নব বাফম্নি।। লাইবিক অসীদ যাওবিব চীংঙু খোংনাংথাবগী বাখল, ফিদম অমসুং ফিবেপ অসীন অমুক কংলৈপাক মনিপুবদ খৃস্ত কুম ১৯৪৫ গী মে ১৪ দা *'মীতৈ মকপ'* শেমদুনা লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ চঙশিল্লকপদ অকনব ঈথিল অম পীখি হাযবসী, লাইনীংহল নাউনিযান ইব লাইবিক কযাগী মনুংদগী *'পামহৈব'* (নিংথৌবেল পামহৈব) হাযব লাইবিক অসীদং খনগৎলগ, লমদম অসীদ লাইনীং হিংগৎ ঈহৌগী লুচিংবাশিংক্সী মনুংদ অম ওইখিব সনামহী বোকুলন খৃস্ত কুম ১৯৫২ দ ফোঙদোকখিব অসীন যাম্ন মযেক শেংন খঙহল্লি।। লাইবিক অসীন সনামহী বোকুলদ কযা যাম্ন কনব বাখল ফিদম পীব ঙমখিবগে হাযবগী মতাং অসীদি অফোঙব মশান লাইবিক অসীগী *'ব্রাহৌদোক'* ত ফোঙদোক্লিব বাহৈ খব অসীন অদুমক মযেক শেংন তাকচববনি।। বাহৌদোক্ত অসুম্ন ইবি *"ব্রাবী অসীদগী খঙলক উবকপ 'নিংথৌবেল পামহৈব' হাযব লাইবিকসী মীতৈ ব্রাবীগী মনুংদগী পামহৈব নিংথৌগী হাক্তক্ত থোকাখিব ব্রাবী মতৌক্সি।। - - ব্রাবী অসীনা মিংশেল ওইদুনা মীতৈ ঐখোযগী মাঙখ্রিব পোৎলম পুম্নমকপু উবক্তুন মদুন থৌজিন্নিঙব্রন অনৌব পুক্নীং মযোল চোঙকই।।"*

"ব্রাবী অসীদগী ঐখোযন খঙব ঙমই হাযানব নিংথৌ অসীগী সনা হাক্তক অসীদ মীতৈ মকপ ঐখোযবু পুম্মাঙ মাঙহল্লগে হায়না মেহন তুবেলগী গুস্তীন গুন্নব সিলহট মচা শান্তদাসন নিংথৌগ লৌতুনদুনা মীতৈ লোন, মযেক অমসুং লীচৎ ব্রাবী পুম্নমক্কী হৌবকফম ঈফুৎ ওতবিব লাইবাক পুম্নমকপু হাকচব লৈতনা খোমদুনা মৈদ লোইন থাদোকখি।। অদন ঙসীদ মীতৈ ঈপা ঈপু মশক কাউবে।। ঐখোযগী অবিব মহৌশাগী শাগোন্নবকপ অক নুংঙাই খঙ্গনবী খুদম অমসুং মাঙফদব পুম্নমক অদ থৌজিল্লকপদ মিংশেলন তা গী লৌশিন, পানবগুম মল্লবিব অসীনি।।"

"পামহৈবনা নিংথৌগী হাক্তক্তুনা হৌদুনা পোইবব লৈমশাল অসীগী বাযেল পথাপ্ত, লাচৎ পথাপ্ত মীতৈপাক মচাগী মীখুৎ চনব থৌখ। মযাংন মীতৈবু মশা ওন্থোকহনা (কেন্সেসন) নাবেং লংক্সী থাংজিনবীদুনা খাটহুম শনগী

মতৌগুম মহোযন হোইনিংব মাযগৈদ হোইদুন পুখ্রিব অসীনি।। - - - পূকফবগী শক্কক থুংদে হাযদুন ঙসীদি মীবৈবাক মচা মযাং (মীযান) মখৈন মীতৈগী হৌফম শাংফম পাবী পুবী পুম্নমক মুথক্তুন মীতৈবু অতোনবগী লেংদ থল্লগ মীতৈ মতীক চাদ্রি হাযজীন্দুনা, মীতৈগী ঙাক্নবাক, চেঙফু হুন্নবব লীচং শাজত্ত মখোযগী মতৌ তমহল্লগে হাযদুন রাযেলগী খূজী পাযবব মতম অসীদদি মীতৈ মখৈন পেন্দি পেন্দন তঙক তঙক যেংদুন লৈবি ।। লৈবাক্কী ইবুংঙো ইবেম্ম পুম্নমক! মীতৈ পুম্নমক পূকচেল চপ মান্নন খোঙফম অমত্তং হেক হন্দোক্তুন মীতৈ ঐগী অশেংব অদুদ হেক লৈজবদ মীতৈগী মতীক মযাই পুম্নমক মালেম শিন থুংগদবনি।। মীগীদ তাংজদুন মীমান্নকূববদি মীগী মতুং থংগনি।। ঐগী অশেংব অদুদ অফ নুঙাই লম্বী তাল্লবদি মীথোই মীহেনব ঙমগনি।। তাইবংপানব অসীদ ঐগী মীগী হাযব অসীমদি মশান খাযদুন লৈববনি।। ঐগীদু ঐন খঙই, মীগীদু মীন খঙই।। মবম অসীন লৈবাক্কী অহৈ- অশিং ইবুংঙো ইবেম্ম পুম্নমক্ক ইশাগী ওইব চাওখৎলোন (কলচব) অদুদ পুক্নীং মীৎযেং চিংশিনবীবল্লবদি পলেম ইমাগী লমন শিংবদ যামদ্রবদ ইথৌদাং খবদং যাওজব শক্কদ্র খনজদুন ঐন অহন্ন থম্নীবম্ব বাবী শৈবেং অসী মীতৈ মক্নপ্ত কংথোকচবনি।।০।।"

১২

সূমাঙ কুম্মৈ অমসুং ফম্বাক কুম্মৈদ চীংঙু খোংনাংথাবগী ৱাখল ফিদম অমসুং ফিৰেপকী ঈথিল

ইনিংথৌ ইবুংঙো। পামহৈবগী হাক্তক্ত লৈপাক অসীদ লৈবিব মীতৈশিংবু হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহন্নব হোৎনবকপ মতমদ পাযখৎলকখিব থবকশিং অদুগী মাযোক্ত চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন লৈপাক্কী নিংথৌ, অঙম অথৌশিং অমসুং মচা মনাউ মাযচৌ মায়নৌশিংগী মফমদ ফোঙদোকখিব ৱাখল ফিদম অমসুং লৌখিব অচেৎপ ফিবেপশিং অদুন লমদম অসীগী সূমাঙ কুম্মৈ (সূমাঙ লিলা) অমসুং ফম্বাক কুম্মৈ (ফম্বাক লিলা) পুথোকপ পামজব মীওইশিংদ অকনব ঈথিল পীব ঙমখি ।।

১) সূমাঙ কুম্মৈদ পীব ঈথিল

মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং হিংগৎ ঈহৌগী লুচিং পুবেল লাইনীংহল নাউবিযা ফুলোন ইব *'নিংথৌবেল পামহৈব'* হাযন মিংথোনব লাইবিক অসী লৈপাক মীযাম্ন সনামহী বোকুল হাযবগ হেয় খঙনবিব তখেল্লম্বম বোকুলন খৃস্ত কুম ১৯৫২ দ ফোঙদোকখি।। লাইবিক অসীদ যাওবিব ৱাবী অমসুং ৱাখল ফিদমদ যুম্ফম ওইবগ *'পামহৈব চবিত'* নত্রগ *'পুবান মৈ থাব'* হাযন মিংথোনব সূমাঙ কুম্মৈ (সূমাঙ লিলা) অম মীযাম্ন যাম্ন পাম্নব, মমিং চৎপ সূমাঙ কুম্মৈ অম ওইন শান্নব হৌবকখি।। সূমাঙ কুম্মৈদ মশামক যাওশিন্দুন মাযপাকপ সূমাঙ কুম্মৈ অম ওইনব হোৎনখিব মীশক অদুদি মশামক সনামহী লাইনীং শন্দোক্লবগী ঈতৌদ হকথেংনন অকনব থৌদাং লৌখিব অহল ইবুংঙো

নিংঙোম্বম অঙৌতোন্নি।। (সূমাঙ কুম্মৈ অসীদ যাওখিব চীংঙু খোংনাংথাবগী ৱাখল, ফিদম ফিবেপ ফোংদোকপগী ৱাবী পবিংগী শক্তক অদুদি - "*মীতৈ ফুক্কপকী সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী ৱাখল ফিদম অমসুং ফিবেপকী ঈথিল*" - হাযন মিংথোনব মমাঙগী পন্দুপ্তু শমজীনব মৱোঙদ পনজখ্রে ।।) সূমাঙ কুম্মৈ অসীদ চীংঙু খোংনাংথাবন ফোঙদোক্লিব বাফমশিং অদু তাবগ অযেংব মীযামদ মীতৈশিংগী অবিব লাইনীং লীচৎপু নোংহৌন নুংশিবকখিবগী পুক্লীং ৱাখলগী ঈনোৎ অম ফন্ন ফজন ফাওহনব ঙমখি।। নমফূগী পাম্বৈ শীজিন্নদুন মীতৈ অযাম্ববু ইনিংথৌ পামহৈবন হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহনখিবগী থৌদোক ৱাবী অদু সূমাঙ কুম্মৈ অসীন মীযামদ যাম্ন মযেক শেংন খঙহনব ঙমখি।। অদুবু হার্যাবিব সূমাঙ কুম্মৈ অসী খৃস্ত কুম ১৯৫৪ দদি মীওই খবন সূমাঙ কুম্মৈ অসীগী মাযোক্ত ৱাকৎলকপদগী লৈঙাক্ল শান্নব থিংখি।। মতাং অসীবু '*চৈথাবোল কুম্বাব*'দ অসম্ন ইবি - "*ওইনাম অমুজাওন চৈথাবা কুম শক ১৮৭৬ শজিবু থা ১২ নি যুমশকৈশদা শজিবুগী পালোক ওই ।। - ইঙেল থা শগোলশেন্না হনএ।। - ৯ নি ইবাইদা ৱাংখৈ কোংমপাল লাইশ্রম লৈকাইদা নিংঙোম্বম অঙৌতোন সিং, চনম নিমাই সিং, কৈশাম চাউব সিং অসিনাচিংবনা পামহৈব চাবত, পুবান মৈ থাবা হাযব লিলা অদু শান্নবদা ৱাংখৈ লৈকাইদা লৈনা কোকঙাংম্না সহদেবম্না ২ নচিংবা নিংথেম্মচা মখৈনা শান্নব যাদে লাপ্লি হাযদুনা শ্রীযুৎ স্রাচবন্দা চে কত্তুনা সনা যাথং মতুং ইন্ন - - - শ্রীযুৎ কমিশনার সাহেবনা মাখাযনা শান্নবিবা লিলা অদু শান্নবা যাদে হাযনা ককখ্রে, থিংখ্রে ।*" (১৯৮৯. লা. ৬৭৬) সমাঙ কুম্মৈ অসী শান্নব থিংবীনব বাকৎলকপগী মবম অসী কুম্মৈ অসীগী ৱাবীদ নিংথৌ পামহৈবন মহাক্কী লাইনীং ওজা শান্তদাস গোসাইগী পাউতাক লৌদুন মীতৈ অযাম্ববু নমদুন হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহনব অমসুং লাইনীং অসী লৌকবগ মীতৈশিংগী মাঙজগদবশিংগী মতাংদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন ফোঙদোকপ বাফমশিং অদু যাম্ন মযেকশেংন উৎপোকপ অদুনা ইনিংথৌ পামহৈবগী ইকাইখুম্নব মাঙহল্লি খনবদগী নত্রগ সূমাঙ কুম্মৈ অসীগী ৱাবী পবীং শাগৎলকপদ যেংশিনব ৱাৎহৌবদগী খব হেনজিনব মৱোংগী অশোয অঙাম খব যাওবগুম্বদ যুমফম ওইবগ নিংথেমচা খবন মখোযগী মপ মপু অম ওইনা অমসুং মতাক মথৌনা লৈব লৈপাক্কী নিংথৌ অম ওইন অবাংব থাক্ত ইকাইখুম্নবিন ইনিংথৌ ইবুংঙো পামহৈবগী ইকাই খুম্নব মাঙহল্লি হাযবগুম্বদ যুমফম ওইবগ ৱাকৎলকখিব ওইবমগদ্র হাযন খনজৈ।। বাকৎলকখিবগী মবম অদু অমবু ওইনবসু অমবু ওইববসু সমাঙ কুম্মৈ অসীবু যেংলুব মীতৈশিংগী পুক্লীং বাখলদদি মীতৈশিংগী ঙাক্লইঙে মতমদগী নিংথৌবোল কযা থাগোৎনদন লাকখিব

লাইনীং লীচৎপু মক ফুক্ন মাঙহন্নব থবক কযা পাযখৎলকপ মতাংদ চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন ফোঙদোকখিব ৱাখল ফিদম অমসুং লৌখিব ফিবেপনচিংবশিং অদুবুদি যাম্ন মযেক শেংন খঙহনব ঙমখি।। সুমাং কুম্মৈ অসীন চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী ৱাখল ফিদম ফিবেপ্পু ফজন শৌগৎলি।।

২) ফম্বাক কুম্মৈদ পীব ঈথিল

ফম্বাক কুম্মৈ (দ্রামা)গী শান্নবোয অম ওইবত নত্তনা মশামক ফম্বাক কুম্মৈগী শক্লাইবব তাকপা তম্বাব অমসুং লমজীং লমতাকপ মীশক অমসু ওইব এম বীবমঙ্গল মশামক্ন মীতৈ পুযাগী মবমদ খঙহেবব মীশক মীতৈ ফাথিব (ফাথিব কবিগুম্ব হীবম অমগী মবমদ যাম্ন কৃপ্প ফাজিন্নবগীদমক হাযবদি খঙজিন্নবগীদমক থৱায হকচাং যা ৫না থিজিল্লিব মীশক) ওক্রম নিত্যাইগী মফমদ চত্তুন ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্ত থোবখিব পুযা মৈথাব অমসুং লাইযিংথৌ সনামহী কোলু যৈখাযখিব থৌদোক ৱাবাশিং, থৌদোকশিং অদু কবম্ন অমসুং কবিগীদমক ওইবকাখব অমনা। থৌদোকশিং অদু খোক্লকপদ মতমদুগী চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন ফোঙদোকখিব বাফমশিং অমসুং লৌখিব ফিবেপশিংগী পুনবীণী ওইব থৌদোক বাবাশিং অদু থিজিন্দুন খঙজিল্লগ *'চীংঙু খোংনাংথাবা'* (সনামহী কোলু যৈথাযব) হাযন মিংথোনব ফম্বাক কুম্মৈ (দ্রামা) লাইবিক অসী ইখিবানা।। লাইনিক অসীগী অযিব মশান অসুম্ন হায *"লিলা লাইবিক অসী তাং ১/১/৬৩ ইংদা মীতৈগী ফাথিব ওক্রম নিত্যাইদ বাবী বাখোঙ হংজদুন ইজখিবনি।"* এবিযান থিযেতবন ফম্বাক কুম্মৈ অসী হন্ন হন্ন শান্নাবদুন অমসুং গবর্নমেন্ত পাব্লিসিতি দিপার্তমেন্তন *'ওল মনিপুব দ্রামা ফেস্তিভেল'* তৌব ১৯৬৪ ইং কুমজাগীদ এবিযান্ন কুম্মৈ অসী উৎপিদুন খাইদগী ফব মনা কযা ফংখি। চীংঙু খোংনাংথাবন ফোঙদোকখিব মীতৈশিংগী লাইনীং লীচৎক মবী লৈনব বাখল ফিদম অমসুং ফিবেপব লোযনান লাইবিক অসীদ যাওবিব মপুঙ ওইব থৌদোক বাবী অদু মখাদ শমজান্ন পীর্জাব।

নোংচুপ লোমদগী লম্লোইব শান্তদাস গোসাইন মহাক্কী খোঙলোয তুংইনব ভগবানদাস অমসুং নাবাযনদাস অনীগ লোযনান নৈপাক অসাদ হিন্দু বামান্দি লাইনীং শন্দোকপ লাকখি। নিংথৌ পামহৈব অমসুং শান্তদাস গোসাই অনীন কংলৈপাক অসীদ লৌবব মীতৌশিংবু বামান্দি লাইনীং লৌহন্নবগাদমক থবক কযা পাযখৎলকপগী থৌবোঙ অদু চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবন মহাক্কী খোঙলোয ওইবিব মচা মনাউ মাযচৌ মাযনৌশিংগ লোযনান কৃপ্প খন্ন-নৌনখি।। অসুম্ন খন্ন নৌনবকপ মতাংদ মাযচৌ খোংনাংথাবন হাযখি –

লৈপাক অসীগী লাইনীং লীচৎ হোংলগনি।। ঐখোযন নীংজবক্লিব লাইশিং অসী লাই ওইন খনবীবক্লবোই।। মকওইব উমংলাই ফাওব লাইমাংগী থাক্ত যাম্ন হন্থন লৈবগনি।। মীতৈশিংগী মপা মচাশিংগী মবক্ত লৈনবকখিব নুংশিনবগী মবী অদু মাঙখ্রগনি।। মচীন মনাউ চান্নববোই।। নোংচুপলোমদগী লাকপ কাঙবুন ব্রাযেল থৌদাদুন পাল্লনগনি।। ঐখোযগী লৈপাক ঐখোযন ঙাঁকচব ঙমদব মীনাইগী মব্রোঙদ লাক্লগনি।। নোংচুপ থোঙ হাংলে, মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্ন নোংচুপ লোমগী লাইবু নীংদুন পাল্লগনি।। চীংঙু মাযচৌ মহাক্কী মতম লোইবে।। অসুম্ন, ইনিংথৌ পামহৈবন পাযখৎলকখিব থৌরোঙ থৌদোকশিং অদুন ওইহল্লক্কদব মতম খোঙলৈগী পাউতাক পাউজেলশিং অদু চীংঙু খোংনাংথাবন মচা মনাউশিংদ মাঙজৌনন খঙহনখি ।।

নিংথৌ পামহৈবন লৈপাক মীযাম্বু হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌহন্নবগী মতাংদ ব্রা খন্ননবগীদমক চীংঙু খোংনাংথাববু সনা কোনুংদ কাবক্লব কৌবক্লবদ চীংঙু মাযচৌ মহাক্তি মশা ঙমদবদগী চৎখিদে, মাযচৌ মোইবাং ললহানববু চীংঙু মাযচৌ মহাক্কী মহুৎ ওইন থাখি।। বামন্দি লাইনীং লৌবব নিংথৌ পামহৈবন মীতৈ খূদীংমকপু লাইনীং অসী চৎহন্নব অমসুং থৌদোক অদু পুযাদ ইশিন্নবগীদমক চীংঙু খোংনাংথানবু কৌব ওইবর্মখি।। লৈবাক্কী অমাইব অমাইদা অমসুং লৈপাক মীযাম্ন নীংগদব লাইদি প্রভু বামচন্দ্রনি, লাই অসীগী খুভম যাদুন নুংঙাই যাইফন পান্নব লমজীংবীযু হাযন নিংথৌন মাযচৌ ললহানবদ হাযখি।। নোংম শান্তদাস গোসাইন বাম নাম শোন্দুন লৈবিদৈদ হৈশোয থাঙ অথৌব অম লৈমাযদ হুন্থবকখি।। অঙকপ থৌদোক অসীগী মতংদ, লৈপাক অসীদ কবম্ব খোইযুম লাইন খ্বাইদগী অনব লাইনো হাযনসু মাযচৌ ললহানবদ হংখি।। ব্রাফম অসী তাববদ মাযচৌ ললহানবন চীংঙু মতীব অকব লাইদি তবেৎ শেলহিংন চেংলৌ শকপান্থোং হৈবগ লমলেন ব্রাঙ্গোইদ লাইশঙ শাদুন লাৎলিব চীংঙু তাইবংখাযব লাইযিংথৌ সনামহীনি হাযন খুমখি।। খ্বাইদগী অহানব লাই কনানো হাযগী অমসুং লাইগী লাংওনগী মতাংদ মাযচৌ ললহানব অমসুং শান্তদাস গোসাই অনীগী মবক্ত অবায অখুম তৌনদুন যেৎনবকখি।। মতাংদুদ মাযচৌ ললহানবন শান্তদাসদ অসুম্ন হাযখি মীতৈ ঐখোযগী লাইনীংদি যাম্ন ব্রাংই, লাই অদু ফংনব নত্তে, লাই অদুদ লৌবব তাইবংপানব মপুবু ফংননব লাইনীংনি।। মালেম তাইবংপানব অসীদ কবিসু লৈত্রিঙৈ তিংগাকোক ওইবর্মী, মতমদুদ মহাক্তদি লৈ, মহাক্তি অতিংকোক্লি।। মহাক্ল চোইনৈ সনামহীবেল ওইদুন যেলহৌঙৈদগী হৌজিক ফাওব লেঙ্গাল পাল্লিব পুন্নমক্ত লৈ, লৈর্খানি। মহাক্তি শিদব মপু যাইবীবেলনে।। লাইশিংগী লাই ওইব লাইগিংথৌনি । মাযচৌ অমসুং গুরু অনীগী অবায অখুমগী ওইব ব্রাহৈগী লাল অসীদ মাযচৌ ললহানবন

অসুম্ন হংখি - লৈপাক অসীগী নিংথৌবু চন্দ্রবংশনি, বব্রুবাহনগী চাদা নাউদানি হাযন গোসাইন হাযবিব অসীগী ব্রাহম্লোক্তি মীতৈশিংবু মযাংগী চাবোল ওইনব শীল্লিব নত্রা ? অদুবু, লোইশিল্লকপদদি মাযচৌ ললহানবন হাযজব ব্রাফমশিং লৌবীখিদে।। কবিসু কান্নব ফংখিদে।। কনাগুম্বন মীতৈ পুযা লাইবিক পাববদি অমসুং মীতৈলোন্ন ঈশৈ শক্লবদি শিবগ 'নবক্ত' তাগনি।। মী অদুন নুংথিল শিবগ ক্কাক ওনগনি, অহিং শিবগন মকু ওনগনি - হাযন শান্তদাসন মীচৈ (শাপ) পীবগ লোযনন মথংগী নুমিত্তগী বামান্দি ধর্ম্ম লাইমিং লৌদব মীদু চৈবাক পীগনি হাযন পাউজেল শন্তোক্লনবগীদমক শান্তদাসন নিংথৌদ পাউতাক পীখি।। পাউতাক অদুমক নিংথৌন থবক্ত ওম্লোকখি।। মাযচৌ ললহানবন কপ্পুন নিংথৌদ – ইনিংথৌগী খুৎমক্ল নোংচুপ থোঙ হাংবীদুন মৈ লৌবীগনু, লমগী শন্ন মচি শাং, লৈপাক মথক মখা ওন, পাবী পুবী খিবকপু মাঙহন্নবগীদমক নোংশা লিংজেল চেনবীগনু।। যুমদাংবন কৈনাব থৌ লেমলৈ তাবসুনু, তুংগী পোলোই যেংনসী হাযখি।। ইনিংথৌ পামহৈব ভমখৈ লৈতন শাউখি।। গোসাইন নিংথৌবু থেমজিনখি, মাযচৌ ললহানববু অকনব চৈবাক পীব ফৈ হাযখি।।

শান্তদাসকী যাথং মতুং ইন্ন ভগবান দাস অমসুং নারাযনদাস অনীন বামাযন লাইবিক 'খীব-হাযব' তৌব হৌনকপদ ইশঙ খঙহৌদন তাখাক অবাউ তাবক্তুন বামাযন লাইবিক অদু মৈন তুম্ন চাকখি।। মী পুম্নমক মাযকৈ শলাই খঙদন চেন্নখি।। শান্তদাস গোসাইন শ্রীহত্ত লৈশাঙগী বামাযন লাইবিক অম লৌব চৎখিবৈঙদ ভগবান দাস অমসুং নবাযনা দাস অনীন লৈপাক মীযাম্ন যাম্ন মকওইব লাই অম ওইনা খুকম্নবিব ব্রাঙ্গোইদ লৈব্বিব লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ শকপাম্লোং অদুবু মাঙহন্দ্রবদি মীতৌশিং অসী বামান্দি ধর্ম্ম চৎলু যাববোই অদুগ লাইগী কোলু কোনমাযশিং অসী খোমগক্তুন লৈনুংদ ফুমজিন্দ্রবদি মখোযন চিংনবিবসী কোক্লবোই হাযখি।। মখোয অনীন পাল্লিব অদু পাঙথোক্লমগাদমক নিংথৌ পামহৈবন লৈবাক্কী অঙম্বশিংদ শিন্নখি।। কনাগুম্বন অপনব পীববাদ খুদক্ত যাইবী মথব্রায লৌনলসু হাযখি।। ব্রাঙ্গোইগী লাইশঙ মনুংদ লৌবিব চীংঙু তাইবংশেম্ব নমু শং শং লোন্দিন্নব লাইযংথৌ সনামহীগী চেংলৌ শকপাম্লোং অদু যৈখাযবীগনু হাযজকুবগীদমক লৈম অবাম্বমচনু পাইখু লাম্বাবীবু নিংথৌন যাম্ন শাউখি।। মপামদ চৎহনখি।।

ব্রাঙ্গোই লাইশঙদ লৈব লাইযিংথৌ সনামহীগী শক্তম থুগাযবদ নত্তন লৈপাক অসীদ লৈব লাইগী শক্তম / কোনমায পুম্নমক খোমগক্তুন মোংবহনব উমংগী হৈবোং শিদব মখোঙদ ফুমজিনখি।। লাইযিংথৌ সনামহীগী শক্তম থুগাযববদি লৈবাক্কী অশি অনা থোক্কনি, অব্রা-অনা তাগনি হাযব মঙগী

পাউ পীবা লাকখিব মাযচৌ ললহানববু হিন্দু বামান্দি লাইনীং লৌ যাদে হায়বগীদমক কংলা পুঙমযোলগী হৈবোং পান্থীদ মঙক থৌবী পুল্লগ যান্দুন হাৎনবগী যাথং পীখি।। অদুবু, মহাকপু হাৎনবগীদমক উশাদ থৌবী পুনশিল্লব মতমদ খঙহৌদন খাক লাউবগ লোযনন মৈবী পাইবক্তুন থৌবীদু মৈন চাক্তুন মাযচৌ ললহানব লৈমাযদ তাবকখি।। মীৎকুপ অদুমক্তদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাব লাক্তুন - ইনিংথৌন মীতৈগী লাইনীং লীচৎ পামদ্রে হাযদুন লাইযিংথৌ সনামহীগী শক্তম যৈখাযবগ অমসুং মাযচৌ ললহানববু হাৎলগ মীতৈ পুন্নমক শিবদ্রা, শিব নাইদ্রব য়াইবীবেল শিদববু মাঙহনব ঙমগদ্রা হাযবগ লোযনন মহাক্ত হাযজববু নিংথৌন যাদ্রবদি মহাক্ত লৈবগী কবিসু কান্নদ্রে, মহাক্তি লৈববোই, মোইবাং ললহানববু হাৎকদব কনানো মুল্লোবাও - হাযদুন মাযচৌ ললহানববু পুদুন মফম অদুদগী চৎখি ।।

লাইযিংথৌ সনামহীগী চেংলৌ শকপাম্বোং যৈখাযকৰবগী ফত্তব মহৈ ওইন পামহৈব নিংথৌগী মচানুপা সনাহল শ্যামশাই অঙক- অঙাউ হৌন লাই ওঙ খঙদন নাববদ গুরু শান্তদাসন তৌব যাব পান্থে কবিসু লৈত্রবদ মাযচৌ ললহানববু কোনুংদ কৌখত্তুন অনাব যেংহনখি।। অঙক-অঙাওগী মরোঙদ নাবিব অদু লাইযিংথৌগী চেংলৌ শকপাম্বোং যৈখাযকৰবগী ফত্তব মহৈনি, লাইযিংথৌগী চেংলৌ শকপম্বোং অদু অমুক হন্ন লাৎচদুন খুযা খাদ চঙজবগ অনাব অদু ফগনি হায়খি।। লিন্দুখোং পাত্ত থাধখিব লাইযিংথৌগী চেংলৌ শকপাম্বোং মচেৎশিং অদু লৌখৎলগ অনৌব শকপাম্বোং হৈবদ মপুঙ ফাব শকপাম্বোং ওইব ঙমখিদে।। কোন্নদি নাগ তুবেল খোঙবান্দ লৈবী অবান্থম নিংঙোল থোইনু অহোঙবীন ফি শাবিঙৈদ নোংম শিন্নাই ফিব্দক্ত তাবকখিব তবেৎ শেলহিংগী পাম্বোম অদু হাপচিল্লগ হৈবদদি মপুঙ ফাব চেংলৌ শকপাম্বোং ওইব ঙমখি।। লাইযিংথৌ মহাক্ত ব্রাঙ্গৈইদ লৈববোই হযিংখোঙবান উফোং যুমফমদ লাইযিম লাইশঙ শাউ, মফমদুদ লৈবীগে হাযবদগী মফমদুদ ফূবা লাইশঙ শাদুন লাইযিংথৌবু ঈবাৎ থৌবম তৌজখি।।

শান্তদাস গোসাইগী পাউতাক মতুং ইন্ন মীতৈ পুযাশিং খোমগৎলগ কংলা উত্রা মমাঙদ শীংশেমদুন মৈ থাখি।। বামান্দি লাইনীং লৌবব মীতৈশিংন শিবগ মতৌ অদুগুম্ন মৈ থানব শান্তদাসন হাযখি।। বৈবোল চন্দুন পোৎলোইখ্রব মপা মপুগী শব্দশিং অদু ফূব্লগ লাইবক্কী শব্দ মচেৎ অদু লৈপাক অসীগী নোংপোক্লোমদ লৈব তুবেলদ (নিংথি তুবেল) থাধববদি নোবোক তাবল্লব মীতৈ পুন্নমক পুণ্য চেনব ওইহনগনি হাযন শান্তদাসন তাকপিখি ।। নিংথৌনসু শব্দশিং অদু শামুদ হোন্দুন থাধহনগে হায়খি।। মতমদুদ চীংঙু মাযচৌ

খোংনাংথাব লাক্কুন অসুম্ন হাযবখি - *"নিংথৌবেল অথোইব, ইনিংথৌ। মীযান গুকন হংগংপ মতুং ইন্ন মীওইবন অমত্তং ফংজবদ অথোইব কৌনবব মীতৈ লাইবিক পুযা মযাম্ব কংলা উত্রা মমাঙ অসীদ অবেম্বদ মৈ থাদোক্কুন মীতৈ মাঙনব থৌবাঙবসীদি লৈপাক অৱাব চঙলে, তুংগী মীবোলন মপা মপু মশক খঙদন মযাংগী মীনাই ওইখ্রনিনা লাইনিংথৌ।। নুমিৎ থান লেংদন লৈবিব মখৈ মীতৈ লৈপাক অসীদ মতম কুইন কাউববোইদব ইনিংথৌগী অথীব মিংচৎন মীতৈ সনা পুযাদ লেঙদন লৈহৌবগনি, কনানসু মুৎথৎপ ঙম্রবোই, ইনিংথৌ।"* চীংঙু খোংনাংথাবগী ৱাহৈ তাববদ শান্তদাস গোসাইন - অসীগুম্ব মীশক খব অসীন অপনব পীবদগী প্রজা অযাম্বর্নাদি পাম্লবব বামান্দি ধর্ম্ম অসী চাং মান্ননা শন্দোকপ ঙমদ্রে, সনা বুদ্ধি তৌবীযু হাযববদ নিংথৌন শাগে নাতৈসুন চপ মান্নন ধর্ম্ম অসী চৎনবগীদমক নোংখ্রঙ মশা পাযদুন নুংজেংদ ৱাশক্কুন ঈৰূপহনগনি হাযখি।। চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবন ম'া তান শান্তদাস গোসাইদ অসুম্ন হাযখি - *"নচীন্দদি লাইগী মমিং শোন্দুন মীবু হাৎ-নৈদুন কিহল্লগ নঙগী ধর্ম্ম চৎহন্নব থৌবাঙবন বাম বাজ্য ? গুরু, কনানসু কনাবু নমদুন ধর্ম্ম অম চৎহনব যাবোই।। ঙম্মী হাযদুন নমদুন চৎলবসু কুইব যাবোই।। অসীসু তোক্লো, গুরু নখোযগী বঙ্গালী পুম্নমক ধর্ম্মসী চৎলব্রা ? বঙ্গালী পুম্নমক বাম নীংলব্রা? বঙ্গালী অযাম্বদি শাক্তনি, দুগা নীংই।। চৈতণ্য পোকঙৈদগী নদিযা শান্তিপুরদ বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎনবক্লি। নঙগী কাঙলুপ্ত নঙগী ধর্ম্মসী শন্দোক্কুন বঙ্গালী পুম্নমক ধর্ম্মসী চৎহন্দ্রিবদি নঙগী কাঙলুপ্ল অফব অথোইব চাওখৎপ ওইহন্নিংদব্রা ?"*

শান্তদাস গোসাইন পুযা মৈ থাক্কবগী লাইথুং পন্নিব অদু কোক্ল বগীদমক হাযজবদগী চীংঙু খোংনাংথাবন নুংশিবীবদুন ইবুধৌ পাখংবগী মিংখৈ শোন্দুন পুৰূক শৌবী ঈকোন্দ ঈৰূপচনব তাকপিখি।। শান্তদাস গোসাইন চীংঙু মাযচৌ মহাৰ্কী পাউতাক ইন্দুন পূৰূক শৌবীদ ঈৰূপচখি।। অসুম্ন তাংকক ১১ লৈবা ফম্বাক কুম্মৈ (দ্রামা) লাইবিক অসী লোইশিল্লি।। লাইবিক অসী ফম্বাক কুম্মৈ ওইন শান্ননবগীদমক ইব মবম্ন অযেংবশিং ণুংঙাইনব ৱাবী বাতাই, ৱাহৈ ৱাতা খব হাপতোক হাপচিন তৌবম্বসু যাই।। অদুবু হিন্দু বামান্দি লাইনীং অসী লৈপাক অসীদ শন্দোক্লবগীদমক থবক কযা পাযখৎলকপদ পাযখৎলক্লিব থবক থৌৱোঙশিং অদুবু যানিংদব ফোঙদোক্কুন চীংঙু মাযচৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবন হাযখিব ৱাফমশিং অমসুং লৌখিব অচেৎপ ফিবেপশিংগী মতাংদদি থোইদোক্ল অশোয অঙাম যাওদে হাযব যাই।। লাইবিক অসী পাবগ ঐখোযন খঙজিনফম থোকপ ৱাফম অম লৈ মদুদি ফম্বাক কুম্মৈ লাইবিক অসীদ মাযচৌ মোইবাং ললহানবন ফোঙদোক্লিব ৱাখল ফিদম ফিবেপ অসী

চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবগী ওইন লৌগনি।। মসীগী মরমদি মায়চৌ মোইবাং ললহানব অসী চীংঙু খোংনাংথাবগী খোঙলোয় ওইব মায়চৌনি।।

ফম্বাক- কুম্মে লাইরিক অসীবু ইবীরিব এম. বীরমঙ্গলন চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবন ফোঙদোকখিব ৱাখল ফিদম অমসুং মায়চৌ অসীন লৌখিব ফিরেপ অদু অচুম্বনি হায়ব পাউজেল অসী অয়েংব মীয়ামদ পীনীংবগী ৱাখলগ লোয়নন লাইরিক অসী ইখিবনি হায়বসী লাইরিক অসীবু পারব নত্রগ ফম্বাক কুম্মে অসীবু য়েংলব মীওই খূদীংমক্ক অদুমক খঙবীগনি।। অয়িব অসীন চীংঙু মায়চৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবগী ৱাখল ফিদম অমসুং ফিরেপ্পু শৌগৎপগী অদুগ ইনিংথৌ পামহৈব অমসুং গুরু শান্তদাসন পায়খৎলকপ থৌৱোঙ থৌদৌশিংবু যানীংদবগী মমি য়াম্ন ময়েক শেংন ফম্বাক কুম্মে লাইরিক অসীদ তাই হায়বদ থোইদোক্ল হায়মনব ওইবোই।। কংলৈপাক মনিপুর অসীদ চৎথরক্লিব মীতৈশিংগী সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌদ লাইবিক অসীন মতেং খবদং ওইরবসু পীবীখি হায়ন লৌফম থোকই, মরমদি লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ অসীগী মীওই নত্রগ ঈহৌ অসীবু শৌগৎপ নত্রগ পামজব মীওই মযাম্বন লাইবিক অসীবু অবিব লাইবিক পুয়া অমগুম যাম্ন চেৎন লুন থাগোন্দুন ঙসী ফাওব থম্নরি ।।০।।

১৩

চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী শক্তম খিনব অমসুং ফম্বাল হাংব

মীতৈ নেশনেল ফ্রন্ত (এম.এন.এফ) হাযব লূপ অসী মীতৈ ফুরুপকী লাইনীং, নাৎ, লোন অমসুং মশেক কল্লদ অমসুং চাওখৎনব হোৎনবগ লোযনন লমদম অসীদ লৈবির চীংমী তম্মী মীওই কাওলুপ পুন্নমক অমগ অমগ নুংশি চান্নন পূন্ন হিংমিন্ননবগীদমক্তসু যাম্ন কন্ন হোৎনব লূপ অমনি।। চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবগী ব্রাখল, ফিদম অমসুং ফিরেপ্প লূপ অসীগী বাখল্লোন্দ যাম্ন কনব ঈথিল অম পীখি।। মবম অসীন মনিপুব তাইবং মহৈকোল (মনিপুব যুনিভর্সিতি)গী লমখৈ মনুংদ চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাবগী শক্তম অম খিনবগ লোযনন তাইবং মহৈকোল অসীগী মনিপুবী দিপার্তমেন্ততসু চীংঙু মাযচৌ অসীগী ফম্বাল (চিযাব) অম হাংব লূপ অসীন পামখি।। লূপ অসীন পান্নিব পান্দম অদু মাযপাক্ক ফংব ঙম্নবগীদমক অহানব খোঙজঙগী শব্দক অম ওইন লূপ অসীন শীন্দুন ২০০৪ গী মার্চ ১২, ইবাই নুমিত্ত মনিপুব তাইবং মহৈকোলগী সেন্তিনবি হোলদ মাযচৌ খোংনাংথাবগী মবমদ চে পাথোক্কুন খন্ন- নৈনব মীফম (সেমিনাব) অম পাঙথোকখি।। সেমিনাব অদুদ তাইবং মহৈকোল অসীগী ভাইস চানসেল্লব প্রো: দা: এনজি: বিজযন অথোইব লেঙবীবকপ, এক্স মিনিষ্টব আব:ভি: মিংথিংন ইকাইখুম্নব লেঙবীবকপ অমসুং মীতৈ নেশনেল ফ্রন্তকী প্রসিদেন্ত চীংসুবম অকাবন থৌবম মপু ওইদুন চে পাথো ক্রুন খন্ন-নৈনব থৌবম অদু হৌদোকখি।। থৌবম অদুদ (১) প্রো: সাইরেম নীলবীব, দি:এম:কলেজ (কম্মর্স) কী পোৎথাবব প্রিন্সিপাল (২) প্রো: খেত্রি বীমোলা, মনিপুব যুনিভর্সিতি, (৩) প্রো: দা: থৌদাম লাইবা মঙাং, মোদর্ন কলেজ অমসুং (৪) প্রো:দা: খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্র, দি:এম. কলেজ (আর্তস) শরুাইবব অখণ্ড অহৈ মবি অসীন খন্ন- নৈন চে মবি হাযবদি (১) হৌজিক্কী খুন্নাইদ মাযচৌ

লৌবেম্ব খোংনাংথাবগী ব্রাখল্লোনগী ঈথিল (২) ১৮ সুব চহীচা চঙলকপদ মায়চৌ খোংনাংথাবন লৌরম্ব থৌদাং (৩) লমদমসীগী লাইনীং লাইশোল অমসুং লোল ময়েক্ত মায়চৌ খোংনাং থাবগী মীৎয়েং অমসুং (৪) হিন্দু লাইনীং চঙলকপদ কংলৈপাক খুন্নাইগী ফীবম - হায়রিব ব্রাফম মরি অসীদ মথং মথং ওইন চে পাথোকখি।। খন্ন-নৈন মীফম অদুগী শব্দক অম ওইন লোইশিল্লকপদ ...প.মরিখক লৌখি, মদুদি - (১) মনিপুর য়ুনিভর্সিতি অসীগী মনিপুরী দিপার্তমেন্তত চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাবগী ফম্বাল (চিয়ার) অম হাংব (২) তাইবং মহৈকোল অসীগী লমখৈ মনুংদ চীংঙু মায়চৌ অসীগী শক্তম অম খিন্নব অযাব লৌব, (৩) মায়চৌ অসীন পাঙথোক্লম্ব থবকশিংগ লোয়নন মহাক্ল পাম্লম্ব ফীবম অদুগী অকুপ্প মচাক য়াওব বেকোর্দশিং অদু মনিপুর স্তেত আর্কাইভস অমসুং দিপার্তমেন্ত ওফ ইনফোর্মেশন্স এন্দ পাব্লিক বিলেশন্স (দি:আই:পি:আব)দ থম্বীনব হায়জব অমসুং (৪) থবকশিং অসী পাঙথোক্ল বগীদমক *'ইমপ্লিমেন্তেসন কমিতি'*, অম থম্ব অসীনি।। (পোক্লফম - ১৩/৩/০৪, হুইযেন লানপাউ- ২৫/৩/০৪)

চহী অসীমক্কী এপ্রিল ৬ কী নুংথিল পুঙ ১ তাব মতমদ *'মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাব ফম্বাল থৌরাং লূপ'* (মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাব চিযাব ইমপ্লিমেন্তেসন কমিতি) কী অহানব মীফম শনজেনথোংদ লৈব স্তেৎ গেস্ত হাউসত মীতৈ নেশনেল ফ্রন্তকী প্রসিদেন্ত চীংসুবম অকাবন মীফম মপু ওইদুন পাঙথোকখি।। মীফম অসীদ লৌখিব ব্রাবেপশিং (১) অথুব মতমদ মায়চৌ খোংনাংথাবগী ফম্বাল অম মনিপুব য়ুনিভর্সিতিগী মনিপুরী দিপার্তমেন্তত হাংনব অমসুং (২) মায়চৌ অসীগী মপুঙ ফাব শক্তম অম য়ুনিভর্সিতি অসীগী লমখৈ মনুংদ খিন্নবগীদমক মবী লৈনবশিংদ হায়জ চেবোল অম থাবগ লোযনন শক্তম অসী শাবদ চঙগদব লুপ লাখ ১০ (তরা) অথুব মতমদ থব্রায় যাওবীব মীযামদগী খায়গৎপনচিংব য়াওই ।। থৌবাং অসীগীদমক মীওই ৩১ (কুম্ব্রা মাথোই)ন শাব *'শেলখায় লূপ'* অম শেমখি।। (হুইযেন লানপাউ- ৭/৪/০৪)

'মায়চৌ লৌবেম্ব খোংনাংথাব ফম্বাল হাংব অমসুং শক্তম খিনব থৌরাং লূপ', কংলৈপাক্ল শীন্দুন ২০০৪ গী মে ৫ দ মনিপুর স্তেৎ আর্কাইভসকী শঙলেন্দ মায়চৌ অসীগী শক্তম অমসুং মতীক ময়াই লেপথোক্লবগী খন্ন-নৈন মীফম অম দা. কে.সুসিলা, দাইরেক্তর, মনিপুব স্তেৎ আর্কাইভস অমসুং আব.ভি.মিংথিং, এক্স মিনিস্তর অনীন মথং শীৎন অথোইব লেঙবীরকপী অমসুং মীফম মপু ওইদুন পাঙথোকখি।। মীফম অদুদ য়েৎনব লৈতন লৌখিব ব্রারেপশিংদি (১) খিনগদৌরিব চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী শাব্রোঙ শাদা

অমসুং মায়থোঙ অসী মঙ্গোলোইদকী ওইব মৱোঙ অমসুং মীৎয়েংনায়েং হায়বদি ফুৎ ৬ (তরুক) লোম ৱাংব শক্তম ওইৱগ শক্তম অসী চীংঙু অম ওইবগী চীংলেম্ব, থৌনা লৈব অমসুং ৱাখল লৈব ওইগদবনি।। মায়থোঙগী মতাংদদি চহী ১০০ (চাম) গী ময়া নক্লব অহল অমগী শক্তম ওইবগ লোয়নন মশা মউ ফব, চুঙ ফীরাল চাবা, খ্বাঙ কোন্দবনচিংবসু ওইগদবনি।। অদুগ শমগী মৱোঙন লেংবান য়ৌব অমসুং খোইদব শম ওইগদবনি।। (২) মায়চৌগী ফিজেৎন খুকউদগী খবদমক হেম্বব খূদৈ অম শেৎকদবনি।। মনা হুৎকনি, নায়িন য়ানগনি, চরীক পবেং অহুম শিগনি।। ফূরীৎ লীত্তব অমগী ফীভমদ ফি অম খাউওন ওন্দুন ইনগনি, খূত্ত ময়ুংনা শাংব পুয়া (কোর্বাক) পায়ব (পুয়া কোনব), খোঙউপ তোংদব, কোয়েৎ য়েত্তব ওইগনি।। (৩) মায়চৌ অসীন চৎপকী শক্তমদ খোঙ য়েৎন থাংদুন লৈব অমদি মীৎ চুমদ্রিং য়েংব ওইগদবনি হায়ব ৱারেপশিং অসীনি।। মীফম অদুদ লমদম অসীগী শক্লাইরব অখঙ অহৈ ২০ (কুন) রোম্ম শব্দক যাখি।। (পোক্লফম - ৬/৫/০৪, হুইয়েন লানপাউ- ৬/৫/০৪)

২০০৫ গী দিসেম্বব ৫ দ মেজোর খুন্দ লৈব *'মনিপুর প্রেস ক্লব'*ত পাঙথোকখিব পাউগী মীফম অমদ এম.এন.এফ. কী প্রসিদেন্ত চীংসুবম অকাবন অসুম্ন ফোঙদোকখি মদুদি - ২০০৪ গী মার্চ ১২ দা মনিপুর য়ুনিভর্সিতিদ চে পাথোক্লুন পাঙথোকখিব খন্ন- নৈন মীফম অদুন শেমখিব লূপ অদুন য়ুনিভর্সিতি অসীগী অথোরিতিশিংদ চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী মিংদ রিশার্চ সেন্তর অম মনিপুরী দিপার্তমেন্তকী মখাদ হাংবীনব অমসুং মায়চৌ অসীগী মপুঙ ফাব মী অমগী শক্তম (লাইফ সাইজগী স্তেচ্যু) অম এম.য়ু:গী লমখৈ মনুংদ (কেমপস্ত) খিনবীনবগীদমক্ত হায়জখি ।। য়ুনিভর্সিতি অসীগী বেজিস্ত্রার আর:কে: রনজন্ন মমাঙ থাগী (নবেম্বর) ২৬ ত এম.এন.এফ.কী প্রসিদেন্তকী মিংদ (এদ্রেশ তৌদুন) পীরকখিব চেরোল অমদ রিশার্চ সেন্তর হাংনবগী অয়াব পীরকপগ লোয়নন তৌফম থোকপ দিপোজিৎ লুপা ৭৫,০০০০০ /- তৌনব খঙহল্লকখ্রে। হায়রিব শেলফম অসী মনিপুরগী তোঙান তোঙানব ওর্গেনাইজেসন, এন.জি.ও., মৈরা পায়বী, লনাই মীওই অমদি লৈঙাক্কী ওফিশারশিংদগী খায়জীনজদুন (দোনেশন্দগী) মথং চহীগী জনুৱারী থাদ থমজিন্নব (দিপোজিৎ তৌনব) তৌরগনি হায়খি।। মায়চৌ খোংনাংথাব রিশার্চ সেন্তর অসী ২০০৬- ৭ কী একাদেমিক সেসন্দ হাংলগনি হায়খি।। চীংঙু মায়চৌ অসীগী মপুঙ মরৈ ফারব শক্তম (লাইফ সাইজ স্তেচ্যু) অম খিনগদৌরিব অসীগীসু এম.য়ু.গী রেজিস্ত্রারন ২০০৫ কী জুলাই ৭ ত এম.এন.এফ. কী প্রসিদেন্তদ এদ্রেশ তৌদুন পীরকখিব চেরোল অমনসু অয়াব পীরকখি।। হায়রিব

শক্তম অসী যুনিভর্সিতি অসীগী সেন্তিনবি হোলগী অৱাং নোংচুপলোম থংব, চন্দ্রনদি তুবেলগী মযাদা লৈব মিতব ৭০ শাংব অমদি মিতব ৪৭ পাকপ লমপাক অসীদ ২০০৬ কী জনুৱাবী থাদ ফাউন্দেশন স্তোন যুংলগনি।। খিনগদৌবিব শক্তম অসী ফুৎ ১০.৫ ৱাংগনি।। হাযবিব শক্তম অসী খোংমন্দ লৈব স্ক্রুপুব বোনোমালিগী কাঙবুন শাগনি।। চাউবাক্ল লুপা লাখ ১০ চঙগনি।। মীযাম্ন অ৺স্ব মতেং পাংবীনবসু অকাবন হাযজখি।। (পোক্নফম - ৬/১২/০৫, মতমগী যাকাইবোল - ৬/১২/০৫)

চীংঙু খোংনাংথাবগী শক্তম শাগদৌবিব অদুগী শকৱোঙ - কোযেৎ যেৎপ, ফুবীৎ লীত্তব, ওয থংব লেংবাল্লোমদ ফি হাইগত্তুন ইনব, খুৎ ওযন পুযা কোনব (পাযব), খুদৈ শেৎপ, মশা- মউ চুঙ ফীবাল চাব শকবোঙ অম ২০০৬ কী ফেব্রুৱাবী ১৯ গী 'পোক্নফম' পাউচেদ এম.এন.এফ. কী প্রসিদেন্তন ফোঙখি।। (অতৈ পাউর্চেশিংদসু ফোঙলমগনি খনজৈ) ফোঙখিব অদুদ ইংলিশ মযেক্ল অসুম্ন ই "*'মাযচৌ খোংনাংথাব ফম্বাল হাংব অমসুং শক্তম খিনব হৌবাং লুপ্ন' শীন্দুন মনিপুব যুনিভর্সিতিগী মানিপুবী দিপার্তমেন্ত মমাঙদ মাযচৌ খোংনাংথাবগী শক্তম অম খিনজবগনি।। মাসদ যেৎপানিংব অমাদ পাউতাক পীবীনিংব মীওইশিংন লাক্নব ফেব্রুৱাবী ১২, ২০০৬ ফাওবগী মনুংদ অপাম পামদ ফোঙদোকপিব যাগান।। মসীগী মতুংদ লাকপ বাকৎ লৌজবোই ।।*" (পোক্নফম. ১৯/২/০৬)


চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী শক্তম

মনিপুব যুনিভর্সিতিগী মনিপুবী দিপার্তমেন্তকী মমাঙদ চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী শক্তম অম খিনবগীদমক ২০০৬ কী ফেবুৱাবী ২৩ দ যুনিভর্সিতি অসীগী বেজিস্ত্রাব আব.কে. বঞ্জন অমসুং এম এন.এফ.কী থৌবুবেল চীংসুবম অকাব অনীন এম.ও.যু. (মেমোবেন্দম ওফ অন্দব-স্তেন্দিং) অম সাইন তৌনখি।। লুপা লাখ ১০ চঙন পীথ্রাইন (ব্রোঞ্জ) শাগদব শক্তম অসীগী অৱাংব ফুৎ ১০.৫ ওইগনি।। হাযবিব শক্তম

অসী মনিপুবী দিপার্তমেন্তকী মমাঙদ খ্বাইদগী থুবদ থা ৬ কী মনুংদ খিনব ঙম্মব হোৎনগনি হাযখি।। 'মেমোবেন্দম ওফ অন্দবস্তেন্দিং' অদু সাইন তৌনখিবদ মতম অমদ মিনিস্তব ওইবম্ব আব.ভি.মিংথিংসু যাওখি।। এম.ও.যু. অদু সাইন তৌনবব মতুংদ বেজিস্ত্রাব আব.কে. বঞ্জন অসুম্ন হাযখি - "*জাতি অসীগী খ্বাইদগী চাউথোকচনিংঙাই ওইব লাই ওইখ্রব পুম্নমকপু খঙব ঙম্ব লাই গুক অমগী অশাব শক্তম অম মনিপুব যুনিভর্সিতিদ খিনব হাযবসী খ্বাইদগী মবম চাব অমনি।।*" শক্তম অসী খিনবগী মতাংদ মীযামগী ওইব অযেৎপ অথিংব অমত্ত হৌজিক ফাওব লাকত্রিবন (শক্তম খিনব) অসীদ মনিপুবগী মীযাম খূদীংমক্ল যাবে হাযন লৌবে – হাযন বেজিস্ত্রাবন মখা তান ফোঙদোকখি।। এম.এন.এফ. কী প্রসিদেন্ত চাংসুবম অকাবন অসুম্ন হাযখি "*ঙসীদগী চহী ২৭০ বোমগী মমাঙদ লৈবম্ব, লমদম অসীদ লৈবিব মীপুম খূদীংমক্ল কাউব লৈতন নীংশিংগদব মীওই অদুদি চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবনি।।*" (সঙাই এক্সপ্রেস, ২৮/২/০৬) চাংঙু মাযচৌ খোংননাংথাবগী শক্তম অসী আর্তিস্ত ১০ যাওব নাউবেম লবঙ্গোন লুচিংব খুৎহৈব কাঙবু অমন শাগদবনি হাযন নুমিৎ অদুদ চাংসুবম অকাবন ফোঙদোকখি।। (পোক্লফম, ২৪/২/০৬)



চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী শক্তম খিন্নব এম এন এফ অমসুং এম যু গী বেজিস্ত্রাব অনীন থান চে ইর্নখিবা

'*মীতৈ নেশনেল ফ্রন্ত*', কংলৈপাক্কী লমজাং মখাদ '*চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী ফম্বাল হাংবে অমসুং শক্তম খিনব থৌবাং লূপ*', কংলৈপাক্ক শান লাঙদুন চীংঙু মাযচৌ খোংনাংথাবগী শক্তম খিন্নবগী উবেপ উযুং তম্বগী থৌবম অদু এম.যু.গী লমখৈ মনুংদ লৈব সেন্তিনাবি হোলগী অবাং থংব মাযকৈদ ২০০৬ কী এপ্রিল ১৩ দ পাঙথোকখি।। লোক সভাগী এম.পি.দা. মৈন্যান অথোইব মীথুং ওইদুনা উবেপ উযুং অদু খিনখি।। এম.যু.গী পিঃসিঃ প্রোফেশাব সিঃ অমুবন প্রসিদেন্ত ওইখিব থৌবম অদুদ এক্স মিনিষ্টব আবঃভিঃমিংথিং,

এম.যু.গী ফোর্মব ভি.সি. প্রো:দা: বিজয, এম.যু.গী বেজিস্ত্রাব দ: আব:কে: বঞ্জন, ইদুকেশন (যু)গী বিতযার্দ দাইবেক্তব তি:এস: গাংতে অমদি বিতযার্দ সিনিযব গ্রেদ লেকচবব এমদি: বিযাজউদ্দিন চৌধুবিন গেস্ত ওফ ওনবশিং ওইখি।। এম.পি. ডা: মৈন্যা ন অসুম্ন হাযখি- মাযচৌ খোংনাংথাবগী শক্তম অম মনিপুবগী অৱাংব থাক্কী মহৈ তমফমশঙ অম ওইবিব মনিপুব যুনিভর্সিতিদ খিনব হাযবসীন মতম অমদ লৈবম্ব পুৱাবীগী শাগোন্নব মাযচৌ খোংনাংথাবগী মবমদ খঙহনব ঙম্লগনি।। থৌবাং অসীবু পাযখৎপিবিব থৌবাং লুপ অসীবু থাগৎপগ লোযনন, মতম অমগী লৈবম্লিব ফীবম অদু হৌজিক্কী মতম অসীদ পুৱাবী ওইন চীংঙু খোংনাংথাবগী শক্তম অসীন লৈহৌবসুনু।।

মাযচৌ খোংনাংথাবগী মতম অদুগী মতীক মগুনশিং অদু নৈনদুন মীওইপোক অম ওইন হিংনব চঙশিনমিন্নব তঙাই ফদে।। ঐখোযগী পুবাবীদ চীংঙু খোংনাংথাবগী পুন্সি ৱাবী অদু লেঙদন লৈহৌব ওইবসুনু হাযন ডা:মৈন্যান মখা তান হাযখি।। শক্তম খিনব অমসুং ফম্বাল হাংবগী থৌবম অসী ইনফোর্মেল ইদুকেশন অমনি।। লাইনীং লীচৎকী ওইব মৱোঙদ নত্তব মাযচৌ খোংনাংথাবগী মবমদ লিতবেবি ওইন তম্বীহন্নিংবগী অপাম্বসু এম.পি. অসীন থৌবম অদুদ ফোঙদোকখি।।

এম.যু. দ চীংঙু খোংনাংথাবগী বিশার্চ তৌনবগীদমক সেন্তব (চিযাব) অম হাংগদৌবিব অসীসু অচৌব থৌবাং অম ওইবন মতম খব চঙখিগনি হাযন থৌবম অদুদ ভি:সি: অমুবন হাযখি।।

শাব হৌগদৌবিব চীংঙু খোংনাংথাবগী শক্তম অসী লুপ লাখ ১০ দগী হেন্ন চঙগনি হাযন পানবি।। অদুগ ফম্বাল (বিসার্চ সেন্তব) হাংনব হোৎনবিব অসিদন লুপ লাখ ৭৫ এম.যু.দ দিপোজিৎ তৌগনি হাযন এম.এন.এফ.কী প্রসিদেন্ত চীংসুবম অকাবন নুমিৎ অদুদ ফোঙদোকখি।। (পোক্লফম, ১৪/৪/০৬)

চীংঙু মাযচৌ লৌবেম্বম খোংনাংথাবগী শক্তম খিনব অমসুং চীংঙু মাযচৌ অসীগী ফম্বাল হাংনবগীদমক্ত *'মীতৈ নেশনেল ফ্রন্ত'* ন চঙশিনখিব খোঙজঙ অসী যাম্ন পুক্নীং থৌগৎনিংঙাইনি।। শক্তম খিন্নবগী উবেপ উযুং তমখ্রে।। মতুং তাবকপ ওইন পান্দম অনী অদু ফংনবগীদমক *'মীতৈ নেশনেল ফ্রন্ত'*ন কবি কবম্ব থবক থৌবাং পাযখৎলিবগে হাযবগী মতাংদদি ঙসী ফাওবগী ওইনদি (২৮/২/১০) থোইদোকপ ঈ- পাউ তাদ্রি।। ফ্রন্ত অসীগী ওইন চঙশিল্লকখিব থবক অসীগী পান্দম ফংনব হোৎনব যাব হোৎনবমগদ্র হাযন



চীংঙু মায়চৌ খোংনাংথাবগী শক্তম থিল্লব এম. পি. দা. মৈন্যান উবেপ উমুং তম্ব

খনজৈ।। অদুবু ফ্রন্ত অসীন হীবম কয়াদ পায়খৎকদব অমসুং পাঙথোক্কদব থবক যামনখিবদগী মাযকৈ অসীদ অকনব শাফ্ পীদুন মাৎ ওনশিনবদ খবদং তপথব ওইবমগদ্র হায়ন খনজৈ।। নোংম নত্রগ নোংমদি মায়কৈ অসীদ মায ওনশিনবীবৰ্কখিগনি হাযবগী অচেৎপ থাজব থমজবি ।। কংলৈপাক মনিপুব পুবাবীগী লামায়দ চোইনৌ সনাগী মুক্ক ইশিন্দুন লৈহৌরগদব যাইফবব লোইদাম থাগী কোবৌ নুমিৎ অদু মতমগী খোঙলৈন পুরকপ ঙাইমিন্নখিব তাবি ।।৩।।

"চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্ব খোংনাংথাব (মহাক্কী পুন্সি অমসুং ব্রাখল ফিদম ফিবেপ)" হায়ন মিংথোনব পন্দুপ ১৩ লৈব লাইরিক অসী ঙসী খৃস্ত কুম ২০১০, মার্চ ২, লমতাগী ১৭ নি পানব লৈপাকপোকপ নুমিৎকী অযুক পুং ১০ তাব মতমদ ইব লোইশিল্লে ।।

হে লাইয়িংখৌ ইবুংঙো
অতিংকোক মরু শিদব
চীংঙু খোইযুম অসীব
সনামহী মহীবেল ।।৪।।
তোল্লব ননাই ঐহাক্ন
পুক্কীং লৈবাংজদুন
হন্ন হন্ন খুরুমজৈ ।।৫।।
হয়ি- হয়া - হয়ুম ।।৩।।

(লোইরব)

Appendix:



Manipur University
Canchipur, Imphal-795 003
Manipur, India

No.MU 5-90/05-Fey./1559

November 26, 2005

The President
Meetei National Front, Kangleipak
Mayai Loishang,
Khurai Soibam Leikai,
Imphal East-795010

Sub: Opening of a Chair in the name of Chingu Maichou Khongnangthaba in the Department of Manipuri, Manipur University – regarding.

Dear Sir,

In inviting a reference to your letter No.34/MKS/MNF/04 dated 15.9.2005 on the above subject, I am glad to inform you that the University has agreed to your proposal. I am to request you kindly to deposit a sum of *Rs.75,00,000/- (Rupees seventy five lakh)* only in the form of a Bank Draft in favour of the Registrar, Manipur University, Canchipur to meet the expenses towards salary and other component of the Chair. The details of the salary component are given in the enclosed statement for your information.

Yours sincerely,

Encl : As stated.

(Dr. R.K. Ranjan Singh)
Registrar

Copy to
1. The AR to the Vice-Chancellor, MU
2. The Finance Officer i/c, MU

Phone-Office (0385) EPABX 243526/2435055
Fax Modem (0385)2435145 Telegrams Manvarsity

Curtsy Meetei National Front, Kangleipak

মচাক তানফম ওইব লাইরিক, চেফোঙ অমসুং পাউ- চেশিং

১। এন. ইবোচৌব (ইথোকপ), *থাবোন, ১৯৮২*
২ যুম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্র (ইথোকপ), *থালোয় নোংখায়লোন, ১৯৮৭*
৩। যুম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্র (অযিব), *ইমোইনু অহোঙবীগী তুংনফম, ১৯৯২*
৪। ইবোম অমুবী (ইথোকপ), *লৈহৌ নাউফমলোন, ১৯৮০*
৫। ইবোম অমুবী (অযিব), *মৈতৈ থৌনি লীচৎ, ১৯৯০*
৬। ইবোম অমুবী (অযিব), *শজিফু চৈবাউবা, ১৯৮০*
৭। ইবুংঙোহল অমসুং খেলচন্দ্র (ইথোকপ), *চৈথাবোল কুম্বাবা, ১৯৮৯*
৮। মাধব অমসুং খেলচন্দ্র (অযিব), *খুনুং লীচৎ শাজৎ, ১৯৭০*
৯। ঙাবিযানবম কুলচন্দ্র (ইথোকপ), *কংলৈ নিংথৌ চহী, ১৯৬৯*
১০। ঙাবিযানবম কুলচন্দ্র (অযিব), *মৈতৈ লাই হবাউব, ১৯৬৩*
১১। ঙালিযানবম কুলচন্দ্র (ইথোকপ), *অপোকপ থৌনিবোল, ১৯৬৭*
১২। ওইনাম ভোগেশ্বব (ইথোকপ), *সনামহী লাইকন, ১৯৭২*
১৩। ওইনাম ভোগেশ্বব (ইথোকপ), *খাগেম্ব লাঙজৈ, ১৯৬৭*
১৪। ওইনাম ভোগেশ্বব (অযিব), *নিংথৌবোল শৈবেং, ১৯৬৭*
১৫। ওইনাম ভোগেশ্বব (ইথোকপ), *লোয়ন- শিনলোন, ১৯৬৭*
১৬। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (অযিব), *অবিব মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস, ১৯৬৯*
১৭। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (ইথোকপ), *চোথে থাঙৱাই পাখংব অমসুং নুংপানপোনপী লুৱাওপা, ১৯৮০*
১৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (ইথোকপ), *ফমলোন, ১৯৮৭*
১৯। অমুবী, খেলচন্দ্র, ভোগেশ্বব, ইবোচৌব (ইথোকপ), *শংগৈ শলাইবোল, ১৯৯৪*
২০। মোইবাংথেম চন্দ্রসিং (ইথোকপ), *পান্থোইবী খোঙ্গুল, ১৯৭২*
২১। নামৈবাকপম দিনচন্দ্র (ইথোকপ), *খাগেম্ব লাঙজৈ পুযাগী শল্লপ্পা, ১৯৬৭*
২২। খুমল্লম্বম যাইম (খোর্মাজনব), *অবিব শিম্বোঙ, ১৯৮৮*
২৩। খুলেম চন্দ্রশেখব (ইথোকপ), *লোয়যুম্বা শিনযেন, ১৯৭৫*
২৪। খুলেম চন্দ্রশেখব (ইথোকপ), *মসিন, ১৯৯৭*
২৫। খুলেম চন্দ্রশেখব (অযিব), *ঈনাৎকী হবাউ কুম্মৈ, ১৯৯৪*
২৬। খুলেম চন্দ্রশেখব (অযিব), *লাইহবাউবা লাইশোল, ১৯৮২*

২৭। খুলেম চন্দ্রশেখব (ইখোকপ), *সাকোক লমলেন অহানব, ১৯৯২*
২৮। নাউবেম অমুযাইমা (ইথোকপ), *অমন শিকুমলোন, ১৯৭৭*
২৯। দা যেংখোম ভৈগ্য (ইথোকপ), *লৈথক লৈখাবোল, ১৯৮৭*
৩০। নিংঙোম্বম মনিজাউ (ইথোকপ), *পোনপী লাং, ১৯৭২*
৩১। নিংঙোম্বম মনিজাউ (খোমজিনব), *মতমগী খোঙলৈ তাকপ পুযাশিং ১৯৯৮*
৩২। মুতুম ঝুলোন (অযিব), *বিজয পঞ্চালি, মণিপুব ইতিহাস, ১৯৪৭*
৩৩। শ্রী অতোম্বাপু শর্ম্মা (অযিব), *মণিপুব ইতিহাস (অহানব খন্দ), ১৯৪২*
৩৪। শ্রী অতোম্বাপু শর্ম্মা (অযিব), *মণিপুব ইতিহাস (অনিসুব খন্দ) ১৯৪২*
৩৫। খুমনথেম কাওমচা (অযিব), *মণিপুব ইতিবৃত্ত (অহানব), ১৯৮০*
৩৬। বাজকুমাব স্নাহল বি:কম: (অযিব), *মণিপুব ইতিহাস, ১৯৪৭*
৩৭। শ্রী কলাচান্দ সিংহ (খোমজিনব) *সাগৈ সলাইলোন, ১৯৬৫*
৩৮। ইবোহল অমসুং বাজেন (ইথোকপ), *সকোক লমলেন অহানব, ১৯৭৩*
৩৯। বাজকুমাব সনাহল (গুনেশ্বব) (অযিব), *সংজাল (১বা), ১৯৭০*
৪০। বাজকুমাব সনাহল (গুনেশ্বব) (খোমজিনব), *মণিপুব শ্রীগোবিন্দ নিপন (মৈতৈ পুযাগী ব্রা), ১৯৮০*
৪১। থোকচোম থৌকাচানবা মীতৈ (পুথোকপ), *লালৈ লাথুপ থিলেল অমসুং মতমগী খোঙলৈ পাফল পুযা, ২০০৩*
৪২। থোকচোম বাজো(অমাইবী) (অযিব), *লাংওন, ১৯৭৭*
৪৪। শগোলশেম বাজমুহোন (অযিব), *অপোকপা খুকুম্বা, ১৯৯৬*
৪৫। প্রো. এনজি. কাংজীযা (অযিব), *সনামহী লাইনীংগী শজিফু চৈবাউব, ১৯৮২*
৪৬। প্রো. এনজি. কাংজীযা (পুথোকপ), *লাংদাই পুযা মঙা, ১৯৯৭*
৪৭। প্রো. এনজি. কাংজীযা (অযিব), *বাযেৎ চবুন অহানব শরুক, ১৯৮৯*
৪৮। বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা (অযিব), *মৈতৈ লুহোংব অমসুং লৌন লৈনবগী বাখুল পোমিৎ, ১৯৯৮*
৪৯। প্রো. সাইবেম নীলবীব (অযিব), *লাইযিংথৌ লাইবেম্মাশিংগী ব্রাবী শীংবুল, ১৯৯৯*
৫০। প্রো. সাইবেম নীলবীব (অযিব), *লাইযিংথৌ সনামহী অমসুং সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ, ২০০২*
৫১। প্রো. সাইবেম নীলবীব (অযিব), *ঈবাৎ থৌবম থৌনিবোল লাইবিক, ২০০৪*

৫২। প্রো. সাইরেম নীলবীর (অয়িব), *লাইনীং, নাৎ অমসুং পৱারীগী মীৎয়েংদ কংলা, ২০০৭*
৫৩। নাউরিয়া ফুলো (অয়িব), *পামহৈব* (তখেল্লম্বা বোকুল) (অফোঙব), ১৯৫২
৫৪। এম. বীরমঙ্গল (অয়িব), *চীংঙু খোংনাংথাব (সনামহী কোল্লু য়ৈখাইবা), ১৯৬৬*
৫৫। কংলৈ পুৱারী শলাই লূপ (পুথোকপ), *কংলৈ মাযচৌ তবেৎকী শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী, ১৯৯৫*
৫৬। দা. পাওনম গুনিন্দ্র (অয়িব), *মণিপুরী কলচরদা মীৎয়েং অমা (অনিশুব বোল্যুম), ২০০৬*
৫৭। দা. সোইবম কুমার (অয়িব), *মাইবী অমসুং মাইবীগী সংস্কৃতি, ১৯৭৭*
৫৮। দা. ঙাঙোম একাশিনী (পুথোকপী), *মৈতৈ অমাইবী, ২০০৬*
৫৯। দা. তোইজম তম্ফা (অয়িবী), *মনিপুরী কলচরগী পুৱাবী অমসুং ঈরাৎথৌনি, ২০০৮*
৬০। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ (খোমজিনব), *ৱারেং অখোম্ব, ১৯৬৫*
৬১। দা. ৱাইখোম বোমেশ (অযিব), *কংলৈ নাৎকী অরিব মশক, ২০০৬*
৬২। অকোইজম্বা পীবা (অযিব), *পূর্তীন পুয়া, ১৯৯২*
৬৩। ওইনাম ভোগেশ্বর (অযিব), *মায়চৌ লাংওন (উমংলাই খুন্দা, ৭/৮ শুব মশীং)*
৬৪। মোইরাংথেম চন্দ্রসিং (অয়িব) *চীঙ্গোই ঈরূপ্পা (মীৎয়েং, ২১ সুব মশীং, ১৯৭৮)*
৬৫। য়ুনিভর্সেল লিতবেরি এসোসিএসন (পুথোকপ), *মৈতৈগী হরাউ কুম্মৈশিং, ১৯৮০*
৬৬। মীতৈ নেশনেল ফ্রন্ত, কংলৈপাক (শীল্লাঙব), *মাযচৌ খোংনাংথাবগী মবমদ নোংমগী ওইব খন্ন- নৈন মীফম (সেমিনাব), ১২/৩/২০০৪*
৬৭। বিশার্চ ফোবম মনিপুর (শীল্লাঙব), *লমদমসিগী পুৱাবীদ চীংঙু মাযচৌশিংগী থৌদাং (সেমিনাব পেপব), ৭/৬/২০০৯*
৬৮। হাওবম সনাজাওব (অযিব), *খোংনাংথাবগী মবমদ খন্ন- নৈন মীফম (হুইয়েন লানপাউ, ২৫/৩/২০০৪)*
৬৯। পোক্লফম (পাউ- চে), ১৩/৩/০৪, ১৬/৪/০৪, ৬/৫/০৪, ৬/১২/০৫, ১৯/২/০৬, ২৪/২/০৬, ১৪/৪/০৬
৭০। হুইযেন লানপাউ (পাউ- চে), ৭/৪/০৪, ৬/৫/০৪
৭১। মতমগী য়াকাইরোল (পাউ- চে), ৬/১২/০৫

৭২। সঙাই এক্সপ্রেস (পাউ- চে), ২৪/২/০৬
৭৩। *Ningthourel Okendrajit,* Declaration of Revival, 23/4/9
৭৪। *Dr R Brown,* Statistical Account of Manipur, Rept. 197
৭৫। *T.C. Hudson,* The Meithies, Rept. 1975
৭৬। *M McCulloch,* An Account of the Valley of Manipur, Rept. 1980
৭৭। *Dr John Parratt, (Ed).* Notes on Meitei (Manipuri) Beliefs and Customs, 1998
৭৮। *Lal Dena (Ed),* History of Modern Manipur, 1991
৭৯। *Saroj Nalini Parratt,* The Religion of Manipur, 1980
৮০। *R K Jhalajit Singh* A Short History of Manipur, 1965
৮১। *Dr I Bhagyachandra,* A Critical Study of the Religious Philoshophy of The Meeties before the Advent of Vaisnavism, 1987
৮২। *Dr N Birachandra* The Meitei Society (A Study on Tradtional Life Cycle Ceremonies), 2006
৮৩। *Gangmumei Kabui* History of Manipur, Vol - I, 1991
৮৪। *Sanem Nilabir* Religious Traditions of Manipur before the Advent of Hinduism (Manipur Today, DIPR, 26/1 2009)
৮৫। *Gangmumei Kabui* Social and Religious Reform Movement in the 19th and 20th Century (Bulletin of the Division of History, 1974-75, Centre for Post Graduate Studies, J N U, Imphal)

অয়িবগী মরমদ



সাইরেম নীলবীরঃ পোকপ ১৩।১।১৯৪১ ॥ মোদর্ন কলেজগী ওজা (১৯৬৬-৬৮)॥ দি.এম. কলেজগী ওজা (১৯৬৯-২০০১) দি.এম. কলেজ(কমর্স)গী প্রিন্সিপাল ওইনা থবক্তগী পোৎথাব ২৮-২-২০০১॥ থা ৩/৩ গী চেকোঙ 'মতমগী খোঙথাং'গী ইদিতর (১৯৭০-৭৪), (৭৬-৯৫)॥

সেমিনারদ পাথোকখিবা চেশিংগী মনুঙ্গ শরাঃ (১) মণিপুর সমাজদ ধর্ম্মগী য়াওলঃ হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমঃ অসীনব-কলচরেল ফোরম, ২৫।১২।৮৩, (২) সনামহী অমসুং সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌঃ য়ুণিভর্সেল লিতরেরী এসোসিয়েশন, ৩০।১০।৮৮, (৩) মীতৈ সনামহী লাইনীংগী অশিবগ মরী লৈনব লাইথৌশিংঃ মণিপুর ফোকলোর সোসাইতি, ২৬।৫।৯০, (৪) সনামহী লাইনীংঃ অরিব লাইনীংগী মমিংঃ সনামহী তেম্পল বোর্ড, ৬।৯।৯২, (৫) পুবারী, লাইনীং, অমসুং য়াংউরোলগী মীয়েংদা পোইরেতোন খুম্বোকপঃ মণিপুরী লিতরেরী সোসাইতি, ২৪।১২।৯৫, (৬) মীতৈ নাংকী শক্তমদ হয়াউ কুম্মৈঃ মণিপুর ষ্টেট আর্কাইভ্স্ ২৩।১২।২০০০, (৭) চীংমী তম্মী য়েলহৌঙেদগী লৈনরকপ মরীঃ মণিপুর ষ্টেট আর্কাইভ্স্, ৭।১২।০১ (৮) হৌজিকী খুন্নাইদ ইমোইনুগী মফমঃ লীগ ওফ কেল্লো পেত্রিওত্স্, ১২।১।০৩, (৯) মীতৈশিংগী পোকপদগী শিব ফাওবগী থৌরমশিংঃ কলচরেল ফোরম, ১।৬।০৩, (১০) Sanamahi Religion: Phil. Dept. M.U. Sponsored by Centre for Studies in Civilization, New Delhi,15/7/03 (১১) Origin and Development of Sanamahi Religion from 2000 B.C. to 1709 : S.R. Institute of Manipur Studies, 9/11/03, (১২) হৌজিকী খুন্নাইদ মায়চৌ খোংনাংথাবগী য়াখল্লোনগী ঈথিলঃ মীতৈ নেশনেল ফ্রন্ত, ১২।৩।০৪, (১৩) Origin and Development and Attributed of Sanamahi Religion: Phil. Dept. M.U. Sponsored by Indian Institute of Advanced Studies, Simla, 29/6/04 (১৪) মণিপুরগী অরিব লাইরিকশিংদ (পুয়া) ইরম্ব কংলাদ লৈব লাইফমশিংঃ ত্রাইবেল মিউজিয়ম এণ্ড রিসার্চ সেন্তর, ২৪।১০।০৫, (১৫) য়াম্ন ওল্লিবৈ মতমদগী মীতৈশিংগ অতোপ্পা মীওইশিংগ লৈনরকপ মরীঃ ACOAM-LUP, ২৯।১।০৬॥

লূপশিংগী মেম্বরঃ- (১) মীতৈ/মৈতৈ ফুরূপগী অশেংব পুয়া। লাইরিক খনবগী অখণ্ড-অহৈ লূপকী মেম্বর (২৩।৬।৯১), (২) সনামহী তেম্পল বোর্দকী মেম্বর (১১।৩।০৪), (৩) Chairman, Foundation for the University of Sanamahi Culture (2004-),(৪) Member, Kangla Fort Board (2004-2009, 2009-2014) (৫) Member, Kangla Expert Committee (2004-), (৬) Chairman, Kangla Religious Committee (2005-), ॥

ফোঙখিব লাইরিকশিংঃ- (১) লাইয়িংথৌ লাইরেম্মাশিংগী য়ারী শীংবুল, ১৯৯৯, (২) লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং সনামহী লাইনীং হিংগৎ ঈহৌ, ২০০২, (৩) কোংময় লাইফম, ২০০৩, (৪) ঈবাৎ থৌরম থৌনিরোল লাইরিক, ২০০৪, (৫) লাইনীংনাৎ অমসুং পুয়ারীগী মীৎয়েংদ কংলা, ২০০৭॥

ফংখিব মনাঃ- (১) মোইরাংথেম চন্দ্রশিং পন্দিত অচৌবা সনাগী মেদল (৯।১২।০৫), (২) মায়চৌ নীংশিং মনা (২২।১।০৬, (৩) মায়চৌ লাংওল সনা পূমহৈ মনা (৮।৭।০৬) ॥০॥